


ꯅꯤꯡꯇꯝꯕ

নীংতম্বা

# NINGTAMBA

**Volume II, 2024**

**An Annual Magazine published on the occasion of the 46th FOUNDATION DAY CELEBRATION-2024**
**GMCH AUDITORIUM, GUWAHATI**

**8th of February 2024**



**All Assam Manipuri Students' Union (AAMSU)**
**Central Committee, Assam**

# ꯅꯤꯡꯇꯝꯕ

# নীংতম্বা

# NINGTAMBA

**Volume-II, 2024**

*An Annual Magazine published on the occasion of the 46$^{th}$ Foundation Day Celebration-2024 GMCH Auditorium, Guwahati*

Date - 8$^{th}$ of February, 2024

***Editor:***
Meisnam Bhagat

***Co-Editors:***
M. Gunindra Singha
Hijam Shyamkumar
Thounaojam Shyam

***Published by***

**All Assam Manipuri Students' Union (AAMSU)**
**Central Committee, Assam**

**ꯅꯤꯡꯇꯝꯕ**

নিংতম্বা

NINGTAMBA

Volume-II, 2024

*An Annual Magazine published on the occasion of the 46th Foundation Day Celebration-2024*

| | | |
|---|---|---|
| Published on | : | 8th of February, 2024 |
| Editor | : | Meisnam Bhagat |
| Co-Editors | : | M. Gunindra Singha<br>Hijam Shyamkumar<br>Thounaojam Shyam |

**Publication Sub-Committee of "Ningtamba"**

| | | |
|---|---|---|
| Chairman | : | Konsam Biswajit |
| Vice-Chairman | : | Kangabam Subhojit |
| Convenor | : | Kshiro Gopal Sarma |
| Members | : | Laishram Satyajit<br>Fanjawbam Lokenath<br>Ashangbam Swapan<br>Seram Pariton<br>Mrinalini Sarma<br>Yumnam Albina<br>Yengkhom Emoinu<br>Ngasepam Sanahal<br>W. Helensana<br>Mutum Thoiba |
| Published by | : | All Assam Manipuri Students' Union (AAMSU)<br>Central Committee, Assam |
| Copy | : | 2000 |
| Printed at | : | Silchar Sungraphics,<br>Premtala, Silchar-788001 |


‘নিংতম্ব’ অসিদা য়াওরিবা আর্টিকলশিং অমদি অতৈ শৈরেং, ৱারীমচানচিংবদা ফোংদোকলিবা ৱাখল, মীৎয়েং, বনান্নচিংবা পুন্বা অইবা মশা মশাগীনি।

ড° হিমন্ত বিশ্ব শৰ্মা
Dr. Himanta Biswa Sarma

सत्यमेव जयते

মুখ্যমন্ত্ৰী, অসম
Chief Minister, Assam



CMS.7/2024/1512
Dispur 7 Magh, 1430 Bhaskarabda
22nd January, 2024

# MESSAGE

I am happy to learn that All Assam Manipuri Students' Union is celebrating its 46th foundation day on 8 February, 2024. Synchronizing with the occasion, the foundation day edition of its annual publication 'Ningtamba' is being released. I extend my heartfelt congratulations to all the office bearers of All Assam Manipuri Students' Union on this occasion.

All Assam Manipuri Students' Union since its inception has been working to champion the cause of the student community especially the Manipuri students studying in Assam. Considering the fact that students are the backbone of our society, the role of students' union, as a unifying factor holds vital immense.

Our country Bharat is fortunate to have a large pool of bright students to take forward her aspirational agenda of change. In view of this, the role of students' unions to guide the students in creating positive mindset and help them becoming active participants in the development process is very crucial. Moreover, considering the employability and job-led growth as our strategies for inclusive development, the students' unions will have to play the role of a catalyst.

Therefore, the All Assam Manipuri Students' Union being a vibrant body to represent the interests of the students should bear in mind the key role it can play in enhancing the competitiveness of the students. I hope the celebrations of the 46th Foundation Day gives it an opportunity to take resolute action and set its agenda for the welfare of the students.

I convey my best wishes to all office bearers of All Assam Manipuri Students' Union on this occasion. Hope its annual publication 'Ningtamba' is widely read and appreciated.

(Dr. Himanta Biswa Sarma)

**Kaushik Rai,** B.com, LL.B
MLA, 13 Lakhipur LAC
Assam

सत्यमेव जयते

Mob.-9435176407
E-mail : shrikaushikrai@gmail.com

Ref. ................ Date ......................



## Message

It brings me immense pleasure to learn that the All Assam Manipuri Student Union (AAMSU) Central Committee is celebrating its 46th Foundation Day on 8th February 2024, and on this auspicious occasion, a Souvenir is being released.

I trust that the Souvenir will fulfill its intended purpose. Simultaneously, I seize this rare opportunity to express my sincere appreciation to the members of the All Assam Manipuri Student Union (AAMSU).

I extend my heartfelt wishes to all the members of AAMSU on the occasion of the foundation day and the publication of the Souvenir, hoping for a grand success in their humble endeavors.

With regards

(Kaushik Rai)

MLA, Lakhipur



सत्यमेव जयते
Govt. of Assam

Arunjyoti Moran
Vice Chairman, Assam State Youth Commission

Date : **03-02-2024**

# MESSAGE

It gives me immense pleasure to know that All Assam Manipuri Students' Union (AAMSU) is going to celebrate the 46th Foundation Day on the 8th February 2024. In connection with the occasion you are going to publish your anniel mouthpiece "Ningtamba". I express my hearty congratulations to all the office bearers of AAMSU and make the occasion a grand success.

It is worth mentioning that Assam is a beautiful land comprising of various caste and creeds. Manipuri is also one of them. As far as my knowledge goes, I understand Manipuris are more diligent and intelligent. Your cooperative mindset has been a unifying factor for the growth of the great nation Bharat.

I feel honored to send a message to be published in your anniel mouthpiece. I am here with giving you the commitment to cooperate in any part of your journey.

With regards -

**(Arunjyoti Moran)**

Mobile : 8638520600 E-mail Id : jyotipol.assam@gmail.com

**REENA SINGH**, Advocate
CHAIRMAN
MANIPURI DEVELOPMENT COUNCIL, ASSAM

Chiripool, Diger Fulertal Pt.-I
Mutum Mension
P.O. : Fulertal, P.S. - Lakhipur
Dist. : Cachar, Assam, PIN-788106
Mobile No.- 9435073583, 7002212880
E-mail : reenasingh70@gmail.com

*Ref. No.* : ..........................

*Date* : 19/01/24

# MESSAGE



I am happy to know that All Assam Manipuri Students' Union is going to celebrate its 46th Foundation Day on 8th February, 2024 at Guwahati, and also bringing out a special souvenir 'NINGTAMBA' to mark the celebration.

As we all well aware that AAMSU is playing a vital role in the society since long years.

I extend my best wishes to AAMSU for their endeavour to take social responsibility by involving in all social activities.I whole heartedly appreciate for their efforts to serve the community as well as the society.

"LONG LIVE AAMSU"

Reenasingh

(Reena Singh)
Chairman
Manipuri Development Council
Guwahati, Asaam

**M. Asnikumar Singh**
CHAIRMAN
Loktak Development Authority (LDA)
Manipur

सत्यमेव जयते



## MESSAGE

Imphal, 1st February, 2024

*Dear Members and Supporters of All Assam Manipuri Students Union,*

As we reflect on the past year, it brings immense joy and pride to pen down the remarkable journey and invaluable contributions of Manipuri students and the community as a whole in Assam. The pages of this magazine unfold stories of resilience, unity, and shared aspirations, showcasing the vibrant tapestry of cultures that weave together to form the unique fabric of our beloved Assam.

The Manipuri community in Assam has consistently demonstrated a commitment to education, culture, and social harmony. Our Manipuri students have not only excelled academically but have also actively participated in various extracurricular activities, enriching the educational landscape of Assam. Through their hard work and dedication, they have become shining examples of excellence, proving that diversity is indeed our strength.

The All Assam Manipuri Students' Union has played a pivotal role in fostering a sense of belonging and camaraderie among Manipuri students. It has provided a platform for cultural exchange, mutual support, and a collective voice that resonates across campuses. The union's tireless efforts in organizing cultural events, seminars, and community outreach programs have contributed significantly to the cultural mosaic of Assam. In addition to academic pursuits, the Manipuri community has actively engaged in the promotion of Manipuri culture, traditions, language, and the interests of Manipuris, especially students, in Assam. The fusion of Manipuri heritage with the diverse cultures of Assam has not only created a harmonious blend but has also strengthened the bonds of unity among the diverse communities that call Assam home.

The Manipuri students' commitment to preserving and promoting their cultural identity is commendable. The All Assam Manipuri Students' Union has been a driving force in advocating for the interests of Manipuris, facilitating a deeper understanding of our rich cultural heritage among the broader community. Additionally, the student organization has emerged as a powerful voice for Manipuris, shedding light on various issues faced by the state of Manipur, including the current state of unrest. By raising awareness and initiating conversations, they have played a crucial role in fostering empathy and support for Manipur and its people. As we celebrate the achievements of Manipuri students, let us also acknowledge the richness they bring to Assam's cultural tapestry and recognize their efforts in being the voice for Manipur, amplifying the concerns and aspirations of their homeland. The promotion of Manipuri culture, traditions, language, and interests is not only a testament to our unity but also a celebration of the diversity that makes our nation unique.

In the coming years, let us continue to build bridges, foster understanding, and promote inclusivity. The journey of Manipuri students in Assam is a testament to the fact that when different cultures come together, the result is not just tolerance but a celebration of diversity. Through education, cultural exchange, and mutual respect, we can build a brighter future for all.

In the spirit of unity, we extend our heartfelt gratitude to the All Assam Manipuri Students' Union, Manipuri students, and the entire Manipuri community for their unwavering dedication and positive contributions to the beautiful tapestry of Assam.

Wishing everyone a year filled with continued success, growth, and the joy of shared accomplishments.

01/02/'24

**M. Asnikumar Singh**
Chairman, Loktak Development Authority

**Office (1):** Manipur Secretariat South Block (Room-187, Ground Floor) Imphal West, P.O. Imphal - 795001,
**Office (2)** Secured Office Complex North Block (2nd Floor) A.T. Line, 2nd MR Gate, Imphal West
Mob.: +91 8787724671 | +91 93621 09992
Email: asnimoirangthem@outlook.com Email: visionmanipur2027@gmial.com
**RESIDENCE:** Changangei Makha Leikai Opp: Airport, Toubungkhok Lamkhai Imphal West-Manipur P.O. Tulihal - 795140

NORTH EAST INDIGENOUS PEOPLE'S FORUM
35 Banphul Path | Hatigaon | Guwahati-781038 | Assam
Phone: +91 95776 56503, 98540 22237
E-mail: baruahgolap@gmail.com

Ref.............................................. Date ...29-01-24..........

## Message

The profound reflections of the human minds as a response to any challenging situation of all kind come from the young and dynamic generations. The students' community throughout the world, who are enlightened and conscious of the changing time emerge as the truthful and most effective strength to defend the values of physical existence and spiritual beliefs. It is of utmost importance for every administrative institution to recognize the relevance of the Students' Unions. It is also the maturity and strength of the governments to encourage independent and undiluted body of students' community to reflect the views of the young minds. The celebration of the 46th Foundation Day of the All Assam Manipuri Students' Union (AAMSU) Central Committee is an opportunity to reaffirm the commitments of the students' fraternity to serve the nation by way of channelising the youthful energy. It is during the most difficult time and abnormal situations, the students' communities respond with maturity and in the most responsible way.

I am convinced and happy to be a part of history as the All Assam Manipuri Students' Union celebrate the Foundation Day. My heartiest congratulations to the organisers and express my sincere gratitude to the founders of the Union who had the wisdom and vision to lead the movements.

Golap Baruah 29/01

Golap Baruah

North East Indigenous Peoples Forum

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯤ ꯁꯥꯍꯤꯇ꯭ꯌ ꯄꯔꯤꯁꯗ, ꯑꯁꯥꯝ

**MANIPURI SAHITYA PARISHAD, ASSAM**

**Affiliated to Sahitya Akademi, Rabindra Bhawan, New Delhi-110001**

(Regd. No. 110 of 1969-70, Estd.-1961)

(Regd. No. RS/KAM(M)263/Z/01 of 2022-2023)

Head Office : Captain N. M. Gupta Road, Silchar, Assam, Pin-788 001

**www.mspa.in**

**Ngangom Joykumar Singh**
***President***
Vill & P.O.-Madaripar (Via Lala),
Hailakandi, Assam, Pin-788163
Mob. No. - 09435179733 / 8638508538
e-mail : ngjoykumarsingh@gmail.com

*Ref. No.* ......................................

*Date* : 18th January, 2024



# Message

It gives me immense pleasure to learn that All Assam Manipuri Students' Union (AAMSU) Central Committee has decided to bring out a souvenir **NINGTAMBA** in commemorating the 46 Foundation Day of the organisation on the 8th of February, 2024 at Guwahati.

I take the opportunity to congratulate the members of All Assam Manipuri Students' Union for their tireless effort to serve the community. I also extend my best wishes for successful commemoration of its Foundation Day.

( Ngangom Joykumar Singh )
President
Manipuri Sahitya Parishad, Assam

খিলঞ্জীয়া মঞ্চ, অসম
INDIGENOUS FORUM, ASSAM
ঘৰ নং - ৩৫, দ্বিতীয় মহলা, বনফুল পথ, হাতীগাঁও, গুৱাহাটী- ৭৮১০৩৮
House No.-35, 2nd Floor, Bonphool Path, Hatigaon, Guwahati-781038

Ref. Date:

# MESSAGE

It gives me emense pleasure to know that, "All Assam Manipuri Students Union" (AAMSU) will celebrate their 46th "Foundation Day" on 8th February, 2024 at Guwahati. On this occasion "Ningtamba" a souvenir will be published on that Auspicious Day.

On this auspicious occasion, I on behalf of "Indigenous Forum, Assam" convey my best wishes to all respected members of the Organistations and offer my thanks to them for their positive initiative to work for the existence of the indigenous people of Assam and also I firmly believe that AAMSU must focus on the right of Indigenous People of Assam.

I wish all success to the endeavor.

Regards

Mrinal Hazarika
President
Indigenous Forum, Assam

Date : 8th February, 2024
Guwahati, Assam

Mobile : 95776 56503, 88110 18890, 98646 82222
e-mail: khilanjiyamanch@gmail.com, baruahgolap@gmail.com

।। জয় আই অসম ।।

+91 99573 39546

# অসম জাতীয়তাবাদী যুৱ পৰিষদ
# ASOM JATIYATABADI YUBA PARISHAD
কেন্দ্ৰীয় সমিতি • CENTRAL COMMITTEE

কাৰ্যালয় ঃ মালিগাওঁ, গুৱাহাটী ৭৮১ ০১১ (অসম)

ADDRESS FOR CORRESPONDENCE & HEAD OFFICE : DDA MARKET COMPLEX, CHOWKIDINGEE, DIBRUGARH-1, ASSAM

প্ৰসঙ্গ AJYP/CC/.............................. দিনাংক ..............................

## শুভেচ্ছাবাণী



সদৌ অসম মণিপুৰী ছাত্ৰ সন্থাৰ কেন্দ্ৰীয় প্ৰতিষ্ঠা দিৱসৰ কাৰ্য্যসূচী অনুষ্ঠিত কৰিবলৈ আয়োজন কৰা বুলি জানিব পাৰি আনন্দিত হৈছোঁ আৰু দিৱসৰ পূৰ্ণ সফলতা কামনা কৰি আমাৰ শুভেচ্ছা জ্ঞাপন কৰিছোঁ।

অনুষ্ঠানটিৰ লগত সংগতি ৰাখি পূৰ্বৰ দৰে এইবেলিও সংগঠনটোৰ 'স্মৃতিগ্ৰন্থ' প্ৰকাশৰ দিহা কৰা বুলি জানিব পাৰিও আমি আমাৰ আনন্দ প্ৰকাশ কৰিছোঁ। অতি সম্প্ৰতি অসম আৰু অসমীয়াৰ স্বাভিমানী সত্তাক কুঠাৰাঘাত কৰিবলৈ অসম আৰু অসমীয়া বিদ্বেষী চক্ৰ উঠি-পৰি লগাৰ কথা সৰ্বজন বিদিত। দুখ আৰু উদ্বেগৰ বিষয় যে, অসম আৰু অসমীয়াৰ জাতীয় সত্তাক নিঃশেষ কৰা ষড়যন্ত্ৰটো বেচৰকাৰী আৰু চৰকাৰী দুয়ো পক্ষৰে পৰা চলিছে। গতিকে এনে সন্ধিক্ষণত অসমৰ জাতীয়তাবাদী শিবিৰ একগোট হৈ শক্তিশালী জাতীয় সংগ্ৰাম গঢ়ি তোলাৰ বাহিৰে বিকল্প নাই।

সদৌ অসম মণিপুৰী ছাত্ৰ সন্থাৰ ইতিহাস সংগ্ৰামী সত্তাৰে প্ৰোজ্বল। জাতীয় জীৱনক বিপদমুক্ত তথা সমৃদ্ধিশীলী কৰি ৰখাৰ বাবে সংগঠনটোৰ নতুন ৰণনীত আৰু দৃঢ়চেতনা অংগীকাৰ গ্ৰহণ কৰি আমাৰ জাতিটোৰ বাবেই আশাৰ বতৰা কঢ়িয়াই আনক। এই প্ৰত্যাশা আৰু শুভেচ্ছাৰে--

(উজ্জ্বল কুমাৰ চুতীয়া)
সভাপতি

(উদয়ন কুমাৰ গগৈ)
সাধাৰণ সম্পাদক

Email: udayankrgogoi@gmail.com

সদৌ অসম ডালু সমাজ উন্নয়ন সমিতি
ALL ASSAM DALU SAMAJ UNNAYAN SAMITI
UNDER SOCIETIES REGISTRATION ACT - 1860
REGISTRATION NO. 2004/1987-88
HEAD OFFICE : DERAPATHAR, DIST : HOJAI (ASSAM), PIN : 782446

## শুভেচ্ছা বানী

সদৌ অসম মণিপুৰী ছাত্ৰ সন্থাৰ ৪৬ তম প্ৰতিষ্ঠা দিৱস ৮ ফেব্ৰুৱাৰী তাৰিখে উৎযাপন কৰাৰ বাবে আমি নথৈ আনন্দিত হৈছো। মণিপুৰী ছাত্ৰ সন্থা সৃষ্ঠিৰ পৰা মণিপুৰী জাতিটোক উন্নয়নৰ ক্ষেত্ৰত তথা অসমৰ বিভিন্ন জাতি জনগোষ্ঠিৰ সম অধিকাৰ বাবে যি সংগ্ৰাম কৰি আহিছে, আজি এই পৱিত্ৰ দিনটোৰ লগত সংগতি ৰাখি যি স্মৃতি গ্ৰন্থ প্ৰকাশৰ যো-জা কৰা বুলি জানিবলৈ পাই অতিশয় সুখী হৈছো। স্মৃতি গ্ৰন্থত প্ৰকাশ পোৱা লেখনি সমোহে ভৱিষ্যত নতুন প্ৰজন্মক বহু ক্ষেত্ৰত আগুৱাই নিব বুলি আশা ৰাখিলো।

শেষত প্ৰতিষ্ঠা দিৱসৰ উৎযাপন সমিতিৰ সমো বিষয় ববীয়া আৰু কৰ্মকৰ্তাক সদৌ অসম ডালু সমাজ উন্নয়ন সমিতিৰ তৰফৰ পৰা আন্তৰিক শুভেচ্ছা আৰু ধন্যবাদ জ্ঞাপন কৰিলো।

ধন্যবাদেৰে

সদৌ অসম ডালু সমাজ উন্নয়ন সমিতি

Kamendra Dalu
সভাপতি
... Assam Dalu Samaj
Unnoyan Samiti

20/01/2024
সম্পাদক
Secretary
All Assam Dalu Samaj
Unnoyan Samiti

ALL ASSAM MANIPURI STUDENTS' UNION
(AAMSU) CENTRAL COMMITTEE
H.O. RONGPUR PART 2,-MADURGRAM,
SILCHAR-788009,CACHAR(ASSAM)
Motto : Students are the Pillar of the Nation
Contact: 7099457180
8472868951
aamsu78@gmail.com


Ref. No. Date: 31/01/24



# প্রেসিদেন্টকী ৱারোল

আসামদা তারিবা মীতৈ মহৈরোইসিংগী অমত্তা ঙাইরবা মহৈরোই লুপ অল আসাম মণিপুরি স্টুডেন্টস ইউনিয়ন(AAMSU)গী ৪৬ শুবা মপোক কুমোন নুমিৎনা লাকপসিদা ময়াম পুন্নমক্তা নুঙাইবা পাওজেল পিজরি। মেগ্যাজিন অসিনা অপাবা ময়ামবু নুঙাইবা অমসুং নৌরিবা অইবশিংদা থৌনা লিংজেল পীবতা নত্তনা মখোয়গী ইবগী লমদা লমজীংবিবা ওইসনু। মেগ্যাজিন অসি হৌগৎলকলিবা নৌনা ইরকলিবা নহাশিং অমদি মহৈরোইশিংগী ইবগী মিডিয়াম অমা ওইহনবা অমদি আমসুগী একতিভিতি খরতা ওইরবসু ফোঙদোকপা ঙমনবগী পান্দমদা ফোঙজবনি। হন্দক্কী ইসু অসিদগী "নীংতম্বা" মেগ্যাজিন অসি চহীগী লেপ্তনা ফোঙন্নবা ফিরেপ লৌজরে। আমসুনা শাফোংলকখিবা ঈং কুম্জা: ১৯৭৮ দগী হৌদুনা ঙসী ফাওবদা শরুক য়াদুনা লাকলি, চহী খরসিদা মীয়ামনা অৱা-অনা তাখিবা মতমদা আমসুনা য়াওজরকখিবা খরখক খুদম ওইনা মেগ্যাজিন অসিগী খুৎথাংদা পনজরিঃ- (১) মালেম সিন্বা থুঙনা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা থেংনখীবা অৱা-অনা কয়াদা আমসুনা পাংখিবা মতেংশিং। (২) ২০২২ গী জুন থাদা থোকখিবা ঈশিং-ঈচাওদা আসামগী মফম কায়াদা অৱা-অনা তাখীবা মতমদা আমসূনা মতেং পাঙখিবাশিং। (৩) নেশন্নল রেজিসটর অফ সিটিজেনশিপ (অন.আর.সী) আসামদা চেক তৌবা মতমদা, অন.আর.সী গী মতাঙদা মৈতৈ মচা কয়ানা থেঙনখিবা অৱাবা অমসূং দোক্যুমেনশিংগী মতাংদা আমসুনা পাঙথোকখিবা অৱার্নেস কেম্পেইন কয়া। (৪) আসামগী মফম কয়াদা ক্লাস ৯ দগী না ১২ ফাওবগী মণিপুরী লাইরীক ফংহনখিবা। (৫) ২০২৩ দা সাউদর্ন আগামী পাবলিক ওর্গানাইস্টেশন (এস এ পী ও)না মনিপুর বন্দ কৌবা মতমদা নাগাল্যান্ড অমসুং আসামগী বোর্দার এরিয়াদা তাবা কার্বি আংলোং অমসুং গোলাঘাটতা চৎতুনা লৌখীবা থৌদাঙ কয়া। (৬) হৌজীক-হৌজীক চৎথরিবা চিন-কুকী (নকরো-টেররিস্ট)না মরম ওঈদুনা থোকলিবা মনিপুর গী ঈরাঙ অসিদা লানজেননরবা অমসুং অৱা-অনা তারীবা মীয়ামদা আমসুগী থৌমীশিংনা ইশাগী ঈ-নচিংবা দান তৌজদুনা পাংজখিবা মতেং কয়া।

তুংগী মীরোলনা নুঙাইনা লৈনবগী দমক আমসুনা মতম পুন্নমক্তা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙমবা পীনবীউ হায়না তাইবঙ মপুগী মফমদা থৌনিজরি।

মীতৈ খুনাইনা য়াইফরে, আমসুনা য়াইফরে।

Ng. Sanahal Singha
All Assam Manipuri Students' Union (AAMSU) Central Committee

Ngasepam Sanahal

OFFICE OF THE

# ALL DIMASA STUDENTS' UNION

(KHRIB DIMASA PHURIYANCHARAONI HOSOM)

H.Q. : HAFLONG :: DIMA HASAO

Estd : 1991

Email ID: adsu081991@gmail.com

**Nobin Johori**
President
All Dimasa Students' Union
Haflong :: Dima Hasao (Assam)
Contact No. : +918638878043
Email : nobinjohori@gmail.com

**Mairing Johori**
General Secretary
All Dimasa Students' Union
Haflong :: Dima Hasao (Assam)
Contact No. : +917002523806
Email : mairingjohari@gmail.com

MOTTO : LIVE & LET LIVE TO GROW TOGETHER.

Ref. No.................................. Date:-...18-01-2024...

## MESSAGE



I am very glad to know that All Assam Manipuri Students' Union bringing out a souvenir entitled "**NINGTAMBA**" on the occasion of its' 46th foundation day of All Assam Manipuri Students' Union. Which will be held on 8th Feb 2024 at Guwahati Medical College and Hospital Auditorium.

I extend my greeting to all members of All Assam Manipuri Students' Union with publication of the souvenir and convey my best wishes for grand success of the publication as well as the celebration of the it's 46th foundation day 2024.

(Nobin Johorisa)
President
All Dimasa Students' Union

কাৰ্যালয়

মুঁগ অহম দেউৰী পৰিয়া চেংচ্চা

# সদৌ অসম দেউৰী ছাত্ৰ সন্থা (আদছু)

কেন্দ্ৰীয় সমিতি

## All Assam Deori Student's Union (AADSU)

CENTRAL COMMITTEE

Estd-1959

দূৰভাষ ঃ ৯৩৬৫৬৬৮১৭৪
৭০০২০২৮০৫৬

H/O : Nakari Deori Bhawan, Lakhimpur, Pin - 787001

Regd. No. 449 of 1977-78
email : aadsu2021@gmail.com

S/O : Deori Bhawan. J.B. Road Jorhat, Pin : 785001

Ref No. AADSU/M/2024/11

Date 18/01/2024



## শুভেচ্ছা বাণী

সদৌ অসম মণিপুৰী ছাত্ৰ সন্থাৰ ৪৬তম প্ৰতিষ্ঠা দিৱস ৮ ফেব্ৰৱাৰী তাৰিখে উদযাপন কৰা বাবে নথৈ আনন্দিত হৈছো। মণিপুৰী ছাত্ৰ সন্থাৰ জন্ম লগ্নৰে পৰা মণিপুৰী জাতিটো উন্নয়ন তথা অসম বিভিন্ন জাতি জনগোষ্ঠীৰ সম-উন্নয়ন আৰু সম-অধিকাৰ কাৰণে সংগ্ৰাম কৰি আহিছে। আজি এই পবিত্ৰ দিনটো লগত সংগতি ৰাখি আদৰণি সমিতিৰে "নিংটম্বা" নামেৰে এখন বিশেষ স্মৃতিগ্ৰন্থ প্ৰকাশৰ যো-জা কৰা বুলি জানিবলৈ পাই আমি অতিশয় আনন্দিত হৈছোঁ। স্মৃতিগ্ৰন্থত প্ৰকাশ পোৱা লেখা সমূহে নতুন প্ৰজন্মক শিক্ষা-সাহিত্য-সংস্কৃতিৰ ক্ষেত্ৰত পোহৰ বাট দেখাব বুলি আশা কৰিলো।

শেষত প্ৰতিষ্ঠা দিৱসৰ উদযাপন সমিতিৰ সমূহ বিষয়ববীয়া আৰু কৰ্মকতাক সদৌ অসম দেউৰী ছাত্ৰ সন্থা তৰফৰ আন্তৰিক শুভেচ্ছা আৰু ধন্যবাদ জ্ঞাপন কৰিলোঁ।

ধন্যবাদেৰে-

Niren
18/1/24

নিৰেন দেউৰী
সভাপতি
সদৌ অসম দেউৰী ছাত্ৰ সন্থা

OFFICE OF THE

# ALL ASSAM HAJONG STUDENTS' UNION

সদৌ অসম হাজং ছাত্ৰ সন্থা

Bonda, Narengi, Guwahati-26

Dist. Kamrup (M), Assam

Estd. 1987

Date 18/01/2024



## Message

It gives me immense pleasure to know that All Assam Manipuri Students Union is going to celebrate its 46th Foundation Day on 8th February, 2024 at Guahati Medical College and Hospital Auditorium.

As we all know All Assam Manipuri Students Union was founded in the year 1978. Since inception the organization has focused on the upliftment of the Manipuri community of Assam in every aspects of life. They have always worked for preservation and presentation of ethnic values of the society. On this auspicious occasion a souvenir is going to be published named "**Ningtamba**".

I extend my greetings and warm wishes to the editorial board and all the esteemed members associated with the publication of the magazine and wish success of the event.

Sanjib Kumar Hajong

Sanjib Kr. Hajong

President

All Assam Hajong Students Union

সদৌ তাই আহোম ছাত্ৰ সন্থা (আটাছু)
কেন্দ্ৰীয় সমিতি
ALL TAI AHOM STUDENTS' UNION (ATASU)
Central Committee

Chao Basanta Gogoi
President
Ph. 9678626282, 9435057524
gogoibasanta2014@gmail.com

Chao Achyut Borgohain   Chao Diganta Changmai
Joint Secretary
Ph. 9101090144   Ph. 9954626548
gohainachyut@gmail.com   digantachangmai63@gmail.com

Ref. No. ATASU/0021/24 Date 26/01/2024

## শুভেচ্ছা- বাৰ্তা

সদৌ অসম মণিপুৰী ছাত্ৰ সন্থাৰ ৪৬ সংখ্যক প্ৰতিষ্ঠা দিৱস গুৱাহাটী চিকিৎসা মহাবিদ্যালয় প্ৰেক্ষাগৃহত আয়োজন কৰিছে বুলি জানিবলৈ পাই আনন্দিত হৈছো। চিকিৎসা মহাবিদ্যালয়ৰ প্ৰেক্ষাগৃহত এদিনীয়া বৰ্ণাঢ্য কাৰ্যসূচীৰে আয়োজন কৰা প্ৰতিষ্ঠা দিৱস উপলক্ষে সদৌ অসম মণিপুৰী ছাত্ৰ সন্থাৰ প্ৰতিগৰাকী সদস্য/সদস্যা আৰু বিষয়ববীয়ালৈ মোৰ আন্তৰিক অভিনন্দন ও শুভেচ্ছা জনালো।

আহোম স্বৰ্গদেউ সকলৰ দিনৰে পৰা এক আত্মিক সম্পৰ্কৰে বান্ধখাই থকা মণিপুৰী সকলে নিজৰ জনগোষ্ঠীয় উত্তৰণৰ বাবে কাম কৰি যোৱাৰ উপৰিও অসমত বসবাস কৰি থকা লোক সকলে নিজকে স্বাভীমানী অসমীয়া হিচাপে পৰিচয় ডাঙি ধৰিবলৈ সক্ষম হৈছে।

এই সুযোগতে আগন্তুক প্ৰতিষ্ঠা দিৱসৰ লগত সংগতি ৰাখি ছাত্ৰ সংগঠনটিয়ে এখন স্মৃতি গ্ৰন্থ প্ৰকাশৰ ব্যৱস্থা কৰা কাৰ্য্য আদৰণীয় পদক্ষেপ। স্মৃতি গ্ৰন্থখন তথ্য সমৃদ্ধ লেখনিৰে আতক ধুনীয়াকৈ প্ৰকাশ পাব বুলি জানিব পাৰি আনন্দিত হলো। প্ৰতিষ্ঠা দিৱসৰ সমূহ কাৰ্যসূচীৰ সফলতা আন্তৰিকতাৰে কামনা কৰিলো।

শুভেচ্ছাৰে -

(চাও বসন্ত গগৈ)
সভাপতি

কাৰ্যালয়
সদৌ অসম সোনোৱাল কছাৰী ছাত্ৰ সন্থা (আস্কছু)
OFFICE OF THE
ALL ASSAM SONOWAL KACHARI STUDENTS' UNION (AASKSU)
HEAD OFFICE. Tribel Rest House ,P. O.- Paltan Bazar, Dibrugarh-786005
Email: aasksu1968@gmail.com
ESTD: 1968
Regd No.1276-1982/83

শ্ৰী ৰতন কছাৰী
সভাপতি
৯৯৫৭১৩৮৮৬২

শ্ৰী বুধিন সোনোৱাল
সাধাৰণ সম্পাদক
৯৬৭৮৫১৩৫৬৫

প্ৰসঙ্গ নং ........................ তাৰিখ........................

## <u>শুভেচ্ছাবাৰ্তা</u>

প্ৰতি,

সভাপতি/সম্পাদক

সদৌ অসম মণিপুৰী ছাত্ৰ সন্থা ।

দিনাংক.২২ জানুৱাৰী ২০২৪.

শ্ৰদ্ধাভাজনেষু,

জয় জয়তে আমাৰ উষ্ম সম্ভাষণ গ্ৰহণ কৰিব। আমি জানিবলৈ পাই অতি আনন্দিত যে সদৌ অসম মণিপুৰী ছাত্ৰ সন্থাই মণিপুৰী জনগোষ্ঠীটোৰ সমস্যা সমাধানৰ বাবে বিভিন্ন ঘাত প্ৰতিঘাতেৰে সংগ্ৰাম কৰি আহি আহি আজি ৪৬টা বছৰত ভৰি দিলেহি । এই ৪৬টা বসন্ত গৰকা শুভমূহুৰ্তত মণিপুৰী জাতিৰ ছাত্ৰ সংগঠনটিৰ ৪৬ সংখ্যক প্ৰতিষ্ঠা দিৱসটি গুৱাহাটীৰ চিকিৎসা মহাবিদ্যালয়ৰ প্ৰেক্ষাগৃহত অহা ইংৰাজী ০৮ ফেব্ৰুৱাৰী ২০২৪ তাৰিখে দিনযোৰা বিস্তৃত কাৰ্যসূচীৰে আয়োজন কৰিবলৈ বিচৰা বাবে আমি সদৌ অসম সোনোৱাল কছাৰী ছাত্ৰ সন্থাই সদৌ অসম মণিপুৰী ছাত্ৰ সন্থা (AAMSU)ক আন্তৰিকতাৰে শুভেচ্ছা জ্ঞাপন কৰিছোঁ।

উক্ত প্ৰতিষ্ঠা দিৱসৰ লগত সংগতি ৰাখি এখনি স্মৃতি গ্ৰন্থও প্ৰকাশ কৰিব বুলি জানি আমি অতি সুখী হলোঁ । আশা ৰাখিছোঁ স্মৃতি গ্ৰন্থত প্ৰকাশ পাব লগা বিভিন্ন ন-পুৰণি লেখক লেখিকা সকলৰ মনোগ্ৰাহী লিখনি সমাহাৰে মণিপুৰী জাতিৰ লগতে অসমৰ জ্বলন্ত সমস্যা সমূহৰ সমাধানৰ পথ কিছু হলেও প্ৰশস্ত হব । সদৌ শেষত মণিপুৰী ছাত্ৰ সন্থাৰ দীৰ্ঘায়ু কামনা কৰিলোঁ ।

সংগ্ৰামী শুভেচ্ছাৰে...................

(ৰতন কছাৰী)

সভাপতি

**সদৌ অসম সোনোৱাল কছাৰী ছাত্ৰ সন্থা**

## এদিটোরিয়েল ..............................................



ওল আসাম মণিপুরী স্টুদেন্স ইউনিওন (আমসু), ঙসি চহী ৪৬ মপূং ফারে। আসামগী মণিপুরীশিংগী অমত্তা ঙাইরবা মহৈরোই লূপ আমসুনা ঙশি চহী ৪৬ হীংদুনা আসাম অমদি মণিপুরী/মীতৈ খুনাইগী অৱা-নুঙাই থবক থৌরমশিংদা শরুক য়াদুনা লাকপা ঙমলিবসি লমদম অসিগী মীয়ামগী অমত্তা ওইবগী খোঞ্জেল অদুনা ঙমজবনি, আসামগী মনিপুরী খুনাইগী অপুনবা শক্তমগী মমি অদু মণিপুরী মহৈরোই লূপ আমসুদা ময়েক শেংনা তারি। আমসুদি লমদম অসিগী খোঞ্জেলনি, মণিপুরী খুনাই অসিগী পাঙ্গলনি, খুনাই অসিনা লূপ অসিবু য়োকপিবনি, আমসুসু খুনাই অসিগীদমক হিংবনি।

চেফোঙ হায়বসি দোকুমেনতেসনগী অচৌবা শরুক অমনি, লূপশিংগী পূকনিং-ৱাখল অমদি এক্তিভিতি রিপোর্টনচিংবা ফোঙদোক্নুনা মাগী মাগী চেফোঙ ফোঙনরি, আমসুগীসু ফোঙদুনা লাকই। ঙল্লিঙৈ মতমদা আমসুগী লখিপুর ডিস্ট্রিক্ট কমিটি অমদি সোনাই ডিস্ট্রিক্ট কমিটিনচিংবা আমসুগী মশাশিংনা মাগী মাগী সোভিনির (নীংশিং চেফোঙ) ফোঙখিবগী ৱাফম থেংনৈ। অসুন্না ইং ২০০৬কী ফেব্রুৱারী থাদা আমসু এন সি হিলস ডিস্ট্রিক্ট কমিটিনা হাফলোংদগী থা ৩/৩দা ফোঙবগী পান্দমদা ''নীংতম্বা'' হায়না মিংথোন্দুনা চেফোঙ অমা ফোঙবা হৌখি। হায়রিবা চেফোঙ অসিগী এদিতর হীজম শ্যামকুমার সিংহনা ওইখি, জোইন্ট এদিতর ওইনা এল থোয়বী সিংহ, এদিতরিয়েল বোর্দ মেম্বরশিংদা বীজোয় আনন্দ ওইনাম, সুবাস সিংহ, ইঙাঙম্বা সিংহ অমদি রাজিব সিংহনি। হায়রিবা চেফোঙ অসি ফোঙখিবগী মমাঙ ফাওবদা আমসু সেন্ট্রেল কমিটিদা নত্রগা আমসু সেন্ট্রেল কমিটিগী ওইনা মেগাজিন অমত্তা ফোঙখিবগী ৱাফম থেঙনদে। অদুমওইনমক ইং ১৯৯১দা সোভিনিয়র ওইনা ''মার্টিয়ার দে সেন্টনারী সেলেব্রেসন'' হায়দুনা চেফোঙ অমা মতম অদুগী আমসুগী লিটরেরি সেক্রেতরী টিএইচ শ্যাম সিংহ (থৌনাওজম শ্যাম)না এদিতর ওইদুনা ফোঙখি। হায়রিবা মতম অসি আমসু সেন্ট্রেল কমিটিদা এল চিংথংখোম্বা সিংহনা প্রেসিদেন্ট ওইনা অদুগা এ ব্রজহরী সিংহনা জেনেরেল সেক্রেটারী ওইনা ফম পুরিবা মতমনি। মথংদা আমসু সেন্ট্রেল কমিটিগী সভিনির হায়বা তারবদি ইং ২০০৭গী ফেব্রুৱারী থাদা হীজম শ্যামকুমার সিংহনা এদিটর অমদি এম ভগৎ সিংহ (ঐ ইশামক)না এসিস্টেন্ট এদিটর ওইদুনা মখা চৎথরকখি। হায়রিবা মতম অসিনা আমসু সেন্ট্রেল কমিটিদা সিনাম পাহারী সিংহনা প্রেসিদেন্ট ওইনা অদুগা লাইশ্রম সত্যজিৎ সিংহনা জেনেরেল সেক্রেটারী ওইনা ফম পুরিবা মতমনি। ২২শুবা আমসুগী এনুয়েল কনফারেন্সকা মরি লৈননা ফোঙখিবা সোভিনির অদুগী এদিতরিয়েল বোর্দ মেম্বরশিংদি এস হেরাজিৎ সিংহ, এস সরৎচন্দ্র সিংহ অমদি এ রোহন সিংহনি। মসিগী মতুংদা ইং ২০০৮, এপ্রিলগী চৈচৎ ২৪দা এম ভগৎ সিংহ (ঐ ইশা)না এদিতর, ইং ২০১৮গী এপ্রিলগী চৈচৎ ১দা খাংজ্রাকপম প্রসেনকুমারনা

এদিটর অমদি ইং ২০২১গী ফেব্রুৱারী চৈচৎ ৮দা মৈস্নাম ভগৎ সিংহ (ঐ ইশা)না এদিটর ওইদুনা সোভিনির অমমম পুথোকপা লৈখ্রে। য়াম্না চাং নাইদবা মওংদা লূপ অসিগী চেফোঙ ফোঙবা অসি হন্থনবা অমদি আমসুগী দোকুমেন্তেসনদসু মতেং খজিক ওইননবা চহী খুদিংগী আমসুগী ফাউন্দেসন দে হায়বদি ফেব্রুৱারীগী চৈচৎ ৮ খুদিংগী চেফোঙ অমা পীকলবসু চাউরবসু লেপ্তুনা ফোঙবা হায়না কয়ারক খন্নখি। মতাং অসিদা  আমসু এন সি হিলস ডিস্ট্রিক্ট কমিটিনা হাফলোংদগী ফোঙলম্বা ইসু অনী শুবা ঙমখিদ্রবা ‘‘নীংতম্বা’’ চেফোঙ অসি আমসু সেন্ট্রেল কমিটিনা লৌশিন্দুনা মখা শমথবগী ৱাফম পুথোক্তুনা খন্নে। মীতৈ মশীং য়াম্না লীকনা তারিবা হাফলোংগুম্বা মফমদা অসিগুম্বা মণিপুরী মেগাজিন অমা ফোঙবগী থৌনা উৎপিখিবা মমল য়াম্লবা খুদোল অমদি আমসুনা মমালোনবু নুংশিজবগী খুদম অদু তরাইনা লৌনিংদবনা আমসু সেন্ট্রেল কমিটিনা ‘‘নীংতম্বা’’ হায়বা মিংথোল অসি লেঙদনা থমজবনি অমদি মখা চৎথবগী দাইত্ত আমসু সেন্ট্রেল কমিটিনা লৌজরে। ৱারেপ অসি তানবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিখিবা আমসুগী প্রেসিদেন্ট ঙাশেপম সনাহল অমদি জেনেরেল সেক্রেটারী অশাংবম সোপোন অনীবু থাগৎচরী, লোয়ননা চেফোঙ অসিবু মপূং ফাহনবদা মতেং পাংবিরকখিবা মীওই পূন্নমকপুসু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরী। চেফোঙ অসিদা য়াওরিবা আর্তিকলশিংগী বনান অমদি মিৎয়েং পূম্বা অইবা মশা মশাগীনি। অরোয়বদা চেফোঙ অসি আমসুগী ‘‘ফাউন্দেসন দে’’ খুদিংগী লেপ্তুনা ফোঙবা ঙম্বা ওইরসু হায়না মপুদা নিজরী।

**মৈস্নাম ভগৎ**

এদিটর

নীংতম্বা

# — য়াওফম তাকপা —

**ৱারেং**


✓ মে ১৭ ইং ১৯৯৯ কাছাড়গী ডি.সি. অফিসতা থোকখিবা থৌদোক অমসুং আমসু — সাইখোম কমলাকান্ত ১
✓ এইথ সিদ্যুল তানবগী ঈহৌদা আমসু — লমাবম চীংথংখোম্বা ৫
✓ অদুঙৈ মহৈরোই ওইরিঙৈ মতমদো — দিলিপ ময়েংবম ৮
✓ আসাম শিনবা থুংনা 'আমসু' শন্দোরকপগী মতাং অমা — খাইদেম ওংবী পুষ্পলতা ১৭
✓ লাইরিক পাবসিংগী লুপ — দ° ফুরিৎসাবম বীরমনি ২১
✓ COVID-19 LOCKDOWN গী মতমদা আমসুগী থৌদাং — কব্রবম বীক্রমজিৎ ২৪
✓ লক্ষিপুরগী লোক-আপতা অহিং অমা — ফানজৌবম লোকনাথ ২৮
✓ MANIPUR DA MAYAI KABA NISA GI CHEITHENG – Geetchandra Mangang ৩৩
✓ মণিপুরী লোন — ডা. চিরোম রাজকেতন সিংহ ৩৭
✓ মালেমগী ফম্বাক্তা মৈতৈ — ডা. হাওবিজম চলাম্বা মৈতৈ ৪৩
✓ মনিপুরী পুৰারীনা কোনশিন্দুনা লৈরিবা বরাক তমপাক্কী অখন্নবা লাইফমশিং — খোইরীফাব হাওরোংবম ৪৬
✓ Who Are the Meeteis in Assam? Complexities of Identity Crisis, Preservation and Reconstruction – Dr. Yengkhom Monojit Singha ৫২
✓ Role of Students and Students' Organisations – Colonel Gokul Chandra Singha ৫৮
✓ Embracing Discipline and Service to the Nation – Major Ph. Manidhon Singha ৬৪
✓ মিজোরামদা মণিপুরীশিং — খাইদেম কান্তা ৬৬
✓ হোজাইগী পুৰারীদা মণিপুরী মহৈরোই লুপ (AAMSU)গী মফম — ড° দ্বিজমনি শর্মা ৭১
✓ মৈতৈ নুপী — মালেমঙানবী হাওরোংবম ৭৬


**শৈরেং**


✓ ৱাহৈ — খংজ্রাকপম কৃষ্ণমোহন ৭৭
✓ তাইবংপান — বীরচন্দ্র থোকচোম ৭৭
✓ মহৈরোয় অমা ওইনা — মুতুম থোইবা ৭৮
✓ হিংগদবা লুরেদা মতমসি — সাগপম বিশ্বপ ৭৮
✓ ঐখোয়সে মীওইবনিকো? — কিসান হাওরোংবম ৭৯
✓ মতমগী নহারোল — খোইরীফাব হাওরোংবম ৭৯
✓ ঐগী লাইরিক — মিনা শর্ম্মা ৮১
✓ পুন্সিগীদমক্তা — থম্বালতোম্বী দেবী ৮২
✓ ইমাগী খোল্লাও — নির্মলা সিংহ ৮৩
✓ হৌজিক্কী তাইবং — মৈতানকৈশম ওংবী শ্যামলা সিংহ ৮৪
✓ লম্‌থুংফম্‌ য়ৌদ্রিফাও — ওইনাম মালহোত্রা সিংহ ৮৫
✓ মালেমদা মীতৈ — নোংথোম্বম কমল ৮৬
✓ কপ্পি ঙসিসু — কব্রবম ওংবী অনিতা দেবী ৮৭
✓ PATYAGI THAMBAL – Moirangthem Ruhit ৮৮
✓ চন্দোনচৈগী পুন্সি — থৌনাওজম শ্যাম ৮৮

# মে ১৭ ইং ১৯৯৯ কাছাড়গী ডি.সি. অফিসতা থোকখিবা থৌদোক অমসুং আমসু

**সাইখোম কমলাকান্ত**
*এক্স-প্রেসিডেন্ট, আমসু*

মণিপুরগী মপান্দা ইণ্ডিয়া মনুংদা মরুওইনা আসাম অমদি ত্রিপুরাদা বিষ্ণুপ্রিয়াগী ৱাথোকসি মতম অমদা য়াম্না অকনবা ইরাং থোকখি। ফুৰূপ অনিসি ঙল্লিঙৈ মতমদা খর নকশিন্নরন্নবসু মরম খরগী মখাপোন্না তপ্পা তপ্পা খাইবুং তাবা হৌখি। খুদম ওইনা পল্লবদা ইং ১৯৩৬ শিলচর তারাপুরদা ফমখিবা নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভাগী ২শুবা মীফমদা খোইরেন খুনগী মনাক্তা লৈবা মাছুঘাটকী কৃষ্ণকুমার অমদি সিলেটকী সমরজিৎ (বিষ্ণুপ্রিয়া) মতমদুদা খর মশক নাইবা মীওই ২ সিবু মহাসভা য়াউননবা বার্তন তৌদবদগী মহারাজকা নিঙাই শংদানবগী ৱাফম অমসু লৈখি। মতমদু ভারত ২ থোকত্রিঙৈ ওইবনা (Undivided India) ভারতকী তোঙান-তোঙানবা মফমদা চোয়জাইননা তাখিবা মণিপুরীশিং অয়াম্বা শরূক রাখি। মণিপুরী য়াম্না পুনখিবা হিস্টোরিক ওইবা মহাসভানি। মসিগী মতুং তারকপদা ফুৰূপ ২ সি লাপথোক্লুরকপগী থৌদোক ৱাথোক কয়া লৈখ্রে।

আসামগী চীফ মিনিস্টার শ্রী শরৎচন্দ্রগী মতমদা (ইং ১৯৭২ জানুৱারী ৩১; ইং ১৯৭৮ মার্চ ১২) শ্রী হিতেশ্বর শইকীয়াসি আসামগী এডুকেসন মিনিস্টারনি। গভর্ণরনা শ্রী এল. পি. সিংনি। মতমদুদা আসাম সরকারগী No. EMI. 169/74/137 dated 29/1/77 গী নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না বিষ্ণুপ্রিয়া লোনবু কাছাড় জিলাদা (ঙসিগী কাছাড়, হাইলাকান্দি অমদি করিমগঞ্জ জিলা) প্রাইমারী থাক্তা মহৈ মশীং তম্বগী অয়াবা পীখি। অদুবু ‘‘বিষ্ণুপ্রিয়া’’ হায়রিবা ৱাহৈসিদা ‘‘মণিপুরী’’ হায়বা ৱাহৈসি তপ্তুবদগী মখোয়না য়ানিংখিদে। মসিনা মরম ওইদুনা যুম্ফম য়াউদবা, মরী-মখোঙ চুমদবা, শেমজিন শাজিনবা রেকর্ড কয়া পুথোক্তুনা সরকারদা তক্তনা লোবি তৌখি প্রেসার পিবা লেপখিদে। মসিনা তাকপদি ভারতকী চৎনপথাপনা পিবা মমারোননা মহৈমশীং তম্বগী হক অদুনা মরু ওইনা লৌবগী মহুৎতা মণিপুরীনি হায়না শক্তাক্লবা হোৎনবদুনা মখোয়গী অরোনবা এজেন্দানি।

শ্রী হিতেশ্বর শইকীয়ানা আসামগী চীফ মিনিস্টার ওইরিঙৈ (ইং ১৯৮৩ ফেব্রুৱারী ২৭, ইং ১৯৮৫, ডিসেম্বর ২৩) আসাম সরকারগী মাইকৈদগী খংহৌদনা হান্নগী বিষ্ণুপ্রিয়া লোন্না প্রাইমারী থাক্তা মহৈ তম্বগী নোটিফিকেসনদু মোডিফিকেসন তৌদুনা বিষ্ণুপ্রিয়াদা মণিপুরী তপশিল্লগা মহৈ তম্বা য়াবগী অয়াবা হেক পিরকপা মণিপুরীশিংগী থমোয়দা মুৎলি মুৎলি চাক্লম্বা মৈরীদু খংৱাং ৱাংবা হেনগৎলকখি। আমসু, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ অমদি অতৈ অতোপ্পা লুপ কয়াগী মাইকৈদগী কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখি। মণিপুর সরকারগী মাইকৈদগীসু কেবিনেট দেসিসন লৌদুনা য়ানিংদবা ফোংদোকখি। মসিনা মরম ওইদুনা ইং ১৯৮৩ গী দিসেম্বর ৮দা ওর্দারসি হেক থোকপগা নুমিৎ ২৪ নিগী মনুংদা হিতেশ্বর শইকীয়া মিনিস্ট্রিনা নোটিফিকেসনসি স্টে তৌখি থিংজিনখি।

আসাম একোর্ডকী মতুং এ.জি.পি.গী শ্রী প্রফুল্ল কুমার মহন্তনা আসামগী চীফ মিনস্টার ওইবা মতম (ইং ১৯৮৫ দিসেম্বর ২৪, ইং ১৯৯০ নভেম্বর ২৭) ইং ১৯৮৯

গী জুলাই ২১ দা থোকপা ওর্ডার অমনা হান্নগী নোটিফিকেসন অদু অমুক হন্না রিভাইভ তৌখি। অসুন্না হৌজ হৌজ আসাম সরকারনা নোটিফিকেসন অমুক থোক অমুক হেক স্টে তৌ য়াম্না খোয়দৌ শাউগৎপা মতমনি। আসামগী মণিপুরীশিং মাইকৈ মাইকৈদগী দেমোক্রেটিক মুভমেন্ট শাগত্তুনা অকনবা খোঙজং করা চংশিনবা হৌরকখি। মতমসি ঐহাক্না সেন্ট্রেল আমসুগী প্রেসিডেন্ট ওইনা পুবা চহিনি। বরাক তম্পাক্তা করিমগঞ্জ, হাইলাকান্দি আমসু ডিস্ট্রিক্ট কমিটি অমদি ধলাই, বদরপুর ব্রাঞ্চ কমিটি লিংখৎলম্লবা মতুং ইং ১৯৮৯ গী ওক্টোবর তাং ২ নুপা নুপী মহৈরোয় ১৮ না শাবা আমসুগী টিম অমা ইসুসিগা ইরোয়ননা ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্তা আমসু পাকশন্না শন্দোকপা হৌরকপগী অরোয়বা তাঙ্কক্তা গৌহাটিদা আসুগী হেড ওফিসতা আমসু, এমসু অমদি আসু পুন্না ফমিন্নখি। অতুল বরা অমদি সমুজ্জল ভট্টাচার্যনা আসুগী প্রেসিডেন্ট, জেঃ সেঃ ওইনা ফম পুবা চহিনি। মহৈরোয় লুপ ৩ সিগী লুচীংবশিংগা প্রফুল্ল কুমার মহন্তগা তোঙান-তোঙান ফমিন্নরবা মতুং ওক্টোবর ১৭ ইং ১৯৮৯ সরকারগী নোটিফিকেসনসি অমুক স্টে তৌখি।

প্রফুল্ল কুমার মহন্তগী অহানবা এ.জি.পি. সরকারগী মতুংদা হিতেশ্বর শইকীয়ানা অমুক আসাম চীফ মিনিস্টার ওইখি (ইং ১৯৯১ জুন ৩০, ইং ১৯৯৬ এপ্রিল ২২)। মতমসিদা মরুওইনা ইং ১৯৯৪ ইং ১৯৯৫ সি ত্রিপুরাদসু লেফ ফ্রন্ট সরকারনা ত্রিপুরাগী ও.বি.সি. লিস্টতা মণিপুরীগী সিরিয়েল নম্বরদা বিষ্ণুপ্রিয়া মণিপুরী হাপচিল্লক্তুনা মণ্ডলগী (Mandul) সি. নম্বর ৯১ দা য়াউবা মণিপুরীবু লান্না শিজিন্নবা হৌরকপদগী ইরাং থোকপা মতমনি। মসিনা মরম ওইদুনা ইং ১৯৯৪ গী অগাষ্ট ৩০ দা আমসু, উমা অমদি এম.এল.পি.সি. খুৎশন্নদুনা মীওই লীশিং ২ খর হেনবনা আসাম ত্রিপুরা ৩৯ নেসনেল হাইৱেদা পুং ৪৮ রোড ব্লোকেদ চখখি। মণিপুরী সোসিও কালচারেল ওর্গেনাইজেসন ত্রিপুরা, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ত্রিপুরা অমদি মণিপুর সরকারগী মাইকৈদগী অকনবা প্রেসার কয়া পিনা পিনা ২৩-৫-১৯৯৫ ত্রিপুরা সরকারগী এডুকেসন ডিপার্টমেন্টনা বিষ্ণুপ্রিয়াদা মণিপুরী তপশিন্দুনা ত্রিপুরাগী মহৈশঙ ২৯ দা লাইরিক তম্নবগী অয়াবা পিরগনি হায়না লাউথোরকখি। অসুন্না থংনবা রাজ্য ত্রিপুরাদা লেফ ফ্রন্ট সরকারনা ও.বি.সি. অমদি প্রাইমারী থাক্তা মণিপুরী হায়বা ৱাহৈ শিজিন্নদুনা কন্সপিরেসি কয়া চখরকপদগী য়াম্না পেন্দনা অমদি চরাংননা লৈবা মতমনি।

থংনবা রাজ্য ত্রিপুরাদা সরকারনা মণিপুরী জাতিগী মায়োক্তা লৈরকলিবা ফিরেপ কয়াসিনা আসামদসু তম্বা ঙমদবগী ফীভম লাক্কদ্রা মীপায়নরকখি। তাল্লকসিদা ইং ১৯৯৫ গী মার্চ ১৫ কলকাতাগী টেলিগ্রাফ পেপারদা "Bishnupriya Raw Takes Naw Twin" হায়বা কেপসন অমদা আসামদা প্রাইমারী থাক্তা বিষ্ণুপ্রিয়া মণিপুরী লোন চৎনহনবগী মতাংদা কেন্দ্র সরকার, রাজ্য সরকার অমদি নিখিল বিষ্ণুপ্রিয়া মণিপুরী স্টুডেন্টস ইউনিয়নগী মরক্তা ট্রিপারটাইত মীফম অমগী ৱাফম য়াউরকখি। মণিপুরীগী মাইকৈদগীসু অতৎ অখম লৈতনা রাজ্য সরকার অমদি কেন্দ্র সরকারগী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা মেমোরেণ্ডামনচিংবা কয়া থাজিনখি।

আসামদা প্রফুল্ল কুমার মহান্তনা ২রক হন্না আসামগী চীফ মিনিস্টার ওইরকপগী চহী ৩ ফারমদাই আমসুনা, আসামগী মণিপুরীশিংগী মরু ওইবা লুপ কয়াগী লুচীংবশিংগা কুপ্না খন্ন-নৈনরবা মতুং ইং ১৯৯৯ গী মে ১৭ য়াম্না পাকচাওনা মীয়ামগী প্রোটেস্ট রেলী অমা শিলচরদা পাংথোক্লবা লেপখি। থা অমমুক্কী মমাংদগী লমলমগী লোকেল ক্লাবনচিংবা ময়ামগা পাউ ফাউনবা হৌখি। ৱাতান্নফম ময়োলনা ইটখোলাদা লৈবা ঐগী শঙ্গায়দা ওইখি। তানতিক্লবদুদা তত্তনা শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা খরদং পনজরবদা এম. নিরঞ্জন, এস. নন্দকিশোর, কেএইচ. অমল, ডা. কে. এন. চান্দ, ওঝা টিএইচ. কালাচান্দ, এস. বিদ্যাচন্দ্র, ও. চুড়ামনি, আই. বিনোদ, ডব্লিউ. শরৎ, ওঝা ইবেমতোম্বী, ইচে কুসুম কামিনী, ইচে এস. কানন, এন.জি. রমাকান্ত, কেএইচ ব্রজগোপাল, সিএইচ. বিজান্দ, কে. বিশ্বজিৎ, এন.জি. জয়কুমার, এন. নন্দমোহন, মোইরাংথেম অমুসনানচিংবা

শিংথানিঙাইনি। অতৈদি নিংশিংবা ঙমদ্রে। আমসুগী এডভাইজার অমা ওইনা মণিপুর চৎতুনা সোসিয়েল মেডিয়াদা প্রেস রেলিস পিদুনা মণিপুরগী সি.এস.ও. কয়াবুসু রেলী অসিদা শরূক য়াবিরনবা নিংশিংজখি। অয়াম্বনা শরূকসু য়াবিরখি।

ইং ১৯৯৯ গী মে ১৭ নুমিত্তা নুংশাসু য়াম্না শাবা নুমিৎ ওইখি। ডিস্ট্রিক্ট এডমিনিস্ট্রেন্দগী রেলী অসি চৎপগী অয়াবুসু লৌখি। অয়ুক পুং ৯ দগী শিলচর গান্ধীবাগতা বরাক তম্পাক্কী মফম কয়াদগী খোইরেন মহুম শাবগুম মীয়াম পুম্বা হৌরকখি। নুপাদগী নুপীশিংনা মরু ওইনা ইমা মৈরা পাইবীশিং অঙকপা ফংনা তিনখি। চাওরাক্না মীওই লীশিং ৬ কী মথক ওইগনি। গান্ধীবাগতা মীয়াম পুনবগী মফম কোন্নরক্রে। মীয়ামদা প্রোটেস্ট রেলী অসিগী পান্দম অমুক্কা হন্না খংমিন্নরবা মতুং পুং ১১ তারকপদা তপ্ন তপ্না খোংশানবা হৌখি। শহরগী মরুওইবা মফম খর চৎলুরবা মতুং অমুক হন্না হল্লক্তুনা ডি.সি. অফিস মাইকৈ পাংলকখি। লম্বীদা গাড়ীনচিংবা অতোপ্পা মী চৎপা ঙমখিদে। মীথিৎতু উবদা পুন্নমক লম্বী মপান্দ লেপ্তুনা ঙক্না য়েংনখি। ঐখোয়গী মীয়ামসু লম্বী থন্না ক্রিক ক্রিক ইন্নদুনা চৎপা তাখি। অসুন্না পুং ১২ খর হেল্লকপদা ডি.সি. অফিস য়ৌরকখি। ডি.সি. অফিসকী লমজাদা গেট থিংজিন্দুনা সিকিউরিটিশিংনা ঙাকশেন্দুনা লৈরম্মী। ঐখোয়গী মাইকৈদগী আসামগী মুখ্যমন্ত্রী প্রফুল্ল কুমার মহন্ত অমদি ভারতকী প্রাইম মিনিস্টারদা মেমোরেণ্ডাম য়ৌহনবিনবা ডি.সি. মশানা মপান থোরক্তুনা মীয়াম মাংদা লৌশিনবিনবা পাও য়ৌহনজখি। মাইককী থোংদসু লমজংদগী হন্না হন্না হায়জখি অদুবু ডি.সি.না অখন্নবা মীওই ৪/৫ রোম চংলগা মাঙোন্দা মেমোরেণ্ডাম অদু পিরবা য়ানি হায়না খংহল্লকখি। মীয়ান্না য়ানিংখিদে। ডি.সি. মশানা মপান্দা থোরক্লগা মেমোরেণ্ডাম অমদু মীয়াম মাংদা ফোংনা পিজগে হায়না কয়ারক হায়জখি অদুবু লাইবক থিবদি ডি.সি. পবন কুমার বরঠাকুরনা ৱাফম অসি তাবিখিদে, মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট উবিখিদে। অসুন্না পুংখায়মুক হেন্না ইস্থোক ইনশিন তৌদুনা লৈরকপদগী খোয়শাওনরবা মীয়ান্না নুংশানা শাবাগা খাংবা ঙম্নরক্তবদগী গেট নমখায়দুনা ডি.সি. অফিস তম্না চংশিনখিদুনা ডি.সি.না ফম্বা কা য়ৌখিবদগী থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোকখি। ডি.সি.দি থৌদোকসিগী মমাংদা থৌরী পায়দুনা মীহুৎ থোংদা কুমথখিদুনা থংননা লৈবা এস.পি.গী রেসিদেন্স য়ৌরমলে। খোয়শাওনরবা মীয়াম ডি.সি. অফিস কেম্পাসতা পুংখায়মুক লৈরম্মী। টিয়ার গ্যাস কাপশিল্লকখি। খোইশাওনরবা মীয়াম হনখিদে। লাইবক ফবদি নোংমৈ কাপখিদে। করিগুম্বা কাপ্লম্বা তারবদি মী কয়া থৱায়না পোম্থা পিরম্বসু য়াই। ইরাং ফৎচিল্লক্তবদগী মীয়ামসি য়ান্না থুনা গান্ধীবাগতা হল্লক্লগা মরু মকোকশিংনা ৱাফম থল্লবা মতুং ময়াম খুদক্তা কায়নখি। মতাংসিদা থমজনিংবদি আসামদা বোরোগী ঈরাং কনশিল্লকপা মতমদা জনতা ভবন তম্না বোরো লীশিং ৫০ হেনবনা রেলী চতুনা লাকপদা নোং মরক্তা প্রফুল্ল কুমার মহন্তনা ছাটিন তুপ্লগা জনতা ভবনগী লমজংদা থোরক্তুনা মখোয়গী মেমোরেণ্ডাম লৌশিনখি। ডি.সি.না মপান থোরক্লগা মেমোরেণ্ডাম লৌশিনবা য়াদে হায়বগী করিসু প্রোটোকোল লৈতে।

ডি.সি. অফিসকী থৌদোকসিদা সি.আর.পিনা ফুবা খোৎপা অমদি অশোক অপন কয়া য়াউখি। খরদং পনজরবদা বাহাদুরগ্রামগী মিস. এন. ইবেমপীশক, শিলচর মালুগ্রামগী তখেল্লম্বম মধুরিনা, ধরনী দেবী, লৈখিদ্রবী চাউবী দেবী, উধারবোন্দগী মিস নীলু শর্ম্মা, বরবন্দরগী মিস অনুপমা, বন্দরগী কামিনী, রামনগর টুকোগী খাইদেম থম্বানতোম্বী, থাংজম ইবেতোম্বী, কামরাঙ্গাগী মুতুম মনিতোম্বীনচিংবা অতৈ মখোং মথুৎ শোকখিবা কয়াসু য়াউখিবনি নিংশিংবা ঙমদ্রে। অসিগুম্বা হিস্টরিক থৌদোক অসি আমসুগী মাইকৈদগী Video কেমেরা লৌখি। অদুবু ময়েক খর শেংবা ৱাৎখি। নাকল অমরোমদা M.S.F. কী মাইকৈদগী নমখিবা Video দুদি ময়েক য়ান্না শেংখি। থৌদোকসিগী মতুংদা ওঝা চুড়ামনি, রামকুমারনচিংবা মীওই ১১ জেলদা চংখিবগী মতাং অমা লৈরে। শিলচর সদর থানাগী ও.সি. ভৈরব বোরানা ডাঃ কে. এন. চান্দ, এন.জি. দীপক কুমার, এন.জি. রমাকান্ত,

এন. নন্দমোহন অমদি সাইখোম কমলাকান্ত ঐখোয় মঙাগা লোয়ননা অতোপ্পা মীং পন্দবা মীওই লীশিং তরুক্কী মথক্তা কেস পাল্লকখি। ঐখোয় মঙাদি চায়থোক্তুনা মতম খরনি লৈদুনা ফাহনখিদে, লৈহৌবা ওঝাশিং খরনা কাঙবম শান্তিকুমারগীদা পুন্দুনা বেইলদা কৌথোক্লবা হোৎনখি মসিদা রামনগর টুকোগী খাইদেম ব্রজলাল (সিবু)গী অচৌবা থৌদাং লৈখি। মতুংদা বেইলদা থোরক্লবা মতুং চহী ৩ মুক কেস শোক্লরবা মতুংদা লৌইশিনখি।

অরোয়বদা পনজনিংবদি অসিগুম্বা মপান মণিপুরদা মরুওইনা কাছাড়গী শিলচর সহরদা মশীং লিকপা মণিপুরী ফুরুপকী মীওইশিংনা খুঙ্গং খুঙ্গংদগী লাক্লগা চৎখিবা মীয়ামগী খোঙচৎসি অতাংবনি। ঐতিহাসিক থৌদোক অমনি। খোঙচৎসি মপুং ফানবা হোৎনবদা মহৈরোয় লুপ আমসুনা মৈরা পাইবী, লোকেল ক্লাব, উমা, এম.এল.পি.সি. অমদি অতৈ লুপ কয়াগা পুন্না লৌমিন্নখিবা থৌদাং কয়া আমসুগী পুৱারীদা নিংশিংদুনা লৈরগনি। আমসু মীয়ামগীনি। মতম পুম্বদা আমসুবু থৌনা হাপ্পীয়ু শৌগৎপিয়ু। ❑

# এইথ সিদ্যুল তানবগী ঈহৌদা আমসু

**লমাবম চীংথংখোম্বা**
*প্রেসিডেন্ট, আমসু*

মনিপুরী লোনবু ভারত সংবিধানগী নিপাল শুবা সিদ্যুলদা চনশিনবগী ঈহৌ হায়রগদি ১৯৯১ অমসুং ১৯৯২ গী আগষ্ট ফাওবগী ঈহৌ অসিনা মীয়াম্না হনবা লৈতনা চংশিনখিবা ঈহৌনি হায়বসি মনিপুরী জাতিগী ইতিহাসতা মুৎপা নাইদনা লৈহৌরগদবা, ইতিহাসকী ৱারী শিংবুলনি। ভারত নিংতম্বা ফংনবা হোৎনবদা হিংসাগী মরেংবান্দা অহিংসা নিতিগী খুৎলাই থোংলগা নিতম্বা পুরকখিবগুম; অচুম্বা গনতন্ত্রগী ঈহৌনা ভারত সরকার খাংবা ৱারদুনা মনিপুরী লোনবু ভারত সংবিধানগী নিপাল শুবা সিদ্যুলদা ১৯৯২ গী আগষ্টকী তাং ২০ দা চনশিনবীখি।

হায়রিবা মনিপুরী লোন অসি নিপালশুবা তাংকক্তা চনশিন্নবা হোৎনবদা ওল আসাম মনিপুরী ষ্টুডেন্ট ইউনিয়ননা করম্বা থৌদাং লৌখিবগে অমসুং করম্বা ঈহৌ অসি শাগৎখিবগে হায়বদুদি ঐ ইশামক্কা মতম অদুগী আমসুগী প্রেসিডেন্ট ওইনা পুজরম্বনা প্রেসিডেন্ট অমা ওইনা আমসুনা তৌজরম্বা থবক অদুতা ইশানা থাগৎচদুনা ইবা মানখিগদ্রা খনজবদগী তোপীক অসি ইবদা চিংনদবদি নত্তে। কনাগুম্বনা থিজিন-হুমজিনবীরগা ইবীরন্নবদি য়াম্না লাইবক ফরমগদবনি। অদুবু লাইরিক থিবনিনা করন্নদি তৌনি, মতমদুদা মীয়ামগী থৌদারোই ওইনা আমসুনা চেঞ্জ-চোংজখিবা খরদং পাউদম ওইনা থমজগে ।

খৃঃ ১৯৯১ অসি য়াম্না মরু ওইবা মমা লৈবাক মনিপুর নিংতম্বা ফংনবগীদমক ফাঁসিগী শগাইদা নিংহন্নবা লৈতনা কাখিবা বীর টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙ্গাল জেনেরেলনচিংবা অথৌবা কয়ানা থৱাই কৎখিবা চহী ১০০ শুবা কুমওন পালন থোকখি। চহী ১০০ শুবা কুমওন পালন অসিগা মরী লৈননা ওল আসাম মনিপুরী ষ্টুডেন্ট ইউনিয়ননা এমসুবু বার্তোন তৌজদুনা আগষ্টকী তাং ১৩ অমসুং তাং ১৪ নুমিৎ নিনি চুপ্পা শিলচরগী ডিষ্ট্রিক লাইব্রেরি অমসুং সংস্কৃত ভবনদা অথৌবশিংগী নিংশিং নুমিৎ পাংথোকখি। নিংশিং থৌরম অদুদা লেংবিরকখিবা এমসু ইচিল-ইনাওশিংনা আমসুবু অমুক হন্না চাক তাংবগী ঈহৌদা ছাত্র ছাত্রী কয়াদা ওৎ-নৈবীখিবা অমদি অশি-অনা য়াউখিবা নিংশিংনিঙাই ওইরবা নুমিৎ আগষ্টকী তাং ২৭ 'চাকলাম খোংচৎ'তা বার্তোন তৌবীরক্কুনা ঐ ইশামক অমদি আমসুগী জেনেরেল সেক্রেটরি এ ব্রজহরিগা লোইননা তাং ২৭ তা এমসুগী 'চাকলাম খোংচৎ' য়াউজখি। থৌরম অদুদা ডিঃ এমঃ কলেজ সেন্টিনারী হোলদা ঐবু ৱাফম খরা থম্বীনবা হায়বিরকপদগী মীয়াম মাংদা ৱা ঙাংজখি। ঐনা অহানবা মক্তদা চাক তাংবগী থৌদোক্তা থৱাইনা পোম্থা পীবা ইচিল-ইনাও শক্লুবা ইচেম-তাদাশিংগী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎলবা মতুংদা থমজখিবা ৱাফমদি— নিংতম্বা চহী ৪০ হেঞ্জিলক্লবা ফাওবদা ভারত সরকারনা মনিপুরী লোনবু নিপাল শুবা সিদ্যুলদা চনশিনবীদবসি মনিপুরী জাতিবু নমথদুনা থম্বীবনি হায়বসিনি। মরম অদুনা ঙসিগী ছাত্র, নহারোল ঐখোয়না লোন অসিবু নিপাল শুবা সিদ্যুলদা চনদ্রি-ফাওবা অকনবা, হনবা নাইদবা ঈহৌ অমা দরকার ওইরে হায়না আপিল তৌজখি। ৱাফম অসিগা মরি লৈননা লোন অসিবু নিপাল শুবা সিদ্যুলদা চনশিন্নবা, ইম্ফাল শিলচর তারিবা লম্বী পাকথোক চাউথোকহন্নবা অমসুং শিলচরদা মনিপুর ভবন অমা শাবিনবা ডিমান্দশিং য়াউবা মেমোরেন্দম অমা মনিপুরগী চিফ মিনিষ্টর আরঃ কেঃ রনবীরদা আগষ্টকী তাং ৩০ দা

পীশিল্লবা মতুংদা নুমিৎ অদুমক্কী নুংথিল পুং ৩ তাবদা এমসুগী প্রেসিডেন্ট, এসঃ শরৎ, সেক্রেটরি জেঃ থোকচোম থোইবা, এক্স-প্রেসিডেন্ট কেঃ এইচঃ লোকেন্দ্র, এক্স-প্রেসিডেন্ট নোংয়াই, মোংজম অভিরাম অমসুং এক্স-ফাইনান্স সেক্রেটরি লুখোই পৰারনচিংবা আমসুগা ফম্মীনদুনা মনিপুরী লোনগী মতাংদা অৰাং-নোংপোক ষ্টেট ৭ তা লৈরিবা মনিপুরীশিংগী মীফম অমা শিলচরদা শিন্নবা ৰারেপ লৌখি।

ৰারেপ অসিগী মতুং-ইন্না ১৯৯১ গী সেপ্টেম্বরগী তাং ৩০ দা আমসুনা শিলচরগী গান্ধী ভবনদা শিনজদুনা মনিপুর, মিজোরাম, ত্রিপুরা অমসুং আসামগী তোঙান তোঙানবা মফমদা খুন্দাদুনা লৈরিবা মনিপুরী ইচিল-ইনাওশিং অমদি ওজাশিংনা শরুক য়াবিদুনা ঈহৌ অসি মপাঙ্গল কনখৎনবা হোৎনখি। মসিগা ঈরোইননা এমসুগী থোকচোম রাজেন মচা অমদি কোনসম হেমাবতীনা লুচিংদুনা লাকখিবা কাংবু অদুগা আমসুগী ভোলুন্টিয়ার কয়ামরুমগা লোইননা ১৯৯১ গী ওক্টোবরগী তাং ১ দগী তাং ৮ ফাওবা মীতৈনা তাবা মফম খুদিংমক্তা চৎতুনা 'মনিপুরী লোন অমসুং নিপাল শুবা সিদ্যুল' হায়বসিদা পাব্লিক মোবিলাইজেশন হৌখি। খোংচৎ অদুদা চৎখিবা মফমশিংদুদি অহানবদা মীতৈনা কুংনা তাবা মফম লক্ষীপুর মথংদা উধারবন্দ, অহুমশুবদা সোনাই, ধলাই, হাইলাকান্দিগী লালা, লাইশ্রমখুনচিংবা মফম কয়াদা মোবিলাইজেশন চত্থরবা মতুংদা তাং ৯ দা এমসু মনিপুরগীদমক শিলচর থাদোকখি।

চহী খুদিংগী নভেম্বর তাং ২ দা 'লোনদান নুমিৎ' হায়না পাংথোকপগুম আমসুনা শিন্দুনা ১৯৯১ গী নভেম্বরগী তাং ২ দা শিলচরগী মরু ওইবা লম্বীশিংদা মী লীশিং মঙামুক্না রেল্লি চৎলবা মতুংদা গান্ধীবাগতা আমসুগী প্রেসিডেন্ট অমা ওইনা ঐ ইশামক আমসু অমসুং অতৈ ওর্গেনাইজেসনশিংনা হায়বীরকপদগী মীফমদুগী মীফম মপু ওইদুনা, অদুগা তোঙান তোঙানবা ওর্গেনাইজেসনগী ওঝাশিং মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ আসামগী প্রেসিডেন্ট লিলধজ, মনিপুরী লেংগুইজ প্রোটেকশন কমিটিগী চেয়ারমেন ওক্রম চুরামনি, মনিপুরী লেংগুইজ ডিমান্দ কো-ওর্ডিনেটিং কমিটিগী আসাম ইউনিটকী প্রেসিডেন্ট এনঃ জিঃ নবদ্বিপ, ওল আসাম মনিপুরী ৱোমেন ৱেলফেয়র এসোসিয়েশনগী প্রেসিডেন্ট প্রোঃ ইবেমতোম্বী, মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ আসামগী এক্স-প্রেসিডেন্ট সৌগাইজম ব্রজেশ্বর অমসুং প্রোঃ লক্ষীতোম্বী দেবীনা তোঙান তোঙানবা ওর্গেনাইজেশনগী অতিথি ওইবীদুনা ভারত সরকারবু মরাল শিদুনা ৱা ঙাংবীখি। মসিগী মতুংদা নভেম্বরগী তাং ৭ তা ইশামক নগাও চংলল্লগা হোজাই লংকাগী সোসিয়েল ৱার্কর চোংথাম চাউরেল অমসুং য়ুম্নাম নয়ন উনরল্লগা গৌহাটিদা থোরকখি। গৌহাটিদা আমসুগী জেনরেল সেক্রেরি, এ ব্রজহরিনা লুচিংবা কাংবু অমা হোজাই লংকাদা মোবিলাইজ তৌনবা থারল্লগা ঐ ইশামক্না হৌজিক পূর্ণিমাগী এডিটর ওইরিবা তামো জিতেনদগী লুপা ১০০০/- (লীশিং অমা) অদুগা হৌজিক 'ঐখোয়গী মনিপুর'গী পাব্লিসর ওইরিবা রবিন্দ্রদগী লুপা ৩৫০/- পুন্না লুপা ১৩৫০/- পুদুনা নভেম্বরগী তাং ১৬তা ইম্ফালগীদমক লাকখি। ইম্ফালদা নভেম্বরগী তাং ১৮দা এমসুগী প্রেসিডেন্ট সেক্রেটরিনচিংবা উন্নরগা এজিতেশন প্লান তৌরগা নুমিদাং পুং ৭ তা থাংমৈবন্দগী পাব্লিক মীটিং অমদা আমসুগী মাইগৈদগী চত্থরক্কদবা ঈহৌ কয়াদা নিংহন্নবা তৌবীদনবা ৱা ঙাংজখি। লোইননা অহিং অদুমক্তদা এমসুগী প্রেসিডেন্ট এসঃ শরৎ অমদি পিঃ প্রেমানন্দগা লোইননা মনিপুর শিন-থুংনা ব্লেক আউট তৌবীনবা অমদি হিন্দি লোন বোইকোট তৌবীনবা পাব্লিসিটি চৎখি। নভেম্বরগী জং ২৬ তেরাদা পাংথোকপা পাব্লিক মীটিং অমদা বার্তোন ফংদুনা আমসুগী মাইকৈদগী ঐ ইশামক্না মনিপুরী লোনবু ভারত সংবিধানগী নিপাল শুবা সিদ্যুলদা চনশিনবীদ্রবদি "Let Manipur be separated from India" হায়বা তোপীক্তা ভারত সরকারবু চার্জ তৌদুনা ৱা ভাংজখি ।

১৯৯১ গী ডিসেম্বরগী তাং ১৩ দা এমসুগী এক্স-প্রেসিডেন্ট মোংজম অভিরামনা লুচিংবা মীওই ৭ না শাবা কাংবু অমা শিলচরদা ওঝা সাইখোম কমলাকান্তগীদা থুংলদুনা ত্রিপুরা চৎনবা লাকখি। ওঝা

কমলাকান্তগী কাদা ৱারেপ অমা লৌরগা আমসুগী মাইগৈদগী এক্স-প্রেসিডেন্ট এম. নিরঞ্জন অমসুং ঐগা লোইননদুনা ত্রিপুরাদা খোংশানখি। নুমিদাংগী পুং ৭ তা ধরমানগরদা খাইদেম সদানন্দনা মীফম মপু ওইদুনা মীফম পাংথোক্লুবা মতুংদা ডিসেম্বর তাং ১৪ দা ত্রিপুরা য়ৌরগা প্রফুলা বিজয় অমদি আরঃ কেঃ কমলজিৎনচিংবা মীওই কয়াগা পুন্না ফম্মিনরবা মতুংদা তাং ১৬ তা মনিপুরী ষ্টুডেন্ট এসোসিয়েশন অফ ত্রিপুরাগী মাইগৈদগী এল. রবিন্দ্র সিংহগা লোইননা ত্রিপুরাগী চিফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখি ।

১৯৯২ গী জানুৱারি থা অসিমদি আমসুগী কেলেণ্ডার অমা আমসুগী এডভাইজর জিতেননা পুথোকপীবদগী য়েনথোকপগী থবক তৌবদা থোইদোক্লা লোনদান ঈহৌদা মাই ওনশিনবা ঙমখিদে ফেব্রুৱারি থাদা আমসুগী কনফারেন্স পাংথোকপা ঐবু অমুক হন্না প্রেসিডেন্ট খনবীরবা মতুংদা মার্চ থাদা হিন্দি লোন বোইকোটকা মরি লৈননা এমসুনা মনিপুরী ফিল্ম থাবীরক্কুনা মনিপুরী ফিল্ম ফেষ্টিভেল শিলচর, সোনাই অমসুং হাইলাকান্দিদা পাংথোকখি। লাইবক থিবদি আমসুগী শেল মতেং লাক্কদবা পাম্বে অনিমক মখোং তেকখি। অদুবু এপ্রিলদা ইম্ফাল অমুক থোরক্কুনা ১৯৯২ এপ্রিলগী তাং ৩০ দগী মেগী তাং ১২ ফাওবা ডাঃ এমঃ এসঃ নিঙোম্বা অমদি এনঃ জিঃ নবদ্বিপনা লুচিংবা মীওই কাংবু খরনা দিল্লিদা শিদ্রিফাওবা চরা হেনবগী খোংজং চংশিনখিবা মতমদুদা দিল্লিদা শেল ৱাৎলে থারকউ হায়বদগী ডিঃ এমঃ কলেজকী ওঝা কুমার, মনিপুর ইউনিভার্সিটিগী ওঝা মনিহার, এনঃ জিঃ নোংয়াই, লুখোই পৱারনচিংবগা লোইননা শেল খাইমিন্নদুনা শেন থানবা হোৎনখি অসুন্না অৱাবা কয়া মাইয়োক্লুরবা মতুংদা ১৯৯২ গী আগষ্টকী তাং ২০ দা মনিপুর লোন ভারত সংবিধানগী নিপাল শুবা সিদ্যুলদা চল্লে হায়না লাউথোকখি ।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা খরসিগী মনুংদা চিংখহৌবা খরসু অসুম লৈহৌরি। তেল্লবা মতমদা আমসুনা করি তৌরম্বগে হায়বা লোইনা য়েকপসু ঙমদ্রি। মতমদুদা ঐগা লোইননা থবক তৌমীনরম্বা আমসুগী ইচিল ইনাওশিংনসু ইবিরকখিগনি থাজে। অরোইবদা পঞ্জনিংবদি অসুন্না আমসু অমসুং এমসুগী ঈহৌদা মীয়াম্না শরুক য়াবীরকপদগী মথং মথং ঈহৌ লাক্কুনা MLDCCগী ঈহৌ কনশিল্লকপা খুদিংমক মীয়ামগী ওইবা অমত্তা ওইবা ৱাখল্লোনদগীনি। মতমদুগী মতুং ইন্না মতমদুদা ওর্গেনাইজেশনশিংগী মীহুৎ ওইখিবা মরু ওইবা খরতবু মমিং পঞ্জবগী ৱাতনি। অসিতসু নত্তনা মীয়াম্না খংবী উবীদ্রবা মীওই কয়া অমা এমসুগী রোড ব্লোকেট গাড়ী বন্দনচিংবদা মৈ থারুবা এজিতেটর কয়া অমা মৈ চাকপা য়াউখ্রিবনি। খোংতেক মীত্তাংবা অহল-লমন কয়া অমসু এমসু, আমসুগী ব্লেক আউটতা অৱাবা খাংবা কয়া অমা য়াউখ্রিবনি। মরম অদুনা ১৯৯২ গী আগষ্টকী তাং ২০ দা মনিপুরী লোনবু ভারত সরকারনা শকখংবীরকপা মীপুম খুদিংমক্কী অৱামননি। ❑

# অদুঙৈ মহৈরোই ওইরিঙৈ মতমদো

দিলিপ ময়েংবম

খুংগংদ চাউরকপগি তোঙান্ব মহাউ অমসু লৈ। ঈপু ঈবেন্নে য়োক্লুকপনী। এল.পি. স্কুল তম্ব হৌরকপদ ঐখোয় সঙগোয়দ তম্লকই। পুবোক্লু লিংখৎপনী, নম্বর ৯০৩ সারা লৈকাই এল.পি. স্কুল, যুমগী নাকলদ লৈব লমদ স্কুল সঙ সারগ হোংজিল্লী। ওজাসিংদু ফজন তাকপী, ওজা অমত্তন ক্লাস ৫ তাকপীবনী। মপান্দ বেরন্দাদ লেপ্লগ অমন হায়রগ ময়াম মসীঙ থীব তৌহল্লী। ক্লাস খর য়াম্বদুন ওজান য়েংসিল্লী। হাফত কম্পাউন্দ মনুংদ সান্নহল্লী। এম.ই. কারকপদ ওজান স্কুল ফংসন অমদ ক্লাসকি মকোক ওইবনী হায়দুন সৈরেং অম থীহল্লী। স্তেজদ কাখৎলগ ময়াম মমাঙদুদ থীবদ থগৎপোই করিবোই তৌদুন কাউখ্রে, ওজা অসাংবম ইরাবোত্তু নুংসি কাউদ্রি, মান ঐবু য়াম্ন থাজবনী, মহাক্লু সৈরেংদু য়াওবর, য়াওরবদী পাউ কায়দে হায়দুন ফুরিৎখাউদগি লৌথোক্লগ পাহল্লী। কনসোলেসন প্রাইজ ওইন পেনসিল্ অম ফংখি। মদুদ হরাওখি। ওজা হৈবীথাবম বুদ্ধিচান্দন ইংলিস গ্রামার ওনথোক্লু ফজন লায়ন খঙনব তম্বীরকখি। অদুন ক্লাস VIত গ্রামারগি বেসিক লোইরে। মতমদু ঐখোয় ক্লাস অনী মাঙঙী, এল.পি দ ৫ সুব ফাওব তম্লকলগ, এম.ই.দ ক্লাস IVদগি অমুক তম্মী, ময়েক্কিদী চুমদ্রিং ক্লাস VIত তমগদবনী, হৌজিকতী মদু তৌদ্রে। হায় স্কুলদন VIIদগী X ফাওব তম্মী, হৌজিক্লু VIII, IX, X খকতমক তমলে।

এম.ই. তমলিঙৈদ ওগস্ত ১৩, বীর তিকেন্দ্রজিৎ নুমিত্ত ঐখোয় খাতোন হোয়ন মৈত্রম বীরন ইব বীর তিকেন্দ্রজিৎ লিলা ফুল প্লে সান্নে। স্কুলগি হোল লৈতবন পারতিসন পুন্নমক লৌথোক্লুগ সঙসাংদুন হোল ওইহল্লগ সান্নবনী। য়েংব লাকপ মী য়াম্মনখিবন থোঙনাউদ মপান্দগি লেপ্লগ য়েংনখি, বেরন্দাদ থোঙজাওদগি য়াম্ন য়েংনখি। মদুগি ইথিলন হায় স্কুল তম্লকপদ স্তুদেন্তস্ য়ুনিয়ন লৈত্রবসু ঐখোয় খর খোমজীল্লগ বীর তিকেন্দ্রজিৎকি ৰান এক্ত প্লে অম সান্নরকখি, মদুদ ঐন থাংগাল সাখি। সাহেব মঙা হাৎপগি মতাংদুনী। ওজা মসীঙ সুদব, অৰাৎ-অপা ময়ামগি দিমান্দ তৌব, মণিপুরি মহৈরোইসিংন ইংলিস মিদিয়মদ তম্বনী, বেংগোলি লোন্দ তম্ব নাগা মচা অমগ বেংগোলি নূপী অমগ য়াওই। মদুগি সেকসন্ খায়দোকতন ক্লাস অমত্তদ লোন অনীদ তাকপগি কন্ন ঈরাং হৌখি। ওজাসিংদু মতমদুদ তোলোপ য়াম্ন ফংদে, স্কুলদু লৈঙাক্লু লৌসিন্দ্রি, অদুন সেকসন খায়ব ঙমদবনী হায়। অদুবু ক্লাস অমদ লোন অনী তাকপ য়ারোই, মপূঙ ফারোই, মদু তোকউ হায়বসিন ঐখোয়গি দিমান্দনী। মুক্লদুন অদুম লাকখি। কোলেজ তম্লফাওব, মখা তান তৌদনব মথং তম্লকলিব মহৈরোইসিংদ ঈরাং হৌহনখি। ওজাসিংদ সীঙনব নত্তে, অচুম্ব তৌ হায়বনী। ক্লাস তোঙানহল্লু হায়বগি দিমান্দ তৌবনী। মদুগি ইৰায় ইনীল খর পুরগ লাকপন কোলেজদসু মথি ফোংলকখি।

জি. সী. কোলেজদ সাইন্সত মিং চন্নব ১৯৭৫দ ঐগ, ঐগি মরূপ সোয়বম হরিদাসক হাফ পেন্ত সেৎলগ লাকখি। ঐখোয়নী উবদ ময়ামদু ঙক্ল য়েংখি, কোলেজ কারক্লফাও হাফ পেন্ত সেৎলকপগি হৈনদব মীৎয়েংনী। ঐখোয়নী থৌ সাদে। এল.পি.দগি হায় স্কুলফাওব তম্লকপদু খুংগংগি স্কুলদ তম্লকপনিন খোঙউপ ঊপ্পকতে, য়ুনিফোরম হায়বন করিনো খঙলকতে। হৌজিকতী নরসরিদগি হৌন সু, য়ুনিফোরম, তাই, স্কুল বেগ হায়দুন সাহেব সাব তম্বীখ্রে। সিলচরদ ভারাদ লৈরগ তম্বনী। মতমদু জি.সী. কোলেজ য়াম্ন মমীং চৎলী, অফ অফব ওজা য়াম্ন লৈ। কোলেজ বিলদিং, ক্লাসরুম, লেব ফেসিলিতি ফজন লৈ। তৌবতবু ওজাসিংদু ক্লাসত, মহৈরোই ৪০০ রোম গেল্লারিদ ফমহল্লগ তাকপ মতমদ খরন থৰায় য়াওন তাকঈ, খরন ব্লেক বোরদত পংইত ইরগ ইব নংদ্রিঙৈদ মূখৎখি। খর সাউনীংব হৌরে। অদুবু

ময়ূমদ তিউসন লাক্লুব লৌ তৌরিবনী হায়ব খঙমদে। ঐ তিউসনগি মায়োকত লৈ, তমদে। অদুন ফিজিক্সক, কেমিস্তিগগি প্রেকতিকেলদ রিজল্ত চুম্ন, প্রোসিজর চুম্ন ইরম্লবসু মারক য়াম্ন পীরমদে ৩০গি মনুংদ ২২ খকত পীরম্মী। মখোয়দ তিউসন তৌব কাঙবুন ২৮/২৯ পীব থেংনখি। অচুম্ব তৌদবগি য়াম্ন সাউনীংখি।

অদুবু বি.এস.সী, তম্ব হৌরকপদদী ফজন তাকলে। ফিজিকস্ ওনরস্ লৌরকপনী, অংকসু, স্তেতিসতিকস্সু ফজন তাকঈ। স্তেতিসতিকস্কি ওজা ইন্দুভূসন্ন ঐবু য়াম্ন লুন তৌবী। ১৯৭৭ত বি.এস্সী তম্ব হৌরকপ অস্বাইদ নোংম কোলেজ কারকপদ তবলা ফজন য়ৈব ইমুং অমদ থেংনরুবদগি, খঙনীঙমন্দন চঙলে। অঙাংনী, হাফ পেন্ত সেৎলী ক্লাস VII/VIII তম্বদ ঙায়রিব ওইন তৌই। ময়াম্বদুন হারমোনিয়ম খোংলগ মনাওদুন য়ৈরম্মী। ঐন হায়রে, ঐ জি.সী কোলেজগি সাত্রনী, দাদা নহাক্ল হারমোনিয়ম পায়বীরগ অঙাংসীন তবল য়ৈরগ কোলেজ সোসিয়েল ৰিকত ঐ ঈসৈ অমত সক্কে য়াগদর হায়বদুদ হরাওন য়াবীরে। জি.সী. কোলেজ সোসিয়েল ৰিক হায়বসী সিলচরদ অচৌব থৌদোক অমনী। ক্বিজ, দিবেতিং কমপিতিসন, সৈরেং থীব, ঈসৈ সকপ, তবলা য়ৈব, লিলা, জগোয় সুন য়াওরে। নুমিৎ ৭নি পাঙথোকপসিদ সান্নবসু য়াওরে।

নুমিদাংৰাইরম অম ঐন মিং পানসিল্লমলে। ঐগি মিং কৌথোরকপদ মীতৈমচাসিংদু মমীৎ মনা য়ুংখৎলী, এ, এ, হায়দুন। মরমদী মীতৈমচা অমত্ত সোসিয়েল ৰীকতুদ য়াওব উদে। মনিপুরি দিপারত্মেন্ত লৈরবসু প্রোগ্রাম অমত্ত তৌদে। কেমিস্ত্রি দিপারতমেন্তকি ওজা হেদ বিমোল সিনহা, বিসি সিনহাদী ধোল পায়দুন থোরক্লগ ব্রিস্নুপ্রিয়াগি থৌরম পাঙথোকঈ। মচীন-মনাওদুগ লোয়নন ঐ স্তেজদ কাখৎলে, ওজা ফুরাইলাৎপম ইবোয়াইমন সকপ '**য়েংজরগ পেনজৈ থমোইন**' হায়ন সৈহৌব ঈসৈদু ফজন সকথরে, ময়াম্ন খূবাক হৌন খূরপদুদ য়াম্ন নুংঙাইব ফাওখি। মচীন মনাওদুসূ হরাওরে, স্তেজদ পরফোরমেন্স তৌবগি। অঙাংদু কোন্ন ঐন সিলচর রেদিও স্তেসন্দ ১৯৯৬ত লাকপ মতমদ তবলাগি স্তাফ আরতিস্ত ওইন লৈরম্বদুদ কয়া নুংঙাইখ্রে। ঐখোয়গি মতমদুদ হান্ন জি.সী. কোলেজদ তম্লম্ব মীতৈ মচাসিংদু কিথিক কিরুম তৌরদুন তুফক তুফাই চম্লম্মী, মসীঙ য়াম্লমদে। ঐখোয়গি মতমদুদ মীতৈমচা মেত্রিক পাস তৌব য়াম্ন থোক্লকপদগি মসীঙ খংয়াম য়াম্লকপ ওইন তৌব জাৎনী। পি.য়ু. সাইন্স পরিখা থাখ্রগ রিজল্ত হায়দোকত্রিঙৈ মতমদুদ তবলা য়ৈবসী পাম্মনখ্রদন, খাচৌন ইন্দোনচৌবীদ থারকপ পৈসা খর খরদুদগি লূপা ৫/৫ থা খূদিংগি পোস্ত ওফিসত ঐন মাগি মিংদ থম্মী। মদুদগি লূপা ১০০ খর হেন্ন লৌথোক্লগ সিলচরগি '**তারোক ফ্লুত**' কৌব মিউজিকেল ইন্সত্রুমেন্ত য়োন্ব দুকান অম লৈ মদুদ চৎলগ তবলা মরু মনাউ অম লৈরুরে। অদুদগি সাইখোমগি মাম সুরেন্দগি খর তমলে, সিলচরগি সংগীত বিদ্যালয়গি তবলা ওজা অমগি ময়ূমদ চৎলগ তমগে হায়দুন চৎলুই। মহাক্ল নুংসিন ফিংগারিং খর তম্বীরকঈ। মাগি কাদুদ গ্রুপ ফোতো অম থেৎলম্মী, মদু য়েংহল্লগ মসিদ য়াওরিবসী ভাত্খান্দে লখনৌগি বিসারদ ফাইনেলগি তবলাগি মহৈরোইসিংনী তাকপী। মদুগি মনুংদ মহাক্ল মনিপুরদগি নোংথোন কৌব মনিপুরদগি অম য়াওরিবদু তাকঈ। মপী-থীওরিদদী খর সোল্লী, প্রেকতিকেলদদী য়াম্ন ফখ্রবজাৎনী। মাদী সাত্র ওইন ওইন অচৌব উস্তাদসিংগ সংগৎ তৌখ্রবনী হায়ন তাকপীরকঈ। কোন্ন ইমফাল রেদিওদ চঙলব মতমদ ১৯৮৮দ তামো নোংথোম্বম নোংথোলগ খঙনখি, মহাক স্তাফ আরতিস্ত ওইন লৈরম্লে। য়াম্ন ফাওরব মীসক্লি। সংগীত বিদ্যালয়গি ওজাদুন তবলাগি লাইরিক অম লৈয়ু হায়দুন লৈরগ মরোলদু ঔরাই। অদুদগি ঐন তবলা কন্ন য়ৈব হৌরকপদুদ লৈকায়গি ঈসৈ সকপ অনী অহুম অমগ চোংথোরক্লে। অমন মাইবম মায়মুগি সকঈ, অমন তিকেনগি অথাপ্পদ কৌরগনু সকপদ মমীং চৎলী, অমন হীন্দী সকপনী। ঐখোয় মরিসী মীগি সোস্তী সোম্ব, স্কুল কোলেজগি ফংসন তৌব, লাই হরাওফম, দুরগা পুজা লাৎফম অমত্ত থাদে চঙসীল্লগ ঈসৈ সকচিল্লী, ঐন য়ৈবগি নুংঙাইবনী। বি.এস.সী তম্লব মতুংদ মখোয়গ কায়নখ্রে। অদুবু মখোয়ন সক্লম্ব ঈসৈ ময়ামদুদী ঐগি নাকোংদ

নিলহৌরি। অদুন ঈসৈ অমুক সক্লকপনী। কোলেজ তম্লিঙৈদ, তবলাদু ঈনাকত অদুম থম্মী। আরতস্ অমদী কোমরস্তসু মীচৈমচা ফন য়াম্ন তমলে। অদুন **১৯৭৮** অদুৱাইদ জি.সী. কোলেজ মনিপুরি স্তুদেন্তস য়ুনিয়ন কৌব অম লিংখৎলে, লখিপুরগি বি.কোম ওনরস্ তৌব লাইস্রম গ্যানেন্দ্রন প্রেসিদেন্ত ওইহল্লে, জারিবোন্দগি বি.এসসী তমলিব বি. ইবুঙোতোন সরমন সেক্রেতরি ওইরে। জীরিদগিসু সাত্র য়াম্ন তমলি। লাইস্রম লকসমিতোনসু য়াওই। জি.সী কোলেজগি মেগজিন্দ মীতৈমচাগি আরতিকল কয়া য়াওরমদে, ঐখোয়ন মনিপুরিগিসু সেকসন হাপ্পীয়ু হায়দুন হাপ্প হৌখি। সোসিয়েল ৱীকত মনিপুরি প্রোগ্রাম হাপ্পীয়ু হায়দুন হাপখি। মদুদ জগোয় ঊৎখি, ৱান এক্ত প্লে বীর তিকেন্দ্রজিৎ সান্নখি। ঐসু গ্রীমুদ সাখি। সিংগেরবন্দগি রাজবিহারি, ময়াম্ব রাজেন মচীন মনাওন থাঙ-তা ঊৎখি। ময়াম্ন য়াম্ন থাগৎনখি।

কসার কোলেজদন হেন্ন মীতৈমচা তম্মী, অয়াম্বন আরতস্তনী। মখোয়সূ মনিপুরি স্তুদেন্তস্ য়ুনিয়ন লিংখৎখ্রে। মতাং অস্বাইদ লো কোলেজদ তম্ব (নুমিদাংদ তম্বনী) মহৈরোই খরন লমজীঙলগ ১৯৭৮দ সিলচর মনিপুরি স্তুদেন্তস্ য়ুনিয়ন লিংখৎলকখি। **১৯৭৯দ** পাঙথোকপ চহীগি মীফম সিলচর দিস্ত্রিক্ত লাইব্রেরিদ চাউন সীনখি, মতমদুদ অসাংবম বীরেন্ন প্রেসিদেন্ত ওইরি, মেদিকেল সাত্র ঙাঙোম জয়ন্তন সেক্রেতরি ওই। মীফমদুদ ওজা ওক্রম চুরামনিন অচৌব ৱাফম অম পুখৎলকখি। মনিপুরি মিদিয়ম্ন হায়স্কুলদ তমখ্রব মতুংদ তেকস্ত বুক লৈতবগি, ক্রেসন সেম্বগি, চে-য়েংবগি মদুদ ব্রিস্নুপ্রিয়ান য়েৎসীল্লকপগি ৱাফম কয়া লাকখি। মদু থেংননব হোৎনবদ মনিপুরি সাহিত্য পরিসদ খকতন য়াদ্রে, সাত্র য়াওদন য়াদ্রে, অদুন সিলচর খকত হায়বনদী মীন মমীৎ থূপ্লোই, চহীসিদগি ওল আসাম মনিপুরি স্তুদেন্তস্ য়ুনিয়ন হায়ন থোল্লসি হায়দুন মীফমদ পুখৎলকখি। ৱাফমদু ফজবনিন ময়াম্ন য়ানরে। সিলচর মনিপুরি স্তুদেন্তস্ য়ুনিয়ন হায়রম্বদু নুমিত্তুদগি **ওল আসাম মনিপুরি স্তুদেন্তস্ য়ুনিয়ন** (আমসু) হায়ন মমীঙ ওনখ্রে। নুমিত্তু ১৯৭৯ গি **সেপ্তেম্বর ২৪**নী মদুদ লোগি মহৈরোই সোরোখাইবম নন্দকিস্বোরবু প্রেসিদেন্ত ওইন খল্লে, জি.সী. কোলেজগি বি.এস্সী মহৈরোই ঐগি মরূপ লাইস্রম বীরকুমারবু জেনরেল সেক্রেতরি ওইন খল্লে। ঐবুন জোইন্ত সেক্রেতরি খল্লে, ওনরস্ লৌবনিন সেক্রেতরি, জোইন্ত সেক্রেতরি অমত্ত হাপ্পীনু হায়জবনী, অদুবু জোইন্ত সেক্রেতরিদী ওইরো হায়দুন ওইখি। মী ২১ন সাব একজেকিউতিব কমিতি অম সেমখি। মদুদ য়াওরিবসী লো কোলেজ, জি.সী. কোলেজ, কাসার কোলেজ, ৱিমেন্স কোলেজগি মহৈরোইন মপূঙ ওই, জারিবোন্দ, সোনাই, লখিপুরনচিংবদ লৈরিব কোলেজসিং কোনসিন্দ্রি। তুংদ, কোন্ন ব্রানচ্ সেম্লকলব তুংদ কোনসিল্লকপনী।

মতমসী আসামদ মীতোপ হলহনখো হায়ব ঈহৌদ য়াম্ন লাঙব হৌরে। স্কুল কোলেজ নীঙথিন ক্লাস তৌদব, থিংজিন্ব হৌরক্লে। ঐহাকতী ১৯৭৯দ বি.এস্সী ওনরস্ থাব হৌরুরগ দ্রোপ তৌবনী মথংদ খর ফজন থাগে খন্দুন, অদুবু ১৯৮০গি পরিখা লৌখিদ্রে তোকখ্রে। ১৯৮০দ মনিপুরদ মীতোপ তান্বগি ঈহৌ খংকন কনখৎলকতুন মৈ হৌখি। মতমসিদ আমসুগি মীওইসিংন স্কুল, কোলেজসিংদ চৎতুন আমসূবু সৌগৎনব, মসা লিংখৎনব কন্ন হোৎনখি। মতমদুদ স্তুদেন্তস্ য়ুনিয়ন লিংবগী মহৈরোইসিংন কান্নদবদ ঈহৌ তৌনবনী, লাইরিকত থৌসাদনবনী হায়দুন কয়া থৱায় য়াওনরমদে। অদুবু মনিপুরি মিদিয়মগি ইসু অদুবুদী সৌগৎখি। ব্রিস্নুপ্রিয়ান য়েৎসীল্লকপ অদুসু থিংনব হোৎনবদ সৌগৎখি। আমসুগি হেদ ওফিস্ সিলচর মনিপুরি বোইজ হোস্তেলদ ওইখি। ত্রংক উপু অনীদ দোকুমেন্ত পূন্নমক থল্লম্বনী। অদুবু মদু কনান ময়ূমদ পুখিব, কনান কদাইদ থমখিব খঙদ্রে। য়াম্ন নুংঙাইব অমন মনিপুরি বোইজ হোস্তেলদু মীয়াম্ন খঙনবনিন, হোম মিনিস্ত্রিদগি থারকপ চিথি অম বোইজ হোস্তেলদ থাদরমখি। মদু ব্রিস্নুপ্রিয়া মনিপুরিগি দিমান্দ কমিতি অমদ থারকপ চিথিনী। মদুদ হায়রিবসী '**মনিপুরি**' লোল অসী মোংগোলোইদ লোলগি তিবেতো বরমন ফেমিলিদ চল্লি, অদুগ

**'ব্রিস্নুপ্রিয়া'** অসীন ইন্দো-এরিয়ান লোলগি মনুং চল্লি। অনীসী অমত্ত মান্নদে। অদুন **'বিস্নুপ্রিয়া মনিপুরি'** হায়ন আকাসবানি সিলচরদ থৌরম সন্দোকপ য়ারোই, নখোয়ন পাল্লগদী **'বিস্নুপ্রিয়া'** হায়ন মিনিৎ ১৫গি থৌরম সন্দোকপ য়াগনী হায়ন ইরকখিবনী। মখোয়ন মদু লৌখিদবন মখোয়গি থৌরম সন্দোকখিদ্রে। মনিপুরি থৌরমন ১৯৭৮গি জানুৱারি ১দগি সন্দোকপ হৌখি। মতমন পূঙখায় অমগিনী। সিলচর স্তেসন্ন ১৯৭২গি ওগস্ত ১১দ হৌদোকখিবনী, মনিপুরিগি লোয়নন দিমাসা থৌরমসূ পূঙখায় অমগি সন্দোকলি। পাউ মিনিৎ ৫ য়াওন সন্দোকপনী।

আসামদ মীতোপ তানথোকউ হায়ব ঈহৌ কন্ন কনখৎলকপ মতমদুদ কসারদ ঈহৌ অদুগি মমি তাখিদে। মরমদী, মীতোপ হায়রিবসী বাংলাদেসতগি মসীঙ য়ান্ন চঙলকখিব মীওইসিং অদুদ অতম্নন হায়বনিন বেংগোলিন নম্ন তাব কসারদ মদু য়ানীংদে। মুক্কখি। কসারগি স্তুদেন্তস্ য়ুনিয়ন্ন ওন্ন-তৈনব ব্রমহপুত্র তমপাক্কি মায়োকত ওইন তৌব ঈহৌ সাগৎখি। আসামিজ লোন্ন ওফিসিয়েল লেংগ্বেজ ওইবদসু ঈরাং থোকখি। অদুন স্কুলদ আসামিজ লোন তম্বীবদসু মখোয়ন য়ানীংখিদে। মনিপুরি মিদিয়ম স্কুলসিংদদী আসামিজ লোল তম্বদ য়াখি। আসামিজ-মচা থারকপসূ য়াওই। আসামিজ খঙব মীতৈমচা হাপ্পকপসূ য়াওই। মনিপুরি সাহিত্য পরিসদ অমদী আমসুন দিমান্দ তৌবদগি বেংগোলি মিদিয়মদ তম্ব স্কুলসিংদসূ মহৈরোই ১০ মুক ক্লাস অমদ তম্নবদী মনিপুরি সবজেক্ত লৌব য়াহল্লকখি। অদুন সহরগি বেংগোলি স্কুলসিংদসু হীন্দী ওজা হাপ্পদৌন মনিপুরি লোনগি ওজা হাপ্পকখি। মদুবু বরাক তম্পাক্কি মনিপুরি মীয়ান্ন তরান্ন ওকখি। মদুগি মথকত, আসামগি নিংথৌগ মনিপুরগি নিংথৌ-মচানূপীগ লুহোংখিব, হান্নদগি মরী ফরকপদুন লাপ্প ব্রমহপুত্র তমপাকত লৈরিব আসামিজসিংগ মীতৈগ হেন্ন নক্কখি। অমন ভোৎকি মীৎয়েংদগি, ব্রিস্নুপ্রিয়াদ বেংগোলিসিংন সৌগৎতূন মীতৈগ য়ানদনব ঈনসিনখিব লৈখি। অদুন য়ূমলোন্নব বেংগোলিসিংদ মীতৈসিংন সৌগৎখিদে। মদু মখোয়সূ খঙঙি।

য়ান্ন নুংঙাইব থৌদোক অমন, মদু ১৯৮০গি জুলাইগি তাং ৫ নত্রগ ৬ ওইগনী। ঐ মাকুন্দা হোসপিতলদ অফব দোকতর অম লৈ হায়দুন চৎলুবনী, আমেরিকা মচানী, মহাক্ন ঊনসাদ দাগ খর লৈবদু করিসু নত্তে, অনাব নত্তে হায়রগ থাদোরকলে। মাগ ৱারী সানবদু নুংঙাইখি। ঐসু BBC, Voice of America কন্ন তারিঙৈ মতন্নী, অদুন ইংলিস একসেন্ততু খর ফজন ঙাঙলিঙৈনী ওইবন ঐবু এংলো-ইন্দিয়নল হংলকখি। ঐন, নত্তে ঐ চুন্নগি ইন্দিয়ান্নি, মনিপুরিনি হায়ন খুমখি। মতমদু আলিপুর অমদী মাকুন্দা হোসপিতলসী য়ান্ন মমীঙ চৎলি। মনিপুরদগিসু লায়েংব য়ান্ন লাক্করিঙৈনী। ঐন বস স্তেন্দ তান্ন লাকপদ সিলচররোমদগি বস অম লাকঈ। মদুদ তোংলকপ এমসূগি মী খর কূমথরকলে, ওজা মৈতানকৈসম নিরনজনসূ য়াওরকলে। ঐ উবদ মখোয় ময়ান্ন এ, নঙ থেংনব ফরে, ত্রিপুরা চৎলুসী হায়দুন ফারে। ঐন এঃ য়ারোই য়ারোই, পৈসাসু য়াওদে, য়ূমদসূ হায়রমদে হায়বদ য়াদ্রে। মখোয়ন ঙমদুন নমদুন পুরে। মদুদ এমসুগি প্রেদিদেন্ত **লৌরেম্বম দিলিপ মীতৈ,** এমসকোক্কি **খ্বাইরাকপম লোকেন, কোনজেংবম কৃস্নকুমার, স্যামানন্দ,** ঐ, নিরনজন, ঐখোয় অনীন আমসূগি মীহুৎ ওইন য়াওরে। তি.আর.তি.সি.গি বস্ত তোংবনী। ত্রিপুরাগি বামুতিয়াদ থুংঙি। নুমিদাংদু পোথারগ, নোংঙাল্লগ মীতিং অম সীল্লে। ঐখোয়ন ত্রিপুরাগি মীতৈসিং করম্ন লৈরিব, করম তৌরিব হংহি। অদুদগি স্কুলদ ঈমারোল তম্নব হায়। মদুদ অমন ফুক হৌগৎলগ হায়রকই, ঐখোয় বেংগোলি লোন্দ তমলি, মখোয়গ ঐখোয়গ য়ান্ন নুংসিন লৈমিন্নরি, অদুন অদোম্ন লাকপিরিবসী সীঙচেপ থাব লাকপর? ঐখোয়ন হায় চুম্মী নুংসিনন লৈমিন্নগদবনী, বাংলাদ তম্মু মখোয়ন মেজোরিতি ওইবনী কায়দে, অদুবু MIL অদুদং মনিপুরি ওইহল্লু হায়বনী, মীতৈলোল অসী তমদ্রবদী ইবদ, ঙাঙবদ ৱারক্কনী তুংদ ঙল্লকতবসু য়াই। মখোয়ন ঙাঙলিবদু তংখাই অমদী বাংলা য়াল্লগ ঙাঙলে, অদুন মনিপুরদগি লাকপসিংদু খঙবদ ৱারে। খূদম ওইন হায়বদ জেমোন ধোরো, ঈমারোল হায়বদ মাতৃভাষা হায়রে, নাৎ হায়বগি

মহুত্ত সংস্কৃতিন লায়ন খঙলে। মতম অমদ ১৯৩৭ত মন্দলেদ পাঙ্থোকখিব নিখিল হীন্দু মনিপুরি মহাসভাগি মীফমদ হিজম ইরাবোত্ন কন্না হায়খি— হেক পোকপদগি ঙাঙলকলব নুংসিখ্রব ঈমারোল অসী ঙাঙদদুন অৱারোলত ঙাঙনরবদী ঈমারোল কাউখ্রনী, মীতৈনী হায়ব য়ারক্লরোই, অদুন য়ূমদ, ঈমুং মনুংদ ঈমারোলন ঙাঙনসী। ঈমারোল তম্নব হোৎনসী। মদু ত্রিপুরাগি মীসিংদসু থোক্লরি। মথংদ মীতৈনূপীসিংন মপান থোরকপদ ফনেক সেৎতন সারি ঙাকত সেৎলিবনো হংবদ নূপীসিংদুন খুল্লকখি, ঐখোয়ন সাজব ঈয়োংগি ফনেকতী য়ূমদ অয়ূক নুমিদাং সেৎনৈ অদুবু অফব মপান থোরকপদ সেৎপ য়াব ফনেক লৈতবন সারি সেৎপনী খুল্লকখি। অদুদী মনিপুরদগি অফব ফনেক ফংহল্লবদী সেৎকদ্র হংবদ, ফংলবদী সেৎকনী হায়বদগি মনিপুরগি মীহুৎসিংন মনিপুর হেন্দলুপ দিপো অম আগরতলাদ হাংহল্লগে হায়ন থাজব পীরমখি। মখোয়ন মনিপুর লৈঙাকত হায়নরগ ত্রিপুরাদ মনিপুর হেন্দলুপ দিপো অম হাংহনখি। অদুদগি ফনেক মপান নাইব, ইন্নফি লৈদুন নূপীসিংন ঐখোয়গি নাৎ ঙাক্ল সেৎপ হৌখ্রে। খর লৈরগদী ত্রিপুরাদগি ফি ললোম্ব খর থোরকতুন ইমফালদগি ফনেক, ইন্নফি, খূদৈ অমদী অতৈ ফি কয়া লৈদুন পুরগ ত্রিপুরাদ য়োম্ব হৌখ্রে। মখোয়ন ইমফালদ লাকপদ লেপমুক ৱাংন বোরাদ য়োংচাক মরু হাপ্লগ পুরকঈ। হনখিবদন ফি লৈরগ পুখি। মতমদু TRTC অমদী MST খক চৎলিব মতমনী। লনাই বস চেল্লকপদী কোন্ন ১৯৯০গি মতমদনী। বাসুতিয়াদগি হল্লকলগ আগরতলাদ মীফম অমগ পাঙথোকখি। মদুদসূ লোন অমদী নাৎকি চৎনবীগি মরমদ খন্নখি। ত্রিপুরাগি নূপী য়ূম পাল্লবীসিংন সংগ্রেংদ সিন্দুর নম্বদু তোকসী ঐখোয়গি চৎনবী নত্তে হায়রুবদ ঐখোয়দী বেংগোলিসিংগ য়ূমলোন্নদুন লৈবনী, সিন্দুর নমদ্রবদী করম্ন মৌনী লৈসাবীনী খঙগদৌরিবনো খুল্লকখি। মদুন ঐন হায়খি— মালেম অসিদ লৈরিব মীয়ামসিদ হীন্দু চৎপদী খরদনী, খৃস্তান চৎপ, ইসলাম চৎপ কাঙবুন নম্মী, বৌধ ধরম চৎপসূ য়াম্মী, মখোয়দদী মৌনী লৈসাবীনী খঙদবগি ৱাথোক লৈবর হংবদ খুম্ব ঙমখিদে। অদুবু সিন্দুর নম্ব তোক্কে হায়বগি ৱাখলদী উখিদে। মসী মীতৈসিংগি অৱাব অমনী, মীগি মতৌ তম্বন ফৈ খম্ব ৱাখল মতা অম লৈরি। মিজো, নাগানচিংবগি নূপীসিংন মসাগি মনাৎকি ফীজোল সেৎপদ চাউথোকচৈ, মীগি মতৌসু তমদে।

বামুতিয়াদ লৈরিঙৈদ, জুলাই ৭কি নুমিদাংগি আকাসবানি ইমফালগি ৭-৩০গি পাউদ পি.এল.এ.গি লিদর নামৈরাকপম বিস্বেসোর ফারে হায়বগি পাউ য়াওরকখি। মতমদু ত্রিপুরাদসূ TNV ন কন্ন ঈরাং হৌরিব মতমনী, বিজয় রাংখালন লুচিংব ওইরি। ত্রিপুরিসিংন পানজরম্ব লৈবাক অসিদ বেংগোলিসিংন ময়োন পায়খ্রগ মখোয়ন চীঙনুংদ তোন্ন হিংবগি ফীবমদু পামদবদগি হৌরকখিবনী। মতমদুদ CPM গি নৃপেন চক্রুবরতীন চীফ মিনিস্তর ওইরি। মহাক্ল ৱারী সাননব কন্ন হোৎনখি, অদুবু মায় পাকপদী ইঙম ঙমখিদে। ১৯৮০ সী মনিপুরদসূ ঈরাং কন্ন হৌরি। অৱাং-নোংপোক্কি মহৈরোইসিংগি মীফম অম ইমফালগি পোলিতেকনিকত সেপ্তেম্বর থা অদুৱাইদ পাঙথোকখি। মদুদ আমসুবুসু বারতোন তৌরকপদগি সোরোখাইবম নন্দকিস্বোর, লাইস্রম বীরকুমার অমদী ঐ য়াওখি। লৈবন থাঙমৈবন্দ সীল্লি। মীতোপকি মরমদ পুথোকলিব লিতরেচর, নমথোক্লব লাইরিকসিং অয়াম্ব লময়াম্বন সীম্ব ওইন তৌই। নুংঙাই। আসামদ সাহিত্য সভা অমদী গৌহাতি য়ুনিভরসিতিগি প্রোফেসরসিংন নীঙথিন থিজিল্লগ পুথোরকপ লিতরেচর অদুগুম্ন বেকগ্রাউন্দদ লময়াম্বন সীল্লম্বদু উবদ পুক্নীং লুম্ব অম ফাওখি। পংলাউত লাউবন য়াদে, দেতা অমদী রেকোরদসিং মুন্ন নৈনরগ পুথোরকপন, থবকতূ লূম্ন, মচু তান উহল্লী। ঐখোয়ন লৈরিবদুসু লময়াম্বগি মেম্বর ওইব ইমুং অমদনী। চাক চাবদসূ পূখম অমদ মী ২/৩ চামীন্নৈ। নুংসিনবগি মতৌ, মরী চেৎন থম্নব হোৎনবদু উবদ নুংঙাইখি। মীফমদ ঐখোয়গি ৱাফম খর, থেংনরিব প্রোব্লেমসিংগি মতাংদ মরীক চুম্ন থমখি। এমসূগ মরী হেন্নে চেৎসিন্নব ৱাফম থম্বগ লোয়নন, মতম মতমগি ওইব ৱাফম কয়াদ মতেং পাংননবসূ ফোঙদোকখি। এমসূন লুচিংবগি থৌদাং লৌরিব, মপাংগল কল্লিব মতমনী। শ্রী

রাজকুমার দোরেন্দ্রন চীফ মিনিস্তর ওইরি। শ্রী ইরেংবম তোমপোকন মীফম অমদ মীথুংলেন ওইখি। মহাক্ল মন্ত্রি ওইজরবসূ ঐখোয়দী মীসিং লীকপ কাঙবুনিন মীসিং য়ামহন্নব অঙাং য়াম্ন পোক্লব তৌসী হায়রকপদ ময়াম ৰা লাউন হরাওন নোকপগ লোয়নন খূবাক হৌন খূখি। মতমদু অঙাং অনী নত্রগ অহুম্ন ওক্লসী হায়দুন রেদিওদ কন্ন লাউরিব মতন্নী। মহাক্ল হায়রিবদু থমোয়গি ৰানী, ঙসিদী লাইরিক হৈর হৈরগ অঙাং অম নত্রগ অনীদগি হেন্ন পোকতনব হোৎনবদগি মীতৈগি মসীঙ হনথরে। মপান্দগি মনিপুরদ চঙসীল্লকপ কাঙবুন নূপী লোম্ব, অঙাং য়াম্ন পোক্লব হোৎনরকপগি দেমোগ্রাফিদ খল-মান্নদব থোরকলে। ST স্তেতস্সূ পীথোকখিবদগি থবক চঙবদ, অচৌব ফম পায়বদ মখোয়ন হেল্লকতূন ইকোসিসতেম কায়হল্লে। ঙসি থোকলিব ঈৰাং অসী মদুগি ময়েক লারব খূদম চাংদন্নী। রাজনিতি তৌরিবসিংন ভোত্ ফংনব, ফম কোন্নব হোৎনবদ উসিন্নদন লৈবদগি থোরকপনী।

ঈহৌ মনুংদ, আমসুগি তিম অম গৌহাতিদ চৎখি। আসু, পি.এল.পি., আসাম সাহিত্য সভানচিংবগি লুচিংবসিংগ ৰারী সানরুই। মপুঙদী ববাক তমপাক্কি মীতৈসিংন মখোয়গি ঈহৌদু সৌগৎলী হায়বনী। অদুগ লোয়নন বারক তম্পাক্কি মনিপুরি মিদিয়মদ তমলিব মহৈরোইসিংগি য়েংলগ তেকস্ত বুক ফোঙবীয়ু। ৰাহংচে সেম্ব, চে য়েংবদ ব্রিস্নুপ্রিয়া য়াওহনগনু, ব্রমহপুত্র তম্পাকতগি বেংগোলি ওফিসরসিং বরাক তম্পাকত, বরাক তম্পাকতগি আসামিজ ওফিসরসিং ব্রমহপুত্র তম্পাকত মাস ট্রান্সফর তৌবীগনু। পুলিস অমদী অতৈ থবক খন্বদ মতীক চাব মীতৈ মচাসিংসূ য়াওহন্বীয়ু হায়বনচিংব ৰাফমসিং থমখি। মরু ওইন পি.এল.পি.গি লুচিংব নিবারন বোরাগ সিলপুখ্রি মপান্দ লৈব মাগি চেম্বরদ উনখি। মহাক্ল ঐখোয়বু তরাম্ন ওকখি। ঐখোয়ন হায়রিবসিংদু য়াম্ন পুক্নীং চঙন তাখি। অদুগ নাকন্দ লৈব নহা খরন কন্ন নোৎ তৌখি। ইংলিসত ঙাঙনবনী। মনিপুরি মিদিয়মগি স্কুলসিং লৈঙাক্ল লৌসিন্বীনবসূ কন্ন হায়জখি। নহা খরদু, ৰারী সানব লোইবগ মখোয়গি দ্রাফ অদুসূ লোইরে। ঐখোয়দ পাদুন তাহল্লী। সকখঙ মায়খঙনরুবদদী গৌহাতি য়ুনিভরসিতিগি কেমিস্ত্রিগি লেকচরর, লোগি লেকচরর য়াওরম্মী। শ্রী নিবারন বোরা অফাওব উকিলনী, পুরব আনচোলিও লোক পরিসদ (পি.এল.পি.) মহাক্ল লিংখৎপনী। ঐখোয়ন থুংবদ স্তেতস্মেনগি, তাইমস্ ওফ ইন্দিয়া, হীন্দুস্তান তাইমস্কি অহল ওইরব করেসপোন্দেন্ত ময়াম অম মাগ ৰারী সানদুন লৈরম্মী। মতমদুদ মহাক য়াম্ন মসক নাইব মী অম ওইরি। নোংঙাল্লগ 'দৈনিক অসম'দ পাউদু ফোঙলকঈ। ঐখোয়ন বস তোংদুন চৎপদ, ময়াম্ন ঐখোয়বু হান্ন খঙলবগুম য়েংনরকখি। লৈবদী আসুন সীন্দুন হোতেল সুরদেবীদ লৈহল্লী। প্রোফুল্লো মহন্তগ ভৃগু ফুকনগ, হোতেলদ লাকতূন উনরে। মহন্তন প্রেসিদেন্ত ওইরি, ভৃগুন সেক্রেতরি ওইরি। মহন্তদী তূমীন্ন তায়, খুমদে। ভৃগুদী ইংলিসত ফজন ঐখোয়ন হায়রিবদু তারগ খুন্মী, মখোয়বু সৌগৎপগি থাগৎপগ লোয়নন ঐখোয়গি ইসুসিংসু মখোয়ন মরী লৈনবসিংদ খঙহনগনী হায়রকখি।

তিমদুদ য়াওরিবসিংদু লোইনমক নীঙসিংদ্রে অদুবু **অসাংবম বীরেন, সোরোখাইবম নন্দকিস্বোর, লাইশ্রম বীরকুমার, ঐহাক,** বাসকান্দিদগি **থেংগুজম মুনিন্দ্রো,** মাসপারাদগি **য়ূম্নাম আনন্দ,** কোরোইকান্দিদগি **কোনথৌজম মঙানজাউ** হায়রিবসিংসিদী য়াওখি হায়ব নীঙসিংলি। তিম অসীন মনিপুরি রাজবারিদ চৎলগ মীফম অম ক্লবকি মীওইসিংগ পাঙথোক্লুই। মদুদ নুংঙাইব ৰাফম কয়া ফোঙদোরকখি, ঐখোয়ন মনিপুরি লোন তম্মু, ঐখোয়গি নাৎকি ফীজোল সেৎলু হায়রুবদ অমন থুন পাউখুম পীরকখি— ঐখোয়দী অখোমিয়া লোল ঙাঙলগ নুংঙাইন লৈমিন্নরি, নখোয়ন ঐখোয়বু মখোয়গ নুংসিনদনব সীন্ব লাকলিবর হংলকখি। মদুদ ঐখোয়ন হায়খি, ৰাফমদু ওন্নরে, আসামিজ মিদিয়মদ অদুম তম্বীয়ু, ঙাঙবীয়ু করিসু কায়দে অদুবু ইমারোল অসী নীঙথিজন ঙাঙব ঙম্নব MIL দু মনিপুরি লৌবীয়ু হায়বনী। ঈমারোল খঙদ্রবদী মনিপুরিনি হায়ব য়ারোই, অদুন নাৎসূ য়োকখৎমিন্নসী হায়বনী হায়বদগী ৰাখল তামিন্নখি। তুংদ, রাজবারিদগি দুরগোবিহারি থোরকতূন মনিপুরি সাহিত্য

পরিসদ আসামগি প্রেসিদেন্ত ফাওব ওইখি। দো. ফুরিৎসাবম বীরমনিন হোৎনদুন রাজবারিদ মনিপুরি মিদিয়মগি স্কুল অমসু লিংখৎপ উখি।

North East Regional Students Union (NERSU) গি মীফমদ আমসুগি প্রেসিদেন্ত সোরোকখাইবম নন্দকিস্বোর, সেক্রেতরি লাইশ্রম বীরকুমার **জোরহাত্**ত সরুক য়ারুই। অসাংবম বীরেন, সোরোখাইবম নন্দকিস্বোর, মিহিরমাংগি থাংঙা, অতৈ খরগ পূল্লগ ওল মোংগোলোইদ য়ুথ ওরগেনাইজেসন কৌব অমসু লিংখৎলম্মী। মতমদুদ, Mongloid will rule the world হায়ব স্লোগান অম সীজিন্নখি। অদুন CID থারকতুন করি তৌরিবনো হায়ন থিজিল্লবসু য়াওখি। ঙসীদী চহী ৪৫ রোমগি মতুংদ মাঙজৌৰা অদু চুপ্লরে। চাইনা, জাপান, কোরিয়া, ইন্দোনেসিয়া, সিংগাপুর, মলেসিয়ান মালেমদ মঙাল নাইন চোংথোরকলে। অদুবু ওল মোংগোলোইদ য়ুথ ওরগেনাইজেসন অদুদী কুইন লৈরমদ্রে, খরনি তৌরম্লগ তোকখ্রে, মতমদুদ থাঙাদু এম.এন.এফ.কি মী ওইরি। এম.এন.এফ. য়ুজি ওইরি। মহাক লোৎলগ লৈব ওইন তৌরি। কোন্ন মিজো একারদকি মতুংদ এম.এন.এফন পোলিতেকেল পারতি ওনখিবনী।

১৯৮০গি পরিখা লৌখিবদন, আসামদত নত্তন মনিপুরদসু মহৈ-মসিং তম্বন চাউন অকায়ব থোকখি। মরমদী কোলেজ অয়াম্ব গৌহাতি য়ুনিভরসিতিদ এফিলিয়েৎ তৌবন। মতম খর কাংখোং চাইখি। অদুন JNU সেন্তর অম কানচিপুরদ লৈজরগসু মদুন য়ারকতবদগি মনিপুর য়ুনিভরসিতি ১৯৮০দ লিংখৎখি। JNU সেন্তরদু MU দ মরজ তৌখি। খঙহৌদন ১৯৮১ গি এপ্রিলদ GU ন পরিখা লেপসীল্লকখি। আমসুগি চেল্লীঙৈদ খঙহৌদে, ওনরস্ খকতগি পারগ পাস কোরস্কিদী পরিখা মনুংদ পাখি। সবজেক্তসিং চয়োল অমরোম গেপ থন্মী। পেনখিদে। কোলেজ, স্কুল হাংদবন আমসুগি অনৌব কমিতি সেম্নব হোৎনখিদে, ১৯৮০গি লোইরমদাইদ বীরকুমার পোস্ত ওফিসকি থবক ফংদুন চঙখ্রে, ঐন জেনরেল সেক্রেতরিগি থবক অমুক পায়দুন MU দ মাস্ত তৌব চৎত্রিঙৈ ফাওব পুখি। ১৯৮১গি নবেম্বরদ MU দ মিং চল্লব মতুংদ M.Sc. ফিজিকস্ তম্ব চৎলে। মদুগি মতুংদ মীফম পাঙথোকতুন মৈতানকৈসম নিরনজনন প্রেসিদেন্ত, বিস্বজিৎন জেনরেল সেক্রেতরি ওইন মখা চৎথখি।

MU দ লাক্লগ মতম খর ফজন তম্ব হৌরে। ঐখোয়ন MU গি অহান্ব বেত্চনী। অদুবু কুইদে, VC ওইন উরিসাদগি লাকখিব Prof. Ratho ন সাত্রসিংগ উনসী, ৰারী সানসি য়াদব, সনজেনথোংদ লৈব গেস্ত হাউজদ চঙহন্দব, মহাক লাকপদ সাত্রসিংন লম্বীদ লমপাকত ফমলিবসিংন লেপখত্তে হায়দুন চারজ তৌরকপ কয়াদগি ঈরাং হৌরকখি। ঐগি ক্লাসমেত্ মাইস্নাম বিদ্যাসাগরন স্তুদেন্তস্ কাউন্সীলগি সেক্রেতরি ওই, বীরমনিন প্রেসিদেন্ত ওই। বিদ্যাসাগরন ঐগী হান্ন আমসুগি একসপরিয়েন্স লৈরে খঙবদগি মেমোরেন্দম দ্রফ্ত তৌব, অরুব ৰা খন্নবদ হেক হেক তানৈ। নোংমদী সাত্র ময়াম্ন VC গি কাদ চঙলগ দ্রাফ্ত তৌরব রেজিকনেসন লেতর অমদ সহি তৌহল্লী, অদুদগি নহাক চৎখ্রো হায়দুন গারি তোংহন্দন মখোঙন চৎহনখি। মতমদুদ মাগি প্রাইবেৎ সেক্রেতরি ওইরিবদুন নোংমৈ সন্তোরকপদ নঙ সিনিংবর হায়বদগি কিদুন চেনখ্রে। নোংঙাল্লগ পাউ চেসিংদ VC Ratho ফম থাদেক্লে হায়ন হেদলাইন্দ ফোঙলকলে। RMC দ ঈরাং মনুংদ MBBS পরিখা লৌনব তৌরকপদগি ঐখোয় ১০মুক চৎলী। প্রিনসিপলদু আসামিজনী অমন মাগ ৰারী সানরিঙৈদ মাগি কার মনুংদগি ক্বেসন পেপর ব্রীফকেসত য়াওরিবদু অমুন পুরগ চেনখ্রে। মদুগিদমক হান্নন গারি থৌরাং তৌখ্রবনী। কনত্রোলর ওজা রাজকুমার ঝলজিৎ সাইকলদ লাক্লগ ক্বেসন পেপর পীরম্বনী, লম্বীদগি মাবু ফারগ গারিদ থাংগৎনব হোৎনবদ কন্ন ইন্নবদগি য়াদদুন থাদোক্লমলে। RMC গি পরিখা হোলদ খল্লিব পরদা খর মৈ থাদোক্লমলে। পরিখা তোকখ্রে। লিদরসিং লোৎনখ্রে। অহীংদ হোস্তেলদ কক্ৰা পুলিস লাক্লগ ৰারী অমতং সান্নসি হায়দুন গারিদ হাপকৎলগ লোইন পুরে। অদুদগি লোকঅপত অহীংদুম থমখি। নোংঙাল্লগ জজ অমদ

পুথোক্লগ ঐখোয়বু রিমান্দ লৌথৈ। নীনী সুরকপদ ইমফাল সেন্ত্রেল জেইলদ লোইন থাজীল্লে। সাত্রসিং মথং মথং চঙলকপদগি ঐখোয় অমুক সজিৱা জেইলদ থমখি। কা অমমম্দ মী ৭/৭ থমলে। হান্নদী সেন্ত্রেল জেইলদ হোল অমদ থম্লম্বনী। নোংঙান্বগ ফিরোল হুগৎলগ ফোল্লিন লেপহল্লী। নুংথিলদ অমুক তৌই। মদুদ নাউরেম লৈকাইগ নক্লবনিন PLA য়াওরবর হায়নমুক পুলিস ওফিসর অমন লাউরক্লনী। খুম্বদী য়াদ খোয়দৌ য়াম্ন সাউগৎহল্লী। হান্ন তনেল হুৎলগ চেনখিব য়াওবগি হৈজ্রাং, য়োৎ মতেক য়াওবর হায়ন লৈফমদ কন্ন থি হুম্ব তৌই। লৈমখোংদদী তৌদ্রে। ঐখোয় ৭কি কাসিদ জারিবোন্দগি হায়র সেকেন্দরিদ ওজা ওইব **অনজন, খ্বাইরকপম লোকেল, সোমোরজিৎ, নোরেন, ইবোচৌ, ঐ,** অমদি **নাওল** লৈ। রাজনিতিগি ৱারী, লালহৌবগী ৱারী, য়ামখ্রে সারিব। অহুম অমদী মথংগি প্রেসিদেন্ত লেপনীংবসিংনী। মতমদুদ হুইয়েন লানপাউ, পোক্লফম, তোকঙা, মনিপুর মেইল, লমায় ২ পান্ব লেত্তর প্রেসকি খবরসিংদু কোপী অমমম্ পী। মদু এদভরতিজমেন্ত য়াওন পাই, পানিঙাই লৈতে, তৌনিঙাইসু লৈতে। চনা মুসিন মুবদু লোকতাককি ঈসিংমুক য়াম্ব মহীদ খর খর হাপ্লগ এনসাং ওইন পী, চাক্ল চেঙয়েন্নী, নুংথিলগি চাক চাখিবদু তুমদ্রিঙৈদ, নুংদাংগি চাক অমুক পুরকঈ মখোয় থুন হনখিনব। মদুসু চৈরাক মখল অমনী। থা ১ হেন্ন লৈবদু নুংঙাই নীঙসিংলগ, মদুদ আলিমউদ্দিন কোয়রেং, RK Dorendra, রিসাং, তোমপোক্কি ৱারী য়াওখ্রে, লালহৌবসিংগি ৱারী কয়া সাখ্রে, MU গি তুংগি লাইবক সুন য়াওরে।

আমসূ হোৎনরিঙৈদ পাহৌদবগি নুংঙাইতবদু MUদ খজিকতং ফূগৎকে খল্লিঙৈদ নোংম মরূপ লোকেন ঐ বি.এ. পরিখা লোইরে প্রেসিদেন্ত লেপকদৌরিবনী হায়দুন হোস্তেলদ থুংলখি। ঐদী পোথাজরগে হায়বদ য়াদ্রে, মিং চল্লগ নৌন খন্নব হোৎনরকপদ ৱা ঙাভব হৈখ্রব CPI গি ত্রেইন তৌরব লাইস্রম গোহেন চোংথোরকলে। মসীদী য়াররোই খন্দুন লোকেন নঙ ৱা য়াম্ন ঙাঙগনু, ঐখোয় ময়াম্ন ভোৎ খোমগনী হায়দুন খোল্লগ কারে, প্রেসিদেন্ত ওইরে। অদুদগি ঐ য়াওদব য়ারোই অমুক হায়দুন ফিজিকস দিপারতমেন্তগি কাউন্সিল্লর ওইন লাকলে। ওজা ময়াম্ন ক্লাস য়াওদে হায়দুন চৈরে। ওজা নন্দকুমার, ওজা অমুবন ঐবু য়াম্ন লুন তৌবী। VC অনৌব খন্দ্রিঙৈদ ইমফাল কোলেজগি প্রিনসিপল থৌদাম নীলমনিবু রেকতর ওইন হাপলে। পরিখা লৌনব মতম লেপ্লে। ঐন রেকতরগ, দিন ওফ স্তুদেন্তস্ ৱেলফেয়রগ উনরুসি হায়দুন লাকলে, লোকেন্ন প্রেসিদেন্ত, ঐন ভাইস প্রেসিদেন্ত, রাধাকুমারন সেক্রেতরি ওই, অতৈ কাউন্সিলর খরসু য়াওই। রেকতরদ ঐন হৌদোকঈ, MUগি অহান্ব পরিখানী, সাত্র মসীঙ য়াম্মে, তোঙান তোঙান্ব কোলেজদগি লাকপনী, University অসী হৌবত ঙায়রি অদুন মাস কোপি তৌরক্লবদী অতৈ য়ুনিভরসিতিসিংন উসিৎলোই, মদু তৌহনবীগনু, য়াম্ন চেকসীন্ন সীন্বীয়ু হায়বদু তাবদ দিন ওইরিব ওজা গাংগুমেন হায়— এ, ঐখোয়দী য়াম্ন নুংঙাইবগি ৱানী। ক্লাস নীঙথিন তৌখিদব, স্ত্রাইক তৌখিব ময়ামদুন করি হায়রক্লদবনো খন্দুন লৈরিঙৈদ নখোয়ন নোৎ তৌনু হায়রবদী য়াম লায়রে। ঐখোয় সোয়দন য়াম্ন চেকসীন্ন পাঙথোক্লনী হায়বীরে। মদু চপ চানসু তৌখি। পরিখা হৌব নুমিত্ত নুংঙাইতে হায়দুন মথংগি নুমিত্তদী তংখাই হেন্ন দ্রোপ তৌখ্রে। মদু পুৱারী অমনী। মখা তানসু চৎনখ্রে।

ফ্রেসরস্ মীৎ GM হোলদ পাঙথোকখি। তোমপোক্ল মীথুংলেন ওইখি। ঐন পোলিতিকেল তোন য়াওব ঈসৈ অম সকখি। ময়াম্ন য়াম্ন থাগৎনখি। আমসূ তৌরিঙৈদ, জারোলতোলাদগি ঈবায় সোনান অমুক ঐবু ফাদুন কেমপেন খর য়াওখি। লখিপুরদ কেম্প তৌরম্বনী, মহাক CPI-ML গি থৌমী ওইরম্মী। ঐ হান্নন সিলচরদগি Marxist Philosophy গি লাইরিক লৈরগ পাখ্রে। Dialectical materialism, Historical materialism ফজন নৈনখ্রে। ইমফালদ লাক্লগ পরিসদন মারকসিস্ত ফিলোসোফিগ সাহিত্যগ লৈনব মরীদ সেমিনর অম সীন্বদসু য়াওখি। CPI ন সীন্ব Das Capital নৈনবদসু অমুক য়াওখ্রে, surplus ভেলুগি

মরমদ নৈনবনী। লাই লৈতে হায়ব প্রুফ তৌনব হোৎনবদ, Origin of Universe পাখ্রে। Social formation, political philosophy নৈনখ্রে। অদুন ঐগি ঈসৈদ, সৈরেংদ খর অদুম মনম খর চেল্লমগনী। Department ময়ামগি ফ্রেসরস্ মীত্ত ঐ ঈসৈ য়াম্ন সকখি, তবলা য়ৈবসু য়াওখি। নুংঙাইখি। অনৌব VC অম হাপলে হায়ব তারে। মহাক JNU গি rector ওইরম্বনি, ফ্রেনচ লেংগ্বেজগি প্রোফেসরনী হায়। মহাক হেক থুংলবগ, হান্নন পাউ তারবনীন, অতৈ উনদে, সাত্র ময়ামগ উনগে হায়দুন চুমদ্রিং আরত্সকি হোল অমদ চঙলকখি। ইচম চম্মী, গোৰা মচানী, নোকমি নোকমিত তৌই। Prof. K.J. Mahale ন চপচাব VC ওইররে। ঐখোয়গি কাউন্সীলদ য়াওরিবসী দিসিপ্লিন য়াম্ন লৈ অয়াম্বন, অকম্ব ৰারেপ লৌই, ফিরেপ হোংদে। অদুন মানসু, ওজাসিংনসু য়াম্ন ঈকাইখুম্নৈ। মাগি মতমদ Department কয়া হংখি। Course মচা মচা কয়া হাংদোকখি। ফিজিকসকি ইমান্নব কয়া Computer Diploma Course তৌরগ থবক চঙনখি। অনৌব ওজা য়াম্ন হাপখি। মদুদ ঐখোয়ন ৰাফম খর থমখি VC গি administrative power দ খূৎ থিংজিন্ব নত্তে, মতীক চাব লোকেল কেন্দিদেৎ য়াওরবদী খন্নীয়ু হায়। মতীক চাব ওজাসিং এসোসিয়েৎ প্রোফেসর অমদি প্রোফেসর হাপ্পীয়ু হায়বদু তাখি। মাগ ৰারী সানবদ ঐন অয়াম্ব মিদিয়েতর ওইন ৰারি সানৈ, অদুন ঐবুসু য়াম্ন লুন তৌই। মতমদুদ Literary Meet, Sports Meet, Cultural Meet সীম্বদ PG গি ওইনসু, কোলেজ পূম্বগি ওইন সীম্বদসু State level গি থাকত ফজন পাঙথোকখি। অদুন পূম্নমক্ল ঈকাইখুম্নখি। কোম্ন লোকেম্ন এমসুগি প্রেসিদেন্ত ওইখি। North East Students Conference অমসু সীনখি। মদুদ ঐবু মিজোরম, ত্রিপুরাদ চৎলগ Mizo Students' Union (MZP), ত্রিপুরাগি স্তুদেন্তস্ য়ুনিয়ন বারতোন তৌরুনব থায়। মদুদ ত্রিপুরাগি এম.এল.এ. খরগসু উনরকই। মীফমদুদ NERSU, AASU, Khasi Students Union, Naga Students Federation বারতোন তৌখি। অদুবু লোইনদী লাকখিদে।

ঐখোয়গি তরম লোইরদুন, অনৌব খল্লবসিংগ চারজ সিন্নব নুমিৎকি মীফমদ Dean of Students ওজা গাংগুমৈ কামৈন মথমোয়দগি হায়খি— মমাঙগি তিম অসীমুক পূকচেল সেংব, থবক নীংথিন তৌব, সাত্র অমদী ওজাসিংগি খন্ব অমুক্ত থেংনখিদ্রি, তুংদ লাক্কনী হায়বসু হায়ন চাউথোক্ল হায়খি। নৌন খল্লব প্রেসিদেন্ত লাইস্রম গোহেন হান্ন মমাঙদ লোকেনগ থেংনখিবদুনী। MU দ তমলিঙৈদ, মনিপুরি, ইকোনোমিকস, হীস্তরি, পোলিতিকেল সাইন্স, এনথ্রোপোলোজি, মেথমেতিকস্ অমদী কেমিস্ত্রিনি সীম্ব সেমিনর অয়াম্ব য়াওখি। মদুন তুংদ ঐগি করিয়রদ চাউন কান্নখি, মরু ওইন রেদিও চঙলব মতুংদ। সাহিত্যদী হান্নন নহারোল খোরিরোল সিল্লুপ্ত য়াওরক্লে, মখোয়গি কনফরেন্সত মনিপুরগি সাহিত্যগি লূপ সুন য়াওঈ। সক্লাইরব অয়িবসিংগ সকখঙ মায়খঙনখি। মহৈরোই ওইরিঙৈ পুন্সিদ থেংনখিবসিংদুন তুংগি পুন্সিদ য়াম্ন কান্নহনখি। হোস্তেলদ লৈরিঙৈদ খুংগংগ-সহরগ উংখৎনব, ত্রাইবেল সাত্রসিংন পেন্দব কয়া তাখি। ঐন মিদিয়েতর ওইরগ তাইসিন্নব কন্ন হোৎনখি, মায়সূ পাকখি। নুংসিরব মেমরি কয়া লৈহৌরি ঙসীসু— নীংসিংবসিন নুংঙাইহল্লী। ❑

# আসাম শিনবা থুংনা 'আমসু' শন্দোরকপগী মতাং অমা

**খাইদেম ওংবী পুষ্পলতা**
*এক্স-এক্সিকিউটিভ মেম্বর*

হৌখিবা চহী অনী অহুম মমাঙদগী আমসুগী একতিভিতি ৰাৎলকপনা, আমসু মরাই চায়থরক্কে তৌবা মতম অমদা ইটখোলা বীরটিকেন্দ্রজিৎ এম.ই. স্কুলদা লৈখিদ্রবা য়েংখোম ধর্মেন্দ্রনা প্রিসাইদ তৌদুনা ফমখিবা মীফম অমদা সাইখোম কমলাকান্তবু প্রেসিডেন্ট অমদি কোনসম বিশ্বজিৎ সিংহবু জেনেরেল সেক্রেটারি খন্দুনা মীওই খরতনা অমুক সেন্ট্রেল আমসুগী থৌদাং নৌহৌননা পাইখৎপা হৌখি। কাছাড়গী মফম খরদতা লৈরম্বা আমসুগী ওর্গেনাইজেসন পাক চাউথোকহন্নবা থৌদাং পাইখৎখি। অহানবদা বিষ্ণুপ্রিয়া কাংলুপ্পা মশীং খর হেন্না খুন্দাবা করিমগঞ্জ জিলাদা সেন্ট্রেল আমসুগী টিম অমা ওঝা কমলাকান্তগী লুচীং মখাদা ইং ১৯৮৯ গী সেপ্তেম্বর তাং ৩ দা 62 No. কালাছড়া এল.পি. স্কুলদা এল. সনাতোন সিংহনা মীফম মপু ওইদুনা পাংথোকখিবা মীওই য়াঁঙ্খৈতরূক তিনখিবা মীফম অমদা এম. শ্যামল সিংহ অমদি এল. বাবুচান্দ সিংহবু মথংশিংনা প্রেসিডেন্ট অমদি জেঃ সেঃ খন্দুনা মীওই ২১ না শাবা আমসু করিমগঞ্জ ডিস্ট্রিক্ট কমিটি ইহান হান্না শেমখি। করিমগঞ্জ ডিস্ট্রিক্টকী মনুংদা ৰাই. হেমন্ত, ৰাই. ধীরাজ, শ্যামকিশোর শর্ম্মা, এম. পূর্ণচন্দ্র, এল মংলেম, এন. মনিকান্ত, আর. কে. বিপ্লজিৎনচিংবা থোইদোক্লা নিংশিংনিঙাইনি। ডিস্ট্রিক্টসিগী মনুং চন্না লৈবা মতমদুদা চাওরাক্লা য়ুন্নাক ৪০ তাবা বদরপুরদা চংশিন্দুনা ওর্গেনাইজেসন শন্দোকখি। করিমগঞ্জ ডিস্ট্রিক্ট মনুংদা লৈবা মণিপুরী খুঙ্গংশিং সরকারগী থবক তৌবা মীওইশিং সোসিয়েল ৱার্কার কয়াগা খুৎশন্নদুনা থৌদাং কয়া পাইখৎপা হৌরকখি। লোকেল বোর্ড করিমগঞ্জকী এক্স-চেয়ারমেন এ. রাজেন, এল. আশীষ, এ. মনিহার, মিসেস ইবেমপীশক, এস. মনিহার, চন্দ্রকান্ত, ব্রজেন্দ্র, স্নেহের, মিস ভারতী, এ. মনিন্দ্র শিংথানিঙাইনি ।

ওঝা কমলাকান্তগী মতমদা হাইলাকান্দি ডিস্ট্রিক্কী মনুং চন্না লৈবা মীতৈ খুঙ্গংশিংগী অয়াম্বা মহৈরোয়শিং য়াউনা লালা করেল কলেজদা মৈস্নাম কৃষ্ণকুমারবু প্রেসিডেন্ট খন্দুনা মীওই ২১ না শাবা আমসু হাইলাকান্দি ডিস্ট্রিক্ট কমিটি ইহান হান্না শেমখি। মথংদা কাছাড়গী ধলাই কেন্দ্রগী মনুংচন্না লৈবা মণিপুরী মহৈরোয়শিংগী মরক্তা ওর্গেনাইজ তৌদুনা ইং ১৯৮৯ গী ওক্টোবর ৩১ নম্বর ১৫৭ রামপ্রসাদপুর মোডেল থম্বাল স্কুলদা খোমদ্রাম অশ্বিনী সিংহনা মীফম মপু ওইদুনা সি. এইচ. নীলকান্ত অমদি বিদ্যাপতি সিংহ মথংশিংনা প্রেসিডেন্ট অমদি জেঃ সেঃ খন্দুনা আমসু ধলাই আঞ্চলিক কমিটি শেমখি।

অসুন্না বরাক তম্পাক্কী মফম খরসিদা আমসু ওর্গেনাইজেসন শন্দোক্লুবা মতুংদা ১৯৮৯ গী দূর্গাপূজা ছুটি পিবগা ওক্টোবর তাং ২ ওঝা কমলাকান্তগী লুচীং মখাদা কাছাড়, করিমগঞ্জ, হাইলাকান্দিনচিংবা আমসু ডিস্ট্রিক্ট কমিটিশিংদগী মীহুৎ খনগৎলগা নুপা-নুপী পুন্না মহৈরোয় ১৮ না শাবা টিম অমা শুপ্নগী খুত্তা লুপা লীশিং অমমখায় মুক্তং পাইরগা ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্তা আমসু ওর্গেনাইজেসন শন্দোক্লুবা ট্রেনদা আমসুগী বেনার থেৎলগা খোংশানখি। য়ান্না নুংশিরিবদি ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্কী খোঙচৎসিদা হাইলাকান্দি ডিস্ট্রিক্ট প্রেসিডেন্টকী খুত্থাংদা আমসু লালা রুরেল কলেজ ইউনিটকী মাইকৈদগী প্রেসিডেন্ট এস. চক্রবর্তীনা লুপা ১০০ খকসু মতেং পিবিরকখি। খোঙচৎসিদা য়াউখিবা নুপীমচাশিংদি— হাওবম রিতা, খুন্দ্রাকপম পুস্পলতা (ইশামক), কোইজম পীশকমচা, খোইরোম সবিতা অমদি সেরাম সান্তনানি।

নিপামচাশিংদি— ওঝা কমলাকান্ত, কে. বিশ্বজিৎ, এ. ব্রজহরি, কে. নন্দবাবু, এল. চীংথংখোম্বা, সিএইচ. বিজান্দো, এল. বিশ্বজিৎ, এনজি. দয়াময়, কে.এইচ. অমল, পি. হীরাচন্দ্র, এন.জি. কমলেশ্বর, কে.এইচ. রামেন্দ্র, টি.এইচ. বনবিহারী। মৈতানকৈসম ওঝা নিরঞ্জনগী মতমদা লঙ্কা ফাউবা আমসু শন্দোক্লম্বনা অহানবদা লঙ্কাদা থুংখি। খোঙচৎসিগী মাংজৌননা ওঝা কমলাকান্তনা চৎকদৌরিবা ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্কী মফম অয়াম্বদা মাংজৌননা পাও খংহনখি। লঙ্কাগী ইচিন-ইনাও, ওঝাশিং ময়াম্না তরাম্না ওকপীখি। লঙ্কা রাজবাড়ী মাগুবতা ওক্টোবরগী তাং ৪ ছাত্র নহারোল অমদি ওঝাশিং কয়াগা পুন্না ফমিন্নদুনা হীরম কয়া নৈনখি। ওঝা সূর্যকুমার সিংহনা মীফম মপু ওইদুনা ফমখিবা মীফমসিদা এম. গোপী সিংহনা চীফ গেস্ট অমদি এস. কমলাকান্তনা স্পিসিয়েল গেস্ট ওইনা লৈতেংখি। লঙ্কাদা উনজরকপা ওঝাশিং খরগী মিং পনজরবদা এল. মনি সিংহ, এ. কুঞ্জমোহন সিংহ, এন. তোম্বীতোন সিংহ, এইচ. মধুচন্দ্র শর্ম্মা, এম. বিনোদ বিহারি সিংহ, কে. হেমচন্দ্র সিংহ, কুলচন্দ্র তেনশুবম, এস. নীলকান্ত সিংহ, থোইদোক্লা নিংশিংনিঙাইনি, লঙ্কাদসু ওঝাশিং ময়াম্না ঐখোয়দা অঙম্বা শেলগী মতেং পিবিরকখি।

লঙ্কাগী মতুংদা হোজাই তম্না খোঙশানখি। হোজাইদসু লমদমদুগী ইচিন-ইনাওশিংনা তরাম্না ওকপীখি। ছাত্র নহারোল অমদি ওঝাশিং কয়াগা কুপ্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা হান্না লৈরম্বা নগাঁও ডিস্ট্রিক্ট মণিপুরী স্টুডেন্টস ইউনিয়ন (N.D.M.S.U.) থুগায়রগা হোজাই অমদি লঙ্কা পুনশিন্নরগা মপাঙ্গল কল্লবা আমসু নগাঁও ডিস্ট্রিক্ট কমিটি শেম্বগী মতাংদা প্রিন্সিপল খরগী মখাদা য়ানবা অমা পুরকপগী তাঙ্কক্তা থমলমখি। ওঝা কমলাকান্তনা খোঙচৎসিগী মতুং ডাঃ ফুরিৎশাবম বীরমনিগা ৱাফমসিগা মরিলৈননা পাউ ফাউনখি। মদুগী মতুংদা ওঝা বীরমনিনা হোজাইদা চৎতুনা নুমিৎ খরনি মখা অমুক কুপ্না নৈনরবা মতুং আমসু নগাঁও ডিস্ট্রিক্ট কমিটি শেমখি। খোঙচৎসিদা লমদমদুগী মণিপুরীশিংগী ফীভম য়াম্না কুপ্না নৈনবগী খুদোংচাবা ফংখি অমসুং আসামদা মণিপুরী অমা ওইনা পুন্না লিংজেল মান্ননা হিংমিন্নবা ঙম্বগী অকুপ্পা ৱারী ৱাতায় কয়াসু শান্নরকখি। খোঙচৎসিদা মতেং ওইননবা শেলগী তেংবাংসু পিবিরকখি। এ.জি.পি.গী মতমনি। সরকারনা বিষ্ণুপ্রিয়া ইসুগী মতাংদা থোরকপা নোটিফিকেসন অমগী মায়োক্তা আসামগী মণিপুরীশিংনা সরকারগী মথক্তা অকনবা খোঙজং করা চত্থরকপা মতমনি।

হোজাইদগী অমুক তিনশুকীয়া তম্না চংশিনখি। মফমদুদা তিনসুকীয়া মণিপুরী কমিটিনা শিল-লাংদুনা ঐখোয়বু তরাম্না ওকপীখি। খুনাইসিগী অকুপ্পা ৱারী ৱাতায় কয়া শান্নমিনখি। খোঙচৎসিদা মতেং খজিক ওইননবা মশক নাইবা শেলগী তেংবাং কয়াসু পিবিরকখি। সেক্রেটারী গৌরমনি সিংহ, প্রেসিডেন্ট কেএইচ. মনি সিংহ অমদি কেসিয়ার নয়নবাবু অহলশিং ময়ামসিনা পিবিরকখিবা মতেং থৌনা হাপ্পিরকখিবা কয়াবু আমসুনা কৈদৌনুংদা কাউফম থোক্তে।

তিনসুকীয়াগী মতুংদা ডিব্রুগড় তম্না চংশিনখি। মফমদুদা কে. গৌরহরি, এল. বিজয়, ওঝাশিং অসিনা মকোক চিংলগা মফমদুগী ইচিল-ইনাও কয়ানসু তরাম্না ওকপীখি। অৱা-নুঙাই ৱারী কয়া শান্নজখি। শেলগী তেংবাংসু পিবিরকখি। ডিব্রুগড় ইউনির্ভাসিটিদা চংদুনা এমসুগী এক্স-প্রেসিডেন্ট মোংজম আভিরাম উনরবা মতুং ৱাই. খগেশ্বরবু জেঃ সেঃ খন্দুনা আমসু ডিব্রুগড় ডিস্ট্রিক্ট কমিটি শেমখি। কে. রাজেস সিংহ, এ. প্রশান্ত সিংহ, পি.এইচ. রমন শর্ম্মা ইচিন-ইপ্পা ময়াম্বু আমসুনা ঙসিসু কাউজদে।

ডিব্রুগড়গী মতুং ডিগবয় তম্না চংশিনখি। ডিগবয়দসু মফমদুদা থবক তৌদুনা লৈরম্বা অহন-লমন অমদি ছাত্র ইচিন-ইনাও কয়াগা ফমিন্নদুনা ঐখোয়গী খোঙচৎসিগী পান্দম খংহনজখি। তরাম্না ওকপীবগা লায়ননা শেলথুমগী মতেংসু পিবিরকখি। নিংশিংনিঙাইদি মতমদুদা আসুগী ভিঃ পিঃ ওইরম্বা দিগন্ত শইকীয়ানা ডিগবয় গেস্ট হাউসতা ময়াম্বু তরাম্না ওকপীদুনা চাকলেন অমসু শিনবিখি লোয়ননা আমসুগী টিমবু গাড়ীদা পুদুনা ডিগবয়গী মরু ওইবা মফম কয়া য়েংহনবিরকখি। দিগন্ত

শইকীয়াগী লমন আমসুনা কাউঙল্লরোই।

মথংদা দুলিয়াজান তন্না চংশিনখি। মফমদুদসু থবক তৌদুনা লৈরম্বা মীতৈ ইচিন-ইনাওশিংনা চাক কৌদুনা ময়াম্বু তরান্না ওকপীবগা লোয়ননা ৱারী ৱাতায় কয়া শান্নজখি। শেলথুমগী মতেংসু পিবিরকই। মিং পনজরবদা থেংমাজম বীরেন, সহদেব, চোংথাম কমল, থেংমাইজম মনিমোহন নচিংবা ওঝাশিং অসিগী তৌবিমল আমসুনা কাউঙল্লোই ।

দুলিয়াজান চংলন্নগা মথংদা মণিপুরীগী পুৱারীগা য়ান্না নকুবা মরী লৈরিবা আহোমশিংনা নন্না তাবা শিবসাগর তন্না চংশিনখি। লমদমদুদা লৈরিবা মরু ওইনা বরকলা অমদি হায়রা খুঙ্গং ২সিগী মীতৈ অহল-লমন, ওঝাশিং অমদি ছাত্র-ছাত্রীশিংগা ফমিন্নরবা মতুং ৭-১১-১৯৮৯ দা মীওই ২৫ না শাবা আমসু শিবসাগর ডিস্ট্রিক্ট কমিটি শেমখি। এ. প্রবীন শর্ম্মা অমদি টি.এইচ. দেবানন্দ সিংহবু মথংশিনা প্রেসিডেন্ট অমদি জেঃ সেঃ ওইনা খনখি। প্রোঃ এ. উমানন্দ শর্ম্মা, টি.এইচ. ধীতকুমার সিংহ, ডব্লিউ. রবীন কুমার সিংহ, টি.এইচ. অনিলকুমার সিংহ, মানিকচান্দ সিংহবু এডভাইজার ওইনা খনখি।

আমসুগী কনফারেন্সকী মতম নকশিল্লকপনা শিবসাগরদগী আসামগী কেপিটেল ওইরিবা ডিসপুর তন্না লাকখি। গৌহাটিদা রাজবাড়ী মণিপুরী স্টুডেন্টস ইউনিয়নগী ইচিন ইনাওশিংগা ফম্মিন্নখি। ঐখোয়গী পান্দম খংহনজরবা মতুংদা গৌহাটি ইউনিট শেমখি। রাজবাড়ী মণিপুরী স্টুডেন্টস ইউনিয়নগী এম. সঞ্জীব, এন. ললিত, এইচ. সুরেস, কেএইচ. অজিত, এম. অরবিন্দ, ইউ. অঞ্জুদেবী, কেএইচ. বিজিতা দেবী, এন. রম্বীকা দেবী মতম পুম্বগী কাউঙল্লোই আমসু গৌহাটি ইউনিটকী কেএইচ. বিশ্বকুমার, এস. ভুরোল চন্দ্র, এইচ. দাউজী, টি. ইবুঙোতোন, সিএইচ. মামোনি, নন্দকিশোর, পিএইচ. বীরমনি, ও. অশ্বিনী আমসুগী দেদিকেটেদ ৱার্কার ঙক্তানি। মতমদুদা বিষ্ণুপ্রিয়া ইসুগী মতাংদা পুন্না খোঙজং চথমিন্নবগীদমক ওঝা কমলাকান্তনা পাও পিদুনা মণিপুরদগী এমসুগী মীহুৎশিং কেএইচ. লোকেনগী লমজীং মখাদা টিম অমা গৌহাটিদা থুংলখি। আমসু, এমসু, আসু পুন্না ফম্মিন্নদুনা ৱা তান্নখি। মতমদুগী আসামগী চীফ মিনিস্টার প্রফুল্ল কুমার মহন্তনা আমসু, এমসু অমদি আসুগী মীহুৎশিংগা তোঙান-তোঙান ৱারী শান্নরবা মতুং বিষ্ণুপ্রিয়া ইসুগী নোটিফিকেসন অদু স্টে তৌখি। গৌহাটিদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী অহল ইবুঙো ওঝা উশম দূর্গবিহারী অমদি তামো ক্ষেমাময়ুম দিলীপনচিংবা ওঝাশিংসিনা শিলচর য়ৌবদা মতেং ওইননবা শেলগী মতেংসু পিবিরকখি।

মতুংদা এন.সি. হিলসকী হাফলংদা চৎতুনা মশীং লিকচরবসু মণিপুরী ছাত্র ছাত্রী অমদি ওঝাশিং কয়াগসু আমসুগা নকুবা মরী থম্বা হৌরকখি। মতমদুদা হাফলংদা মণিপুরী মহৈরোয়শিংগী মশীং লিক্লা লৈরম্বনা আমসু ইউনিট লিংখৎলমদ্রবসু মণিপুরী কলচারেল এসোসিয়েসন, হাফলংগা নকুবা মরী থম্বা হৌখি। হাফলংগী অহলশিং মরু ওইনা বিজয় সিংহ, কে. বীরেন, রুদ্রজিৎ লাইশ্রমবু ঙসিসু আমসুনা কাউঙমদে।

মতম অদুদা ওঝা কমলাকান্তনা আমসুগী প্রেসিডেন্ট ওইনা ফম পুরিঙৈ আমসুনা আসামগী মণিপুরী ওর্গেনাইজেসনশিংদা নত্তনা আসামগী নন-মণিপুরী ইয়ুথ এণ্ড স্টুডেন্টস ওর্গেনাইজেসন কয়াগসু অচেৎপা মরী থন্নবা হোৎনখি। বরাক তম্পাক্কী All Cachar Karimganj Students Association (ACKSA), বরাক উপত্যকা সংগ্রাম সমন্বয় কমিটি (BUSSC), বরাক উপত্যকা বঙ্গ সাহিত্য ও সংস্কৃতি সম্মেলন শিলচর মহকুমা Centre for Cultural, Integration, Silchar, Indian Students' Association (ISA), Cachar & Karimganj District Committee, All Assam Rongmei Naga Student Union, All Assam New Writers & Artists Association, Asom Jatiotabadi Yuva Chattra Parishad, United Reservation Movement Council of Assam (URMCA), ABSU, All Yai Ahom Students Union, Karbi-Anglong & N. C. Hills Autonomous State Demand Committee, Association for

Constructive Thinking on Issues & Options in North East (ACTION), Tribal Student' Federation, Tripura, Manipuri Sahitya Parishad, Imphal, Kangleipak Thousinkon Imphal, Ipalhoukok Naoremthong, Imphal, Bangladesh Manipuri Sahitya Sangshad, Delhi Manipuri Students' Union, Jiribam Youth Council, Manipuri Socio-cultural Organisation, Agartala, All Assam Nepali Students' Union, All Assam Koch Rajbangshi Sanmilan, Tripura Manipuri Students' Union, All Mizoram Manipuri Association গসু নক্নবা মরী থন্বা ঙমখি।

পান্দম্নবু ফজরবদি পুকচেল শেংনা চোংথোকমিন্নরবদি মতমদুদা লুপা লীশিং অমমখায় মুক্ত খুত্তা পায়রগা আমসুগী মহৈরোয় ১৮না আসাম শিনবা থুংনা আমসুগী মপাও পুদুনা মীতৈ ইচিন-ইনাও ময়ামগা অৱা-নুঙাই ৱারী ৱাতায় অমদি অপুনবা লিংজেল শাগৎমিন্নবগী খোভজংদা পৈশানা অপনবা পিবা ঙমখিদে। ময়াম্না পিবিরকপা মতেং অমদি থৌনা কয়ানা ঐখোয়গী পন্থুং য়ৌজবা ঙমখি ঙসিদি মদুখিবিক নিংশিংলুরগা নৌনা হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংদা ঈনোৎ থৌনা খরদং ওইরবসু হাপ্পা ঙমগদ্রা খনজরুবদগী মচাকশিংসি ওঝা কমলাকান্তদগী খোমজিনজরগা আর্টিকলসি ইজখিবনি। ❑

# লাইরিক পাবসিংগী লুপ

**দ° ফুরিৎসাবম বীরমনি**
*এক্স-এদভাইজর*
*ওল আসাম মনিপুরী ষ্টুদেন্তস য়ুনিয়ন (আমসু)*

পরিখাগীদমক্তা মহৈরোয়সিংনা লাইরিক পাবদুদি তঙাইফদবনি, মহৈরোয় হায়বসি অমরোমদা হায়রগদি লাইরিক পারিবা মীদুনি, লাইরিক পাবনা মাগী থৌদাংনি, লাইরিককী তাইবঙপান অমদা লৈগদবনি। পরিখাগী ওইরবসু, মহৈ তম্নবগী ওইরবসু নত্রগা থবক থিবগীবু ওইরবসু লাইরিক পাদবা য়াদে। একাদেমিককা মরী লৈননা স্কুল-কলেজ-য়ুনিভর্সিতিদা পরিখা পাস তৌনবগী লাইরিক পাবদগী থবক ফংনবগী লাইরিক পাবনা হেন্না লুই অমসুং হেন্না লুনা লৌরবতদা অৱাংবা অমসুং অফবা থবক ফংঙি হায়নরিবসি অচুম্বনি। সন্না থবক ফংনবগী পরিখাগী চাংয়েংদি হেন্না পাক-চাওই, পারা অদু কাচিন-কোয়া য়ৌনা খঙঙি খঙদে হায়বগী চাংয়েংনি। মরম অদুনা মহৈরোয়সিংগী ওইনদি লাইরিক পাবসি হৈনবী ওইহনবা তাই, লাইরিক তম্বা হৌগৎলকপদগী থবক ফংদ্রিবা নত্রগা সেন্দান লম্বী লৈত্রিবা ফাওবা অমসুং মদুদগীসু মখা তাবগী ওইনসু লাইরিক পাবগী পেস্থোকপা লৈহন্দবা তাই। তৌবগীদি লাইরিক পারিবনি হায়দুনা তুম্বা-চাবা খঙদনা হকচাং সোরুবগী লাইরিক পাবা খুৎপাদুদি চুমদে। অচুম্বনি হিংনবগীদমক্তা লাইরিক পাদবা য়াদে। লাইরিক পাবা মীওই খুদিংমক্না লাইরিকতগী ফংবা কান্নবা অমসুং মতেং অদু খঙবা ঙম্মী অমসুং লাইরিক পাদবা মীওইসিংদা লাইরিক পাও হায়বা ঙম্বগী থৌনা ফংঙি। থবক অমা তৌবদা থবক অদুদগী করিগুম্বা মখল অমগী কান্নবা ফংদ্রবদি মদুদগী মীওই অদু নিংবা কাইদুনা তৌফম খঙদে অমসুং থবক অদু অমুক হৌগে নত্রগা তৌথগে হায়বগী ৱাখল্লোন পোক্তে, মাংখি। অদুবু থবক অমা অনিরক নত্রগা অহুমলক নত্রগা কয়ারক হন্না হোৎনরবা মতুংদতা মায়পাকপগী ওইথোকপা লাকই হায়বসি অসেংবনি। মতাংসিদা হায়জনিংবদি— লাইরিক পাবতনা অমসুং লাইরিক্তগী থবক তৌনিংবগী ইহুল নত্রগা থৌনা অমা লাকই হায়বসিনি। লাইরিক পাবা হায়বসিদা কনানা করি লাইরিক পারগা নুংঙাই, নত্রগা কান্নবা ফংঙি হায়বসিগী করিগুম্বা অকরুবা পাওতাক নত্রগা অথিংবা লৈতে। তৌবগীদি লাইরিক পাবা মতমদা পাগে খল্লিবা লাইরিক অদুদা য়াম্না লুপ্না ফজবা খরা লৈবা তাই, মদু অমুক অনিরক পারগা হেক্তেমক ফংবা ঙমদবসু য়াই। মতাংসিদনি সেক্সপিয়র, গেটে, তোলস্তোয়নচিংবগী লাইরিকসিং খনবা য়রিবসি। মখোয়না ইরম্লিবসি সাহিত্যগী তাইবঙদা য়াম্না ফজবা, অরুবা, মাইথোং য়াম্বা হীরম কয়াদা ইরম্মী। মরম অদুনা মখোয়গী লাইরিকসিং পারুবদা তোপ তোপ্পা মহাও অমা, মদুসু লেপ্পা নত্রগা কাওথোকপা য়াগদবা মহাও নত্তবা, মহাও মাংদবা অমা পী। লাইরিক পাবদা খঙবদা লায়বা লাইরিকনা হৌগদবনি হায়বদু অরানবনি। পাগে খল্লবদি পুক্লিং ৱাখল লুপহনবা ঙম্বা অরদবা লাইরিক পাবা তাই। গীতা, বাইবল, কোরাননচিংবদা পীরিবা ৱাখল্লোনসি ধর্মগা মরী লৈনৈ অদুবু মদুগী মনুং চন্না মীওইবনা তৌফম থোকপা, পুন্সিবু চুমথোকপা, পুন্সিদা থৌনা পীবা, পুন্সিবু অচুম্বা লম্বী তাকপা, মীওইবা খুন্নাইগী কান্নগদবা কয়ানা পীক থল্লিবনি। মৌর্জ্য এম্পয়র লিংখৎলম্বা চন্দ্রগুপ্ত মৌর্জ্যগী এদভাইজর চানৈক্যনা ইদুনা থম্লম্বা 'অর্থসাস্ত্র' কৌবা লাইরিক অসি অচৌবা জ্ঞানগী পুক্কৈ অমনি। মসিদা লৈঙাক্লোনগী ৱাফমতা নত্তনা পারিবা মীওই অদুদা

অচুম্বা থবক তৌবগী, তৌরুবা থবক অমা মায়পাক্লনবগী লম্বী তাকপা অমসুং ৱাখল তাহনবা ঙম্বা ৱাখল্লোন, লৌসিং য়াওই। কাওরোয়দবা অমনা, তৌনিংলিবা থবক অদুগা মরী লৈনবা অমসুং মদুগী জ্ঞান পীবা ঙম্বা লাইরিক মরাং কায়না লৈ হায়বসিনি। অফবা লাইরিক হায়বসি মতিক চাবা ফিলোসোফর অমসুং জ্ঞানি অমগা চাংদম্নবা য়াই। পনবা য়াবদি, মতিক চাবা জ্ঞানি অমসুং ইন্তেলেকচুয়েল অদুদি মতম পুম্নমক্তা ফংবা ঙমদে, মতম পুম্নমক্তা ইনাক্তা লৈবা ওইথোক্তে, হেক্তমক লাম্বা ফংলোয়, অদুবু অফবা লাইরিকতি মতম পুম্নমক্তা ইসাগা চৎমিন্নবা য়াই, পানিংবা মতমদা পাবা য়াই। মরম অদুনা অফবা লাইরিক পাবনা জ্ঞানি অমগা তিন্নবা নত্রগা লোয়নবদগী হেন্না কান্নে। অফবা লাইরিক্তি মীচং-সঙ্গন নাইদে, অৱাবা তারবা মতমদা ইনাক্তা লেপ্পীরবা অসেংবা মরুপ গুম্না লাইরিকনা ইসাগী অৱাবা মতমদা হেন্না কান্নবা পী। কাংলুপ খুদিংমক্কী মীওইসিংনা লাইরিক পাবা য়াই। তৌবগীদি অচৌবা লোনসিংগীদি লাইরিক মরাং কাইনা লৈ, পানিংলিবা হীরম খুদিংমক্কী লাইরিক লৈ। অদুবু কম্মুনিতি খরগী ওইনদি পানিংবা লাইরিক পাবা ফংবা ঙমদে, মমালোনদা লাইরিক অদু লৈরমদবা য়াই নত্রগা পানিংলিবা হীরম নত্রগা মখল অদু মমালোনদা লৈরমদবা য়াই। খুদম ওইনা, ইংলিস নিংথিজনা খঙবা মীওইসিংগী ওইনদি পানিংবা লাইরিক খল্লগা পাবা ঙম্মী। ইংলিসতগী নত্রগা ইন্তরনেসনেল থাক্কী নত্রগা নেসনেল থাক্কী লোন অমগী লাইরিক অপীকপা কম্মুনিতিসিংগী লোনদা লোয়নমক হন্দোক্তুনা ফংগনি হায়বসি ওইথোক্তে। অদুবু লাইরিক পানিংবগী হৈনবী অদু লৈরবদি পানিংলিবা লাইরিক অদুগা য়াম্না নকসিন্ননা চৎমিন্নবা নত্রগা নকসিন্নরুবগী খুদোংচাবা ফংগনি।

হৌজিক্কী মতমদদি মোবাইল ফোন, ইন্তরনেতনচিংবনা প্রিন্তেদ লাইরিককী মহুৎ সিল্লগা ইসাগা সাগোন্ননা চৎপা য়ারে। অফবা লাইরিক খনবদা মতম সাংনা চংদ্রে। মোবাইল অমসুং ইন্তরনেতকী মতেংদগী মালেমগী কাচিন অমদা ফোংবা লাইরিক খুদক্তা হেক্তা পাবগী খুদোংচাবা ফংলে, লাইরিক অদুদা য়াওরিবা ৱাখল্লোনসু ইসানা নৈনবা য়ারে। অদুগীসু মথক্তা, পানিংলিবা লাইরিক অদুগী মতাংদা পীরিবা তোঙান তোঙানবা ৱাখল্লোনদা নৈনরকপা কয়াসু খুদক খুদক্তা ফংবা ঙম্লে। ইসাগী ৱাখল্লোনসু ফোংদোকপগা লোয়ননা নৈনবা অদুদা য়াওসনবগী খুদোং চাবা লৈরে। মরম অদুনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমসিংদা লৈরিবা অইবা, লাইব্রেরি, লাইরিক খুদিংমক ইসাগা য়াম্না নকসিন্নরে, নকসিন্নরবনিনা নুংসিনরে, নুংসিনরবনিনা অৱায়-অখুম তৌনবা য়ারে, মরী লৈনবা করম করম্বা লাইরিক পানিংবা তান্নবা য়ারে, ইসাগী অসোয়বা-অরানবা-সেংফাৎলমদবা কয়াসু মেনখৎপা ঙম্লগনি। অদুবু প্রিন্তেদ লাইরিক পাবগী নুংঙায়বসিদি মোবাইল ফোনদা পাবদগী য়াম্না হেল্লি, খঙবা হেল্লি, চোকথবসু লৈহন্দে। অদুগা মমুৎ তানা খঙগে হায়রবসু মোবাইলদগী ফংবদু প্রিন্ত আউত তৌরগা পাবা তাই। অইবা লাইরিক পাবগী নুংঙায়বসি তোপ তোপ্পী, মসিগী নুংঙায়বসি মোবাইল নত্রগা ইন্তরনেততা পাবগা চাংদম্নবা য়ারোয়।

অরোয়বদা, খন্ননিংঙায় অমনা লাইরিক পাবসিংগী লুপ অমা সেম্বা য়াই, হায়রিবা লুপ অসিগী খোল্লাওসু লাইরিক পাবিয়ু, লাইরিক লৈবিয়ু, লাইরিকনা অসেংবা মরূপ ওইহনবিয়ু হায়বসি ওইগদবনি। লাইরিক পাবগী ৱাফমসি লাকপদা মোবাইল, ইন্তরনেতনচিংবদগী কাম্হোক্লগা প্রিন্তেদ লাইরিক পাবগী হৈনবী থমগদবনি, মসিগা লোয়ননা লাইব্রেরিদা চৎপা, ইন্তরনেতনচিংবদা অফবা লাইরিক থিবা তঙাইফদবা ওইরকই। লাইরিক পাবসিংগী লুপ অসিদি খুঙ্গং, সহর খাক্তনা লৈকাই খুদিংমক্তা লিংখৎপা য়াই। সহরদা চৎতবা য়াদে হায়বগী অপনবসু লৈতে। সৈরেং সৈদিন্নবা হায়দুনা সাহিত্যগী থৌরম কয়াদা পাংথোক্লরিবসি তসেংনদি লাইরিক পাবসিংগী লুপ অমা সেম্বনি। লাইরিক পাবতা নত্তনা লাইরিক তান্ননবগী থৌরাং অমনি। অখঙবদু ময়াম য়েন্নরগা খঙমিন্নবনি, নুংঙায়বা অমসুং খঙবা লোয়ননা অরানবা-অসোয়বা পুথোকপা ঙম্লনবগীনি। মতম অমদা 'লাইরিক হায়বা থিবা' অমা মান্দোপতা নত্রগা মরী লৈনবা থৌরম অমা তৌবদা পাংথোক্লরম্বদু মুৎথরকপসি

য়াম্না নুংঙায়তে। মসি তসেংনদি লাইরিক পানবগী, খঙমিন্নবগী থৌরাং অমনি। অসিগুম্বা চৎনবী অসি ধর্ম নত্রগা লাইনিংগা মরী লৈনহনবতা নত্তনা অতৈ হীরম কয়াগসু মরী লৈননা মতমগা চুন্নবা হীরম কয়াদা তামিন্নবগী, খঙমিন্নবগী থৌরাং ওইনা সিনবা য়াই। মীফম অমা পাংথোকপা মতমদসু লাইরিক পাবা অমসুং নৈনবগী মচল অমা তঙাইফদনা হাপচিনবা য়াই। মদুনা মীফম অদুবু হেন্না লুমহনগনি। লাইরিক পাবা তারগদি লাইরিক লৈবা তাই, লাইরিক ৱায়বা তাই, ৱায়রুবা লাইরিক তঙাইফদনা অমুক হন্দোকখিগদবনি হায়বগী ৱাখল্লোন চেনবা তাই। লাইরিক লৈরগা লৈরুরিবা মী অদুতনা পাগনি হায়বা লৈতে। মহাক্না পাদ্রবসু ইমুংগী মীওইসিংনা নত্রগা লৈকাইগী মীওইসিংনা পাবা য়াই। তুংদা মচা-মসুসিংনসু পাহৌবা য়াই। সন্না হায়রবদা লাইরিক অদু সেগাইদ্রিবা, লংথোকত্রিবা ফাওবদি অদুমক পাবা য়াগনি। মমাংঙৈদা মন্ত্র-জন্ত্রগী লাইরিক খোঙনা সোকহৈদে, পানিংলগসু হেক্তা পাবা য়াদে হায়দুনা লাইরিক মপু অদুনা সিরমদাইদা নত্রগা সিরবা মতুংদা মৈ থাদোকপা নত্রগা ঈসিংদা লংথবা চৎনরম্মী। মী অমগী কুস্তি, খুৎপাই-লাইরিকনচিংবা মী অদুনা হেক সিখিবগা মৈ থাদোকপগী চৎনবী অদুদি ফনা থেংলবা ফাওবা চৎনরম্মী। হায়রিবসিং অসিগী চৎনবী অদুমক্তা মনিপুরী ঐখোয়গী মমল য়াম্লবা লাইরিক কয়া কোপি অমত্তা লৈহৌদনা মাংখ্রবনি। অসুন্না লাইরিক পাবগী অথিংবা খরা মমাংঙৈদগী লৈরকই। তৌবগীদি অদুগুম্বা নিতি-নিয়মদু মাংখিবা কুইরে। ফিভম অসিদা খুৎথাং লোন্না লাইরিক খুৎসিন্নবা অমসুং পাহনবগী চৎনবী অসি তঙাইফদবা অমগা লোয়ননা চৎনহনবা তাই। মপানা ইরম্বা লাইরিক তুংদা মচানা ফোংনরি। মপানা ইরম্বা লাইরিক মচানা পাবা য়াদে হায়বা লৈতে। ইরিবসিং অসি মীনা পাবিনবগীদমক্তনি। মরম অদুনা লাইরিক পাবসিংগী ঈহৌ, লুপ অমসুং ফোর্স অমা লৈবা তাই। মদুনা খুন্নাই অমনা, লৈবাক অমনা চৎকদবা লম্বী ফাওবা তাকপা নত্রগা চুমথোকপা ঙমগনি। অদুগা অফবা লাইরিকতি মমল হস্থরকপা লৈতে, অহল ওইসিল্লকপসু লৈতে। নৈনবগী লোয়বা নাইদবা মসক-মতৌ ফজবা নহা অমগী সক্লোনদা লৈ। মরম অদুননি চহী লীসিং কয়াগী মমাংদা ইরম্বা লাইরিকসিং ঙসিসু ইনৌতা নৌনা লৈরিবসি। মীওইবনা ইরিবা লাইরিক খুদিংমক মন্থরকপা লৈতবা লাইরিক ওইগদবনি হায়বদি লৈতে, অদুবু অফবা লাইরিকতি মতম মতমদুগী চান্নবা ৱাখল লৌসিং পীবতা নত্তনা মতমগা চুন্নরক্তবা ওইরবসু য়েংখৎনিংঙায় অমা ওইদুনা অদুমক লৈগনি। মরম অদুনা লাইরিক পাবসিংগী লুপ অমা সেম্বসি তাবদা নোক্নিংবা য়াই, অদুবু মসিগী কান্নবদি মতম পুন্নমক্তা লৈগনি। ❑

# COVID-19 LOCKDOWN গী মতমদা আমসুগী থৌদাং

**কব্রবম বীক্রমজিৎ**
*প্রেসিডেন্ট, আমসু-লক্ষীপুর ডিস্ট্রিক্ট কিমিটি*

হৌখিবা চহী অশিমদি মীওইবা খুনাইগী সিভিলাইজেসনদা কাওঙমলরোইদবা চহী অমদি ওইহৌরগনি। তমথীরবা করোনা ভাইরাস কৌবা লাইচৎ অমনা মালেম অসি থক থক নিকহনখি। লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লায়না অসিগী লাঙদা থুরদুনা মীওই লাখ কয়াগী পুন্সি লোয়খী । মীওইবা অমদগী মীওইবা অমদা শোক পন্নবা তৌবদা শন্দোকপা লায়না অমা ওইবনা লৈবাক কয়া, লমদম কয়া Shutdown / Lockdown অমদি Curfew মতম শাংনা থমজিনখী। মসিগী চৈথেং অসিনা হকথেঙননা নত্রগা নাকোয়ননা নোংমগী শুরগা ইমুং মনুং পুজবা মীওই কয়াদা য়াম্না চাউনা অচৌবা চৈথেং পীখি।

মীয়াম তীনবা মফম কয়া মতম ককতনা থিংজিনখিবা, শুফম নোমফম লৈরক্তবদগী মীওই কয়াগী পুন্সিগী হিংনবগী লম্বীদা চাউনা শিংনখি। চৈথেংশিং অসি আসামদা মতম কুইনদগী খুন্দা লৈতাদুনা লৈরকলিবা ইকোনোমিকেলী কা-হেন্না শোত্থদুনা হিংলীবা মণিপুরী খুনাই অসিদসু অৱাবশিংসি চাউনা মায়োকনখি। লাইচৎ অসিনা নোংম নোংমগী অসুম হেঞ্জিল্লকপা অমদি লমদম কয়াদা Lockdown Period অসুম শাংথরকপনা মীওই কয়াগী পুন্সিদা হিংবা নৎত্রগা শিবগী অচৌবা ৱাহং অমা লাকখী। মসিদা নিঙাইদনা তুমিননা য়েংদুনা লৈথোকপা হৈত্রবা All Assam Manipuri Students' Union (AAMSU) গী থৌমীশিংনা ঐখোয়গী মীয়াম অসিদা করিগুম্বা খরদি মতেং পাঙনিংবগী ইহুল লাকখি।

হিরম অসিগী মতাংদা আমসু সেন্ট্রেল কমিটিগী Executive Body গী থৌমিশিং Zoom Meeting (Visual Meeting) পাঙথোকখি। লোয়ননা মিটিং অসিদা ৱারেপ লৌরগা অৱা আনা তারবা ইমুংশিং অসি মতেং পাঙনবা হায়দুনা AAMSU Fraternity (Executive Body, Advisor, Ex-AAMSU) শেল খাইগৎনখি। চাওরাক্লা লুপা লিশিং ৬০,০০০ মুক খায়গৎখি। মদুনা য়ুম ২০০ দা নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং য়াওবা Relief Materials য়েনথোকখি। মসিগী শেনফম অসিনা আমসুগী থৌমিশিংনা পিজনিংলিবা ইমুং মশিং অসি শুদবনা মখা তানা করি চথবা য়াবগে হায়বগী মতাংদা আমসুগী সেন্ট্রেল কমিটিগী থৌমিশিং Zoom Meeting পাংথোকতুনা করারক হন্না খনা নৈনখি। তরেৎ তারা থোক্লা খন্ন-নৈনরবা মতুংদা "AAMSU COVID-19 RELIEF FUND" অমা শেমনবা ৱারেপনখি। অমদি মদু নুমিৎ নিনিগী মতুংদা থবক্তা ওনথোকখি। "AAMSU COVID-19 RELIEF FUND" হাংদোকখি। মদুগী মতুংদা পুকচেল চাওরবা কয়ানা Relief Fund দা শেলগী মতেং পাঙবা হৌরকখি। লুপা ৫০, ১০০ দগী হৌরগা ৫০০, ১০,০০০ ফাউবা পুকচেল চাওরবা মীওই কয়ানা মতেং পাংনরকখি। আমসুগী থৌমীশিংনা Relief Material শিং য়েনথোকপগী থবক লেপতনা চথৈ। আমসুগী লৈরিবা দিস্টিক্ট কমিটি খুদিংমকনা মাগী মাগী লৈরিবা মফমশিংদা Relief Materials শিং য়েনথোকখি।

মশাগী ওইবা শেনথোক লম্বী মতিক চানা লৈজদবা মহৈরোয় অমদি নহারোল কয়ানা লেপ্পা লৈতনা মশা মশাগী ঙমজবা শেলগী তেঙবাং "AAMSU COVID-

19 RELIEF FUND" দা পীনরকখি। মশিমক্লা আমসুগী থৌমীশিংনা মীয়ামগী মতেং হেন্না পাঙনিংবগী ইহুল পোকলকখি। RELIEF ITEM য়েনথোকপগী থাশিং খরা অদুদি আমসুগী থৌমীশিংগী ওইনা কাওঙমদনা লৈহৌরনি। লৈঙাক্কী মীৎয়েঙদগী লাপ্পা লৈখ্রবা, মনুং হঞ্জিন্না লৈবা খুঙ্গংশিংদা আমসুনা অহেনবা মীৎয়েং থমখি। বাংলাদেশ বোড়দরগী তাইনবা খুলশিং, মণিপুর বোড়দর, নাগালেণ্ড বোড়দর, ত্রিপুরা বোড়দরগী তাইনবদা লৈরিবা খুল কয়াদা আমসুগী দিস্ট্রিক্ট কমিটি কয়ানা RELIEF MATERIAL য়েনথোকখি। লম্বী ফত্তদুনা গাড়ি পুশিনবা য়াদবদগী শাখ্রবা নুংশা মৈশা মরক্তা RELIEF ITEM শিং য়াওবা বস্তা কয়া কিঃ মিঃ ১গী ময়াদা থাংবা য়াউখি। মদু আমসুগী থৌমিশিংদা অনৌবা চাঙয়েং অমা ওইখি। অদুবু মীয়ামগী মিনুংশি, থৌজাল অমদি মতেংদগী ৱারবা খোঙচৎ কয়া মায় পাকখি। আমসু Executives না তৌরিবা থবক থৌরমশিংনা পেনলদুনা আমসুগী মমাংদা থৌপুরম্বা এক্স-আমসুশিংনা মশা মশাগী গাড়ি কয়া পুথোকতুনা মনুং হঞ্জিনবা লমশিংদা চৎখি।

আসাম খক নত্তনা মণিপুর, ত্রিপুরা, মিজোরাম, নাগালেণ্ড, দিল্লি, মুম্বাই, বেঙ্গোলোরদা লৈরিবা ইরৈচা কয়ানা COVID-19 RELIEF FUND দা তোঙান-তোঙানবা মওংদা মতেং পাঙলকখি। মণিপুরী খক নত্তনা অতোপ্পা ফুরূপ কয়াগী মীওইশিংনশু RELIEF FUND দা মতেং পাঙলকখি। নোং নুংশিৎ অমদি নুংশাগী মৈশা খঙদনা চেন চোংলিবা আমসুগী থৌমিশিংদা হেন্না থবক তৌনিংবগী ইনোত হাপখি। আসাম ইউনির্ভাসিটিদা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুর, হোজাই, ত্রিপুরাদগী লাকপা মহৈরোয়শিংদা RELIEF MATERIALS কয়ারক হন্না য়েহ্নোকখি অমদি মখোয়গী অৱা নুঙাইগী ৱারী কয়া পুন্না শেয়ার (Share) তৌমিন্নখি। চৎলিবা খোঙচৎ অসিদা হেন্না মতেং ওইনবা Joint Action Commiittee for Safeguard of Indegenous Manipuri People of Assam গী ওঝাশিংনা শেলগী মতেং য়ান্না চাওনা পাঙলকখি। লোয়ননা আমসু অমদি জে. এ. সি. গী মিহুৎশিং পুন্না RELIEF MATERIALS শিং য়েনথোকখি। পুন্না মীওই ৩৯১না "AAMSU COVID-19 RELIEF FUND" দা মতেং পাঙলকখি। আসাম পুম্বদা পুন্না য়ুম ২৫৪৯ দা RELIEF MATERIALS শিং য়েনথোকখি ।

য়েনথোকচখ্রিবা খুন, কন্সটিটুয়েনশি, ডিস্টিক্টশিংগী য়ুমথোং মশিং য়াওবা DATA COLLECTION অমা মখাদা থমজরি —

**LAKHIPUR CONSTITUENCYda punna yum 622 da**

Sribar - 80 households
Singerband - 46 households
Binnakandi 2 (Wangkhem leikai) - 10 households
Lakhinagar - 60 households
Kamranga - 32 households
Laboc - 10 households
Urabil - 10 households
Banskandi - 12 households
Pallarbond - 22 households
Karaikandi - 23 households
Tolenkhul - 27 households
Nungphaw - 10 households
Naidol - 26 households
Porompat - 7 households
Ramnagar - 13 households
Chinjur - 16 households
Dabampur Chingdong - 12 households
Laikol - 26 households
Puthikal - 18 households
Ashralabuk - 8 households
Kaptanpur - 25 households
Lakhipur Khunow - 27 households
Binnakandi Pt-1 - 20 households
Digli, Jirighat - 25 households
Bagkhal, Jirighat-57 households

**DHOLAI CONSTITUENCYda punna yum 202 da**

Baam Rampur - 36 households
Baam Telishiba - 25 households
Baam Hatimara - 24 households
Baam Jalangga - 23 households
Baam Panisagor -20 households
Baam Manungkhul - 17 households
Baam Bishnupur - 10 households

Baam Rijap - 22 households
Baam Malugram - 25 households

**SILCHAR CONSTITUENCYda yum 357 da**
**Khoirel-30 households**
Stranded students of AU - 27 students
Bualjur - 20 households
Tuko - 20 households
Khelma - 15 households
Berakhal - 8 households
Rongpur - 29 households
Moinarbond - 20 households
Louthai - 6 households
Kapitila - 20 households
Seram khun - 11 households
Chatla - 53 households
Modhutila-25 households
Boro jalenga - 11 households
Choto jalenga - 40 households
Modhura - 22 households

**KATIGORAH CONSTITUENCYda yum 42 da**
Jalalpur - 42 households

**SONAI_CONSTITUENCYda punna yum 164 da**
Borakhal - 17 households
Berabak - 7 households
Chandpur-13 households
Thangjamleikai - 9 households
Mangolpur-15 households
Jorakhul - 15 households
Icha - 20 households
Maibi leikai - 4 households
Thengna - 4 households
Gorgori - 12 households
Lamargram - 30 households
Amal leikai - 10 households
Bhuban nagar - 8 households

**HAILAKANDI DISTRICTta punna 314 da**
Lawat - 37 households
Lairenkhul - 14 households
Nalubak - 18 households
Thingomkhul - 46 households
Laishramkhul - 35 households
Bhatirgram - 6 households
Leihoupokpi - 36 households
Bhamon leikai - 16 households
Wangkhei Leikai - 12 households
Jalampur - 35 households
Khumokhun - 9 households
Soibam leikai - 5 households
Kshetrikhul - 12 something
Merigul - 12 households
Thounakhul - 8 households
Guwalipar - 7 households
Moglan - 6 households

**KARIMGANJ DISTRICT ta punna yum 197 da**
Kalachera - 41 households
Hatai - 24 households
Nilam Bazar - 23 households
Hingla - 19 households
Laishramkhun - 53 households
Moirangkhun - 37 households

**GOLAGHAT DISTRICT ta punna yum 75 da**
Naojan - 5 households
Lakhinagar - 35 households
Barpathar - 35 households

**KARBI ANGLONG DISTRICT ta punna yum 102 da**
Amrajan Manipuri Basti
(Khunow and Cachari Colony) - 37 households

**Karbi Students Association da**
**AAMSU KADC na mateng pangkhiba -**
Tomato 130 kg, Cabbage 110 kg
Rukasen & Amrajan - 65 households

**HOJAI DISTRICT ta punna yum 374 da**
Kaki villages - 21 households
Lanka - 120 households
Kantholtoli, Hojai - 13 households
Pachim Nandapur, Hojai - 12 households
Pub Nandapur, Hojai - 12 households
Dakhin udoipur, Hojai - 9 households
Udoipur, Hojai - 13 households
Dariabasti, Hojai - 5 households
Uttar Bidyanagar, Hojai - 9 households
Gita Mandir, Hojai - 6 households
Rampur, Hojai - 5 households

Jugijan Rajbari, hojai - 14 households
Jugijan gochora, hojai - 11 households
Kalinagar, Hojai - 5 households
Dakhin bidhyanagar, hojai - 12 households
Waldin shivpur, jugijan - 16 households
Santipur waldin, jugijan - 9 households
Moinapathar, hojai - 16 households
Gochora, hojai - 13 households
Amtola, hojai - 14 households
Dhaninagar, Hojai - 16 households
Govindapur, Hojai - 14 households
Gouranagar-10 households

**BORKHOLA CONSTITUENCY ta punna yum 100 da**
Dungo - 29 households
Chesri - 18 households
Kamrabond - 35 households
Chandpur - 18 households

Masi pumnamak sing asi oithoknaba hotnaba da eikhoibu Financially, Physically chaona mateng pangbirakhiba Joint Action Committee For Safeguard of Indigenous Manipuri People of Assam gi thoububa ojha sing amadi lamdam kaydagi AAMSU COVID-19 RELIEF FUND da sel gi mateng pangbirakhiba pukchel chaoraba Ahal/laman, Ojha/guru, ema/endol, maheiroi/naharaol khudingmakpu AAMSU na ekok nonjari. COVID-19 laichat asi malem sidagi mutkhiba oisanu.

AAMSU miyam gini.
Miyam gi damak AAMSU leiri.
Long live AAMSU

# লক্ষিপুরগী লোক-আপতা অহিং অমা

**ফানজৌবম লোকনাথ**
এডভোকেট
পোখারবা ভাইস প্রেসিদেন্ট, আমসু সেন্ট্রেল কমিটি

জানুৱারী চৈথা ৫, ইং২০১৬, লৈবাকপোকপা নুমিৎনি। নুমিৎ অসিগী নোংমা মমাং হাইবদি জানুৱারী চৈথা ৪, ২০১৬, নিংথৌকাবা নুমিৎগী নুমিদাং ৱাইরমদা শিলচরদা ফমখিবা আমসু ময়াই লোইশঙগী থৌপুবা শিংগী ওইবা অখন্নবা মীফম অমদা লেপ্পখিবা ৱারেপগী মতুংইন্না লক্ষ্মিপুর এরিয়াগী হাইয়ার সেকেণ্ডরী অমদি হাইস্কুল খরদা জুনিয়র এসিস্‌টেন্টগী পোস্ট লৌবগীদমক পাংথোক্কদবা রিটন টেস্টগী পীরক্ষাদা মণিপুরী লোনবুসু ওপসোনেল ওইনা য়াওহনবিয়ু হাইবা অমসুগী দাবী অদু লৈঙাক্লা মিরাইবীরগা শুপ্পতগী বেঙ্গলি অমদি অসামীস লোনতবু রিটন টেস্ট অসিগী ওপসোনেল ওইনা হাপ্পগীদমক সরকারগী মাইগৈদগী অখন্নবা নোটিশ থোক্তুনা চৎথগদৌরিবা একজাম অদু বোইকোট তৌশিন্বগী পান্দমদা আমসু প্রেসিডেন্ট সেরাম হেরাজিৎনা লুচিংবা আমসু সেন্ট্রেলগী টিম অমনা শিলচরদগী লক্ষ্মিপুরগীদমক খোংশানখিবনি।

গনতন্ত্র চৎপা লৈবাক অমগী নাগরিক ওইরবসু লমদম'সিদদি থেংখাং কয়ারক ঐখোয়গী চাকথুং মৎপিদুনা লাকখি। হন্দক্কী 'সিসু মহৌশাগুম ঐখোয়গী পুখমদগী চাকথুং মুন্নবা হোৎননিংবগী লালোংনি। ইশাগী লোন্না-প্রাইমারী থাক্তগী হৌরগা দোক্তরেল দিগ্রী ফাওবা মহৈ তম্বগী খুদোংচাবা লৈরবা মফম অসিদা সরকারগী থবক খনবগী চাংয়েং পরিক্ষাদা ইমালোন্না পরিক্ষা থাবা ফংহন্দবা হাইবসিমক ভারত সংবিধাননা ঐখোয়দা পিবিবা হকশিং মৎপিবনি হাইবদা হাইমনবা থোকলদ্রা?

লম্বীদা মতৌ করম্না পরিক্ষা থিংলুগনি, সিক্যুরিটি ফোর্সগী মীওইশিং লৈরম্লগনা কমদৌগনি? মখোয়গা করম্না মায়োক য়াগনি হাইবনচিংবা কুপ্পা খন্নৈ। খন্ন-খন্ন পোইলাপুল বাজার য়ৌশিল্লকখি। লালাং মণিপুরী হাইস্কুলগী লমজংদা আমসু লক্ষ্মিপুর দিস্ট্রিক্ট কমিটিগী প্রেসিদেন্ট, য়ুন্নাম মলিনা অমদি জেনরেল সেক্রেটারী য়ুমখাইবম প্রবিন কুমার অনিনা লুচিংবা লক্ষ্মিপুর দিস্ট্রিক্ট কমিটিগী খোংবু অমনা ঐখোয়বু ঙাইদুনা লৈরমখি। আসাম মণিপুরী মৈরা-পাইবী অপুনবা লুপ (অমপাল) গী সেন্ট্রেল ভাইস-প্রেসিদেন্ট, ইমা থাংজম ওংবী সনাথোইসু মখোইগা পুন্না ঐখোয়বু ঙাইদুনা লৈরমখিবনি। পন্থবা তৌদনা আমসু সেন্ট্রেল অমদি আমসু লক্ষ্মিপুরগী চুংশিন্নবা খুৎপু না ললাং মণিপুরী হাইস্কুলগী একজাম হোলদা চংদুনা একজাম থাবা লেপহন্নবা হোৎনখি। স্কুলগী শুমাংদা মিচং মিখাই নাইবা মওংদা থারমলিবা পরিক্ষাগী ৱাহং-চে অদু উরুবদা খোইশাওনরবা মণিপুরী মচা পরিক্ষা থাবা লাকখিবশিং খরসু লেপ্পুনা লৈরমখি। ঐখোয় উবদা মখোইগী পেন্দবশিং ৱাকৎলকখি। চংশিনখিবা ইহৌদা মখোইনা হেন্না শৌগৎখি, ইহৌ মাইপাক্লবা হোৎনখি। পরিক্ষা থাবা লাকখিবা মীতৈ ইচিন ইনাওশিংদু উরুরগা থম্মোয়দা হাইফম খংদবা নুঙাইতবা অমসু ফাওখি। মখোইগী মাইথোংদা তারিবা পেন্দবগী নুংহিক্লরবা শক্তমশিং অদু উরুরগা চাকথুং মৎপিরবা ইমানা পেন্দবগী তোরৈলক্তা অৱাবগী পিরাংনা ইমাগী মীৎলুদগী অতৎ-অখম লৈতনা শিন্থরিবোই খন্দবা ঙমখিদে। অদুগা অমুকসু, ঐখোয়গী আমসুগী নুংশিরবা ইচিল-ইনাওশিংনা ইখুন্নাই অসিগী দমক শিবা-চংবগী লাঞ্জংদা অকিবা মচেৎ অমত্তা পোক্তবা মখৈ ময়োক য়াখিবদুমকসু আমসুগী পুৱারীগী লমায়দা ময়েক লানা লৈহৌরগনি। থৌনা ফরবা থম্মোয়শিং অদুবু পুকচেলশেংনা থাগৎচরি।

লালাং মণিপুরী হাইস্কুলগী পরিক্ষা মাইপাক্লা

থিংজিনবা ঙমখ্রবগী মতুংদা পন্থবা তৌদনা ঐখোই অমুক লক্ষ্মিপুরগী আর্ল হায়ার সেকেণ্ডারীগীদমক খোংশাল্লকখি। চথখিবা থৌওংশিং থিংজিন্নবা হোৎনবদা মাইথিহৌরবা লালাং মণিপুরী হাইস্কুলদা ঙাকশেন্নবগীদমক লৈহৌবা লক্ষ্মিপুর পুলিশগী মীওইশিং অদুনা থৌদোক 'সিগী মতাংদা মখোইগী মথক থোংবা শিংদা পাও পিখ্রবনি। পন্থবা তৌদনা লক্ষিপুর পুলিশ স্টেশনগী ওসিনা লুচিংবা পুলিশগী অখন্নবা টিম অমনা পোইলাপুল তান্না গাড়ী থৌজিল্লকপদা লম্বীদা ঐখোইগা থৈনখিবনি। ডেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজংনা মরম ওইরগা ঐখোয়বু ফাজিল্লবা য়াই হাইবগী চিংনবনা আর্ল হায়র সেকেণ্ডারী চৎলিঙৈগী চৈরকসিদা ঐখোইগী ওইবা মীওইশিং মরুওইনা মৈরা পাইবীগী প্রেসিদেন্টদা ঐখোইনা লোক-অপ চংলবসু মপান্দগী তৌবা য়াবা থবকশিংগী থৌরাং তৌদুনা লৈননবা খংহনখি। তলকসিদা আর্ল হায়র সেকেণ্ডারী য়ৌশিল্লকখি। লক্ষ্মিপুর পুলিশগা হেক নক্লনা লৈবনিনা মফমসিদদি অহেনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা লৈরম্মী। পুলিশগী অখন্নবা আর্ম ফোর্সেসগী পার্শোনেলশিংনা ঐখোয় উবদা মিৎকূপ-নাহুম শিংবা হেনগৎলকখি। আর্ল হায়র সেকেণ্ডারীগী লমগোননুংদা হেক খোং থাংজিনবগা অথিংবা পিননবা অকনবা খোঞ্জেলদা খোম্থাং য়ৈনা লাউরকখি। ঐখোইসু নাচুংলুবা তৌদনা একজাম হোল তন্না চংশিনখি। নাচুংনিঙাইসু ওইখিদে। ঐগী চাকথুং মৎপিরবদা চাক লামলবা হকচাং 'সিনা কয়ানি কোক নোন্দুনা লৈখিগনি, ঙমলোই, ঐগী ফংফম থোকপা হক্কীদমক মালেমগী শক্তি পুম্বগা মাইয়োক য়াবা হাইবসিমক ঐখোইগী ৰাশকনি। পুলিশগী মাইগৈদগীসু পরিক্ষা থাফমদা চংদনবা অঙম্বা চাংদা হোৎনখি। মতৌদুদা চংলুবগী পাম্বৈ লৈত্রবদা একজাম থাবিদনবা খোঞ্জেল হৌনা লাওশিনবা তাখি। লাওশিনখি। মনুংদা পরিক্ষা থারম্বা মীতৈ মচা অয়াম্বদি একজাম থারম্বদগী থোরক্কুনা ঐখোইদা তেংবাংবিরকখি। লালাং মণিপুরী হাইস্কুলগুম মফমসিদা ঐখোইনা লাকচবা ঙমখিদ্রবসু মফমসিদা চৎথখিবা চাংয়েং পরিক্ষাদি মাইপাকপা ঙমহনখিদে।

অসুন্না আর্লদগী থোরক্কুনা জোগাই মথুরা হাইস্কুল, বিন্নাকান্দিদা চৎননবগীদমক গাড়ীদা কাখৎনবা থৌরাংলিঙৈদা লক্ষ্মিপুর পুলিশগী এ.এস.আই., এ. কে. সিং অমদি মহাক্কী খোঙবু অমনা ঐবু কোইশিনখি। আর্লদগী মুন্দুনা পুরকপা অনসরগী সিট পিয়ু হাইরকখি। ঐনা খুমখি, অনসর সিট অমত্তা মুন্দুনা পুরকখিবা লৈতে। ঐখোইবু চৎপা পিয়ু হাইখি। তাবিবা লৈতে অঙম্বগী মনাই-অচানবা। অহোইনদুম ইনিংদগী পুলিশ পার্সোনেল অমনা কোনশিল্লকখি, চে পিরমদ্রবদি চৎপা য়ারোই, থানাদা চংলসি হাইরকখি। পেপর ঐনা লৌখিবা লৈতে, মরম চাদনা ঐখোইবু ফাজিনবগী হক লৈতে হাইবা ৰাহৈ কয়া শিজিন্নদুনা মখোইগা মরৈ তৌনখি। তাবিবা তৌদনা থানা তম্না পুশিন্নবা শা-শনগুম ঐবু চিংবিখি। ইতৌদুদা য়েংঙমদ্রদুনা ঐগী মরূপ য়ুমখায়বম প্রোবিন কুমার শাওনা ফিংনা চেনশিনলকখি, ঐবু থাদোকপিয়ু হাইদুনা পুলিশকা মায়োক য়াখি। থংনবা মিৎকুপ্তা মহাকপুসু ফাজিনখি। মতৌদুদা ঐখোইবু কন্ননবা চঙশিল্লকখিবা ইয়াম্বা হেরাজিৎপুসু ফাজিনখি। ঐখোই অহুম্না থানাগী ওফিস রুম হেক য়ৌখিবগা নাকন্দা লৈরিবা চৌকিদা ঐখোইবু ফমহল্লি। থানাগী শুমাংদনা ঐখোইগী মীওইশিংনা কোইশিন্দুনা লৈবা উখি। ইকুই কুইদনা লোকল জর্নেলিস্টশিং লাক্কুনা ঐখোইগী ফোটো লৌখি। স্টেটমেন্টশিং হংখি। চৈরকসিদা লক্ষ্মিপুরগী ওসি শাওনা চংলকখি। ঐখোই উবদা মহাক্কী অশাওবা হেনগৎখি, অসমীয়া লোন্দা অথিবা ৰাহৈ কয়া শিজিন্নদুনা চৈরকখি। চিনবান থোংদা ঙাংজবতনা অপেনবা ওইদ্রদুনা সীফাই অমদা লিচৈ পুথোরক্লবা য়াথং তাওথখি। হাইবা ইনবা সিফাইগী মশক উৎলদুনা ওসি 'দুগী খুত্তা লিচৈ খুৎশিন্নখি। মখুৎ পেন্না ঐখোইবু ফু-চৈবিখি। অশাওবনা হেনখিবনা কস্টদিদা লৈরবা মীওইশিংদা ফুবা য়াদে হাইনা সি.আর.পি.সি অমদি পুলিশ মেন্যুলসত ময়েক লান লৈরিবা আইনগী প্রোভিশন ময়ামদু ঙৈহাক্তং কাওথোকখিবা মাল্লি লক্ষ্মিপুরগী ওসি। থংনবা মীৎকুপ্তা লোক আপ মনুংদা থমজিল্লু হাইবা অহকপা ওর্ডর পিরম্লগা থোকখি। আইন কাইবা মওংদা মহৈরোইগী লুচিংবাশিংদা খুৎ থাবা গী থৌওংশিমক য়াম্না পেনখিদবনি।

ঐখোই ইশা-ইশাগী ৰালেট, ঘড়ী, মোবাইল, বেল্ট, লিক, খুদোপনচিংবা পুলিশগী মীওইশিংদা খুৎশিনরমলবা

মতুংদা পুলিশ কোনস্টেবল অমনা লক্ষ্মিপুর পুলিশগী লোক-আপকা ঐখোইগা শকখংনহনখি। নমথি-হাঙৈ চেল্লবা মোতাই চুদাইনরবা কাস্টদিয়েল রুম অদুদা ঐখোইসু হৈনদ-হৈনদ ফমথখি। মপান্দা করি ফিভম ওইরিবগে হাইবগী পাও তানিংবনা ঐখোই লাংতকনৈ। চৈরকসিদা সিঙ্গেরবন্দগীনি হাইবা মীওই অমখক ঐখোইগীনি হাইদুনা অচা পোৎলম খরা পুদুনা লাকখি, লোইননা বিন্নাকান্দিগী জোগাই মথুরা অমদি সিঙ্গেরবন্দগী সিঙ্গেরবন্দ হাইস্কুলদা, মফম অদুগী খুঞ্জাশিংগা লোইননা আমসুগী থৌমীশিংনা মাইপাক্পা পরিক্ষা থিংজিনবা ঙমখ্রে হাইবা পাওদম অমসু তমবিরম্মী। নুঙাইরবা পাও অসিগা লোইননা ঐখোই অহুম হিরম 'সিগা মরি লৈন্নবা ৱারী কয়া শান্নদুনা লোক-অপগী পাওরোন চেৎনা থারিবা কানুংদুদা মতম লেন্নবা হোৎনখি। মনুংদা ফন্না-ফন্না মপান্দা পুলিশশিংনা ঐখোই অহুম ফাজিনখিবনা মরম ওইরগা থৌচিনখিবদু ময়েক শেংনা উবা ফংখি।

নুমিৎ য়ুংবা মতুংদগীদি ঐখোই ঐখোইগী য়ুমগী অহলশিং য়াওনা মৈরা পাইবীগী ইমাশিং লাকপা হৌনরকখি। মচাশিংনা পাওরোন চেৎনা থাবা পুলিশগী কস্টদিদা বন্দি ওইনা লৈরমখিবদু হেক উবদা ফাওখিবা পুক্নিং নুংহিক্লরবা মতৌ 'দুমদি মখোইগী মাইথোংদা অসুমক ময়েক লানা তাখি। নুংথিল খরা মমশিলক্লগদি ঐখোই আমসু সেন্ট্রেলগী থৌপুবশিং খুদিংমক লাকখি। ভাইস প্রেসিদেন্ট প্রসেন কুমার, জেনরেল সেক্রেটারী পঙাম্বম নিলকান্ত, ওর্গানাইজিং সেক্রেটারী হৈয়াম সান্তকুমার, ওফিস সেক্রেটারী দেবাসিস অঙোম অমদি লিটরেরী সেক্রেটারী কোরৌ কোনসমনচিংবা। ওর্গানাইজিং সেক্রেটারী চিরনজিৎ অয়েকপম অমদি ইনফরমেশন এন্ড পাবলিসিটি সেক্রেটারী খাংজ্রাকপম কৃষ্ণমোহনদি অয়ুক্তগী ঐখোইগা পুন্না খোংবু ওইমিন্নরকখিবনি। ঐখোই খরসিনা আমসু সেন্টেলগী ফম পুমিন্নরকখিবসি চহি অনি (২) মপুং ফারকখ্রবনি। চহি ২ (অনি) সিদা ঐখোইগী মরক্তা ইমুং মনুং ওইবগী নুংশি লিপুন্না চেৎনা কিশি থাংখ্রবনি। অৱা-নুঙাই তাংফম অনিমক্তা ইখুন্নাই অসিগী থবক কয়া তৌমিন্নদুনা লাকখ্রবনি। মরূপশিং অসিগী থম্মোইদা পেন্দবনা লাংতাক্লহল্লে হাইবসিমদি ময়েক শেংনা মমি তাই। থানাগী মপান্দা আমসুগী মীওইশিং ঙাইদুনা লৈরে। সর্ত অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্লবগী দাবীদা থানা ঘেরাও তৌশিল্লগে অয়াবা পিয়ু হাইদুনা প্রোসেন্না কন্নমক তকশিল্লকখি। ঐখোইনা থেমজিল্লি। অহনশিংনা করি পাম্বৈ য়াৎলি হাইবদু য়েংমিন্নখিশি হাইদুনা থেমজিনখি।

ইকুই কুইদনা আমসুগী লিগেল এদভাইজর ইয়াম্বা এদভোকেট হাওরোংবম বাবু অমদি হিউমেন রাইটস একটিভিস্টি ওঝা এদভোকেট অহোংশাংবম ইরাবতনচিংবা চংলকখি। ঐখোইগী ফিভম য়েংশিলমখি। ঐখোইবু থাদোক্নবগীদমক মথক থোংবা ফম্নাইবশিংদা তকশিন্নবগীদমক থোকখি।

আমসুগী লিগেল এডভাইজর ইয়াম্বা বাবু অমদি এডভোকেট ওঝা ইরাবোত অনিনা থানাদগী থোকখ্রগা অহানবদা ওসিগা উন্নখি। ওসিনা মথক থোংবগী য়াথংনি থাদোকপা শুকঙম ঙম্লোই হায়রকপদগী লক্ষিপুর এসডিপিওগীদা অমুক চংদুনা উন্নরুবদা এসপিগী য়াথং য়াওদনা মহাক্কী পাম্বৈ লৈত্রে হায়রকপদগী মখোয় অনি লক্ষিপুরদগী শিলচর তন্না লাকখি হায়।

মতমদুগী কাছাড়গী এসপি অদু শ্রী রাজবীর, আইপিএসনি। সিতিং এমএলএ ফাওবা ফাজিন্দুনা থমখিবগী থৌদোক্তা কাছাড়গী মীয়াম্না কৈরেল-কৈজাওগুম কিন্নখিবা মরীলখাবা ওফিসার অমনি। এমএলএ অমদি মাগা লোইনবশিং ফাবগী ৱাহৌদা ঐখোয়গী এদভাইজর ইয়াম্বা বাবুসু এমএলএগী অনকপা মী অমা ওইনা লিগেল পোইন্টতা এসপিগা উংখৎনখিবা য়াওখিবনা ঐখোয় অহুম থাদোক্লবা চংলুবা হায়বসি ৱা ঙাকলকপগী মহুত্তা অচাকপা মৈদা ঘি হৈজিনবা ওইনা থোক্লনি খনবদগী এসপি বঙ্গলোগী নাকন্দা গাড়ী খামজিন্দুনা ইয়াম্বা বাবু অমদি ওঝা ইরাবোতনা লাল্লোং ময়াম শিজিন্নবা খন্নখি হায়। খন্নবগী মহৈ ওইনা ইয়াম্বা বাবুনা মতমদু কংগ্রেসনা পানবা মতম ওইবনা কংগ্রেসতা য়াওবা মীতৈ মচা লুজিংবশিংদা ফোনদা পাও ফাওনদুনা মখোয় মখোয়গা খংন-তিন্নবা মন্ত্রি, এমএলএশিংদা ঐখোয়বু থাদোকপিনবা তকশিনহনখি হাই। মতমদুদা খুন্নাইসিগীদমক আমসুদা চাউনা তেংবাংবিখিবা ওঝা গৌরবাবু, ইতৈবেম্মা মোইরাংলৈ, ওঝা অতোনসিং,

আমসুগী ইয়াম্বা বিকাশসু য়াওনা রাজনিতিৰালাশিংদা অকনবা প্রেসর পিখিবা খুদিংমকপু থাগৎচরি। অসোমদনা, জানুৱারীগী তাং ৭, ইং ২০১৬, য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মতমদুগী আসামগী মুখ্যমন্ত্রি, লৈখিদ্রবা তরুন গগোই কাছাড়গী খোঙচৎতা লাক্কদবা লৈবনা করিগুম্বদা ঐখোয় অহুমসি থাদোকতবা থোক্লবদি সিএমগী খোঙচৎতা মৈরা পাইবী অমদি অতৈ মীতৈগী লুপশিংনা চাওনা অকায়বা ওইহল্লকপা য়াই হায়বা অকনবা প্রেসর অমগা পীশিনবদগী মতমদুগী মিনিষ্টর অজিৎ সিং, এমপি, সুষ্মিতা দেবনচিংবনা এসপি রাজবীরদা হায়রবা ফাওবা য়াথং ঙাক্তবা মখৈ করিসু নাচুংদনা অদুমক লৈখি। ফিভমসি য়াম্না লুরক্কদবা মানবদগী ঐখোয়গী এদভাইজর বাবুনা ঙসিনা লাইওইখ্রবা ওঝা কোনসম গোলাপিগী খুৎথাংদা য়াম্বুং রাজকুমার সনাহলগা পাও ফাওনহনখি। শ্রীবারগী য়াম্বুং রাজকুমার সনাহল মতমদুগী লক্ষিপুরদগী কাখিবা কংগ্রেস এমএলএ রাজদ্বীপ গোৱালাগী নোমিনিনি। লৈখিদ্রবা ওঝা গোলাপিগা য়াম্বুং সনাহলগা পাউ ফাওনহনবদা লাইবক ফবদগী রাজদ্বীপ গোৱালাসি দিসপুরদা লৈবা মতম থোক্লমবদগী মতমদুগী আসামগী ইডুকেশন মিনিষ্টর শরৎ বড়কোটোকিগা উন্নদুনা দাবিসিগী মতাং অমদি ওইরিবা লোয়ননা ওইরকপা য়াবা ফিভম খুদিংমক হকথেংননা হায়রবগী তুংদা খুদক্তা ইডুকেশন মিনিষ্টরনা আমসুগী দাবীদু য়ারে হায়বগা লোইননা মশামক্লা কাছাড়গী এসপিদা ফোন তৌদুনা ফাজিনলিবা ঐখোয় অহুম্বু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা খুদক্তা থাদোকখিনবা য়াথং তাওথরকখি। মতমদু থেংলে নুমিদাংগী পুং ৯ হেনলমলগনি। অথেংবগী খূদোংচাবা লৌরদুনা হৌজিক্তি থেংলে হায়বা পাউখুম অমাগা কোন্ননা ঐখোয়বু অহিং অমা লক্ষিপুর পুলিশকী লোক-আপতা য়ারেকহন্নবা শেম শাখি কাছাড়গী এসপি। মতাংসিদা অহিং-নুংথিল খংদনা ৰাবিখিবা মতমদুগী আমসুগী লিগেল এডভাইজর ইয়াম্বা এডভোকেট বাবু, ওঝা ইরাবত অমদি লৈখিদ্রবা কোনসম গোলাপিবু থম্মোয়নুংগী ওইবা অৰাংবা থাক্কী ঈকায়খুম্নবা ফোংদোকলি। তেংবাংবিখিবা য়াম্বুং সনাহল অমদি মতমদুগী এমএলএ রাজদ্বীপ গোৱালাবুসু থাগৎচরি।

নুমিদাংৰাইরম মমশিলকখি অয়ুক্তগী চাবা থকপা মওং চাখিদবগী অরাম খৌরাংবা পোকলমলগনি খন্দুনা ঐখোইগীদমক চাক লৌরুনবা নিলকান্তনা পন্থবা তৌদনা চাক হোটেল থিবা চৎখি। মরূপশিং অসিনা ৰাখিবদু কাওঙমদনা অসুমক লৈরগনি। য়ুমদা অশিবা অমা য়াওবদগী গাড়ী থাংদুনা লৈরম্বনি নিলকান্ত। ঐখোই ফাজিনখিবগী পাওফংবগা নুংথিলদুদা আমসুগী ইয়াম্বা শ্যামল গা লোইননা জারিবোন্দদগী লক্ষিপুর তান্না গাড়ী থৌদুনা লাকখিবনি। অদুগা, য়ুমদ অনা-অয়েক য়াওদুনা লৈরিবা অদু ঙৈহাক নাথৈরল্লগা বোরাখালদগী বাইক থৌদুনা লাকখিবনি দেবাশিষ। অঙকপনি, য়ুমদা অনাবা য়াওরি, নং চৎখ্রো হাইদুনা কন্না হাইজবা ফাওবা চৎলু য়াখিদে, নখোইনা লোক-অপতা লৈরগা ঐনা করম্না থাদোক্কুনা চৎকনি হাইনা অসুমক লৈখি। তশেংনমক নুমিৎতুদা ঐগী মরূপশিংগী নুংশি পুকচেল অদু ময়েক লানা উবা ঙমখি। ঐখোই ফাজিনখ্রে হাইবা পাউসি ফেসবুক অমদি ৰাটসআপনচিংবা সোসিয়েল মেডীয়াদা খুদক্তা চাইথোকখিবদগী পাও ফংবগা গুজরাটতা কলেজগী স্টদি টুর অমা য়াওবা চৎখিবা ঐখোইগী ফিনান্স সেক্রেটারী ৰাহেংবম মধুসুদননা তত্তনা পাও লৌরকখি। লোক-অপ মনুংদা তরক-তরক লৈরমখিবদু ঐগী য়ুমগী অহনশিং অমদি ঐখোইগী আমসুগী ইমুং-মনুংনা পাম্বোম তিংনা লেপ্লরবদা থম্মোইদা ফাওখিবা নুঙাইবদুমসু ঙসিদি ঐগী কলমসিনা নাথৈদুনা থমলম্বা ঙমদে।

আমসুগা মৈরা পাইবীগীদি মমা-মচানি। অদুনা মমানা হাইবদা মচানা তেংবাংগদবনি। মচানা ৰাবদা মমানা পাম্বোম তিংগদবনি। ৰাহৈ পরেং অসি ঐনা আমসু য়াওরকপদগী অসুমক তাদুনতা লাকখি। অদুবু ৰাহৈপরেং ‘সিমক অচুম্বনি হাইবসি নুমিতুদা খংবা ঙমখি। অম্পালগী প্রেসিদেন্ট ইমা লিলি, ইমা বেণী মিশ্রনচিংবা ইমাশিংনা ঐখোই উন্নবা চংলকখি। পুলিশ কোনস্টেবল অমনা ইয়াম্বা হেরাজিৎতা ওনশিন্দুনা ‘হেরাজিৎ নখোইগী নমা লাকলি’ হাইরকখি। য়েংথোকলুবদা ইমাশিং অসি ওইরমখি। নুংশা-থিরুগনু, থাদোকনবা ময়াম্না কন্না হোৎনরি হাইদুনা পুকমেন পাওমেনবিরমখি। মমা অমা ওইনা মচা ঐখোইগী দমক পাম্বোম তিংলবদু উবদা ঐ তশেংনা মীত্তগী পি তাখিবা খংহৌদে। পুকনিংসু ঙৈহাক্তি ইনৌ নৌথখি।

নুমিদাংদু তোঙান-তোঙানবা লুপশিংগী লুচিংবশিংনসু ফিভম য়েংশিনবা লাকখি। ওঝা ৱাংখেম শরত, ওঝা খাইদেম কান্ত অমদি ওঝা মধু, ইয়াম্বা কবি অব্দুল হামিদ, ই. দিনমনি, আমসুগী এক্স ফাইনান্স সেক্রেটারী তা নোবিন, ওঝা সমসুল হুদ্দানচিংবা। মসিগীসু মথক্তা শিলচরদগী ওঝা সাইখোম কমলাকান্ত, ওঝা কে. এন. চান্দ, ওঝা খাইদেম অমল, ওঝা সৌগাইজম শুভঙ্করনচিংবনা মতমদুগী ইটখোলাদা লৈরম্বা কোকপিনগী ওফিসতা নুমিদাং থেংল ফাওবদা ফমদুনা থৌদোকসিগী মতাংদা ৱাতান্নখিবতা নত্তনা তৎতনা পাউ হংলকখিবগীদমক ওঝাশিংসিবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ঐখোইবু ফাজিনখিবসিনা মরম ওইরগা মরি লৈনবা মথক থোংবা লোইশংদগী অথুবা মতমদা থাদোকখিনবা শাফু লাকখিবনা পুলিশশিং থৌচিল্লি। অহিংদু শিলচরদগী আমসুগী এক্স জে:সে: ইয়াম্বা বিকাশ, সত্যজিৎনচিংবসু থুংলখি। ঐখোইবু উন্নবগী তাঞ্জাদি মতম থেংজিনলকপনা পিবিখিদে হাই। আমসু সেন্ট্রেলগী মীওইশিংনা থানাগী মপান্দা চরু মৈ তিক্তুনা অহিং মীৎশেল খাংলিবদুদা ইয়াম্বাশিংসু য়াওশিনখি হাই। ওঝা খাইদেম কান্তসু নিংথমগী লৈচিল কিরুবা লৈতনা মখোইগী মরক্তুদা য়াওশিনখি হাই।

অসোমদা, ঐখোই অহুমসু লক্ষ্মিপুরগী লোক-অপতা লৈরম্বা মোতাই চুদাইনরবা ঙবোং ফি খরদু শুপচিন্দুনা নিংথমগী অইংবা খাংখি। অহাংবা ঈশিংগী বোটলনা মোনখাংনদুনা খোমলেন মিৎকপ তান্নবা হোনখি। অহিংদু ঙৈহাক্তী তুমখুন তানখিবা মাল্লি। মিৎকপ থোরকপদা নুংশাগী মঙালনা থানাগী কানুংদা ফাওজিলকখিবা উবা ফংখি। থানাগী মীওইশিং ইরাং লাংনা উই। 'মথক্তগী শাফু লাকলে, থাদোক্তবা য়ারোইদৌরি' হাইদুনা মীতৈ পাঙ্গল কোনস্টেবল অমনা ফিংনা চেনশিলকখি, তুংদা ওসিসু চংলকখি। লোক-অপতগী ঐখোইবু লৌথোকপিখি, ওফিসতা থারিবা চৌকিদা ফমহনবিখি। মহাকসু 'অল আসাম স্টুদেন্টস য়ুনিয়ন' (আসু) দা য়াওরম্মী হাইবা ৱাহৈ ফোংদোকলদুনা স্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী সেন্টিমেন্ট শাগৎনবা হোৎনরকখি। খোইথুমলবা ৱাহৈ শিজিন্নদুনা ঙরাং অয়ুক্তা অথিবা ৱাহৈনা চৈ-থাংখিবা খুদিংমক্তু তিনখা লৈখা তাবিদনবা অমদি ঙাকপিনবা হাইরকখি।

মখাতানা তৌফম থোকপা প্রসিদিউর খুদিংমক তৌখি। অসুন্না প্রসিদিয়র খুদিংমক লোইশিল্লবা মতুংদা ওঝা ডাঃ খাইদেম নন্দবাবুনা বেলর ওইবীদুনা জানুৱারী তাং ৬, ইং ২০১৬ অয়ুক্কী পুং ১০গী অদুৱাইদা ঐখোই অহুম লক্ষ্মিপুর থানাদগী থোরকখি। থানাগী মপান্দা লৈরম্বা আমসু অমদি মৈরা পাইবীগী থৌপুবশিংনা ঐখোই অহুমদা লৈ পরেং হুকপিদুনা তরান্না ওকখি। মশিং য়াম্লবা মীওইশিং অদুনা আমসুগী শেংথোইরবা স্লোগান লাওখি। ঐখোইগী স্লোগাননা লক্ষিপুরগী অতিয়া মকোই থুংনা নিনখি।

নুমিৎ অদুগী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা কছাড়গী সুপারেনতেনদেন্ট ওফ পুলিশ (এস.পি.) শ্রী রাজভির সিংগা মহাক্কী ওফিস রুমদা ফাজিল্লুবা ঐখোই অহুমগা উন্ননবা হায়রকখি। করিগীসু উনিংলমলোই মশিং লীকচরবা মণিপুরী জাতিগী মীওই অহুমখক লোক-অপ চংবগীদমক দিসপুর ফাওবদগী শাফু পিরকখিবদুনা শোয়দনমক্কী আমসু হায়বসি করিনো খঙনিংলমগনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা নুংথিলদা রোংপুর মদুরগ্রামগী 'মৈরা শংলেন্দা' পাওমীশীংগা উন্নবগী মীফম অমা পাংথোকখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা পাও শনদোকপিখিবগীদমক শিলচর অমদি ইম্ফালগী ইলেক্ট্রনিক্স অমদি প্রিন্ট মেদিয়াগী ইচিন-ইনাও খুদিংবুসু ৱারেং অসিগী খুথাংদা থাগৎপা ফোংদোকচরি।

ইহৌ অসিগী মহৈ ওইনা জানুৱারী চৈথা ২৮, ২০১৬দা জোগায় মথুরা হায়র সেকেণ্ডারী স্কুল, সিঙ্গেরবন্দ হাইস্কুল, অমদি ললাং মণিপুরী হাইস্কুল দা রি-একজাম থাখি। মণিপুরী লোন য়াওহনখি। স্কুল অহুমক্তা মণিপুরী মচানা মকোক থোংখি। মণিপুরী মচানা জুনিয়র এসিসটেন্টগী ফম পাইরগনি হাইবগী তাংদাংবা খংখি। মসিমক আমসুনা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুগী মাইপাকপনি লৌজে। ৱাজমন মহৈ য়ানখি।

Long Live AAMSU– AAMSU না য়ায়ফরে।

# MANIPUR DA MAYAI KABA NISA GI CHEITHENG

**Geetchandra Mangang**
*Secretary General, CADA Manipur*

**Wahoudok**

Matam kayagi mamangdagi South East Asia da maning makha tamna leijaramba masak leibak amagi manungda Manipur su amani. Chahi lising ani henbagi puwari da Ningthourol kayana ngak-senduna masek-mangal thokna leijaramba leibak ama oina isagi phurup, nat, chatnabi, lon, iyek, chinjaki oiba chatna kanglon leijarak-e. Masimaknasu Manipur bu malemgi thakta meeyamna sakhangnaba oiribani. Asigumba lemjaningai oiraba chatna-lonchat sing asi 1949 gi October 15 da India da tinkhraba matungdagi nongma-nongmagi sokchilaktuna matam adugi chatnaramba mawong matou sing adugi taionabada lakhi. Masigi manungda khwaidagi chaoraba maram ama oiriba asi Mayai kaba nisa haiba asini. Mayai kaba nisa ama oina Yoo asi Manipurgi mapham kayada paktaknana sijinnarakhi. Yoo sijinnabagi chang asum henjillaktuna misi-mina, ana-ayek, khatna-cheinaba nachingba thoudok wathok kaya thoklakpadagi matam adugi ima-ibel singna hounaruba naidana Yoo thingbagi khongjang "Nisaband" hourakhi. Matam adugi Nisaband imasingna Yoo thakpa, yonba singbu maru kokpa, leikai/khundagi tanthokpa nachingba cheirak kaya pibadagi yoo sijinnabagi chang asi khanghan-hantharakhi. Amaromdana Lamdam asida meehat mipul kaya chathabada achouba thouna oiriba tamthiraba ain Arm Forces (Special Powers) Act,1958 asi 1980 da Manipur da chalairakpadagi meehat-mipul, nupi angang gi izat temsingnarakpa nachingba kaya chatharakpadagi Nisaband imasing aduna khangba ngamlaktaduna khutta meira paiduna khun/leikai ngaksellakhi. Madudagi "Meira Paibi" gi ihou lakhi. Meira paibigi ihou kankhatlakpana nisa thinba adusu lepkhre. Asomdana Yoo khatktamak nisa oina lounarambadu No.4, Kani nachingba akanba mayai kaba nisa sing Manipur da sijinnaba hourakhi.

Manipurda khwaidagi yamna marang kaina sijinnariba mayai kaba makhal singdi :

Tobacco products - Paan and Cigarettes, Ganja (Marijuana)/Cannabis, Alcohol, Opium, Spasmo Proxivon (SP)-sympathetic pain reliever capsule, Amphetamine-type stimulants (ATS), Codeine cough syrup, Ephedrine, Brown sugar, Crystal Methamphetamine ('ice', ice drug), Heroin powder, World is Yours (Methamphetamine), Nitazepam, Nitrosum 10 (N10), Valium nachingbani.

**Drug Abuse & Trafficking Routes**

Manipur na Golden Triangle (Myanmar, Thailand and Laos) ga naknarubagi mahei oina Ministry of Social Justice and Empowerment, Government of India na phongba "Magnitude of Substance Use in India 2019" report ki matung inna Opium sijinnabada 5th highest prevalence state (4% of population of 10-75 years), Sedatives Drugs sijinnabada 3rd highest prevalence state (1.43% of population of 10-75yrs), Yoo sijinnabada 8th highest prevalence state (22.4% of population under 10-75 years), Ganja sijinnabada 10th highest

prevalence state (2.8% of population under 10-75 years) amadi Inhalant Drugs (Dendrite, Kores etc.) 8th highest prevalence state (0.65% of children under 10-17 years) oiri. Drug tagi Manipur kalhounaba BJP na luchingba Government asina 2018 dagi "War on Drugs" changsilli amadi The Manipur State Policy on Psychoactive Drugs Substances 2019 semduna angamba thakta hotnari. Adubu Drug ki problem asi hantharabra haibadi hanthahanba ngamdri.

Manipur da Drug abuse ki khwaidagi chaoba problem asi "Easily available" oiba asini. Masigi maru oiba maramdi Drug pusillakliba lambel sing asini. Lambel sing adudi:

1. Tamu (Myanmar) – Moreh – Imphal
2. Imphal to Kohima/Dimapur - Guwahati
3. Imphal to Jiribam - Silchar (Assam)
4. Molnoi/Tahan (Myanmar) – Kamjong – Imphal
5. Hinekyan/Chikha (Myanmar) – Behiang (Manipur) – Churchandpur – Imphal
6. Somrah (Myanmar)–Tusom (Manipur) – Kharasom - Jessami – Kohima (Nagaland)
7. Bokan (Myanmar) – Molcham – Sugnu – Imphal
8. Khampat (Myanmar) – New Somtal – Sugnu – Churachandpur – Imphal
9. Air and Postal routes.

**Poppy Cultivation**

Chahi 10/20 asida Manipur gi chinggi mapham agi chinggi mapham ayambada Poppy pambi pak-sanna tharakpa asida maming leiraba Golden Triangle (Myanmar, Thailand and Laos) asi lamdam asida oina shift touraklabra haibasi aranba oiraktre. Manipur ga yumthangnariba Myanmar asi Opium puthokpada malemda khwaidagi mangjil thariba malemgi leibak ni. 2021 dagi Myanmar asi Military leingakna lousinkhraba matungdagi leibak aduda hanna Poppy cultivation amadi Methamphetamine (Meth) drug sing asi khara makheidi laksinkhre. Amaromda Poppy khwaidagi puthokliba Golden Crescent (Afghanistan, Iran and Pakistan) ki Afghanistan da Taliban singna Poppy cultivation gi akanba athingba leikhibadagi kharasu saphakhre. Aduga Manipur asi Poppy cultivation gi khwaidagi mapham chaba ama oire. Maramdi Manipur chinggi manung hanjinba mapham singda leingakki Administration mami taba yamna watli. Mamangeidagi Poppy pambidagi sungdoklaba Opium (kani) asi Myanmar da amuk thajinduna Heroin No. 4 sunglambani. Adubu 2018 dagi state force na Manipur gi tampakki mapham kharadi Local Heroin Laboratory leiramba thengarakhi. Haibadi, Myanmar da chatludrabasu Manipur gi tampakki mapham kharada Drug ki Lab leire, Heroin sungba houre. Manipur da sungliba Heroin asi International standard youdrabasu adumak sijinnaba yaba amadi economy oiba Drug makhal ama oire. Tampak khak nattana Ching gi mapham singdasu Local Drug Lab sing masing hen-gatlakle. Poppy thariba mapham singda Drone sijinnaduna herbicides chaithoknaba Manipur Government na changyeng toukhre adubu thabak adu makhadi chathakhidre. Manipur leingakki meikeidagi Poppy thariba Village Chief sing punna wasakminnaduna yengkhre, Poppy gi mahut sinnaba attoppa crops kayasu yenthoktuna yengkhre, Village Chief kayasu phagatkhre. Poppy cultivation leppadi ngamdri, matang asida Poppy Cultivation khaki oiba tung-koina chatnagadaba strategy amadi mathou tari.

**Manipur Violence**

Manipur da thokliba conflict asigi hourakphamdi Meitei-Kuki, Narco-economy, National Security amadi International Military Strategy ni haibada haimanba thokloi.

State Government na "War on Drugs" changsillakpa asida Poppy tharamba amadi

Drug puthok-pusin touba meeyoi kaya phagatkhre. Adubu Drug lords amadi Kingpin singdi phaba ngamdabana leingak asina changsilliba War on Drugs asi mai-ipak paktabagum touri. 31-3-23, Chief Minister N. Biren na Press Meet ta phongdokhibada 2017-2022 phaoba 14,359 acres ki Poppy pambi sing state forces na yanthatkhre. Hairiba asi maru oina chinggi Districts singdani. Leingakna loukhatliba action sing asina poppy cultivation touduna sel chaona-chaona talliba Kuki-Zo-Chin tribe kangbu di mei houna leingak asida saobani. July 2022, Congress MLA Kangujam Ranjit na Manipur Legislative Assembly floor da puthoktuna Illegal drug trade ta chennaba meeyoi sing capital punishment natraga life imprisonment pinaba akanba law ama semsi haiduna pukhatkhi. Abudi sembadi semkhide. May 3, 2023 dagi akanba lanpham amagi masak ollaba Manipur asida Meitei amadi Kuki phurup ki meeyoi 300 henna leikhidre, kaya amana asok apan nangkhre. Khul kaya ut-onkhre, meeyoi kaya ama lanjennaduna Relief Camp singda seidangpham louduna hingli. Houjiksu lan asi leppa leitri.

**Manipur gi naharol sing**

Drug abuse amadi Yoo addiction gi problem asi Manipur gi naharol singgi khawaidagi challenging oiba problem amani. Drug amadi Yoo dagi kan-ge haiba tarabadi mahei-masing matik chana heiraba naharol singbu leingak amadi lannai shang singda corruption yaodana thabak changhanba, leingakna piriba development scheme sing maram-chaba meeyoi da phanghanba, lairik-laishu da thawai yaobasing pukning thougatnaba thousil sinba, upai-leijadraba imung singda leingak na mateng piba, Drug free environment semgatpada leingak, local club, meira paibi singna thoudang louba mathou tai. Manipur gi naharol singna Drug sijinnabagi maram ateisu lei. Kharadang haijarabada, Manipur-India conflict asisu yamna maru oiba amani. Inkhatlakpa maheiroi oiringeidagi masagi career da focus touduna achangba meeyoi ama oinaba hotnajariba meeyoi kaya ama Fake encounter da punshi lomkhi. Imung 1500 henna fake encounter da victim oiri. Armed Forces (Special Powers) Act, 1958 ki marumda siphai singna phaningba meeyoi phaba, hatningba meeyoi hatpa kaya ama leppa leitana chatharakhre. Lalhouba namthabagi namada nupa haiba kanglup ta otkhiba-neikhiba kaya ngasisu cheitheng phangli. Nupi oibi kayabu namja namtheknakhiba sing amata kaonadri. Phibam asi pangal thokna leingakpa amadi siphai singda karisu haijaba ngamjadraba tollaba meeyam ama Drug amadi Yoo gi ipakta taoduna ningba kaina hingba kayasu leiri. Amaromda supham nompham leitraba naha kaya ama Diploma, Degree certificates kaya pairagasu sel pidaba thabak changba haibasi aruba ama oirakli. Ningba kairaba naha kaya amana Drug amadi Yoo gi mateng louduna punshibu tapna-tapna manghalli. Drug ki ipakta takhraba naha kaya amana masana-masabu kanano haiba kaothokhiduna mareibak maramdam di lairadana masagi imungdaphao kangkha-thang oirakpa asi taraina louba chumloi. Pikhraba eramdam Manipur gi naha kaya amana malem amadi India gi thakta pangthokpa Sports Competition singda achouba phida kanduna lakli. Adubu Drug amadi Yoo da addict oiraba naharol sing asina asum masing henjillaklagadi Manipur bu meeyamna sak-sonnaribasi toukhigadra? Hamchat hamboinaraba meeyoi sing asina yumbi oiralabada Manipur gi tunglamchat kadaidano?

**Waroisin**

Drug na phibam soklaba Manipur asi kannaba hotnabada Manipur Government ki pukchel sengba yamna mathou tai. Drug amadi Yoo thingnaba leiriba Act/Law/Policy sing mapung phana chatnahannaba hotnaba tangai

phade. Tangai phadrabadi state ki oiba akanba Act/Law sing semduna Drug karbar touduna meeyambu manghalliba meeyoi sing akanba cheirak piba mathou tai. Drug phagatnaba leiriba Law enforcement agencies sing mathou ningthina/pukchel singna touhannaba leingakna hotnabigadabani. Manipur ga Myanmar ga samnariba International Border asi Fencing matik channa khaba mathou tai. India amadi Myanmar leibak anigi leinariba Free Movement Regime asi review touduna Integrated Check Post (ICP) amadi Land Custom Station (LCS) border area da ningthina mathou touhanba chang-e. Amadi Government khak nattana Civil Society Organisations, Religious Organisations, Clubs, Meira Paibi singnasu chungsinnaduna Comprehensive approach amada changsinba mathou tai. q

# মণিপুরী লোন

ডা. চিরোম রাজকেতন সিংহ

মণিপুর তোঙান তোঙানবা মশাগী নাৎ, শক্তম লৈজবা কাংলুপ মচা মচা কয়ানা খুন্দাবা চীং অমদি তম অনিনা শেম্বা অপীকপা ভারতকী অৰাং নোংপোক চিদাইদা লৈবা লৈবাক অমনি। হৌজিক্তি ভারতকী অপুনবা শক্তমগী মনুংদা লৈরিবা লমদম অসি হান্না মনিং তম্বা নিংথৌ পানবা য়ুমথংনরিবা লৈবাক কয়াগী মমাংদা হায়না হুন্না পাঞ্জরম্বা কাংলুপ অমা ওইজরমই। লমদম অসিগী মপুং ফাবা শংলবা পুৰারী লৈরকই। লাইবক ফবনা লাইরিক ময়েক লৈরকপনা অইবা পুৰারী কয়াগা লোয়ননা লমসিগী নাৎ লাইনিং লীচৎকী হৌরকফম তাকপা পুক্কে কয়া লৈশেম নুংশেম্বগী ৰারীনচিংবা লোয়ননা খোরিলোনগী ফজরবা পুক্কে কয়া লাচন্দুনা খূৎই লাইরিক ওইনা লৈরক্লি। চীং অমদি তমদা তোঙান তোঙানবা মান্নদবা ফুরুপ কাংলুপ কয়া খুন্দামিন্নবা অপুনবা ওইনা পাক চাওবা স্কোয়ার কিলোমিটর ২২,৩২৭ ওইরিবা, চাওরাক্লা ইং ২০১১ গী মীকোক থিবগী মতুংইন্না মীশিং ২৮,৫৫,৭৯৪ রোম ওইরিবা লমদম অসিগী লৈবাক্কী লোন (ওফিসিয়েল লেঙ্গৈইজ) অসি মৈতৈলোন নত্রগা মণিপুরী লোন অসিনা ওইরি। লোন অসি সিনো টিবেতিয়ান হায়বা কাংলুপ্তা চনবা য়াম্না লিরবা লোন কাংলুপ অমসু ওইরি। লোন অসি সিনো টিবেতিয়ান কাংলুপকী মনুং চনবা খ্বায়দগী চাওখৎপা লোল অমসু ওইরিবনি। অসিগুম্বা লোল অসি করন্না হৌরক চাওরকপগে হায়বসি লমদমসিগী পুৰারীগা তুনা য়েংদুনা শাগৎপা তাই। মসি অইবা পুৰারীদদি (হিস্টরি) থিবা ৰানা থোকই। অদুবু ঐখোয়গী লাইবক ফবনা অইবা খূৎই লাইরিক কয়া লৈরম্বা অসিনা খোঙ্গুল লীনবগী চাওরবা লীখুন অমদি ওইরি।

মণিপুর অসি চীং অমদি তমদা মান্নদবা মীওই কাংলুপ ৫০ রোম পুন্না খুন্দারি। মণিপুরনা ভারত্তা তিনবা মতমদা চীংমী কাংলুপ ২৯ সেদ্যুল ত্রাইব ওইনা শকখঙখি। মখোয়দুদি (১) আইমোল (২) অনাল (৩) আগামী, (৪) চিরু, (৫) চোথে, (৬) গাংতে, (৭) মার, (৮) কবুই, (৯) কাচা নাগা, (১০) কোইরাও, (১১) কোইরেং, (১২) কোম, (১৩) লমকাং, (১৪) মাও, (১৫) মরাম, (১৬) মরিং, (১৭) মীজো, (১৮) মোনশাং, (১৯) মোয়োন, (২০) পাইতে, (২১) পুরুম, (২২) রালতে, (২৩) সেমা, (২৪) সিমতে, (২৫) সানতে, (২৬) তাংখুল, (২৭) থাদৌ, (২৮) ভাইফে অমদি (২৯) জৌনি। মসিগী মতুংদা মথং মথং শেমদোকপা অমদি হাপচিল্লকপা ওইনা The constitution of India (scheduled tribes) order (Amendmend) Act. 2011 (No. 2 of 2012) dated 8th January 2012 কী মতুংইন্না নম্বর (৩০) পৌমাই, (৩১) তরাও, (৩২) খারম, (৩৩) এনি কুকি ত্রাইবস অমদি (৩৪) মাতে হাপচিল্লকই। মসিদা অমুক ৮ শুবদা লৈরীবা কবুই অসিদা ইনপুই অমদি রোংমৈ, ৯ শুবদা লৈরিবা কচা নাগা অসিদা লিয়াংমৈ অমদি জেমি, ১০ শুবদা লৈরিবা কোইয়াও অসিদা থাঙ্গাল অসিসু য়াওনা খঙনগনি হায়না পীরি। মসিগী মথক্তা মশাগী নাৎ, লোল তোঙাঞ্জবা শকখংবীনবা তাল্লিবা অপীকপা ফুরুপ খরসু লৈরি। মসিনা চীংমীশিংগী শরুকনি। তম্পাক্কী লমদম অসিদা মপুংদা খুন্দারিবা তম্মী ওইনা খঙনরিবা মৈতৈ/মীতৈ অসিসু তোঙান তোঙানবা কাংলুপ কয়ানা পুল্লগা শেমলকখিবগী পুৰারী থেংনৈ। মঙাং, লুৱাং, খুমন, নিংথৌজা, মোইরাং, অঙোম, শরাং লৈশাং (চেংলৈ), খাবা ঙানবা অসিগী মথক্তা হাওরোক কোম্থৌ, উরোক উশাই, থাংঙা কম্বোং, খুনফম ভাংচেং হৈরেম খুঞ্জান, হাওখা লোকখা, খেন্দে, চায়রেন, খুয়োন, শেলোই লংমাইনচিংবা কয়াগী মমিং ফংলি। মখোয়শিং অসি মতমগী মতুংইন্না অচৌ অচৌবা

মপাঙ্গল কনখলকপা কাংলুপ্তা পুনশনখিবা নত্রগা খুন হোংখিবনচিংবদগী তপ্না তপ্না মাংখি। মপুং ওইনা হৌজিক খঙনরিবা য়েক তরেৎ অসিদং লৈহৌই। শন্না খৃঃ ৩৩ শুবা চহী চাদগী নিংথৌজা শলাইগী নোংদা লাইরেন পাখংবনা ইম্ফাল কংলাদা পাল্লকপদগী অপুনবা লৈবাক অমা (ঙসিগী মণিপুর অসি) শেমগৎপা হৌরকই। নিংথৌজা শলাইগী পাখংবনা পানবা মতমদগী অঙোম, লুৱাং, খাবা ঙানবা, নিংথৌজা মরি অসি পুনবা হৌরকখি। মৈদিংঙু তাওথিংমাং (খৃঃ ২৬৩- ৩৬৩) গী মতমদা হাওখা লোকখা লোই চনবা, মৈদিংঙু থৱান থাবা (খৃঃ ১১৯৫-১২৩১) গী মতমদা হৈরেম খুঞ্জানশিংবু লাকশিন্দুনা খুমনদা তিনখিবগী ৱাফম থেংনরি। মৈদিংঙু নাউথিংখোং (খৃঃ ৬৬২-৭৬২) না মঙাংশিং লাকশিনখি। মৈদিংঙু নাউখম্বা (৪১২-৪২৮) সরাং লৈশাংথেম লাকশিনখি। খুমন কাংলুপসি মৈদিংঙু কোংয়াম্বগী মতম (খৃঃ ১৩২৪-৩৫) দা নিংথৌজাগী লৈঙাক মখাদা লৈখি। মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বা (খৃঃ ১৪৩২-১৪৬৭) গী মতমদা মোইরাং ইকোন কোন্না লৌশন্দুনা অপুনবা নিংথৌ অমগী মখাদা অপুনবা লৈবাক ওইনা লৈরকই। মসিগী মথক্তা চাকপা হায়না খঙনবা লোল অমদি মশাগী হৌরকফম পুৱারী লৈজবা তম্মী কাংলুপ অমসু লৈরি। মখোয়শি হান্না কংলাদা মনিং তন্না পাল্লম্বগী ৱারী লৈরি। নিংথৌ কাংবলোন কৌবা পুয়াদা মলিয়া ফম্বালচাগী মতমদা চকপা য়ুমদাই হায়না পল্লি। চকপশিং অসি নোংমাইজিং চীং সেকমাইনচিংবদা য়াম্না খুৎকল পাঙ্গলনা পাল্লম্বদগী মৈদিংঙু পাইখোম্বা (খৃঃ ১৬৬৬-১৬৯৭) গী মতমদা চকপশিংবু মপুং ফানা লাকশিন্দুনা থৌবাল কৈবুংদা খুন্দাহনখি মতুংদা মণিপুরগী তম্পাক অমদি চীংগা তাইনবা লমশিংদা চায়থোক্তুনা খুন্দাহনখি। লমদমসিগী ৱাংমদগীসু কাংলুপ কয়া চংশিল্লক্তুনা মণিপুরী ওইখিবগী ৱারীশিং লৈরি। মণিপুরগী মুসলিমশিং অসি মৈদিংঙু খাগেম্বা (খৃঃ ১৫৯৭-১৬৫২) গী মতমদা লমদমসিদা খুন্দাখি মখোয়বু মৈতৈ পাঙ্গল হায়না খঙনৈ। মখোয়গী মৈতৈগী ওইবা য়ুম্নাক লৈ। মণিপুরদা ভারত লোমদগী ব্রামহনশিং চংলকপা অসি কিয়াম্বা নিংথৌ (খৃঃ ১৪৬৭-১৫৩৮) গী মতমগীনা চুড়াচান্দ মহারাজগী মতম ফাওবনি। মখোয় লোইনমক মৈতৈগী ওইবা য়ুম্নাক লৈ। লাইনিংথৌ সনামহি লাৎলি, হিন্দুগী লাইশিংসু লাৎলি। মসিদা নত্তনা ফংলিবা খূৎই লাইরিকশিংদাময়াং তেখাউলোন, কালিসালোন, নোংপোক হারম, নোংচুপ হারমনচিংবা কয়াদগী লমদমসিদা মান্নদবা মতম কয়াদা তোঙান তোঙানবা মাইকৈদগী লাক্তুনা শক চু লোন তিন্নদবা কয়া খুন্দারকখিদুনা য়েলহৌমীশিংগা পুনশিন্নদুনা লৈখ্রে হায়বা খঙবা ঙমই।

ঙসি মণিপুরদা ঙাংলিবা মণিপুরী লোন অসি মপুংদা তম্পাক লমদা খুন্দারীবা অপুনবদা মৈতৈ হায়না খঙনরিবা মীশিং য়াম্বা কাংলুপ অসিগী লোন্না মপুং ওইরগা শাগৎলকখিবা লোননি। অদুনা মৈতৈলোন হায়নসু খঙনরকই। মৈতৈলোল কৌরবসু মৈতৈ খক্তগী লোন্দি নত্তে। চীংমী কয়াগী লোনসু য়াওরিবনি। তম্পাক লমদা তারল্লিবা কাংলুপশিং অসিসু লোন্দা মান্নদবা ময়াম অমা য়াওরিবনি খুদম খরা পীজরি। অন্দ্রোনা মৈবু ‘ৱাল’ কৌই। মৈতৈ বামোনগী লাইগী চাক থোংনবা শঙবু ৱালহৌশঙ কৌই। অর্থদা মৈ হৌনবা শঙ হায়বনি। অন্দ্রোনা লাকও হায়না কৌবসি তোই/তোয় মৈতৈশিংনসু লাকও কৌবদা তোয় হায়বসি শিজিন্নৈ। লামৈ থানবী তোয় তোয়... হায়দুনা লামৈথানবীবু কৌদুনা শান্নবগী ৱারীশিং লীনরি। খুমননা হি হোন্নবা নৌবু তাওতেক কৌই মোইরাংনা নৌ কৌনৈ। মৈতৈশিংনা পুন্না ফ্রেজ ওইনা তাওতেক-নৌ হায়না শীজিন্নৈ। হুয়েন খুঞ্জানশিংনা অৱাংববু অতাম্বা কৌই। মৈ হায়বা ৱাহৈসি পুরুম থাদৌ, মরিং, গাংতে, ভাইফে, জৌ, পাইতে, কোম, আইমোল, চোথে, কোইরেং, মার, কবুই, তরাও, পৌমাই, লমকাংনচিংবা চীংমীশিংনসু মান্ননা শীজিন্নৈ। মৈতৈনা মৈবু তোঙান তোঙানবা মমিং থম্মী। খাম্বী, মৈত্রেং, চাকমোম নচিংবসু শীজিন্নৈ। ঈশিংবু চীংমীশিংনা দুই, তুই, দী, য়ী নচিংবা কৌনৈ। মৈতৈনা ঈশিংনা মরি মরি চেহুখিববু তুরেন অদুম কৌই। ‘তু’ হায়বসি ঈশিংবু অদুমক খঙনরি, তু-খোং ঈশিং চেনবা খোংশিং খঙনরি। ফিবু পুরুম, চোথে, খারম, আইমোল, চিরু, গাংতে, মার, কোইরেং, কোম, মিজো, মোনশং, পাইতে, শিমত, শুকতে, ভাইফৈ, জৌ, তরাওনচিংবনা পোন কৌনৈ। মৈতৈনা ফি অথাববু পোনথা কৌই। (পোন-ফি, থা-অথাবা)। মৈতৈনসু কোকপু ‘লু’ হায়না

খঙনৈ, লু কোকপা, লুরেল, লুখা থাবানচিংবা ৱাহৈশিংদা পল্লিবা 'লু' গী ৱাহন্থোক অসি কোকপুনি। চীংমীশিংদা মরিং, আইমোল, খোইমু গাংতে, কোম, কোইরেং, চিরু, মার, তাংখুলনচিংবসু কোকপু লু হায়রগা খংনরকই। কোম হায়বা কাংলুপ অসিগী ৱাহন পীবদা মকোক্তা কোকয়েৎ য়েৎপা কাংলুপ' লু কোম হায়না খঙনরি। মৈতৈশিংনা শীজিন্নরম্বা হৌজিক্তি শীজিন্নদ্রবা অরিবা লোন কয়া কুপ্না থিরবদি চীংমীশিংগা মান্নবা কয়াসু ফংগনি। হকচাংগী শরুকশিং মীৎ, নাকোং, নাতোন নচিংবগী শরুকসু মান্নবা কয়া য়াওরি খুদম ওইনা মীৎ অসি তাংখুল, ভাইফে, গাংতে, জৌ, পাইতে, কোইরেং, মার, তরাও, থাদৌ, লমকাং, পুরুম নচিংবসু অদুম মীৎ হায়নৈ। পীজরবসি খরদনি মণিপুরী চীং অমগী তমদা ঙাংনবা লোনগী মান্নবা কয়া অসিনা মণিপুরী লোন অসি মণিপুরগী চীংগী তম্মী অনিগী অপুনবা লোন অমনি হায়বদু তাকচরি।

অঙনবা মতমদগী মণিপুরী সাহিত্যদা ফংলিবা মৈতৈলোনগী মশক অসিদা তোপ তোপ্না উবা ফজবা অখন্নবা মশক অমনা পুংবা ওইবা ৱাহৈশিং অসিনি। খুদম ওইনা মলয়া-নুংশিৎ, লাইজ-ঈশিং, কোলোয়-মিং, য়েনখা-লুখা, শুমাং-থেলোং, মোংবা-ইরান, শঙ্গায়-য়ুমজাও, য়াংদৌ-লম্বী, কোরৌ-নুমিৎ, লোইদাম-থা, পোম্বী-চেক্লা, চহি-কুম, শিঙেন-লৈরাং, তাউজিং-হৈ, পামেল-উনচিংবা অসি অর্থ মান্নবা ৱাহৈ অনিগী পুংবানি। অসিগুম্বা অসি অরিবা সাহিত্যদা মশিং থিঙমদনা ফংই। মসি মণিপুরী লোনগী তোপ তোপ্পা সাহিত্যদা শিজিন্নরকপদা হেন্না ফজবা হায়দোকপদা নুঙাইবা ওইহল্লি। মৈতৈলোন্দা ৱাহৈ অমগী অর্থদি মান্নবা তোঙান তোঙানবা মশক কয়া লৈবা থেংনরি। নুমিৎ অসি মালং নামিবা, খমগোন, হুমোইবা, মলয়ানচিংবা খঙনরি। শন্না 'নুমিৎ কাপ্পা', 'ঔগ্রী' নচিংবদা নুমিৎকী মমিং কয়া থেংনরি, য়োয়ময়াই, তাউদনবা, তাউরোইনাই, অঙানবা, থবী, শেনকোইরেং, অপানবা, চরংশেন, খোইবুংশেন হায়নবনচিংবা। অসিগুম্বা অসি মৈতৈলোনগী ইনাক খুনবা মশক অদুনি হায়না লৌরবসু য়াই। নাকল অমরোমদা অমুক লমদমসি তোঙান তোঙানবা মশাগী লোন চৎনবী লৈজবা কাংলুপ কয়ানা চহী লিশিং খরা চংনা শাগৎলকখিবনি হায়বসি মথক্তা থমজখ্রে। মপুং ওইনা পুনশল্লকপদগী অহানবা তাঙ্কক অসি ইম্ফাল কংলাদা পানখিবা নিংথৌজা শলাইগী নোংদা লাইরেন পাখংবনা পানবদগীনি, মদু খৃঃ ৩৩ দগীনি হায়বসি থমজখ্রে। ময়ায় ওইরিবা ইম্ফাল অসিনা ময়োল ওইরগা খা, অৱাং, নোংপোক, নোংচুপ্তা তারম্বা চীং অমদি তমগী কাংলুপ কয়া চহী কয়া চঙনা পুল্লকখিবনি। খাগা অৱাংগা লোল ফাওন্নদ্রবসু ময়ায় ওইরিবা ইম্ফাল কোনুংগদি খা অৱাং নোংপোক নোংচুপ লোইননা ফাওনরকপনা ময়ায়দা লৈরিবা লোন অসিনা ফাওনলোন ওইনা তপ্না তপ্না চাওখৎলক্কুনা ঙসিগী থাক অসি য়ৌরকপনি হায়বা লালোই। কাংলুপ কয়াগী লোনথৈশিং অসিগা ময়ায় ওইবা ইম্ফালদা ঙাংনরিবা লোনগা পুল্লগা অপুনবা লোন অমা অমদি অপুনবা লৈবাক অমা শেমগৎলকপনি। অদুনা অমগা অমগা খঙন্নবা লোন অনিগী পুংবা অসি শেম্বা ওইখিবসু য়াই। খুদম ওইনা মোইরাংনা নৌ খুমন্না তাওতেক হায়নবসি ইম্ফালদা তাওতেক-নৌ হায়না পুন্না হায়রি। মসিনা খুমন্নসু মোইরাংনসু লায়না খঙবা ঙম্মী।

মওং অসি লমশিদা হিন্দু লাইনিং চংলকপা মতমদা ইরকপা খূৎই লাইরিকশিংদসু থেংনৈ। বেঙ্গলি সংস্কৃট ৱাহে অমগা মৈতৈ ৱাহে অমনা পুন্না হায়মিন্নবা থেংনরি। খুদম ওইনা ঈশ্বর-মপুরেল, নয়ন-মিৎস্না, চন্দ্রিকা-ৱাহোং, কুরঙ্গ-শজি, বানর-য়োং, রাজা-নিংথৌ, সৈত্য-অচুম্বা, নির-শংবানবা, জ্যোতী-মঙাল হায়বনচিংবা লাইগী মমিংদা লাইরিক্কী লাইরেমনা শৈথারকপদা য়োয়বু সরস্বতী লাইরিক লৈমা শীংচাখোনবী সরস্বতী লাইরেমা হায়না মৈতৈ অমদি হিন্দু অনীগী পুন্না শৈথারকপা থেংনরি। মৈতৈনা লাইরিক লৈমা শীংচাখোনবী হুম্বু নারেংশুবী খোইয়ম য়েকতম হৈবী হায়না খঙনরকই। হিন্দুগীনা সরস্বতী হায়না খঙনরি।

হিন্দু লাইনিং লাকত্রিঙৈ মতমদা লমদমসিগী অপুনবা মশক লোন্না, ময়েক্লচিংবা মশাগী ওইবা অরেপ্পা অমা লৈজরক্লে। মৈদিংঙু চরাইরোংবা (খৃঃ ১৬৯৭-১৭০৯) গী মতমদা অপুনবা পোইরে লমদম অমা শেম্বা লোইরে হায়বসি 'লৈরোন' কৌবা লাইরিক্তগী খঙবা ঙম্মী। লৈরোন অসি খূৎই ওইনা থল্লম্বা অহানবা অইবগী মমিং থাবা লাইরিকনি লৌনরিবনি। মসিদা—

'...নদাইরেম থাবা নিংথৌসুং নিংথৌ ১০ মা,
ৰাঙ্গোল থাবা নিংথৌসুং নিংথৌ ১০ মা,
লোকয়াই থাবা নিংথৌসুং নিংথৌ ১০ মা,
ৰাংমা থাবা নিংথৌসুং নিংথৌ ১০ মা,
থমং নিংথৌসু নিংথৌ ১০ মা,
নিংথৌ ১০/১০ মাগী মথক্তা ময়াই কোয়রেন তোংবা নিংথৌ,
... তুবী চরাইরোংবনা শেনবি তেখাও লৈগী

খুনলান লোইথা ফাবা নিংথৌরেন্না লেংলমশেনে। হায়না ইরি। মতাং অসিদা মৈদিংঙু চরাইরোংবগী মতিক মগুন থারকপদা খা, অৱাং, নোংপোক, নোংচুপ মায়কৈ পুম্বদা লৈরিবা নিংথৌ ১০/১০ গী মথক্তা লৈরবা নিংথৌনি তাক্লি। মতম অসি ফাওবদা শীজিন্নরিবা লোন অসি অইবা খূৎই লাইরিকশিংদগী ফংবদা কন্সোনেন্ট খোন্থোক ১৬ লোমদং মপুং ওইনা ফংই। মদুদি ক, খ, ঙ, চ, স, ত, থ, ন, প, ফ, ম, য়, র, ল, ৰ, হ নি। মসিদা 'র' অসি মরক্তা শীজিন্নবা ৰাহৈগী অহৌবদদি লৈবা ঙমদবা খোন্থোক ওই। করিগুম্বদা 'ল' গা মহূৎ শিন্নবা য়াবা ওই। হৌজিক্তি মণিপুর লৈঙাক্লা শকখংদুনা তম্নরিবা মীতৈ ময়েক অসিদা কনসোনেন্ট ২৪ লৈরি। মসিদা ১৫ না মপি ময়েক অদুগা ৯ না লোমথরকপা ময়েক ওইনা লৈরি। লোমথরকপা ময়েক ৯ (গ, ঝ, র, ব, জ, দ, ঘ, ধ, ভ) অসিনা মৈতৈলোনগী খোন্থোক্কী অহৌবদা লৈবা ঙমদে। মখোয়না হৌবা মৈতৈলোনগী ৰাহে লৈতে। জগোই হায়বসি 'জ' না হৌই। মসি থেংথরকপা মতমগীনি। হান্না অরিবদা 'চুকোই', 'চকোই' হায়বনচিংবা থেংনৈ। হৌজিক্তি জগোই হায়নরে। কনসোনেন্ট ৯ অসি শীজিন্নরমদবনা খোন্থোক্তা 'হায়দবরা' হায়বসি 'হায়তপলা' 'অদুনসু মদোমদে' হায়বসি অতুনসু মতোমতে হায়না ইবা থেংনরি। গঙ্গাবু কংকা, জয়দেবু চোয়তেপ, বঙ্গালবু পাংকল হায়না খোন্থোকই। কাং কুম্মৈদা জয়দেবগী ঈশৈ দশ অবতারনচিংবা শম্ভুনা জগোই শাবু মৈতৈনা 'চোয়তেপ চোংবা' হায়নরিবসিনি।

মণিপুরদা ব্রাহ্মনশিং য়াম্না ঙন্না চংলক্লবসু লোন্দা থোয়না অহোংবা পীবা ঙমখিদে। মণিপুরনা হিন্দু লাইনিং লৌরকপা মতমদগী লোন্দা অহোংবা লাকপা হৌই। হিন্দু লাইনিং অসি চরাইরোংবা নিংথৌনা অহানবা ওইনা কৃষ্ণ নিংবা লাইনিং শাক্ত ধর্ম্ম অসি জগনাথ ক্ষেত্রদগী লাকপা ব্রাহ্মন বনমালিদগী লৌন্নবা শেম শাখি। মরমসিনা মহাক্লা শ্রীকৃষ্ণগী লাইশং অমা চেকনা শাবা হৌই। মসি ইং ১৭০৭ কী কালেনগী ১৭ নি পানবা ইরাই নুমিৎনি হায়না চৈথারোল কুম্বাবদা পল্লি। লাইশং অসি চরাইরোংবনা হিংলিঙৈদা শাবা লোইখিদে, ইং ১৭০৯ গী ইঙেনগী ৭ নি পানবা নোংমাইজিংদা নোঙ্গাখি। মরমসিনা নিংথৌ অসিনা হিন্দু লাইনিং শন্দোকপা ঙল্লমদে। মচানুপা পামহৈবনা শাক্ত ধর্ম্মদা লাইমিং লৌদুনা মপাগী নিংবা থুংহন্নবা হোৎনখি।

ইং ১৭১৬ তা রামান্দি লাইনিং শন্দোকপা শান্তিদাস মণিপুরদা লাকখি পামহৈবনা লাইনিং অসিদা ইং ১৭১৭গী মেরা থাদা লাইমিং লৌখি। লৈবাক পুম্বা নমদুনা রামান্দি লৌহন্নবা হোৎনরকই। মসিদগী হিন্দুগী বেদ পুরান লাইনিং লিচৎকা মরি লৈনবা লাইরিকশিং মণিপুরীদা হন্দোকপা ইথোকপা হৌরকই। লোন্দা বেঙ্গলি, হিন্দি, সংস্কৃট য়ানশিনবা হৌরকই। ঐখোয়গী কলচরদা হিন্দু অমদি মৈতৈ অনীগী য়ানশিন্নবা কলচর অমগী চৎনবী শেম্লকই। ইমুংদা সনামহি লৈমরেল লাৎলবসু মপান্দা শুমাংদা তুলসি থাদুনা খুরুম্বা চৎনরকই। মৈতৈ কলচরদা হান্না শিজিন্নরমদবা মচাক কয়া চংশনখি। ম্যুজিক্তা ধুলক, ঝান, বাঁসি অচা অথক্তা ক্ষির, খেচি, পকৌরা, বোরানচিংবা কুম্মৈ ফিয়োংদা কাং, দুর্গা পুজা, য়াওশং, কৃষ্ণ জর্ম, থৌরানি জর্ম, স্বরসতি পুজা দেৱালী, গোভর্ধন পুজা, ঝুলোননচিংবা চংশিনখি। অসিগুম্বা খোন্থোকশিং চংশিনখিদুনা মৈতৈলোন ওইখি। মরমসিনা দেবনাগরি, বেঙ্গলিনচিংবদা লৈরিবা শ্বর অমদি বেঞ্জন খোন্থোক পুম্বা শীজিন্নরকপনা মদুগা মান্ননা মৈতৈ ময়েকসু শেম্লকই। মৈতৈশিংগী মরক্তা হিন্দু চৎলম্বশিংনা হিন্দু চত্তবা মীশিংবু অমাংবা অতোনবা চাওখত্তবা ওইনা লৌনরকপা শোক্লা শন্নবা মাংগনি খন্নবা চাকচা ফিদা পুনবা য়াদবগী চৎনবী ফাওবা য়ৌরকই। ৰা ঙাংবদা সংস্কৃট বেঙ্গলি থেত্রবদি চাওখত্তবা লৈবাক মচা তাদবা ওইরকই। ঈশিংবু-জল, চাকপু-প্রসাদি, চপবু পরিকর্মা, খুরুম্ববু দন্দবতনচিংবা ৰাহৈনা শিনখি। নিংথৌবু রাজা, মহারাজ, লৈমরেনবু মহারানি, নিংথৌ মচাবু রাজকুমার, রাজকুমারী, ৰাগোন নিংথৌবু যুবরাজ, মথং খনববু মন্ত্রিনচিংবনা মহূৎ শিনখি। হিন্দু লাইনিংদগী গৌরিয়া লাইনিং চংলকপদগী

হেন্না কনশিনখিদুনা ভক্তি, প্রেম, ভাবি, ভাবনা, শাধনা, অসিনচিংবা ৱাহৈ কয়া মৈতৈলোনগুম শীজিন্নখি। হৌজিক ফাওবা ভক্তি, প্রেমনচিংবা ৱাহৈশিংগী ৱাহন্থোক মৈতৈলোন্দা পীবদা ৱানা থোক্লি। গম্ভির সিংহ মহারাজগী মতমদগী মণিপুরদা বৃটিশকা হেন্ন নকশিনবা হৌরকই। চন্দ্রকৃতি মতমদদি ইংলিস স্কুল লিংখৎতুনা ৱেস্ত্রন এদুকেসন হৌরকই। ইং ১৮৯৫-৯৬ তা জোনষ্টোন স্কুল লিংখৎলি। ইং ১৮৯১ গী এপ্রিলদা বৃটিশকা মণিপুরগগী লান থোকখি। মণিপুর বৃটিশকী মখাদা লৈখি। মসিদগী মণিপুরদা ৱেস্ত্রন এদুকেসন চাওখৎলকই। ইংলিস অমদি বেঙ্গলি ওইনা মণিপুরগী স্কুলশিংদা তমখি। মৈতৈলোনগীদি তম্নবা তেক্স বুক অমদি তাকপীনবা ওজা লৈত্তবনা তম্নখিদে। মৈতৈ ময়েক মুৎলবরা হায়বদি নত্তে। মাইচৌ পণ্ডিতশিংগী মরন ওইনা লৈখি। ইং ১৯০৮ ফাওবা মৈতৈ ময়েক্না লাইরিকশিং ইখি। ইং ১৯০৬-০৭ কী মতমদা মণিপুরদা এল.পি. স্কুল ৬০ এম.ই. স্কুল ১ মণিপুরদা লৈরে। ইং ১৯০২-০৩ দগী এলপী স্কুলদা মৈতৈ লোন তম্নবা ষ্টেট দরবারনা হোৎনখি। মসিগীদমক বঙ্গালি তেক্স বুকশিং মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা হৌনরকই। স্কুলদা মৈতৈলোন তম্নগনি হায়বদগী চহিদু মহৈরোয় য়াম্না হন্থখি। চুরাচান্দ মহারাজনা ইং ১৯০৭ তা মণিপুর ষ্টেট দরবারগী প্রসিদেন্ট ওইরবা মতমদা মৈতৈলোন স্কুলদা তম্নবা হোৎনখি। মতমসিদা ক্লাস সভেন ফাওবা মণিপুরদা তম্বা য়ারে। ১৯০৯-১০ দগীদি মৈতৈলোন তম্বা হৌরে। বেঙ্গলি তেক্সবুকশিং মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা হৌরে তৌবতবু মৈতৈ ময়েক্কী মহুৎ বেঙ্গলি ময়েক্না শিনখ্রে। মসিগী মরুওইবা মরমদি মতমদুগী মৈতৈ ওজাশিং অসি কছার শিলেত লোমদগী চংলকপা হান্না ৱেস্ত্রন এদুকেসন ফংলবা মীওই ঙাক্তনি। মখোয়দি মৈতৈ ময়েক্তি হৈরমদে মসিনা মৈতৈ ময়েক শিথরক্লবগী অচৌবা মরম ওইখি। ইং ১৯১০ দা মণিপুরদা এদুকেসন দিপার্টমেন্ট লিংই। ইং ১৯১৪ দগীদি ক্লাস নাইন ফাওবা তম্বা য়াখি। ইং ১৯২৪ দগী মণিপুরী লোন অসি ভার্নকুলর সবজেক ওইনা মেত্রিক পারিক্ষা ফাওবদা থাবা য়ারে। মসি কলকতা য়ুনিভর্সিটিগী মখাদনি। ইং ১৯২৪- ২৫ গী মতমদা বনানগী কমিতি অমা শেমদুনা মৈতৈ লোনগী চৎনগদবা বনান অমা লেপ্পবা হোৎনরকখি। মে ৩০, ১৯২৫ ইংদা কমিতি অসিনা লেপ্পা বনান অদুনা চৎনরে হায়না থোকখি। রুলসু শেমখি। অনিশুবা লাঞ্জাওগী মৈশা ইম্ফালসু ফংখি। মে ১০, ১৯৪২ ইং ইম্ফালদা বোম তাখি। মহৈ লোইশং লোইনা লেপখি। জুন ৩০, ১৯৪৪ দগী স্কুল অমুক হাংদুনা তম্বা হৌখি।

ইং ১৯৪৬ তা ধনামঞ্জুরী কলেজ লিংখৎখি। ইং ১৯৪৭-৪৮ গী সেসনদগী তম্বা হৌখি। অহানবা ওইনা মহৈরোয় ৬০ মিং চনখি। মতমদুদা মণিপুরদা হাইস্কুল ৬, মিদল স্কুল ১৪ অদুগা প্রাইমারি স্কুল ২৭৮ লৈরে। মতুংদা ইম্ফাল কলেজ ১৯৫৩-৫৪, লো কলেজ ১৯৫৮-৫৯, লৈরে। মতমসিদদি গৌহাতি য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা অমুক লৈরে। ইং ১৯৫৮ গী এপ্রিল ১২ দা হান্না ইন্সপেক্টোরেত ওফিস কৌরম্বদগী দাইরেক্টোরেত ওফিস ওনখি। ইং ১৯৬২-৬৩ দা প্রাইভেৎ কলেজ ৫ মোর্দন কলেজ, থৌবাল কলেজ, ওরিয়েন্টেল কলেজ, মোইরাং কলেজ অমদি সেলমেত খৃষ্টান কলেজ লিংখৎখি। গৌহাতি য়ুনিভর্সিটিগী এফিলেসন ফংখি। ১৯৬৪-৬৫ ঘনপ্রিয়া ৱুমেন্ট কলেজ লিংখৎখি। চহী অসিদা মণিপুরদা জেএন য়ুনিভর্সিটিগী সেন্টর হাংদোক্তনা পোষ্ট গ্রেজয়েট তম্বা হৌরকই। ইং ১৯৭৫-৭৬ তা মণিপুরী লোন ওনর্স সবজেক্ট ওইনা দিএম কলেজদা হাংবা হৌই। লোইননা এনসিইআরটিনা প্রাইমারি থাক্কী তম্নবা সাইন্সকী লাইরিকশিং মণিপুরীদা ফোঙবা হৌই। মিডল ক্লাসতা তম্নবা সাইন্স তেক্সবুক মখল নিপাল মণিপুরীদা হন্দোক্তুনা ফোঙই মসিগী অচংবা পৈশা চাদা ৭৫ না এনসিইআরটিনা অদুগা চাদা ২৫ না ষ্টেটনা পুথোকপনি।

জুন ৫, ১৯৮০ দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি লিংখৎখি। মসি ইং ২০০৫ গী ওক্টোবর ১৩ দা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওনখি। জেএন য়ুনিভর্সিটি ওইরিঙৈদা মণিপুরী লেঙ্গুইজ অমদি লিতরেচরগী দিপার্টমেন্ট হাংখ্রবনি। লোইননা এমফিল, পিএচদি হাংবা হৌবনি। হৌজিক্তি মণিপুরী দিপার্টমেন্ট অমদি লিঙ্গুইজটিক দিপার্টমেন্ট তোঙান্নখে। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা নওনা আসাম য়ুনিভর্সিটিদা এমএ, এমফিল্ড, পিএচদি হাংদুনা তল্লি। ভারতকী অতৈ য়ুনিভর্সিটি খরদপু মণিপুরী তম্ফম লৈরে।

অসুন্না ৱেষ্টর্ন এদুকেসন শন্নরকপদগী মণিপুরী লোন

অসি ভারত পুম্বদা শক খঙনবা লোন ওইরকখি। নুঙাইরিবদি ৱেষ্টর্ন এদুকেসন শম্নরকপা বৃটিশ শম্নরকপনা মরম ওইরগা মণিপুরী লোন্দা ইংলিস লোনসু চংশিল্লকখি। লাইরিক লাইসু হৈজদবা অহলশিং ফাওবদা মচিন্দা চিনফা ওইনা অদুম শীজিন্নখি। ইংলিস, হিন্দিগী লোন কয়াসু মৈতৈলোন ওইনা ওন্থোক্লুনা শীজিন্নৈ। বিলাটিমাটিবু বিলামবাতি, থাও অঙাংবা (লাল তেল) না থানবা থাউমৈ 'লেমত্রন'বু লাতেন, বোটলদা থাও হাপ্লগা শেম্বা থাউমৈবু পোদোন (তশেংবদি বোতোন হায়না হায়বদগী মৈতৈনা 'ব' মহুৎ 'প' ওইনা হায়নখিবা) লোইনা মৈতৈ অহলশিংনা তোয়না শীজিন্নবা 'দেমকিয়ার' নচিংবা ।

হৌজিক্তি মণিপুরী লোনগী থাক অসি ৱাংলে। হয়ার ক্লাসতা পিঐচদি ফাওবা য়ৌরে। লোইননা লৈঙাক্কী খ্বাইদগী ৱাংবা পরিক্ষাশিং সিভিল সার্ভিসকী এক্সামনচিংবা মণিপুরী ওফসনেল পেপর ওইনা থাবা য়ারে। মণিপুরী লোল ভারত সংবিধানগী নিপালশুবা সেদ্যুলদা চনবা লোন ওইরে। ইং ১৯৯২ গী আগষ্ট ২০দা কোংকানি, মণিপুরী অমদি নেপালি লোন পুন্না চনখি।

মণিপুরী লোননা নিপাল সুবা সেদ্যুলদা চন্দ্রিঙৈদগী ইং ১৯৭৩ দগী ভারতকী সাহিত্য একাদেমিনা মৈতৈলোনগী সাহিত্য একাদেমি এৱার্ড পীবা হৌখ্রবনি। ঙসি ফাওবা লেপ্তনা পীরক্লি। (ইং ১৯৭৫ নত্তনা) অসিদা নত্তনা হৌজিক্তি অঙাংগী সাহিত্যগী বাল সাহিত্য পুরুসকার এৱার্ড, নহা অইবশিংগী ওইনা যুব পুরুসকার এৱার্ড হন্দোকপগী ত্রান্সলেসন এৱার্ডনচিংবা মৈতৈলোনগী সাহিত্যদা সাহিত্য একাদেমিনা পীরি। মসিগী মথক্তা ষ্টেট এৱার্দ সাহিত্যগী ওইবা লুপা লাক্ষ অহুমগী পীরি।

হৌজিক মণিপুরী লোন অসি ক্লাসিকেল লেঙ্গোয়জগী থাক্তা চংবদা মতিক চারবা লোন অমনি হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইরগা ভারতকী ক্লাসিকেল লেঙ্গোয়জগী থাক্তা চন্নবা কন্না হোৎনরি। পৃথিবীদা ঙাংলিবা লোন অসি চাওরাক্লা ৫০০০ গী মথক্তনি। মসিদা ময়েক লৈবা লোন্দি খরা খক্তনি। মৈতৈলোন্দি অরিবা ময়েক লৈবা লোননি। লোন কয়া ময়েক লৈতবদগী নৌনা শেম্বা, ইংলিস ময়েক লৌশন্দুনা ইবানচিংবা তৌরি। ঐখোয়গীনা ময়েক য়ামন্দুনা মরৈ য়েৎনদুনা লৈরি।

টিবেতো বর্মন লোনগী মনুংদা মণিপুরী লোন্না খ্বাইদগী চাওখৎপা ময়েক লৈবা লোন ওইরি। ভারতকী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদসু ময়েক লৈবসি মৈতৈলোনশিংদং ওইরি। অসামিদি বেঙ্গলীগা মান্নবা ময়েকনি। লোনসি ঙাংবা মী অৱাং নোংপোক ভারতকী ষ্টেট অয়াম্বদা মশিং য়ান্না খুন্দারি। মপুংদা অসাম মথংদা ত্রিপুরাদা মণিপুরী ঙাংবা মীওই লাক্ষ কয়া লৈরি। ভারতকী ৱাংমদা ম্যান্মার অমদি বঙ্গলাদেশতা খুন্দারি হৌজিক্তি য়ুরোপিয়ান মণিপুরী য়ুনিয়ননচিংবা শেমদুনা লৈখ্রে। মণিপুরী লোন অসি য়ুএস অমদি জপানিজশিংগী লোনগী সরভেদা তম্বা য়াবা চাওখৎপা লোন খরা খনগৎপদা মনুং চল্লি।

মণিপুরনা ভারত্তা তিন্দ্রিঙৈদগী মৈতৈলোন অসি রেদিওগী মতমদুগী বৃটিশ ইন্দিয়ানা শকখঙদনা শন্দোকপা হৌখি। ইং ১৯৩৮ গী দিসেম্বর ২৩ অমদি ২৯দা কলকতা রেদিও ষ্টেসন্দগী মণিপুরী প্রোগ্রাম শন্দোকখি। মণিপুরী লোন অসি মণিপুরী ষ্টেট অসিগী ওফিসিয়েল লেঙ্গোয়েজ ওইনা ইং ১৯৭৯ গী ওক্টোবর২৭ তগী চৎনবনি। তৌবতবু মসিদা definitions 2 (f) তা পল্লিবা "Manipuri Language" means Meiteilon written in Bengali Script and spoken by the majority as Manipur population হায়বসি হৌজিক্তি বেঙ্গলি স্কৃপ হায়বসি মণিপুরী স্কৃপ হায়না ওনবগী তঙাইফদবদু লৈরে। মসি ঐখোয়না হোৎনবা তাই। ৱাৎলিবা দেক্সনারি, ইন্সাইক্লোপেদিয়া, গ্রমারনচিংবা শেম্বগী তঙাই ফদবা কয়া ঐখোয় মণিপুরীশিংগী ইথৌ ওইরি। মীগীনা ময়েক লৈত্তবগী অৱাবা মাইয়োক্লরি। ঐখোয়গীনা ঐখোয় মশেল ঐগী ঐগী ময়েক পুথোক্লুনা য়েৎনবগী লোইবা লৈত্রি। ময়েক অমদি লোন অসি কাংলুপ অমগী শক্তমনি হায়বসি ঐখোয়না কাওফম থোক্তে। ঐখোয়গী লোনদি ঐখোয়না চাওখৎনবা হোৎনগদবনি হায়বসি থমজরি। ❑

# মালেমগী ফম্বাক্তা মৈতৈ

ডা. হাওবিজম চলাম্বা মৈতৈ

চহী ২০০০ হেনবগী পুৱারী লৈজবা, খা নোংপোক এসিয়াদা মনীং মখা তন্না কনাগীসু মখা পোন্দনা লৈজরকপা লমদমনি মৈত্রবাক মণিপুর। ৩৩ এ. দি. দা কংলৈদা পানখিবা নোংদা লাইরেল পাখংবদগী হৌরগা ইং ১৯৪৭ তা মণিপুরনা ভারত্তা তিনখিবা মতমদা পানখিবা মৈদিংঙু বোধচন্দ্র ফাওবা মথং মথং মৈনা ৰাই তাংনা শম নিংথৌ ৭৬ না পান্দুনা মৈত্রবাক মণিপুরবু ঙাক শেল্লকপনি। মরক্তা মচিন-মনাওশিং, নুংশিনদবা, মমা তিন্নদবা মচিন মনাওশিংনা নিংথৌ খুভম মুন্নবা, কয়াসিনা মরম ওইরগা থেংখাং খরা মীখা পোনবদি য়াওখি। ইং ১৮১৯ দগী ১৮২৫ ফাওবা ঔৰাগী মখুত্তা, ইং ১৮৯১ দগী ১৯৪৭ ফাওবা বৃটিশকী মখাদা লৈরুরে। মসি নত্তনা শাংখ্রবা চহীচা কয়া অসি মনিং মখা তৌনা কনাগীসু মীখা পোন্দনা লৈজরকপনি। নোংদা লাইরেন পাখংবনা কংলৈদা পানদ্রিঙৈ খৃষ্টগী মমাংদসু নিংথৌ কয়ানা লৈবাক অসিদা পান্দুনা ঙাকলম্মী। নিংথৌ কাংবদগী হৌরগা মথঙ-মথঙ মোরিয়া ফম্বালচা, ককশুবা, তোনকোনবা, পিতিংকোই, লানবিচা, শোপাইবা, পুথিবা অসিনচিংবা কয়ানা লৈবাক অসি ঙাকলম্বনি। মসি পুন্নমক অরিবা পুয়া কয়াদা ময়েক শেংনা উবা ফংগনি। হৌজিক মৈতৈ হায়না লৈরিবসি কোন্না য়েক ময়ান্না মথং মথং অমত্তা ওইনা নিংথৌজা পুন্সিনখিদুনা ওইখিবা মশকনি। মঙাং, লুৱাং, খুমন, মোইরাং, অঙোম, খা-ঙানবা, সরাং-লৈশাংথেম হায়রিবা কাঙলুপশিং অসিনা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা খুন্দা-লৈতাদুনা, ঙমখৈ নাইনা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইনা লৈজরম্বা ঙাক্তনি। মসিগী মথক্তা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ মচাশিং মরুওইনা ফান্তেক, হৈরেম খুঞ্জান, লোকখা হাওখা অসিনচিংবা কয়া অমসু লৈরি। অঙোম শলাইনা খা-খোং মরু, নোংমাইজিং, খৃষ্টগী চহীচা হৌরমদাইদা য়াউরৈবী, পোং ইংখোলদা, অরোইবদা মৈতৈগা কংলাদা লৈমিন্নখি। অদুদগী অমুক কোম্থা, শঞ্জেনথোং, অঙোম লৈকাইদা লৈখি। খৃষ্টগী চহিচা লাকপদা চেংলৈ হায়না খঙনরিবা শরাং লৈশাংথেম হায়রিবা য়েক অসিনা কোম্থৌজম য়ুম্ফম, কোম্থৌজম, লৱাই অদুদগী নোংদা লাইরেনগী হেক মমাংদা কংলৈদা তারমই। অদুদগী লৈশাং হিদেন মপান্দা চোইনা তাখি। খুমনশিংনা কাংপোকপিদা লৈরম্লগা কোইরৈঙ্গৈদা মতম খরা লৈরমই। চিংখৈ, নোংহুম শঙ, কুমশঙ, পুমলেন পাৎকী ময়া, মংখু, থৌবান্দা মথঙ-মথঙ লৈরম্লগা খুমন লৈকোইপুঙ (ময়াং ইম্ফালদা) তাখি। লুৱাংনা কৌব্রুদগী হৌরক্কুনা মরুওইনা লুৱাং শঙবমদা, কেক্রু পাৎ, লাঙ্গোল, লুৱাংচীংদা লৈখি। খাবা কাঙবু অসিনা নোংমাইচিংদা মতম খরা পাল্লম্লবা মতুং অমুক কংলৈদা নোংদা লাইরেন পাখংবগী মমাংদা পাল্লম্মী। ঙানবা শলাইগী লৈখারোমদগী কারক্লগা মোইরাংদা মতম খরা লৈরম্মী। চিংখৈ, নোংহুম শঙ, কুমশঙ, পুমলেন পাকী ময়া, মংখু, থৌবান্দা মথঙ-মথঙ লৈরম্লগা খুমন লৈকোইপুঙ (ময়াং ইম্ফালদা) তাখি। লুৱাংনা কৌব্রুদগী হৌরক্কুনা মরুওইনা লুৱাং শঙবদা, কেক্রুপাৎ, লাঙ্গোল, লুৱাংচীংদা লৈখি। খাবা কাঙবু অসিনা নোংমাইচিংদা মতম খরা পাল্লম্লবা মতুং অমুক কংলৈদা নোংদা লাইরেন পাখংবগী মমাংদা পাল্লম্মী। ঙানবা শলাইগী লৈখারোমদগী কারক্লগা মোইরাংদা মতম খরা লৈরম্মী। অদুদগী মথঙ-মথঙ নোংমাইচিং, সংলাংমৈদসু তারমই। মোইরাংনা নোংমাইচিংদগী হৌরক্লগা কোঙাপাৎ মনাক্তা লৈরম্লগা থাংজিং চীংদা পানখি। মঙাংশিংনা লোইজিং ফোওইচিংদা পাল্লম্মী।

অদুগা ফুরুপ মচাশিং মরুওইনা ফান্তেকনা লম্মাংদোংদা, হৈরেম খুঞ্জাননা ককচিংগী হৈরেদ কেরেচীংদা, লোকখা হাওখানা শুগ্নু অশ্বাইদা খুন্দারম্মী।

অসুন্না তোঙান তোঙানবা মফমদা খুন্দারম্বা য়েক শলাইশিং অসিনা পুৰারীগী মতাং কয়াদা তাংকক নাইনা মৈতৈ নত্রগা নিংথৌজা পুন্নমক তিনশিনখিদুনা ঙসিদি পুন্না মৈতৈ হায়না খঙনখি। অসুন্না চহী ১৫০০ রোম চঙনা শাগলকখিবা লৈবাক অসি মতম মতমগী পাল্লম্বা নিংথৌশিংনা থৰাইদগী হেন্না লমশিবু পাম্মুনা ঙাক্লুম্বতা নত্তনা মতম মতমগী ওইনা থঙনরিবা নত্রগা অকোয়বদা লৈরিবা লমদমশিংবু লান্দাদুনা খুদুম চল্লগা ঐখোয়গী লম ওইরম্মী। হৌজিক ওইরিবা পাক চাউবা ২২,৩২৭ স্কার কি মি অসিদগী য়ান্না হেন্না পাক চাউরম্বগী মশক অরিবা লাইরিক অমদি চহী ৫৬ লোয় চল্লম্বা বৃটিশকী ওফিসারশিংনা ইরম্বা লাইরিকশিংদগী খঙবা ঙম্মী। মণিপুরগী লম অসি মতম অমদা নোংপোক্তা নিংথি তুরেলদগী নোংপোক লমদা নুমিৎ হুমনি মরিনিগী লম ফাওবা শন্দোকই অদুগা নোংচুপতা কাছাড় তম্পাক ফাওবনি হায়না কেপ্তেন পেম্বরতন্না ফোঙদোক্লম্মী-

> The territories of Maneepoor have fluctuated at various times with the fortunes of their princes, frequently extending for three or four day's journey east beyond the Ningthee or Khyendwen river and west to the places of Cachar.
>
> (Eastern Frontier of British India, 1835)

মথক্কী ৰাফমশি কয়ামুক চুম্বনো হায়না য়েংবদা ইং ১৫৪৫-১৫৬২ পানখিবা মৈদিংঙু চলাম্বগী মচা থাঙৰাই নিংথৌ কিয়াম্বনা নোংপোক মায়গৈদা লান চৎপদা মুংকোং (মুংখোং) মুংয়াং ঙমদুনা মুংয়াম্বা কৌখি হায়না নিংথৌরোল লম্বুবদা য়াওরি। মৈদিংঙু মুংয়াম্বনা ঙমই হায়রিবা মুংখোং (মুংকোং) অসি নিংথিদগী নুমিৎ হুমনি মরিনিগী লম্বী নোংপোকলোমদা লৈবনি। অৰাংলোমদা মণিপুর অমদি অসামগী ঙমখৈ অসি দোয়েংগা ধনশিরি তুরেনগা অনীগী মরক্তা লৈবা উমং (ফোরেষ্ট) অদুনা ঙমখৈ লেপ্পখি হায়না আলেকজন্দর মেকেনজিনা ফোঙদোক্লম্মী—

> In 1935 indeed the forest between the Doyeng and Dhunsiri was declared to be the boundary between Manipur & Assam.
>
> (The North-East Frontier of Bengal, 1884)

মসিদা নত্তনা ইপা ইপুশিংনা ঔৰা, তখেল, সমশোকনচিংবা লম কয়াসু খুদুম চল্লম্বগী ৰাফম হিষ্টরিনা ময়েক লানা তাক্লি। গরিবনিৰাজ নিংথৌনা বর্মাদা লান্দাদুনা মখোয়গী পাগোদা লাইশঙদা থাংগী থাংফম থল্লম্বা মীওইবা জাতিগী কাওবা য়াররোইদবা পুৰারীনি। অসুন্না ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংগী পাম্বোম পাঙ্গলতনা চহী লীশিং কয়া ঙাক্লম্বা ইরমদমনি। হঞ্জিন-হঞ্জিন পুৰারীগী তাংকক কয়াদা লমদম অসিবু থুগাইনবা হোৎনরক্লবসু ইপা ইপু, ইচিন ইনাও, ইমা ইবেল কয়ানা মশাদা য়াওবা ঈগা মহুৎ শিন্নদুনা ঙাক্লখিবনি। অসিগুম্বা লমদম অসিবু মপানগী নত্রগা মনুংগী ফোর্স অমত্তা থুগাইবা হায়বসি ওইথোক্লরোইদবা মঙ অমনি। মরমদি লমদমসিদা মপুং ওইবা ফুরুপ অমা ওইরিবা মৈতৈশিং অসি অদুঙৈগী শিবা কিদনা মমা লৈবাক্কীদমক থৰাই কৎখিবা অথৌবা ইপা ইপুশিংদুগী চাদা নৌদা ঙাক্তনি। মৈতৈ ফুরুপনা মপাঙ্গল কন্না লৈরিবমখৈদি মৈত্রবাক মণিপুর অসি থৌওং অমত্তনা থুগাইবা ঙল্লোই। মরম অদুনা মৈতৈ খুদিংমক লিংজেল মান্ননা পুকচেল খোইজেল তিন্ননা লৈমিন্নবা য়ান্নমক মরুওই। ঙসিগী ওইরিবা মণিপুর অসি ওইনবা হোৎনবদা মৈতৈ ফুরুপনা অচৌবা থৌদাং কয়া মমাঙ থানা চোংথোক্তুনা হোৎনরকপনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। য়ান্না ঙমখৎপা মতমগী পুৰারী ফাক্লুরদ্রগসু ২১ শুবা চহীচানা হৌরকপা মতমদা থোকখিবা জুন ১৮ গী থৌদোক নিংশিংবা য়াই। মণিপুরবু ঙাক শেন্নবগীদমক থৰাই থাদোকপা ঙম্বা মচা কয়া ঙসিসু থৌরাং তৌদুনা

লৈরি। মণিপুরদা খুন্দারিবা মৈতৈশিং খক নত্তনা ইন্দিয়াগী মনুংদা মরুওইনা আসাম, ত্রিপুরা, মেঘালয়াগী শরুক খরদা অমদি ইন্দিয়াগী ৱাংমদা মরুওইনা বাংলাদেশ, ম্যানমারদা খুন্দারিবা মৈতৈশিং অমত্তা ওইনা পুন্সিনবা হৌজিক্কী মতমদা মরু ওইরক্লে। হান্না পুন্দে হায়বগী ৱাফমদি নত্তে। খুদোংথিবা তারবা মতমদা মপান্দা লৈরিবা মৈতৈশিংনা মণিপুরগী মৈতৈশিংগীদমক অৱাবা শরুক য়াদুনা লাক্লি। থমজনিংবদি হেন্না খোংফম চেৎশিন্না লেপমিন্নবা মথৌ তারক্লে। মপান্দা লৈরিবা মৈতৈশিংনা থম্মোয়দা লাৎচরিবা মণিপুর নুংশিবগী ইহুলশিং অদু ফুদোক্তুনা অফবরোমদা লাম্থেংমিন্নবা মতম ওইরে। মণিপুরগী লৈমায়দগী মৈতৈ হায়বা ফুরুপ অসি হেক মুৎখিবা মতমদা মণিপুর হায়বা লৈবাক অমদি লৈররোই হায়বসি মালেমদা লৈরিবা মণিপুর নুংশিবা মণিপুরীশিংনা খঙবীবা চুমগনি। মৈতৈ ইমানা য়াইফরে, মণিপুর ইমানা য়াইফরে, মণিপুরগী শক্তম কাইবা য়ারোই। ❑

# মনিপুরী পুৱারীনা কোনশিন্দুনা লৈরিবা বরাক তমপাক্কী অখন্নবা লাইফমশিং

**খোইরীফাব হাওরোংবম**
**ꯈꯣꯢꯔꯤꯐꯕ ꯍꯥꯎꯔꯣꯡꯕꯝ**
**Khoiriphaba Haorongbam**
*Bantarapur, Sonai, Cachar, Assam*
*(Master of Arts 3rd Semester Assam University Silchar)*

**ৱাহৌদোক :**

চহী তরেৎ খুন্তাকত্রিঙৈ মমাঙ, মনুং অমসুং মতুংগী মতমসি হিন্দু ধর্ম্মগী অকনবা ঈথিন লৈবা মতমনি। মার্জিৎনা ঔৱাগী মতেংগা লোয়ননা চৌরজিৎকী মথক্তা ফম্বাল লান হৌরকপা অমদি কোনুং খুদুম চল্লমদাই মীকুপতু ফাওবদা নিংথৌনা লাননিনখোল মরক্তুদগী খুৎশু থাংগা লোয়ননা হাইদোরকলগা মাগী লাইনীংফমদা চঙদুনা লান ঙমহনবীয়ু হায়দুনা লাইনীং পৱে চেৎখিবগী ৱারী লৈরি। লানগাইবগী হাক্তকতসু নিংথৌ অমদি ব্রাহ্মন বৈষ্ণবশিংনা অতৈমক নৎত্রবসু ঈশ্বরসিমতংদি হায়দুনা অয়াম্বা লাইগী মুর্ত্তিশিং ঙবোংনা মনংগন্দা পোরগা খরনা থবাক্তা কোল্লগা কাছাড় লৈবাক তারকখি। হৌজিক জয়পুর কামরঙ্গাদা লৈরিবা বিজয় গোবিন্দ, জারিবোনদা লৈরিবা লৱাৎ লাইরেম্বী (লাইখুরেম্বী), শিলচর মালুগ্রামদা লৈরিবা শ্রীশ্রী গোবিন্দ, জারিবোন বামোন লৈকাগদা লৈরিবা রাধা কৃষ্ণ, পালারবন্দ ভাগা ৱাংদা লৈরিবা রধা কৃষ্ণ, বরখোলা কমারবোনদা লৈরিবা নিংথেম শাগৈনা ইরাৎলিবা লাইনিংথৌ-লাইরেম্বী অসিনচিংবশিং অসি তাঙ্ককসিদা পুথোরকখিবনি। অসিতসু নত্তনা লাঞ্জেল্লকপা মতমদা লম্বীদা থোকখিবা থৌদোক কয়াদগী খুভম ওইদুনা ঙসি ফাওবা ইরাৎনরিবা খ্বাইরাকপা ঈরেল, মনিপুর নিংথৌগী মজাইবেম্মাশিংনা কাছাড়ী নিংথৌদা থাজরবা মতুং লাইনীং পৱে চেৎপী মৈতৈ নিঙোলশিংনা শাহনখিবা লাইগী খুভমশিং খুদম ওইনা 'শিবচীং', চহী তরেৎ খুন্তাকলবা মতুং বরাক তমপাক্তা মৈতৈ নিংথৌ মচাশিংনা তংতানা খুন্দারকলবা মতমদা লাইনীংদুনা লৈরম্বা মফমশিংদা খুভম ওইনা থমলমদুনা লাৎনরিবা লাইফমশিং খুদম ওইনা ভুবনচীং অসিনচিংবশিং অসি মৈতৈগী পুৱারীনা কোনশিনদুনা লৈরি।

**১. খ্বাইরাকপা ঈরেল (নরায়নডোর)**

লক্ষীপুর ফুলেরতল হি থাংফম (ঘাট) তগী নোংপোক পাংনা বরাক তুরেল খোংনুংদা হি তোংদুনা চাউরাক্লা মাইল ৮ চৎলগা লৈ অমসুং জিরি তুরেল মচিন্দগী নোংচুপ পাংন বরাক তুরেল খোংনুংদা হি তোংদুনা চাউরাক্লা মাইল ৪ চৎলগা খ্বাইরাকপা ঈরেল অসি লৈ। খ্বাইলাকপা ঈরেল উমংলাইবু হৌজিক্কী মতমদা নহারোল খরনা নারায়নডোর হায়নসু খঙনরি। নারায়নডোর হায়বদি নারায়ন কৌবা লাইনা লৈবা ঈরেলবু মীতোপকী লোন্না নারায়নডোর হায়না কৌই। মৈতৈগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লৈরিবা লাইফমলেন অসিগী ৱারী ৱাখোং থীজিল্লুবা মতমদা থাজনরিবা হাইফেৎ মান্নদবা রারী লীখুন ফংঙি। মারজিৎ খৃঃ ১৮১৯ গী পোইনু থাগী ১২ নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা শ্রী গোবিন্দ অমসুং মহারানী লোয়ননা কাছাড় লম তান্না চেল্লকখিদুনা হাইলাকান্দিগী মনুং চন্না লৈবা লম অমদা কোনুং লৈকায় মীংথোলদুনা লৈখি। মনিপুর প্রজা শরুক

অহম থোকখি শরুক অমনা মহারাজগা লোয়নরকখি, শরুক অমনা মনিপুরদা চায়দুনা লৈখি অদুগা শরুক অমনা ঔৰানা ফাদুনা মখুত্তা য়াইরি লেংদুনা পুখি। নুমিৎ অসিদগী মনিপুর সনা লৈবাক্কী চহি ৭ খুন্তাকপা হৌই। অদুগা হয়ামগী লৈমনা মনাইশিং খরগা কাছাড় তান্না লাঞ্জেনলকপসিদা খ্বাইরাকপা সেলুংবনা লৈমাবু তান্নরকপদগী থোকখিবা ঐতিহাসিক ওইবা থৌদোক মখাদা তমজরি ।

**অহানবা ৰারী** - লৈমা ঈরেল, ঔৰা লান্মীনা কোনুং পানখিদুনা মৈতৈ খুঙ্গং খুল্লক চঙ চঙদুনা ওৎ নৈরকপা তাল্লকসিদা খ্বাইরাকপা সেলুংবনা লৈমবু থিরক্লি হায়বা পাও ফংদুনা হয়ামগী লৈমনা মনাই ওইবী খরগা চাননবা চেংজেল পুদুনা কাছাড় মাইগৈ তমনা লাঞ্জেনলকখি। অহিং চুপ্পা তোংজৈ মরিল, কাংচুপ লম্বী, অখুই লম্বী শমদুনা লাকপনা নোংঙানলকপদা জিরি তুরেল লান্দুনা বরাক তুরেল তন্না লাকপনা বরাক তুরেল মরিল য়ৌরকখি। অহিং তুমদবগা চাদ থকতবগা চরাম চতৎনদুনা নারায়নডর কৌবা মফম অসিদা পোৎথাখিরম্মী।

মারজিৎ মহারাজগী সনা হাক্তকসিদা খ্বাইরাকপা সেলুংবনা মশক মতৌ ফজরবী হয়ামগী লৈমবু নুংশি পামজনা থম্মোয় হুখিবনা নুংশি লৈহুন তমজরুবদা পুক্লিং পুকচেল চেৎলবী লৈমগী থম্মোয়দা তায়োন্নবগুম থোকখিদুনা সেলুংবনা চংজবা খুদিং লৈমদা লক্লবা হিগায়ৰাগুম থোকখি। সেলুংবনা লৈমবু নুংশিজবনা থম্মোয় থুমখিদুনা অচুম অরান, চৈকানবা থোকপা ৰাখল পুম্বা মাংখ্রে, নমজা হাজা থম্মোয় খুদুম চনবগী পস্থুং লম্বী থিরকপা চহি মঙা হৌরক্লে লৈমনা য়াবা লৈখিদ্রে। সেলুংবনা লৈমগী খোংগুল লিদুনা তান্নরকপনা হৌজিক্কী লৈমনা অৰা পোৎথারিবা মফম অসিদা য়ৌরকখি। সেলুংবগা লৈমগা শক্কা শক্কা উন্নরবা মতমসিদা লৈমা চেনফম লৈখিদ্রে, অশেংবা থম্মোয়দি মপোকসিমগী নহাজা পিরল্লরোয় হায়রল্লগা মমাংদা লৈরিবা ঈরেল অসিদা চোংথদুনা ঈরাই লৈমদা মথৰাই কৎখে। সেলুংবনা তন্না চোংথখিদুনা কোয়থি থিবদা লৈমবু থিবা ফংবা লৈখিদ্রবদা নিংবা কায়না কংফান্দা কাখৎলকখি। নুমিৎ অদুদগী ঈরেল অসিবু লৈমা ঈরেল হায়না খংন্নখ্রে। টিপাইমুখগী মখাদা হৌজিক ফাওবা চহিগী ৰাকচীং থাদা লৈশাবী পাখংশিংনা নিংশিঙ খুদম ওইনা লৈগী খুজোক কৎনরি।

**খৰাইরাকপা ঈরেল** - খৰাইলাকপা সেলুংবনা হয়ামগী লৈমবু নমফা ফাদুনা তালোয় শিংদা চল্লগে হায়বা ৰাখলদা তান্নরকপনা নারায়নডহর কৌবা মফম অসিদা লৈমগা শক্কা শক্কা উন্নরবা মিকুপ্তা লৈমনা ঈরেলদা চোংথখিবগা সেলুংবশু তন্না চোংথখিদুনা কোয়থি থিবদা ফংবা লৈখিদ্রে। সেলুংবা চোকথরবা কায়াৎকী মিন্থুন তাম্থা কায়রক্লে, থিবগী পাঙ্গল লৈরকত্রবদা লৈরায়দা কাখৎতুনা ফমথখ্রে পিরাং পিরোইনদুনা ঈরেন্দা য়েংদুনা লৈখ্রে। থম্মোয়না খোইদাজবা লৈরাং চারাবু মশাইকোন লৈকোলদা থাজরগা নাপথন্না চিঞ্জগে খঞ্জরুবা অরেম্বা ওইখ্রবা নিংবা কায়রবা কায়না মৈচাক্কী নম্বোনা মনমদা থোং মীরেল য়াউদ্রবা কয়াৎনা তুফকতুফাই চন নোংপোক মাইগৈ তমলক্লে, ঙাইহাক চৎলগা খল্লকই ইরমদম স্না লৈবাকসু কবোনা খুদুম চনগখ্রবা হিংদুনা লৈরুবগী অমুক নুঙাইররোইদবা পুন্সিসে লৈমা মাগী হৈনাতুং ইনখ্রগে খন্দুনা ঈরেলগী ঈপোমলক্তা চোংথখিদুনা অরোয়বা য়াহিপ তানখ্রে। ঈরেল অসি হৌজিক ফাওবা খৰাইরাকপা ঈরেল হায়না খঙনদুনা চহিগী ৰাকচীং থাদা লৈশাবী পাখংনা নিংশিঙ খুদম ওইনা লৈগী খুজোক কৎনরী। (মুতুম ঝুলোন সিংহগী বিজয় পাঞ্চালী)

**অনীশুবা ৰারী - লৈমা ঈরেল** - চহী তরেৎ খুন্তাকপা মতমদা খৰাই পানাবু লাকপা হাওবম খেমা অমসুং চৌরজিৎ নিংথৌগী হাক্তকতা থাঙকাকেমপা মৈহৌবারোল অনি পায়দুনা কোনুং ঙাক্লম্মী মৈতৈ লৈমা খোংনাং লাম্থাবী অনিসু তোংজৈ মরীন্দা কাছাড় তন্না কাঙলুপ কাঙলুপ লাঞ্জেল্লকখি। জিরি তুরেল তারগা তুরেল খোংনুং তারকখি। খৰাইলাকপা হাওবম খেমা অমসুং মৈতৈ লৈমা খোংনাং লাম্থবী অনীগী লানপন বরাক তুরেল তোর্বানগী চীংথক্তা চাওরাকনা মাইল মরি

মরি লাপ্পা শারম্মী। খৰাইলাকপা হাওবম খেমা অমসুং মৈতৈ লৈমা খোংনাং লান্থাবী অনীনা মশা মশাগী লানপন্দা লাইনিংপরৈ চেৎনা নীংদুনা ইমা লৈপাক মনিপুর অৰাগী মখুৎতগী কনবা ঙম্নবগীদমক্তা মৈতৈ অথৌবশিংবু ঙাইদুনা লৈখিরম্মী। লৈপাক মীয়াম মথং মথং কায়দুনা চেল্লকখিবনা মরম ওইদুনা মনিপুর অমুক হন্না অৰাগী মখুৎতগী কনবা ঙম্বগী পাম্বৈ উরকত্রবদা মীখা পোন্দুনা হিংলুবগী শরুক ঈরেল ঈরাই লৈমগী পীবুকনুংদা চঙখিবনা শরুক চাম হেন্না ফৈ হায়না নীংদুনা অখাং কল্লবী পুকচেল চেৎপী মৈতৈ লৈমা খোংনাং লান্থাবীনা ৰাশকখিরম্মী। লৈমা নীংবা কায়রদুনা ৰাশক্কী মতুং ইন্না ঈরাই লৈমা ঈরেলগী পীবুকনুংদা চোংথদুনা পুন্সি পিখন্নখি । মৈতৈ লৈমা খোংনাং লান্থাবীনা চোংথদুনা পুন্সি পন্দোন লোমখিবা ঈরেল অদুবু লৈমা ঈরেল হায়না শকখঙনরি । ঈরেল অসিদসু পারম পুরমচত্তগী মৈতৈ য়েক চানা হৈ-লৈ অমসুং মৈরা মেক্রুক অথেনপোৎনচিংবা কৎনরি। লোয়ন-লোয়ননা ইমাবু নীংশিংলি।

**খৰাইলাকপা ঈরেল** - খৰাই পানাবু লাকপা হাওবম খেমাসু বরাক তুরেল তোর্বানগী চীংথক্তা চীংঙু নোংপোক অপানবা অপানবী অনিবু থম্মোয়দা চেৎনা কোন্দুনা পুক্লিং অনী লোঙদনা ইমা লৈপাক মনিপুরবু অৰাগী মখুৎতগী কনবা ঙম্নবগী থৌনা মৈতৈ অথৌবাশিংদা হাপ্পীয়ূ হায়না থৌনিজখি। ইমা লৈবাক মনিপুরবু অৰাগী মখুৎতগী কনবগী পাম্বৈ লৈরকত্রবদা খৰাই পানাবু লাকপা হাওবম খেমানা মীখা পোন্না হিংগদৌ শরুক ঈরাই লৈমা ঈরেলগী পিবুকনুংদা চোংথদুনা পুন্সি পন্দোন লোমখিবনা ফৈ হায়না ৰাশকখিরম্মী। হাওবম খেমা মতম খরনি লাই নীংলমলগা ৰাশক কায়দনা থৰায়না পোন্থা ওইদুনা নোংদম্বগী খোঙলোয় তুং ইন্না তাইবং থাদোক্তুনা ঈরায় লৈমা ঈরেলগী পিবুকনুংদা চোংথদুনা লাইরমলেন্দা তিনখি। খৰাই পানাবু লাকপা হাওবম খেমানা লৈখিদবা ঈরেল অদুবু ঙসি মালেম মৈতৈ খুনাইনা "খৰাইলাকপা ঈরেল উমংলাই খুভম" অমসুং "চহী তরেৎ খুন্তাক নীংশিং খুভম" হায়না শকখঙনরি। কুমজা খুদিংগী খুভম অনিসি ৰাকচীং থাগী নিনি পানবা নোংমাইজিং নুমিৎ থোকপা নুমিত্তা ঈরাৎ থৌনিগা লোয়ননা নীংশিংলি। (খৰাইলাকপা ঈরেল, উমংলাই লীখুল, হুইরেম কালাচান্দ)

**ঈরাৎ থৌরম হৌখিবা** - খূভম অসি বরাক তুরেলগী ঈয়াই মক্তদা লৈরিবা পাক চাউরবা অমদি ৰাংলবা চীংজাও অমনি। হায়রিবা চীংজাও অসিমক্তদা খৰাই পানাবু লাকপা হাওবম খেমানা ঈরাৎ থৌনি হৌদোক্লম্মী। খুভম অসিদা হৈ-লৈ অমসুং নীংথিজরবা উপাল কয়া হৌরম্মী। অদুবু তমথিরবা কিনিঙাই মশক ওইরবা ঈশিং ঈচাওনা চীং অদুগী নিংথিজরবা শরুক কয়া নীংখায়দুনা অমদি নৈখায়দুনা পুখিরম্মী। হৌজিক্তি হায়রিবা খুভম অসিমক্তদা মীয়াম্না ঈরাৎ থৌনি তৌবগী খুদোং চাবদু ওইরকত্রে। "খৰাইরাকপা ঈরেল উমংলাই খুভম" লাইফমদা য়াইফরোল লাওদুনা মচু তরেৎকী ফিরাল চিংখংলবা মতুংদা লোইশঙগী অমাইবা অমাইবীনা "চিং অপানবা অপানবী" অনীবু লাইজা ঈরোলনুংদগী ঈকৌরগা ফম্বাল লাংদুনা ঈরাৎ থৌনি হৌখি।

## ২. শ্রীশ্রী বিজয় গোবিন্দ (কামরঙ্গা)

মনিপুর লানগাইবগী হাকতক্তসু নিংথৌ অমদি ব্রাহ্মণ বৈষ্ণবশিংনা অতৈমক নৎত্রবসু ঈশ্বরসিমতংদি হায়দুনা অয়াম্বা লাইগী মুর্ত্তিশিং (বিগ্রহ) ঙবোংনা মনংগন্দা পোরগা, খরনা থাদা কোল্লগা কাছাড় লৈবাক তারকখি। জয়পুর কামরঙ্গাদা লৈরিবা বিজয় গোবিন্দসি বাংলাদেশকী ভানুগাছ য়ৌরুই। কাইনথংদা মথং মথং হোংলক্তুনা কামরঙ্গাদা তুং কোইনা লৈখিবনি। খৃঃ ১৮২৪ গী ডিসেম্বর থা মনিপুরগী চহি তরেৎ খুন্তাকপা লোয়রমদায় মতমদা মণিপুর শগোলবন্দ তেরা লৈকায়দা লৈবা ঙাংবম শেলুংবগী মচাইবুঙো ঙাংবম লোচন্না শ্রীশ্রী বিজয় গোবিন্দবু দোলায় থক্তা লেংথোন্নরগা তোংজৈ মরিল, কাংচুপ্পী, অখুই লম্বী হুৎনা পুরকপনা নোংঙাল্লকপদা লক্ষীপুরদা থুংলরবা মতুংদা কামরঙ্গা

খুঙ্গংদা থুংলখি। মতুংদা ঙাংবম লোচন্না হৌজিক হৌজিক লৈরিবা লম অসি লৈদুনা মন্দির মাগুব শারগা তমপাক্কী মনুং চন্না খুন্দারিবা ঝরাগুল কৌবা খুঙ্গংদগী ব্রাহ্মণ অমা লৌরুদুনা শ্রীগোবিন্দগী ঈরাৎ থৌরম চৎথখি। মতুংদা নবদ্বীপতগী সানাথোই শর্ম্মাগী মচা নুপা বিষ্ণু লাকপম চৌয়াইমা শর্ম্মাবু পুরকলগা ময়ূম মকে শাবিরগা মহাক্কী মিংদা লৈরিবা লম লাইশঙ মাঙোপনচিংবা শাদুনা কৎথোকখি। মহাক্না লৈখিদ্রবা মতুংদা মচাইবুংঙো চন্দ্রহাস শর্ম্মানা ঈরাৎ থৌরম চৎথরকপদগী মথং মথং শুথাংশিংনা হৌজিকফাওবা ঈরাৎ থৌরম চৎথরি।

**৩. লৰাৎ লাইরেম্বী**

কাছাড় জিলাগী হাইলাকান্দি মহকুমা মনুং চন্না খুন্দারিবা লৰাৎ কৌবা খুনলেন্দা (আমতলা) ঙাম্থোইবীরিবা ইমা লাইখুরেম্বীবু লাইখুলোংবী লৰাৎ লাইরেম্বী কৌনা খংনরি । অৰালান কাইরকপা মতমদা মনিপুর উরিপোক্তগী তাইবংজম শাগৈগী পাথৌনা পুরকপদা লাইশ্রম খুলগী মনিং লৈকায় অশেম শাগৈদা পোৎথারগা হৌজিক্কী ঈরাৎলিবা লৰাৎ খুঙ্গংসিদা পুরকখিনি। খৃঃ (১৫৪-২৬৪) খোইবা তোমোক্না লাই খুলোংবী লাৎলি। লাই খুলোংবিদগী লাইখুরেনবী হায়না মমিং চৎখি। হায়রিবা লাই পাম্বোম তরা পানবা দুর্গানি। সেবাদি তাইবংমীদগী মপুক শেংবা অচম্বা মী তাইবংচম য়ূমনাক অসিনা সেবা তৌই ।

**৪. ভুবন চীং (নোংচুপ লৈহৌচীং)**

ভুবন চীং হায়বসি আসাম রাজ্যগী মনুং চন্না লৈবা কাছাড় জিলাগী খা-নোংপোক থংবা কাচীন্দগী বরাক তুরেনগী নোংচুপ থংবা পরীং ইন্না অৰাংলোমদা কি.মি. ৩৫ রোম চৎলগা লৈরিবা চীংশাং পরেং অমনি। হায়রিবা চীং অসিবু ঙসিফাওবা ভুবন তীর্থ হায়দুনা চহী খুদিংগী শিবরাত্রী অমদি বারুনি নুমিত্তা লাই খুরুম্বা চৎনদুনা লাকলি। হায়রিবা চীং অসিদা লৈরিবা লাই অসি মহাদেব উমংলাইনি। মসি করম্বা মতমদা কনানা খুভম অসি থমলমবনো অমদি লাৎপা হৌরম্বনো হায়বসি থিগৎলুবা মতমদা মৈতৈগী ওইবা পুৰারীনা কোনশিনদুনা লৈরম্মী। অঙনবা ইতিহাসকী তাংককশিংদা চীংদা চীং ওইনা কনানসু শীংথানবীদনা লৈরকলবসু খৃষ্টগী ১৯ শুবা চহীচাদগী মৈত্রবাক্কী ইতিহাসতা চীং অসিগী মফম কনবা অমসুং মনিপুর ইতিহাসকী পাত্র খরদা মহাক্কী খুদোল তম্বা হৌরকখি। ইকান কান্নদবা লমহাং-তুহাং ওইনা লৈবগী মহুত্তা মী খরগী পান্দম ফংহনবদা মসিনা মতেং কয়া পীখি। অদুবু মতেং অসি কাছাড়ীশিংগী শক্নাইরবা মীশক কনা অমত্তনা লৌখিবগী ৰারী লৈতে। মৈতৈ মচাশিংখক্তনা মহাক্কী চীংথক চীংয়াংদা, চীংখোং-চীংয়াদা অমসুং চীংলৈখুন-চীংনুংহুৎশিংদা কোইচেন-চেন্দুনা অমা নৎত্রগা অমা লৈরম্বগী ৰারী লীখুন্না মপুং ওই। চীং অসিনা মমিং মথা পান্দুনা হেক থোক্লকপদগীদি লোইবী চীংবুরোইশিং খরগা মৈতৈশিংগদা লোইনদুনা লাকখি। চীং অসিবু খ্বাইনা খঙনরকখিবসি ইং ১৮২৮ দগীনি অমসুং মসিবু বৃটিশ মৈতৈ মুন্নরকখিবসি ইং ১৮৩৩ দগীনি। হায়রিবা মতম তাংককসিগী মতুং তারকপদা কাছাড়গী লমদম সোনাই ডুঙ্গুরীপারদা চৌরজিৎ মহারাজ অমদি লৈমা অপানবী খুমবোং চনুনা পোকপা ঝাফিরবোনদা চাউজবা রাজকুমার সিংহ (সনা চহী অহুম) না সিপাহি লালহৌ (১৮৫৭) গী চৈনা খাঙদুনা শিব-সাধক ওইনা মপুন্সি লেল্লকপগী মতম তাংককসিদা লমদমসিদা লাকখি। মহাক সাধু ওইবগী ফিজোলদি শেৎলগা ভাঙ্গ-গাঞ্জাদি শোক্তনা ভুবন চীংসিগী থেন অমদা ভগবান শিবগী মূর্ত্তি অমদি লীংখত্তুনা থমলমবতা নত্তনা মহাক চাওরাক্না ইং ১৮৬৫-৬৬ তগীনা ১৮৮০ রোম ফাওবদি মফমসিদা লাইনীংদুনা লৈরমবগী ৰফম লৈরি। মৈতৈ নিংথৌ মহারাজ বোদ্ধচন্দ্র সিংহনা ইং ১৯৪৬-৪৭ তা মনিপুরগী লাইফম-তীনফমশিংদা তীর্থ যাত্রা ওইনা সনা খোঙলেঙবগী লাইনীং থৌরাং লৌখৎখি মতমসিদা মনিপুরগী নোংচুপ চীংলোনশিং অমসুং কাছাড়গী লমদমশিংদসু সনা খোঙলেঙবগী খোঙচৎ-খোঙফমসিদা ভুবন চীংদসু থুংলখি। হায়রিবা ভুবন চীং অসিদা খুভম ওইনা লৈরিবা উমংলাই শিব-মহাদেব অসিবু ঙসিগী মীরোলগী মৈতৈচাশিংনা

উমংলাই ঙাকশেল্লুপ সোনাই, কাছাড় হায়না অপুনবা লুপ অমা শেমদুনা চহী খুদিংগী লমতা ২৮ নি পানবা বারুনী নুমিত্তা নোংচুপ লৈহৌচীং চীঙ্গোই ঈরুপ্পা হায়দুনা ইরাৎতুনা লাকলি।

### ৫. শিবচীং (চন্দ্রগীরি)

কাছাড়ী কাঙবুশিংগা মৈতৈশিংগা লৈনরকপা মরী অসি য়াম্না ঙল্লিঙে মতমদগীনি হায়বসি মৈতৈগী অরীবা লাইরিকশিংদগী খঙবা ঙম্মী। 'চীংঙুরেম্বী খোঙলূপ', 'নোংচুপ হারমলোন' নচিংবা লাইরিকশিংদা মৈতৈ নিংথৌ থংবী লাম্থাবগী মচানুপা ক্লাকপা থৱানথাবদা চীংঙুরেম্বীনা লুহোংলকপগী ৱারী ময়েক শেংনা পল্লি। 'চৈথারোল কুম্বাবা'দা গরিবনিৱাজ মহারাজগী মজাইবেম্মা হরিপ্রীয়াবু ময়াং (কছারী) নিংথৌদা থাজখিবগী ৱাফম অমসুং মধুচন্দ্র মহারাজগী মজাইবেম্মা ইন্দুপ্রভাবু কছারী নিংথৌ কৃষ্ণচন্দ্রদা থাজখিবগী ৱাফম ময়েক শেংনা পল্লি। পল্লিবা মৈতৈ নিংথৌগী মজাইবেম্মা ইন্দুপ্রভাবু কাছাড়ী নিংথৌদা থাজদুনা কছাড়ী লৈমরেম্বী ওইরম্বগী ইতিহাস অমসুং মতমদুগী চৎনরম্বা সমাজগী চৎনরোল কয়া ঙসিসু কাউনবা লৈতনা চৎনরি। মদুশিং অদুগী মনুংদা সোনাইগী 'শিবচীং'দা মহাদেববু খুরম্বা অসি মরূ ওইবা অমনি। শিব চীংবু অতোপ্পা কাঙলূপকী মীওইশিংনা (বেঙ্গলীশিংনা) 'শিব টিলা' হায়না কৌনৈ। ঙল্লিঙে মতম ইতিহাসকী লামায় হাংদোক্কুনা য়েংলগা 'চন্দ্রগিরি' হায়না কৌনরম্মী। হৌজিক ফাওবদসু অহল-লমনশিং খরনদি চন্দ্রগিরি হায়না অদুম্মক কৌনরি। হায়রিবা চীং অসি শিলচর সহরদগী কিলোমিটর ১৩ মুক মৈরম পাংনা সোনাই রোড হায়রিবা লম্বী অসিদা চৎলগা লৈরিবা সোনাই টাউনদগী খা পাংনা চৎখিদুনা কাবুগঞ্জ তাখিবা লম্বীদা কিলোমিটর ৩ লোম চৎলগা লম্বীগী নোংচুপ থংবা মায়কৈরোমদা লৈ। চীং অসিগী তেমথোক্লবা মতোন্দা চাউরাক্লা ফুট কুন্থ্রামুক লাপ্পনা চেক্লা শাবা কিয়োং (ফূরা) মচা অনী খা-ৱাং মায়োকননা লৈ। মখা ওল্লিবা ফূরা অসিনা অৱাং ওল্লিবা ফূরা অসিদগী ৱাংবা অমসুং চাউবা হেল্লি। লাইশঙ অসি অঙনবা মতমগী ইঞ্চি তরেৎমুক শাংবা অদুগা ইঞ্চি ১ মুক থাবা চেক, সিমেন্টকী মহুত্তা শুনু, চেক্কুপ, নালী (চিনী অঙাঙবা অপূম্বা) অমসুং শগোলহৱাই মকুপ্পা মসলা (সুরকি) শেমলগা শাবনি। ফূরা অনীমক থোঙ অমমমতা পাল্লি, থোঙনাও পান্দে। মখা ওল্লিবা ফূরা অসিগী মনুংদা শিবলিঙ্গ অমা লৈ। মজাইবেম্মা ইন্দুপ্রভানা কছাড়ী নিংথৌদা লুহোংলক্লবা মতুংদসু মণিপুরগী নোংমাইজিং চীংগী লাইফমলেনবু কাউজরমদবনা কছাড়গী ভুবন চীংবু নোংমাইজিং চীংগুম খঞ্জদুনা নীংজরম্মী। অদুবু খাসপুরদগী ভুবন লাইফমলেন অসি য়াম্না থাপ্পগা লোয়ননা অৱাংবা চীং কাবদা য়াম্না ৱানা থোকপনা তোয়না দর্শন তৌবা ঙমলমদে। অসিনা মরম ওইদুনা কছাড়ী মহারাজ কৃষ্ণচন্দ্রনা স্বর্ণপুর নগরগী ময়ায়, ভুবন চীংশাংবু ময়েক শেংনা উবা ফংবা মফমদা শিবগী মন্দির অসি শাখিবনি। মরম অসিনা মৈতৈনা শিবগী নুমিৎ নিংথৌকাবদা শিব মহাদেব খুরুমবগী মহুত্তা নোংমাইজিং নুমিত্তা ওইনা খুরম্নরিবসি। চীং অসিগী মমিংসু ইন্দুপ্রভাগী মিংলেন লৌদুনা, হায়বদি - 'ইন্দু' বু খঙনবা অতোপ্পা মিংলেন্দি 'চন্দ্র' নি। অদুনা নাকোয়নবা মওঙদা চীং অসিগী মমিং 'চন্দ্রগিরি' মিংথোনখিবনি হায়না অখঙ-অহৈ পণ্ডিতশিংনা ফোঙদোক্কে ।

ইং ১৯৯০ ফাওবা উমংলাই ঙাকশেল্লুপ, কাছাড় হায়বা বেনর মখাদা লৈবা লুপ অমনা পুরম্মী। অখঙ অহৈ অমসুং লম্ লমগী মীয়াম য়াওনা খন্নরবা মতুংদা খুভম অসিগীতা ওইবা ঙাকশেল্লুপ অমা ইং ১৯৯০ দা শেমখি। খুভম অসিগি মিংবু 'লৈহৌ লৈপোকচীং উমংলাই ঙাকশেল্লুপ' হায়না থোনখি। ঙাকশেল্লুপ অসিনা তোঙান-তোঙানবা লুপ কয়াগা খূৎশমনদুন চহীগী ওইনা অশোয় অঙাম য়াওদনা চীংঙু পাংগনবগী ঈরাৎ থৌনি থৌরম অসি পাঙথোরক্লি। চীংঙু খুভম অসি মৈতৈশিংনা, মপূং ওইনা মখোয়গী পুৱারীগা শাগোন্নজরকপা মরন ওইনা লৌই ।

**ৱারোইশিন :**

মপান লমদগী চঙলকখিবা শহুমদগী গৌরিয়

বৈষ্ণব ধর্ম্ম চৎলবা মৈতৈশিংনা রধা কৃষ্ণদা চঙজবগা লোয়ননা হান্নগী মৈতৈ লাইনীংবুসু থাদোক্তবা অসিনি। মৈতৈগী য়ুম খুদিংদা সনামহী, লৈমরেন অমদি ইমোইনুগী ইরাৎ থৌরম পাঙথোকনরি। মসিগী মথক্তা পাখংবা ইরাৎপা, শাগৈগী অপোকপা খুরুম্বা, উমংলাই ইরাৎপা হৌজিক ফাওবা তোকপা লৈত্রি। অতোপ্পা লাইনীং লাইশোন কয়ানা মরোল নাইনা কুপশিন্দুনা মখা থংখ্রবা অরীবা লাইনীংগী মাঙদ্রবা কম্পোজিৎ কলচরগী মশকনি। নাকল অমরোমদা অমুক চহী খুদিংগী শিব-দেবীগী খুভমশিংদা মীয়াম্না চৎতুনা খুরুম্নবা, বারুনী নুমিত্তা ভুবন চীংগী ভুবন মহাদেব খুরুম্বা, দূর্গা পুজা, লক্ষী পুজা, সরস্বতি পুজানচিংবা কয়া পাংথোক্নরি। মতমগী য়াওলদা লাকপা ঈচেলগী মতুংইন্না ইং ১৮৮৮ দা লাইশ্রমখুন হাইলাকান্দিদা পোকখিবা নাওরিয়া ফুলোনা 'অপোকপা মরুপ' লিংখৎতুনা মৈতৈ লাইনীংবু নৌহৌননা শন্দোরকই। মসিমক ইং ১৯৪৫ দা মনিপুরদসু য়ৌশিনখিদুনা মৈতৈ লাইনীং অপোকপা নীংবা হৌনরকখি। মসিদগী মৈতৈ লাইনীংদা লাইমিং লৌবা কাঙলূপ অমসুং হিন্দু লাইনীংদা লাইমিং লৌবা কাঙলূপ হায়না অনী থোক্না লৈরকলি।

বরাক তমপাক্তা মৈতৈনা মশীং য়াম্না খুন্দাবা হৌরকখিবসি চহী তরেৎ খুন্তাকপা মতম অসিদগীনি। খুন্তাকপা অসিদা লাইনীং পৰে চেৎলবা মৈতৈ নিংথৌ অমদি প্রজাশিংনা লাঞ্জেল্লকপদা মখোয়না নীংজবা লাইশিংসু লোয়নদূনা চেকশিন্না পুনরকখি। হায়রিবা লাইশিং অসি কাছাড় লৈবাক য়ৌরকলবা মতমদা মখোয়না থুংলু থুংলুবা মফমশিংদা লাৎতুনা থন্নরম্বদগী ঙসি ফাওবদা খুভম ওইনা বরাক তমপাক্কী মৈতৈশিংনা লাৎতুনা লাকলি। লাঞ্জেল্লকপা মতমদা লম্বীদা থোকখিবা থৌদোক কয়াদগীসু খুভম ওইনা লৈহৌদুনা ঙসিফাওবা পুৱারীনা পীবা খুদোলনি খন্দুনা লাৎনরি। অসুম্না লাইনীং পৰে চেৎলবা মৈতৈ নিংথৌ মচাশিং অমদি প্রজাশিংনা লাইগী খুভম কয়া থম্বীরমদুনা ঙসিগী মীরোলবু লাইনীং পৰে চেৎহন্দুনা লাকলি। অসুম্না পুৱারীনা কোন্দুনা লৈরিবা লাইফমশিংবু নীংজবগা ঈরোইননা ঙসিগী মীরোলনা ঙল্লিঙৈ মতমদগী চৎনরকলিবা মশাগী চৎনবী কয়াবু কাউবা তৌদনা বরাক তমপাক্তা তারিবা খুঙ্গংশিংদা লৈকাই লৈকাইগী ওইবা উমংলাই কয়া লীংখত্তুনা লাই হরাউদুনা ইরাৎ থৌনি তৌবা চৎনরকলি। ১৮ শুবা চহীচাদগী হিন্দু লাইনীংদা মপুংফানা লূপচখ্রবসু অমুক মৈতৈ লাইনীং নৌনা ময়োল চোংখৎলক্তুনা হিন্দু লাইনীং অমদি মৈতৈ লাইনীং অনী অসি ঈরোইননা ঙসিগী মৈতৈগী সমাজদা সংস্কৃতিগী মচল অমা ওইনা লৈরি। অসুম্না পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লৈরিবা অখন্নবা লাইফমশিং অসিবু ঙসিগী মীরোলনা শক খঙবীদুনা ইরাৎ থৌনি তৌনদুনা লাকলিবসিনদি বরাক তমপাক্কী মৈতৈশিং অসি পুৱারীনা ফুমখ্রবা মপা মপুশিং অমদি ঈশ্বরবু নীংজবশিংনি হায়বদু তাকলি । ❑

# Who Are the Meeteis in Assam? Complexities of Identity Crisis, Preservation and Reconstruction

**Dr. Yengkhom Monojit Singha**

***Abstract**: This scholarly article endeavors to explore the intricate dimensions of the Meetei identity in Assam, taking into consideration the historical, linguistic, and political intricacies at play. It meticulously examines the historical trajectory of the Meetei identity, shedding light on their persistent quest for recognition and the pervasive impact of state policies on the intricate process of identity construction. The analysis encompasses the nuanced interplay between language, ethnicity, and political dynamics, underscoring the compelling need for cultural preservation. Additionally, the article delves into the challenges arising from demographic shifts and internal conflicts within the community amid the era of globalization, proposing strategic interventions in language policies and political engagement. This comprehensive exploration underscores the pressing importance of safeguarding the Meetei identity within the evolving socio-political landscapes of Assam, making a significant contribution to the broader discourse on identity studies.*

## Introduction

Identity constitutes a fundamental aspect of both individual and collective experiences, serving as the foundational basis for individuals to encounter dignity, self-respect, and acknowledgment. In contemporary societies, the concept of identity has transcended mere assertions of self-respect, becoming intricately interwoven with political dynamics. In the Indian context, asymmetric federalism has significantly influenced the identity formation of diverse ethnic groups, including the Meeteis in Assam. The pivotal question surrounding the identification of the Meeteis in Assam - whether as Manipuri, Meetei, Meetei Manipuri, or Assamese Manipuri - has grown increasingly intricate and elusive to answer. Such intricacy stems from the dynamic nature of identity, which extends beyond traditional ethnic affiliations rooted in primordial traits. Instead, identity emerges as a flexible construct, capable of being created and recreated to align with various state incentives, thereby becoming deeply entwined with political dynamics.

The intricate landscape of identity encompasses diverse affiliations, including but not limited to one's place of origin, linguistic ties, national allegiance, and ethnic considerations. State policies have played a pivotal role in exacerbating the ongoing and iterative process of identity construction within contemporary society, further complicating the Meeteis' quest for a coherent and recognized identity in Assam. This multifaceted scenario prompts a nuanced exploration of identity complexities faced by the Meetei community in Assam, analyzing the historical evolution, the challenges posed by external perceptions and categorizations, and the ongoing processes of identity construction. The intricate interplay between language, ethnicity, and political dynamics unfolds a narrative of preservation and reconstruction, underscoring the imperative need for cultural identity amid the

changing socio-political realities within Assam.

**Evolution of the Meetei Identity: Historical Transformations and Inclusive Nation-Building in Manipur**

The Meeteis, who are Manipuri speakers dispersed across Assam with significant populations in Barak Valley, Nagaon, and Guwahati, grapple with a complex identity crisis. This crisis becomes notably pronounced in contemporary discussions surrounding Scheduled Tribe (ST) demands and recognition as an indigenous community in Assam. Surprisingly, the Meetei identity crisis, prevalent since the latter part of the 20th century, has received limited scholarly attention. A recent incident where the Chief Minister of Manipur referred to the Meeteis of Assam as "Assamese Manipuris" adds another layer of complexity to their identity. Compounding the complexity is the ongoing need for the Meeteis to clarify their specific category of Manipuri identity. The presence of another distinct group, the Bishnupriya Manipuris in Assam, further complicates this struggle for identity clarification. This internal struggle adds layers of intricacy to individual and collective identity within the broader Meetei spectrum in Assam.

The juxtaposition of the terms "Diaspora" and "Indigenous" introduces a contradiction that muddles the Meeteis' sense of self and their relationship with others in Assam. Designating Meeteis as part of the Manipur Diaspora implies a migratory status, positioning them as newcomers despite their centuries-old settlement in the state. This perception, rooted in historical migration, leads outsiders to consider Meeteis as a non-indigenous community in Assam, seemingly detached from the composite Assamese identity. However, Meeteis assert their status as permanent residents of Assam, having roots in the region prior to colonial rule, prompting their claim for recognition as an indigenous community. This internal conflict not only shapes the Meeteis' self-perception but also influences how they are perceived by others, complicating their integration into the broader Assamese identity landscape. In the intricate web of identity, the prevailing and widely acknowledged form is often tethered to one's place of residence, highlighting the political dimension evident to the public eye.

The term "Manipuri" is not exclusive to Meeteis but extends its inclusivity to all individuals residing in Manipur. This interchangeability of the terms "Meetei" and "Manipuri" traces back to the nomenclature employed by British ethnographers. However, the designation of Meeteis as Manipuris based on linguistic affinity, following constitutional validation by the Constitution of India, remains a contentious subject. The Meetei identity has undergone significant transformations since the 18th century, marked by Hinduization or Sanskritization. This historical transformation played a pivotal role in the evolution of the Meetei identity, leading to the expansion of Meetei Leipak's jurisdiction beyond its original confines to regions less predominantly inhabited by Meeteis. The process fostered unity among diverse clans, contributing to the formation of a unified Meetei nation with the name Manipur.

The emergence of the Meetei nation and identity became apparent through diplomatic engagements with neighboring kingdoms, leading to the recognition of its people as Manipuris. As Manipur's political boundaries expanded beyond the valley to include mountainous regions, residents of these areas were absorbed into the broader category of Manipuris, highlighting the diverse and inclusive essence of Manipur's identity. While Manipur accommodates individuals from diverse ethnic backgrounds contributing to the

composite identity, the Meetei nation-building trajectory is more focused. Understanding the historical underpinnings of the Meetei identity formation provides insights into the complexities inherent in the construction and preservation of a shared identity.

The above discourse underscores that identity is not entirely within one's control; external influences, or the 'Other,' play a crucial role in assigning identity labels. In an interconnected era, identity labels undergo considerable changes, influenced by external factors and active contributions through dialogue and conversation, embodying the dynamics of 'dialogy and politics of recognition.'

**Identity Politics and the Meeteis Identity in Assam: The Manipur Diaspora or Indigenous Community**

The Meetei diaspora in Assam, concentrated primarily in Cachar, Hojai, Hailakandi, and Karimganj districts, has effectively preserved its cultural identity and traditions, despite marginal influences from neighboring communities. However, the Meeteis community in Assam stands at a crucial juncture in its identity journey, facing the pivotal question of whether to maintain a strong allegiance to its original identity associated with the parent state or forge a distinct identity influenced by the evolving socio-cultural and political landscape of Assam.

This examination is essential considering the historical trajectory of the Assamese identity and its evolution over time. The contemporary understanding of the Assamese or Asomiya community is intricately linked to Aryanization processes and the dominance of the Ahom rule in the Brahmaputra valley. The concept of a composite Assamese or 'Asomiya jati' or nationality began taking shape during the latter part of the Ahom rule, particularly in response to Muslim invasions from Bengal in the 16th century. This external threat compelled people to unite under an Ahom (later Assamese) banner, marking a pivotal moment in the consolidation of a collective identity.

In the late 20th century, amid language politics in Assam, the immigrant Muslim population found itself incorporated into the Assamese identity, thrusting them into the forefront of Assam's cultural and political landscape. Over time, many immigrant Muslims embraced Assamese as their mother tongue, especially those residing in riverine belts known as 'chars.' Assamese socio-cultural organizations gradually acknowledged this segment of Assamese-speaking immigrant Muslims, initially labeling them as 'Na Asamiya' or neo-Assamese and eventually as Assamese. This narrative underscores the dynamic nature of identity formation and the intricate interplay of historical events shaping the diverse socio-cultural fabric of Assam.

Amid other instances, the study of Tai identity in parts of Thailand, Laos, Southern China, and Northeast India adds to the understanding of ethnicity connecting modern nation-states and globalization. The contemporary ethnicity theory emphasizes how state, civil society, and nationalist precepts constrain processes of ethnic identification and influence modes of ethnic organizations (Williams, Brackette F, 1989).

The assertion of identity, or ethnic identity, serves a dual function, both expressive and instrumental, with significant implications for self-esteem and well-being. In late modernity, individuals engage in a reflexive project of the self (Giddens, 1991), and the ability to exercise or enjoy an ethnic identity of one's choosing is a highly politicized issue. Claims of ethnic identity may be limited by various forms of overt and covert oppression (Song, 2003). This identity assertion often

leads to competition among ethnic groups, particularly in the political arena due to the subordination of the economy to the polity (Bell, 1975).

The question arises: who will carry forward the process of 'identity construction,' and how will it be continued and sustained? Manuel Castells' (1997) ideas of legitimizing identity, resistance identity, and project identity become relevant in this context. In legitimizing identity, dominant organizations, institutions, political parties, or unions construct identity, determining both individual and collective identity. This tends to be repressive and oppressive. Resistance identity is generated by actors opposing dominating power, building identity upon a project of resistance with principles different from oppressive institutions. Project identity is a creative endeavor based on an oppressed or resistance identity, directed towards societal transformation, producing subjects rather than objects.

In the context of Bishnupriya identity formation as "Bishnupriya Manipuri," project identity is particularly relevant. Castells' concept highlights that identity is not just a product of resistance or oppression but an imaginative endeavor with the ultimate goal of societal reform. Individuals envision creating an identity that not only defines their societal position but also determines their overall life experiences. This dynamic presents itself in various ways, reflecting the dialogical aspect of identity creation, and the role of student organizations and civil society organizations becomes crucial in this process.

## The Challenges of Preservation and Reconstruction of the Meetei Identity in Assam

The intricate interplay between language, identity, and ethnicity has been a subject of extensive exploration across various academic disciplines. Ferdinand de Saussure, a seminal Swiss linguist and semiotician, made significant contributions to modern linguistics in his seminal work of 1916. His conceptualization of "langue" and "parole" revealed language not merely as a communicative tool but as a system of signs and symbols intricately interwoven into the fabric of culture and identity. This perspective emphasizes the profound impact of language on shaping our perception of the world.

Expanding upon Saussure's ideas, Benedict Anderson, an American political scientist, delved into the role of language in the formation of national identities. In his influential work, "Imagined Communities" (1983), Anderson highlighted the centrality of a common language in fostering a shared cultural and national identity among diverse groups of people. According to Anderson, language played a pivotal role in shaping the collective consciousness of a nation.

# হোজাইগী পুৰারীদা মণিপুরী মহৈরোই লুপ (AAMSU)গী মফম

**ড॰ দ্বিজমনি শর্মা**
*পোখারবা সেক্রেটরী, AAMSU, HDC.*

**ৰাহৌদোক :**

আসামগী মণিপুরীশিংনা খুন্দারিবা মফমশিংদতা নত্তনা ভারতকী মফম কয়াদা খুন্দারিবা মণিপুরীশিংনা আসাম লৈবাক্কী পিক্লবা লমদম হোজাই হায়বসিদা মণিপুরীশিংনা মশাগী নাৎ অমসুং চৎনবী ঙাক্না মথৌনা মরিংজেল লৈনা খুন্দাদুনা লৈরি হায়বসি খংনরিবা ঙক্তনি। হোজাইদা মণিপুরীশিংনা খুন্দারকখিবা অসি ইং কুমজা ১৯২৭ অদুৰাইদগীনি হায়না তোঙান তোঙানবা লাইরিকশিংদা থেংনৈ।[১] হায়রিবা হোজাই কৌবা লমদম অসিদা অহানবদা যোগীজান রাজবারী হায়বা খুঙ্গং অসিদা ইহান হান্না মণিপুরীশিংনা খুন্দাখিবা হৌখি অমদি ঙসিদি লমদম অসিদা মণিপুরী খুঙ্গং ৫০ (য়াঙ্খৈ) হেনবা মণিপুরীশিংনা খুন্দাদুনা লৈরে।[২]

হোজাই লমদম অসিদা খুন্দারকপদগী হৌনা মণিপুরীশিংনা নাৎ অমসুং চৎনবী ঙাক্তুনা লাকচখি অমদি অতোপ্পা শাগৈ অমত্তনা লাকচবা য়াদনা লাকখি। তৌইগুম্বসুং মতমগী খোংচৎ মতুং ইন্না লাকপা অওনবা কয়াগী চৈথেং কয়া লমদম অসিগী মণিপুরীশিংনা মায়োক য়াদুনা লাকখি। ভারতনা নিংতম্লবা মতুংদা রাজনীতিগী ওইবা অওনবা কয়া লাকখিবা অসিদসু মণিপুরীশিংগী ফিরেপ লেপচনবা অমদি মণিপুরীশিংগী অনিংবা অপাম্বা কয়া ফোঙদোকপীনবা লাইরিক হৈবা লুচিংবিবা ঙম্বা মীওইশিংগী অৰাৎপা অমদি অসুম মরৈখি। অদুবু মতম অদুদসু অঙম্বা হোৎনদুনা মীতোপশিংগা চপ মান্ননা চৎমিন্নবা ঙমখি।

অসুন্না মতম মতমগী ওইবা তেমশিংনরকপা কয়া অসিবু ঙন্না ঙন্নবা হোৎনদুনা মীয়ামগা খোংথাং মান্ননা চৎলকখি। তৌইগুম্বসুং ইং ১৯৭০ গী মতুংদা আসামদা মহৈরোইগী ওইবা ইহৌ অমা লাকখিবা মতম অদুদা মতমদুগী নগাঁও দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা হোজাইদা খুন্দারিবা মণিপুরীশিংগী ওইবা মহৈরোয়শিংগী লুপ অমগী অৰাৎপা অমদি লৈখিরম্মী। হায়রিবা মতম অসিদা তাঞ্জা অদুগী মপান লমদা থোক্তুনা অৰাংবা থাক্কী মহৈকোলশিংদা মহৈ-মশিং তল্লুরবা মহৈরোইশিং খরনা মহৈরোই লুপ অমা শেম্মনবা হোৎনদুনা নগাঁও দিষ্ট্রিক্টকী নগাঁও দিষ্ট্রিক্ট মণিপুরী ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েশ্বন (NDMSA) হায়না শেমখিরম্মী।[৩]

**নগাঁও দিষ্ট্রিক্টকী হোজাইদা মণিপুরী মহৈরোই লুপ মরু হুনখিবগী মতাং অমা :**

আসাম লৈবাক্কী নগাঁও দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা হোজাই[৪] কৌবা লমদম অসিদা মণিপুরী মহৈরোইশিংগী ওইবা লুপ অমা য়ান্না মরু ওইরে খন্নদুনা ইং কুমজা ১৯৭৮ কী ময়াই চল্লকপা অদুৰাইদা মতম অদুগী লাইরিক-লাইশু মতিক চানা হৈরবা মহৈরোয় খরা মীং ওইনা পল্লবদা হিজম ভুবন মোহন, হিজম প্রদীপ, অসেম শ্যামকিশ্বোর অমদি করাম ইবুংঙোহলনচিংবনা লমদম অসিগী মণিপুরী মহৈরোয় ময়াম্বু খোমজিনবা কন্না হোনখি। হায়রিবা মতম অদুগী শক্লাইরবা মহৈরোয়শিং অসিনা হোৎনবিদুনা ইং তাং ১০।১২।১৯৭৮, নোংমাইজিং নুমিত্তা দক্ষিণ হোজাই হাইস্কুলদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা তিনখি। মীফম অদুদা শ্রীযুত বাচা সিংহনা মীফম মপু ওইদুনা পাংথোকখি।[৫] হায়রিবা মীফম অসিদা মীয়ান্না অমত্তা ওইনা য়ান্নদুনা দি নগাঁও দিষ্ট্রিক্ট

মণিপুরী ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েশ্বন (NDMSA) হায়না মীংথোন্দুনা মহৈরোইশিংগী লুপ অমা শেমখি। অসুন্না হোজাই লমদম অসিদা অহানবা ওইনা হিজম ভুবন মোহননা প্রেসিদেন্ট অমদি হিজম প্রদীপ কুমারনা জেনেরেল সেক্রেটরী ওইরগা NDMSA হায়না মীংথোল্লবা মহৈরোই লুপ অসি শেমখিবনি।[৬]

NDMSA হায়না মীংথোল্লগা শেমখ্রবা লুপ অসিনা লমদম অসিদা মণিপুরী খুন্নাইনা থেংনরিবা অৱাবা, মহৈরোয়শিংনা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবা, মণিপুরী খুন্নাইগী অৱাৎ-অপা অসিগীদমক মরি লৈনবা লোয়শঙশিংদা ওকশিনবা হৌগৎখি।

**NDMSA না মণিপুরী খুন্নাইগীদমক লৌখিবা থৌদাং :**

NDMSA না হৌরকপদগী হৌনা মণিপুরী খুন্নাইগী অৱাবা কয়া অমসুং খুদোংচাদবা কয়াদা হকথেংননা মায়োক্নরকপা হৌরকখি। NDMSA না মরি লৈনবা লোয়শঙশিংদা, মণিপুরী লোন ভারত সংবিধানগী নিপাল শুবা তাংককতা চনশিন্নবা তকশিনখি। অসুন্না NDMSA না হোজাই অমদি লংকা কলেজদা মণিপুরী দিপার্টমেন্ট অমদি ওঝা হাপ্পা, মণিপুরী মহৈরোয় তম্বা স্কুলশিংদা মণিপুরী ওঝা মশিং শুনা হাপ্পীবা হায়বনচিংবা কয়া অসি তত্তনা সরকারগী মফমদা তকশিনবা হৌরকখি।[৭]

NDMSA না মতম অদুদা মণিপুরী মহৈরোয়শিংনা মশিং য়ান্না তম্বা স্কুলশিংদা মণিপুরী মেদিয়াম তাব ইনষ্ট্রীকসন ওইহনবিনবা অমদি ওল ইন্দিয়া রেডিও গুৱাহাটী অমসুং শিলচরদা মণিপুরী লোনগী থৌরম য়াওহনবিনবা মরি লৈনবা লোয়শঙশিংদা তকশিনবা লেপখিদে। অসিতসু নত্তনা NDMSA না হোজাই অমদি নগাঁও দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা চোইজাইননা অমগা অমগা শকখঙ-মায়খঙনদনা লৈরম্লবা মহৈরোয় খিবিকপু মফম অমদা পুনশিন্দুনা নুংশি চান্নবা পুরকপতা নত্তনা অতোপ্পা শাগৈগী মমাংদা মণিপুরীশিংগী অপুনবা শক্তম অমা উত্তনবা হোৎনবদা চাওনা থৌদাং লৌখিরম্মী। অসিগীসু মথক্তা লমদম অসিগীসু কার্বি, ডিমাছা, নেপালী, বড়ো অমদি All Assam Students' Union (AASU) নচিংবা সংস্থান কয়াগা খুৎশন্নদুনা অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা নুংশি চাননা অৱা-নুঙাই কয়াদা শরুক য়ামিন্নখি।[৮]

ইং কুমজা ১৯৭৯ অদুৱাইদা আসাম শিন-থুংনা মীরৈবাক মচা তানবগী তারুবা ঈহৌদা (AASU) গা খুৎশন্নরগা NDMSA না চাওনা থৌদাং লৌখি। ইরাং অসি ১৯৮০ দা অমুক হেন্না কনখলকখি। মতাং অসিদা NDMSA গী অনিশুবা মীফমলেন পাংথোকখি অমদি অনৌবা থৌবুবা খুৎকী প্রেসিদেন্ট ওইনা করাম ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং হিজম প্রদীপ সিংহবু অমুক্তসু জেনেরেল সেক্রেটরী ওইনা খনখি। NDMSA গী অনৌবা থৌবুবা খুৎ অসিনা ফম পুবা মতাং অসিদা আসামগী মচা তানবগী ইহৌ অঙকপা ফংনা কনখৎলকপা মতাং অমসু ওইরম্মী। ইহৌ অসিদসু NDMSA না হকথেংননা শরুক য়াখিরম্মী। অসিনা মরম ওইরগা অসমীয়া অমদি মণিপুরীশিংগী মরক্তা লৈনরিবা মরি ফগৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি।[৯]

ইং কুমজা ১৯৮২ দা অৱাং-নোংপোক লমগী মণিপুরী মহৈরোয় লুপশিংগী ফমনাইবা কয়ামরোম হোজাইদা লাত্তুনা NDMSA গী লুচিংবশিংগা ফমিন্নদুনা খুন্নাইগী ওইবা অৱা-নুংঙাইগী হীরম কয়ামরোম খন্নখি। অসুন্না হোজাই লমদমদা মপাঙ্গল কন্না অমদি থৌনা ফনা মণিপুরী খুন্নাইগী চাওখৎ থৌরম কয়াদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌবিখিবা NDMSA অসি ইং কুমজা ১৯৯০ গী জানুৱারী তাং ৮ দা। ১৯৭৯ দা শেমখিবা All Assam Manipuri Students' Union (AAMSU) গা অমত্তা ওইনা পুনশিনখি অমদি NDMSA গী মহুত্তা AAMSU, Nagaon District Committee হায়না খংনরকখি।

**AAMSU অমদি NDMSA পুনশিনখিবগী তেনতকপা ৱাফম খরা :**

ইং তাং ০২।০৫।১৯৮৯ দা NDMSA লোয়শঙ শাদুনা শঙ কাখি। লোয়শঙ অসি শাদুনা শঙ কাখিবগী হরাও-নুংঙাইবগী মীকুপ অদুগী নুমিৎ অদুমক্তদা

NDMSA গী ১১ শুবা মীফমলেন পাংথোকখি। মীফম অদুদা অরিবা কমিতিনা ফম থাদোক্তুনা অনৌবা কমিতি অমা শেমখি। অনৌবা কমিতি অসিদা থরোইজম রাজেন সিংহনা প্রেসিদেন্ট অমসুং কুঞ্জমোহন সিংহবু জেনেরেল সেক্রেটরী ওইনা হাপখি।

ইং কুমজা ১৯৮৯ অসিমক্তদা হোজাইগী মণিপুরীশিংগী পুৰারীদা ময়েক লানা য়েক্তুনা লৈহৌরগদবা মীফম অনি মথং মথং দক্ষিণ হোজাই হাইস্কুলদা পাংথোকখি। মীফম অদুদা All Assam Manipuri Students' Union (AAMSU), শিলচরগী মাইকৈদগী সাইখোম কমলাকান্ত সিংহনা লুচিংদুনা মেম্বর ১৬ হোজাইদা লেংবিরকখি। হায়রিবা AAMSU গী মীহুৎশিং অসিগা NDMSA গী ফমনাইবশিং অমদি হোজাইগী শক্লাইরবা ওঝাশিং য়াওনা ইং তাং ০৫।১০।১৯৮৯ দা পাংথোকখি। মীফম অমদা লুপ অনিসি পুনশিনবগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখি। পুং ৩ (অহুম) হেন্না নৈনখিবগী তুংদসু নুমিৎ অদুগী মীফম অদুদা করিসু অরেপ্পা অমা তাবা লেপ্পবা ঙমখিদে। মথংদা ইং ০৮।০১।১৯৯০ দা অমুক ডাঃ বীরমণি সিংহনা লুচিংদুনা লেংঙকখিবা AAMSU গী মীহুৎশিংগা ফমিন্নদুনা মুন্না খন্ন-নৈনরবগী তুংদা মণিপুরী খুন্নাইগী মহৈরোয় লুপ অনি অসি পুনশিন্নবগী ৰারেপ লৌখি। অসিনা মরম ওইরগা NDMSA অসি AAMSU তিনশিন্দুনা AAMSU, Nagaon District Committee হায়না খংনখি।[১১]

হোজাইসি অমুক নগাঁও দিষ্ট্রিক্টতগী খাইদোক্লগা তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ওইনা ২০১৫ দা লাওথোকবা মতুংদা AAMSU, নগাঁও দিষ্ট্রিক্ট কমিতি অসি অমুক AAMSU, হোজাই দিষ্ট্রিক্ট কমিতি হায়না খংনরে।

**AAMSU, হোজাই দিষ্ট্রিক্ট কমিতিগী হীরমদা খরদং :**

AAMSU, হোজাই দিষ্ট্রিক্ট কমিতি হায়রিবা মহৈরোয় লুপ অসিনা হৌরকপা মতমদগী হৌনা মণিপুরী খুন্নাইগীদমক য়ান্না চাওনা থৌদাং লৌদুনা লাকখি। মমাংদা NDMSA ওইনা লৈরিবা মতমদগী হৌরগা লৈবাক্কী ওইবা থৌদোক-ৰাথোক কয়াদা হকথেংননা শরুক য়াবতা নত্তনা মণিপুরী খুন্নাইদা অৰা-অনা তারকপা মতমদা মাংজিন থানা চোংথোক্তুনতা লাকখিবা লুপ অমনি হায়বদা হায়মনবা থোকলোয়। খুদম ওইনা হায়রবদা আসামদা থোকখিবা মীরৈবাক মচা তাম্বোকপগী ইরাং লুপ অসিনা চাওনা থৌদাং লৌখি। মণিপুরী মহৈরোয় তম্বা স্কুলশিংদা মণিপুরী ওঝা হাপ্পবগী তকশিনখিবা, হৌজিক্কী হোজাই দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা কলেজশিংদা মণিপুরী দিপার্টমেন্ট হাংহন্নবগী হোৎনখিবা কয়ানচিংবদা AAMSU, হোজাই দিষ্ট্রিক্ট কমিতিনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখি।

AAMSU, হোজাই দিষ্ট্রিক্ট কমিতিগী শিংথানিঙাই ওইরবা থৌদাংশিংগী মরক্তা অমুক্তসু পনবা য়াবদি, ইং কুমজা ২০০৩ দা অৰাং-নোংপোক মণিপুরী মহৈরোয় লুপ (NESCOCOMI) কোনভেনশ্যন হোজাইদা পাংথোকখিবা অসিদা AAMSU, হোজাই দিষ্ট্রিক্ট কমিতিনা মরু ওইবা থৌদাং লৌখি। হায়রিবা থৌরম অসিদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী লেংবিরকখি। হায়রিবা থৌরম অসিনা লমদম অসিগী মণিপুরী মচাশিংগী থম্মোয়দা অনৌবা থৌনা হাপ্পীরম্বতা নত্তনা মণিপুরী নেসনেলিজম শাগৎপদা অচৌবা তেংবাং অমা ওইখি। থৌরম অসিদা লেংবিরকখিবা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা হোজাই মীয়ামগীদমক লুপা ৫,৫০,০০০/- তেংবাংবীরম্বা অসিনা ঙসি হোজাইদা চাওরবা পরিষদ শঙলেন অসি শাজবা ঙমখিবনি। অসুন্না হোজাইদা ঙাম্বোইরিবা মণিপুরীশিংগী অমত্তা ঙাইরবা পরিষদ শঙলেন অসি AAMSU, হোজাই দিষ্ট্রিক্টকী হোৎনজমননি হায়দুনা মতম অদুগী মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, নগাঁও দিষ্ট্রিক্ট কমিতিগী সেক্রেটরী হিজম প্রদীপ মক্না হায়বিরম্মী।[১২]

অসুন্না AAMSU, হোজাই দিষ্ট্রিক্ট কমিতিনা মণিপুরী শাগৈগী ওইবা থৌদোক ৰাথোক খুদিংদা চাওনা থৌদাং লৌদুনা লাকখি। খুদম ওইনা পল্লবদা মনোরমা ৰাথোক্তা লৌখিবা ফিরেপ, মণিপুরী লোন ভারতকী সংবিধানগী ৮ (নিপান) শুবা সেদ্যুলদা চনহন্নবগী ইহৌদা

অমদি মণিপুরগী ঙমখৈ ঙাকপগী মতাংদসু AAMSU, হোজাইনা লেপখিবা ফিরেপ অমদি পাংথোকখিবা থৌদাং শিংথানিঙাই ওই।[১৩]

AAMSU, হোজাইনা মরু ওইনা হোজাই কলেজ, হোজাই গার্লস কলেজ অমদি লংকা কলেজনচিংবদা মণিপুরী দিপার্টমেন্ট হাংবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। অসিতসু নত্তনা মণিপুরী মহৈরোয়শিংগী করিগুম্বা খুদোং চাদবা অমা থোরকপদা, AAMSU, হোজাইনা হকথেংননা মায়োক্লনা লাকখি। মণিপুরী সবজেক্ট তল্লিবা মহৈরোয়শিংগী লাইরিক ফংদবগী অৰাবগী মতাংদসু AAMSU, হোজাইনা মরি লৈনবা লোয়শঙদা অমদি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদতা তত্তনা তকশিন্দুনা লাকখি। AAMSU, হোজাইগী থৌদাংদা অঙকপা ফংনা অওনবা অমা ইং কুমজা ২০০৭ কী মতুংদা লাকখিবা থেংনৈ। AAMSU, হোজাইগী থৌদাংদা খুন্নাইগী তোঙান তোঙানবা ইহৌশিংদা হকথেংননা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংগী লাইরিক-লাইশু মহৈ-মশিং অমদি সাহিত্যগী লমদা চাওখৎ থৌরম কয়া পায়খৎখি। খুদম ওইনা পল্লবদা AAMSU, হোজাইনা মহৈরোয়শিংগীদমক কুইজ, দিবেট অমদি শৈরেং শৈদিন্নবনচিংবা কয়া পাংথোকখি। AAMSU, হোজাইনা মেত্রিক থাগদৌরিবা মহৈরোয়শিংগীদমক কোচিং ক্লাসনচিংবা কয়াসু শিনখি।[১৪]

মতাং অসিদা য়ান্না মরু ওইনা AAMSU, হোজাইনা ইং কুমজা ২০১৬ দগী হৌরগা শান্নবা (Sports), সাহিত্য (Literature) অমদি ইনাৎকী থৌরম কয়াগী হেদান্নবা কয়া "য়াওশঙ কুম্মৈ" হায়দুনা মীংথোন্দুনা চহি খুদিংগী পাংথোক্তুনা লাক্লি। হায়রিবা "য়াওশঙ কুম্মৈ" অসিনা হোজাই লমদমদা মৈতৈ মচাশিংগী মরক্তা অঙকপা ফংনা পান্নরকপদা নত্তনা Sports, literature অমদি Culture গী ওইবা অনৌবা য়াওল অমা পুরক্লে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোয়। "য়াওশঙ কুম্মৈ" না মরম ওইরগা ঙসিদি লমদম অসিগী শান্নরোয় ষ্টেট অমদি নেসনেলগী থাক্তা মশান্না কয়াদা শরুক য়াবা ঙম্লকলে।১৫ অসিগুম্লবা থৌরম অসি মায় পাক্লা পাংথোকপদা চাওরবা শেলগী ওইবা মতেং কয়া হোজাইগী মীয়ামদতা নত্তনা আসামগী তোঙান তোঙানবা মফমগী মণিপুরী মীয়াম অমসুং মণিপুরগী মীয়াম অমনসু শেলগী ওইবা মতেংতা নত্তনা থৌরম অসিদা লেংলভুনা রেফারী ওইবীবা, জর্জ ওইবীবা অমদি শিন-লাংবদা য়াওবিবা মণিপুরদগী ওঝা ময়াম অমা তত্তনা লাকপীরি। অসুন্না থৌরম অসি চহিগী মায়পাক্লা পাংথোকপসি উবদা আসাম সরকারনসু শেলগী মতেং খরদা ওইরবসু পাংবিবা হৌরক্লে।[১৬] ঙসি অসিগুন্না চিংলেল্লবা থৌরম অসি মায় পাক্লা পাংথোকপদা AAMSU গী মেম্বর, এদভাইজর অমদি মতম মতমদা থৌ পুবিরম্বা এক্স. মেম্বরশিংনা মরু ওইবা থৌদাং লৌবিরি।

অসুন্না খুন্নাইগী চাওখৎ থৌরম কয়া পাংথোক্তুনা লাকপতা নত্তনা লমদম অসিগী মণিপুরীশিংনা অৰা-অনা তারকপা মতমদসু AAMSU, হোজাইনা হেক্তা মাংজিন থানা চোংথোকপা ইতৎ তত্তনা থেংনৈ। খুদম ওইনা হায়রবদা ইং কুমজা ২০২০ গী Covid-19 লাইচকী মতমদা অকি-অখং লৈতঙৈ AAMSU গী মীহুৎশিংনা খুঙ্গং খুঙ্গং কোইচৎ চতুনা চেং-চাক কয়া য়েন্থোকখি। ঈশিং ইচাও মতমদসু অসুন্না মণিপুরী ইচিন-ইনাওশিং চরা হেনবা য়ারোয় হায়বা ৰাখল্লোননা অচা-অথক্কী পোৎচৈ করা য়েনবা তোকখিদে।

AAMSU গা আসাম লৈবাক্কী ওইবা তোঙান তোঙানবা মহৈরোয় লুপশিংগী মরক্তা ফজবা মরি অমা শেমগৎপদা AAMSU, হোজাই দিষ্ট্রিক্ট কমিতিনা চাওনা থৌদাং লৌদুনা লাকখি। আসামদগী মীতোপ তানবগী ইহৌ (১৯৭৯-১৯৮৫) গী মতমদগী হৌরগা ঙসিফাওবা আসামগী মরু ওইরবা মহৈরোয় লুপ কয়াগা AAMSU গা মতেং পাংনদুনা লাকখি। হায়রিবা মরি অসি অমুক ২০২১ গী মতুংগী মতমদা অমুক হেন্না ফগৎখি।

**ৰারোইশিন :**

AAMSU, হোজাই দিষ্ট্রিক্ট কমিতিনা মথক্তা পঞ্জরিবা অসুন্না মণিপুরী খুন্নাইদা য়ান্না মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। AAMSU, হোজাই দিষ্ট্রিক্ট কমিতি অসিনা

লমদম অসিদা মণিপুরীশিংগী আউদেন্টিতি ঙাকপদা চাওরবা থৌদাং লৌরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোয়। অদুবু AAMSU গী হোজাই দিষ্ট্রিক্ট কমিতিদগী ঙসি ফাওবদা সেন্ট্রেল কমিতিদা মরু ওইবা থৌদাং পুখিবা মীওইগী মশিংদি য়াম্না লিকই। ইং কুমজা ১৯৯১ গী হোজাইদা ফমখিবা AAMSU গী মীফমদা জেনেরেল সেক্রেটরী ওইনা লোংজম অমলবু খনবিখি অমদি কুইরবা মতুং ২০২১ দা ঙাশেপম সনাহলবু সেন্ট্রেল কমিতিগী প্রেসিদেন্ট ওইনা খনবিখি। হায়রিবা মীওই অনি অসি নত্তনা হোজাইদগী ওইনা AAMSU, সেন্ট্রেল কমিতিগী প্রেসিদেন্ট নত্রগা জেনেরেল সেক্রেটরী ওইখিবা লৈত্রি।

**নোটস অমদি রেফারেন্স :**

১। সিংহ, করাম ইবুংঙোহল (২০১০), আসামদা মৈতৈনা খুন্দাখিবা মফমশিংগী মরমদা শমলপ্পা; সোভেনির, গোলডেল জুবিলি সেলেব্রেসন, হোজাইঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, আসাম, ৮২-৮৯

২। সিংহ, থৌদাম বাবাতোম্বি অমসুং সিংহ, ঙাথেম প্রেমবাবু (২০১০), মৈতৈ খুন্দা ৱারী; হোজাইঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, নগাঁও দিষ্ট্রিক্ট কমিতি।

৩। সিংহ, হিজম প্রদীপ (২০০৭), ওল আসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন, নগাঁও জিলাগী শমলপ্পা হৌরক বারী; সোভেনির, ২৭ শুবা চহিগী মীফমলেন, AAMSU, নগাঁও দিষ্ট্রিক্ট কমিতি।

৪। হৌজিক্কী হোজাই দিষ্ট্রিক্ট অসি মতম অমদা নগাঁও দিষ্ট্রিক্ট মনুং চনবা সাব-দিভিজন অমা ওইনা লৈরম্মী। ২০১৫ ইংদগী তোঙান্বা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনা লাওথোকখি ।

৫। সিংহ, হিজম প্রদীপ (২০০৭), ওল আসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন, নগাঁও জিলাগী শমলপ্পা হৌরক ৱারী; সোভেনির, ২৭ শুবা চহিগী মীফমলেন, AAMSU, নগাঁও দিষ্ট্রিক্ট কমিতি।

৬। মতম অদুগী NDMSA গী থৌবুবশিংগা উন্নজরুবদগী খংজরকপা।

৭। Ibid

৮। সিংহ, হিজম প্রদীপ (২০০৭), ওল আসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন, নগাঁও জিলাগী শমলপ্পা হৌরক ৱারী; সোভেনির, ২৭ শুবা চহিগী মীফমলেন, AAMSU, নগাঁও দিষ্ট্রিক্ট কমিতি।

৯। Ibid

১০। Ibid

১১। AAMSUগী থৌ পুবীরম্বা অহনশিংগী উন্নজরুরগা খোমজিনজরকপা।

১২। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, আসাম, নগাঁও দিষ্ট্রিক্ট কমিতিগী মতম অদুগী (২০০৫) সেক্রেটরী হিজম প্রদীপ সিংহদগী খোমজিনজহৌবা।

১৩। AAMSU, C/C পোখাপ্লবা সেক্রেটরী লোংজম অমল সিংহদগী খোমজিনজরকপা।

১৪। AAMSU, নগাঁও দিষ্ট্রিক্ট কমিতিগী ২০০৭ ইংদা শিজিন্নরম্বা প্রোসিদিং বুক।

১৫। Sports, Literary and Cultural Meet, Yaoshang Kumhei concludes S2018V. Retrieved from https-//www.sentinelassam.com/news/sports-literary-and-cultural-meet-yaoshang-kumhei-concludes on 29th January, 2024 .

১৬। AAMSU, HDC, Yaoshang Sports Committee গী প্রেসিদেন্ট ফমদোম মনিবাবু সিংহদগী খোমজিনজরকপা।

# মৈতৈ নুপী

**মালেমঙানবী হাওরোংবম**

মালেমদা লৈরীবা চনুরাশিংগী মরকতা ফিদমনিঙাই ওইবী মৈতৈ নুপীনি। কনাগবু চাংদমনরুগনি থৌনাফবী মৈতৈ নুপীশিংগা। লাই হাকতকতগী মৈতৈ নুপীগী তোপ তোপ্পা শকতম উদুনা তাদুনা লাকলিবনি। মোইরাং থোইবীবু হায়রবসু মশক মতৌদা মপা লৈতবী থোইবীনী। অদুগা অমুক মোইরাং কংলৈরোনগী ৱারীদা চিথবা য়াদবী খমনুবুসু কনানসু কাউঙমরোইদবা ওইনা লৈরগনি। মৈতৈ নুপীগী থৌনা লিংজেলদি ইতিহাসনা শাখীনি। পানথোইবী অমসুং ফৌওইবীগী ৱারী অসিসু চারোন শুরোন পুমনমকতা মথাং শিতনা লিদুনা চতথরকলি। লৈমা লিনথোইঙমবীবু কনানা কাওগনি মহাকনা মপুরোইবা লৈতিরিঙৈদা মপুরোইবগী মহুত শিনদুনা নিংথৌ ফিজোল শেততুনা নিংথৌ কোনুংবু ঙাকখিবীনি। য়েলহৌঙৈদগী ওইরবসু মৈতৈ নুপীগী ওইবা থৌনা লিংজেলদি ফিদমনিঙাই ওইবীনি। চায়নরোন নচিংবা অরিবা পুয়াশিংদা নুপীশিংগী থৌনাফবগী মশক উবা ফংই।

অদুঙৈ নুপী লানদা শরুক য়াখিবী ইমাশিংবু কনানসু কাওঙমদনা ৱারী লিশাং কাওবা লৈতনা ৱারিনরি। কনাদবু তমলুগনি মৈতৈ নুপীশিংগী ৱারী লিখুন কনাদবু লিরুগনি থৌনাফবী ইমাশিংগী ৱারি পরিং। মচাশিংগী য়াইফনবগীদমক অমসুং মরৈবাককীদমক থৌনাফনা খুতলাই পায়বাশিংগা মায়োকনখিবীশিংবু ঙসিসু নচাশিংনা থৌদোক অদুবু কাওঙমদনা পাংথোকলি "অহানবা নুপী লান অমসুং অনীশুবা নুপী লান" কাওঙমলোইদবা ওইনা লৈরগনি নচাশিংগী মফমদদী ইমাশিংগী থৌনা লিংজেলবু শৈথারিবমখৈ লোইবা নাইরোইদনা অসুম লৈরগনি ।

ইরোম শর্মিলা, মিরা বাই চনু, কুনজরানী মখোয়বু খঙদবা কনা লৈরিবগে ঙসিসু লেপ্পা লৈতে অশেংবা থৌনা লিংজেলশিংদু তাকলি ঙসিসু লেপ্পা লৈতনা মালেমদা।

লানফমদা থোকতুনা লানথেংদরবসু কলমগী খোর্জেনা লানথেংলিবী অইবী কয়া মৈতৈ সাহিত্যবু চাউখতনবগী খোঙহৌদা শরুক য়ারিবি অইবী কয়ানা সাহিত্যবু অৱাংবা থাকতা পুখৎতুনা মালেমদা শকতাক মিনশেন ওইনা শকতাকপিরিবি অইবী কয়া পনলবদা নিংথৌ কোনুংদা চাওরকপী মহারাজকুমারী বিনোদিনী, থোইবী দেবী নচিংবা পনবা য়াই।

ঙনলিঙৈ মতমদগী হৌদুনা লৈরকলিবী থৌনাফবী মৈতৈ নুপী কয়া থোরকখিবগুম তুংদসু থোরকখিগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

"মৈতৈ চনুনা য়াইফরে, মালেম ইমানা য়াইফরে"

# ৱাহৈ

**খংজ্রাকপম কৃষ্ণমোহন**
*PhD Research Scholar,*
*Assam University, Silchar*

নঙমুক কানবা
সকতি লৈবা
থৌনা লৈবা
থোৎ নৌবা
লৈরমখিগদ্রা?
নঙগী,
ৱাহৈ অমনা
য়েনিং হুল্লি।
নঙগী,
ৱাহৈ অমনা
লৈখা তারি।
ৱাহৈ,
নঙতবু পুজা তৌনিংলকলি।
তৎখ্রবা, ৱাংনা পাইখ্রবা
তেলঙ্গা কয়াগী পুন্সি,
অমদি নিংবা কায়রবা
থম্মোয় কয়াগী চৈনাখোল
অনৌবা আসা কয়া পুদুনা
লানঙম ফীরাল পাইদুনা
চঙশিলিবা নহা কয়া
ঙাইরি ঙসিসু
নঙগী ৱাহৈ অমত্তং।

# তাইবংপান

**বীরচন্দ্র থোকচোম**

হে পুন্সি পীরাঙনা
শিন্থরক্লবা মতমসিদা,
ঐবু কনাদা হায়রুসিগে
য়েংলু য়েংলু খুদিংদা
ইৱাৎ তমক ৱাৎলিদো।।
ইমা য়েংলুই লৈতেদো,
ইপা য়েংলুই লৈতেদো।
লাইবক থিবা নচাদি
ইৱাৎ তমক ৱাৎলিদো।।
হে তাইবং মপু নঙবু
নচানা কৌরিবসে তাবিয়ু,
নচাবু করম হায়না হিংলুগে,
মপু মাগী মফমদা
নচাসু মনাই ওইনা,
চংজরক্লগে নহাক্কী ননাক্তা
লৌশিনবিয়ুকো নচাবু।।



# মহৈরোয় অমা ওইনা

**মুতুম থোইবা**
*লক্ষীপুর*


পুন্সিগী তাইবং খোংচৎসিদা
ছাত্রগী পুন্সিনা খ্বাইদগী নুঙাইবা
তাঙ্কক অমনি হায়না লৌনৈ।
থৌদাংসু কয়াগী মতিক চাওই
ঙমদবসু লৈতে।

কান্নবা - ওইজবসু অমতা,
ফংবসু নত্তবা ইশাগী
ইমানা ঙাংবা,
য়ুমগী মীনা হায়বা
পূন্নমক তুংওইনরমলগা
ইশাগী ইথৌ কায়থোক্লগা
খুনাইসিগী কদায়দা করি হায়দুনা
ওঝাশিং ইমাশিং কয়াগী মতুংদা
থৌ কয়া তৌদুনা
তাঙ্কক কয়া - কয়াদা
শরুক য়াজরিবনি।

অমুকশু খনরকই করিগুম্বা মতমদা
ঐখোয়না চৎলিবা চোংঙিবা
ইমালোন অসিগীদমক,
ইজাতি অসিগীদমক,
ইফুরুপ অসিগীদমক,
মহৈরোয় অমা ওইনা।
ঐখোয়তরা মহৈরোয় ওইনা,
লৈরিবা লমদম অসিদা
মীতৈ ইমাগী মচা অমা ওইনা।

ওঝা - ইয়াম্বশিং অসিনা
লমজিংদুনা পুরকপা লম্বীসিদা
অৱাবা নুঙাইবা পেন্দবা
অমতা নাচুংবা তৌদনা
তৌফম থৌকপা ইথৌনি হায়না
ইমাংদা থমলগা চৎচরিবনি।

মহৈরোয়গী তাঙ্ককনা লোইখ্রবসু
হে মীতৈ ইমা নঙগীদমক
থৌদাং কয়া কোকথক্তা
পুদুনা চৎপা ঙম্বা,
য়েক্লবা লিশিং কয়া
মায়য়োক্লবা ঙম্বগী থৌনা
হন্দবা ওইজগে হিংলিবমখৈ।



# হিংগদবা লুরেদা মতমসি

**সাগপম বিশ্বপ**
*জেনরেল সেক্রেতরী,*
*আমসু, এল.ডি.সি*

সমাজসিগী ঈপাক্তুদা
লুরবা ঈশিং খুজোক'মতং
থকনিংলুববু
অনৈবগী তোর্ব্বানদুদা লেপ্লগা,
মখোয় মশেন
মমিৎ কুপনৈ
খুজিন শিকনৈ।
মতমসিনরা 'সিবু?

# ঐখোয়সে মীওইবনিকো ?

**কিসান হাওরোংবম**
*লক্ষীপুর*

ঐখোয়সে তাইবং শেমবা মপুনা হেন্থোইনা শেমবা
লোনথোকপা শানিকো,
ঐখোয়সে মীওইবনিকো,
মতমগী ঈচেলগা চৎমীনবা ঙমবা মীওইবনিকো।

চৎখি অথৌবা কয়া, লাকখিনি অথৌবা কয়াসু,
শাথিরবা হিতলর, নেপোলিয়ন, পাউনা,
চৎখি মখোয়সু মতমগা লোয়ননা,

নেপোলিয়ন মহাকসু মঙাউ থীবনি,
জোসেফাইন মাসুমলাঙগীদমক
লানগী লম্বীদগি হলকখিবা নুংশিবদা ঙাউরবা ৱাখল
খন্থবা ঙমখিদব মীওইবনিকো।

পাউনা অথৌবা মহাকসু চীঙলেনগী পলেম ওইবীগী
ৱাশক ঙাকখিবনিকো,
নেহরু মহাকসু মীংচৎ খরগীদমক
পুকচেল চাউবা শাখিকো,
রাজনীতি শানবসিংনা জাত, ধর্মগী মীংদা
প্রজা মীয়ামবু লানথেংনহনবীরি,

ওইজনিংই ঐহাকতি কনাগুমবীগি নুংশিব, ৱাশক
ঙাকপ, পূকচেল চাউব মীওইবা শা মখল অমা।



# মতমগী নহারোল
# ꯃꯇꯃꯒꯤ ꯅꯍꯥꯔꯣꯜ

খোইরীফাব হাওরোংবম
ꯈꯣꯏꯔꯤꯐꯥꯕ ꯍꯥꯎꯔꯣꯡꯕꯝ
*Bantarapur, Sonai, Cachar, Assam*
*(Master of Arts 3rd Semester*
*Assam University, Silchar)*

ঈরৈ কল্লব মতমগী ঈপাকসিদ
ꯏꯔꯩ ꯀꯜꯂꯕ ꯃꯇꯃꯒꯤ ꯏꯄꯥꯛꯁꯤꯗ

চেন্থরি হিবূ য়াওদ্রব মতমগী হি,
ꯆꯦꯟꯊꯔꯤ ꯍꯤꯕꯨ ꯌꯥꯎꯗ꯭ꯔꯕ ꯃꯇꯃꯒꯤ ꯍꯤ,

তোংলি হিথকসিদ মতমগী নহারোল,
ꯇꯣꯡꯂꯤ ꯍꯤꯊꯛꯁꯤꯗ ꯃꯇꯃꯒꯤ ꯅꯍꯥꯔꯣꯜ,

লানথেংনরি মখোয়ন মতমগী খোর্বাকত
ꯂꯥꯟꯊꯦꯡꯅꯔꯤ ꯃꯈꯣꯌꯅ ꯃꯇꯃꯒꯤ ꯈꯣꯔ꯭ꯕꯥꯛꯇ

খুৎবী খুৎদোনবীন খোর্জে ওইদুন,
ꯈꯨꯠꯕꯤ ꯈꯨꯠꯗꯣꯟꯕꯤꯟ ꯈꯣꯔ꯭ꯖꯦ ꯑꯣꯏꯗꯨꯅ,

তাইবঙগী লানফমবু মীরাইরমলগ
ꯇꯥꯏꯕꯪꯒꯤ ꯂꯥꯟꯐꯝꯕꯨ ꯃꯤꯔꯥꯏꯔꯝꯂꯒ

তান্নরি মঙলানগী লানঙম ফিরালবু
ꯇꯥꯟꯅꯔꯤ ꯃꯉꯂꯥꯅꯒꯤ ꯂꯥꯟꯉꯝ ꯐꯤꯔꯥꯜꯕꯨ

মতমগী হু-গুমলব সিদ-হিদাক হাদুন
ꯃꯇꯃꯒꯤ ꯍꯨ-ꯒꯨꯝꯂꯕ ꯁꯤꯗ-ꯍꯤꯗꯥꯛ ꯍꯥꯗꯨꯅ

তেকখৎহল্লি মপানথোংগী পোলাংবু
ꯇꯦꯛꯈꯠꯍꯜꯂꯤ ꯃꯄꯥꯟꯊꯣꯡꯒꯤ ꯄꯣꯂꯥꯡꯕꯨ

শোকচিল্লকলে নুংগী কয়াৎশিংদি।
ꯁꯣꯛꯆꯤꯜꯂꯀꯂꯦ ꯅꯨꯡꯒꯤ ꯀꯌꯥꯠꯁꯤꯡꯗꯤ ॥

খুমলকলে লমন কয়াৎশিংদুন
ꯈꯨꯃꯂꯀꯂꯦ ꯂꯃꯟ ꯀꯌꯥꯠꯁꯤꯡꯗꯨꯟ

মাঙহনবগী মৈচাকন মখোয়বু
ꯃꯥꯡꯍꯟꯕꯒꯤ ꯃꯩꯆꯥꯀꯟ ꯃꯈꯣꯌꯕꯨ

ফাওরকলে চৈনাখোল, ৰারকলে খাঙব
ꯐꯥꯎꯔꯀꯂꯦ ꯆꯩꯅꯥꯈꯣꯜ, ꯋꯥꯔꯀꯂꯦ ꯈꯥꯡꯕ

হোল্লকলে শ্বর মপি।
ꯍꯣꯜꯂꯀꯂꯦ ꯁ꯭ꯋꯔ ꯃꯄꯤ ॥

তারক-লো ৰাখল
ꯇꯥꯔꯛ-ꯂꯣ ꯋꯥꯈꯜ

হে মতমগী লান্মী ও,
ꯍꯦ ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯂꯥꯟꯃꯤ ꯑꯣ,

হে মতমগী নহারোল ও
ꯍꯦ ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯅꯍꯥꯔꯣꯜ ꯑꯣ,

চৎলসি অচুম্ব লম্বীদ
ꯆꯠꯂꯁꯤ ꯑꯆꯨꯝꯕ ꯂꯝꯕꯤꯗ

থাদোকলমদুন অমাংব কয়াবু,
ꯊꯥꯗꯣꯀꯂꯃꯗꯨꯟ ꯑꯃꯥꯡꯕ ꯀꯌꯥꯕꯨ,

কৎথোকলসি ইজাতিগী দমক,
ꯀꯠꯊꯣꯀꯂꯁꯤ ꯏꯖꯥꯇꯤꯒꯤ ꯗꯃꯛ,

ফূদোকলসি থৌনাগুম
ꯐꯨꯗꯣꯀꯂꯁꯤ ꯊꯧꯅꯥꯒꯨꯝ

থৰায়ন লাইওইখ্রব
ꯊꯋꯥꯌꯟ ꯂꯥꯏꯑꯣꯏꯈ꯭ꯔꯕ

মরৈবাক্কী দমক, অথৌবশিংদুগী।
ꯃꯔꯩꯕꯥꯛꯀꯤ ꯗꯃꯛ, ꯑꯊꯧꯕꯁꯤꯡꯗꯨꯒꯤ ॥

ওইরসি লমজিংব
ꯑꯣꯏꯔꯁꯤ ꯂꯃꯖꯤꯡꯕ

লমজিংবীনব লৈত্রব
ꯂꯃꯖꯤꯡꯕꯤꯅꯕ ꯂꯩꯇ꯭ꯔꯕ

অঙাং নৰাশিংদুগী,
ꯑꯉꯥꯡ ꯅꯋꯥꯁꯤꯡꯗꯨꯒꯤ,


হাপলসি থৌনাদু মখোয়দ
ꯍꯥꯞꯂꯁꯤ ꯊꯧꯅꯥꯗꯨ ꯃꯈꯣꯌꯗ

লমজিংবীরসি অচুম্ব লম্বীদ,
ꯂꯃꯖꯤꯡꯕꯤꯔꯁꯤ ꯑꯆꯨꯝꯕ ꯂꯝꯕꯤꯗ,

ফূদোকলসি থৌনাদো
ꯐꯨꯗꯣꯀꯂꯁꯤ ꯊꯧꯅꯥꯗꯣ

হে মতমগী নহারোল।
ꯍꯦ ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯅꯍꯥꯔꯣꯜ ॥





# ঐগী লাইরিক
# ꯑꯩꯒꯤ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ

মিনা শর্মা
ꯃꯤꯅꯥ ꯁꯔ꯭ꯃꯥ
*Rongpur, Silchar, Cachar, Assam*
*(Master of Arts 3rd Semester,*
*Assam University Silchar)*

হে ঐগী লাইরিক, হে ঐগী পুস্তক
ꯍꯦ ꯑꯩꯒꯤ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ, ꯍꯦ ꯑꯩꯒꯤ ꯄꯨꯁ꯭ꯇꯛ

নঙনা ঐগী পুন্সিগী শেংলবা মরুপনি
ꯅꯪꯅꯥ ꯑꯩꯒꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤꯒꯤ ꯁꯦꯡꯂꯕꯥ ꯃꯔꯨꯞꯅꯤ

নঙনা ঐগী পুন্সিগী মঙালনি।
ꯅꯪꯅꯥ ꯑꯩꯒꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤꯒꯤ ꯃꯉꯥꯂꯅꯤ ॥

হে ঐগী লাইরিক, হে ঐগী পুস্তক
ꯍꯦ ꯑꯩꯒꯤ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ, ꯍꯦ ꯑꯩꯒꯤ ꯄꯨꯁ꯭ꯇꯛ

নঙনা ঐগী চীকলবা অহিংগী ইতানি
ꯅꯪꯅꯥ ꯑꯩꯒꯤ ꯆꯤꯛꯂꯕꯥ ꯑꯍꯤꯡꯒꯤ ꯏꯇꯥꯅꯤ

ঐবু থাদোক্কুনা চৎপিগনু।
ꯑꯩꯕꯨ ꯊꯥꯗꯣꯛꯀꯨꯅꯥ ꯆꯠꯄꯤꯒꯅꯨ ॥

হে ঐগী লাইরিক, হে ঐগী পুস্তক
ꯍꯦ ꯑꯩꯒꯤ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ, ꯍꯦ ꯑꯩꯒꯤ ꯄꯨꯁ꯭ꯇꯛ

নঙনা ঐগী মঙলাননি
ꯅꯪꯅꯥ ꯑꯩꯒꯤ ꯃꯉꯂꯥꯅꯅꯤ

নঙনা ঐগী তাইবংনি।
ꯅꯪꯅꯥ ꯑꯩꯒꯤ ꯇꯥꯏꯕꯪꯅꯤ ॥

হে ঐগী লাইরিক, হে ঐগী পুস্তক
ꯍꯦ ꯑꯩꯒꯤ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ, ꯍꯦ ꯑꯩꯒꯤ ꯄꯨꯁ꯭ꯇꯛ

লৈতে নঙমুক অশেংবা
ꯂꯩꯇꯦ ꯅꯪꯃꯨꯛ ꯑꯁꯦꯡꯕꯥ

লৈতে নঙমুক কান্নবা।
ꯂꯩꯇꯦ ꯅꯪꯃꯨꯛ ꯀꯥꯟꯅꯕꯥ ॥

হে ঐগী লাইরিক, হে ঐগী পুস্তক
ꯍꯦ ꯑꯩꯒꯤ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ, ꯍꯦ ꯑꯩꯒꯤ ꯄꯨꯁ꯭ꯇꯛ

পিবিয়ু থোং হাংদোক্কুনা জ্ঞানগী
ꯄꯤꯕꯤꯌꯨ ꯊꯣꯡ ꯍꯥꯡꯗꯣꯛꯀꯨꯅꯥ ꯖ꯭ꯅꯥꯅꯒꯤ

লৌজগে লাইমিং নঙগী।
ꯂꯧꯖꯒꯦ ꯂꯥꯏꯃꯤꯡ ꯅꯪꯒꯤ ॥

হে ঐগী লাইরিক, হে ঐগী পুস্তক
ꯍꯦ ꯑꯩꯒꯤ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ, ꯍꯦ ꯑꯩꯒꯤ ꯄꯨꯁ꯭ꯇꯛ

মতম খিবিক্তা নঙগী ননাই ওইজগে
ꯃꯇꯝ ꯈꯤꯕꯤꯛꯇꯥ ꯅꯪꯒꯤ ꯅꯅꯥꯏ ꯑꯣꯏꯖꯒꯦ

পুন্সিচুপ্পা নঙগী খুয়াদা লৈজগে।
ꯄꯨꯟꯁꯤꯆꯨꯞꯄꯥ ꯅꯪꯒꯤ ꯈꯨꯌꯥꯗꯥ ꯂꯩꯖꯒꯦ ॥

হে ঐগী লাইরিক, হে ঐগী পুস্তক
**ꯍꯦ ꯑꯩꯒꯤ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ, ꯍꯦ ꯑꯩꯒꯤ ꯄꯨꯁ꯭ꯇꯛ**

ইমা সরস্বতিগী পাংখক ওইরিবী
**ꯏꯃꯥ ꯁꯔꯁ꯭ꯋꯇꯤꯒꯤ ꯄꯥꯡꯈꯛ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯤ**

ঈরাৎ পুজা তৌবদা চিংননিঙাই লৈত্রবী।
**ꯏꯔꯥꯠ ꯄꯨꯖꯥ ꯇꯧꯕꯗꯥ ꯆꯤꯡꯅꯅꯤꯡꯉꯥꯏ ꯂꯩꯇ꯭ꯔꯕꯤ ॥**

হে ঐগী লাইরিক, হে ঐগী পুস্তক
**ꯍꯦ ꯑꯩꯒꯤ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ, ꯍꯦ ꯑꯩꯒꯤ ꯄꯨꯁ꯭ꯇꯛ**

পিবিয়ু শেংলবা জ্ঞান
**ꯄꯤꯕꯤꯌꯨ ꯁꯦꯡꯂꯕꯥ ꯖ꯭ꯅꯥꯟ**

লৌজগে ইকোক নোন্না।
**ꯂꯧꯖꯒꯦ ꯏꯀꯣꯛ ꯅꯣꯟꯅꯥ ॥**

হে ঐগী লাইরিক, হে ঐগী পুস্তক
**ꯍꯦ ꯑꯩꯒꯤ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ, ꯍꯦ ꯑꯩꯒꯤ ꯄꯨꯁ꯭ꯇꯛ**

খুরুমজরি নঙবু
**ꯈꯨꯔꯨꯝꯖꯔꯤ ꯅꯪꯕꯨ**


হন্না হন্না।
**ꯍꯟꯅꯥ ꯍꯟꯅꯥ ॥**

# পুন্সিগীদমক্তা

**থম্বালতোম্বী দেবী**
*লাবোক পার্ট-২*

পুন্সিগীদমক খনবদা,
পুন্সিগীদমক ৱাবদা,
মীকুপ অমত্তা নুঙাইতনা
মীকুপ অমত্তা পোত্থাদনা
লাকখিবনি মানা লাকখিবনি মানা
হীংনবগী লম্বী থিদুনা।
থীরম্বনি চাওরবা সংসার অসিদা
মহাক্কীসু লেপফম অমত্তং
মাংজদৌবা থৱাই হকচাংবু
শিনি হায়না খন্দনা
চৎখিবনি হিংনবগা লম্বী থিবা।
তম্বা ঙমদ্রবা পুন্সিবু
লৈয়ু হায়বা য়াদ্রবা হকচাংবু
পুদুনা থোইনা চৎলুই।
অদুবু ফংবদি হেক ফংখিদে
অনৌবা লম্বী অমা।
অরোইবা মীকুপ্তা
হিংনবা থিবদা লৈহৎপিরবা
হকচাংবু লংথোকপিরম্মী
নিংঙাইদনা থৱায়না।
নৈহৎলবা হকচাংনা লৈহৌই
মালেম থক্তা পংথনা
তারম্মী তাইবংগী মীকপ মীরাওখোল
চৎখি মাদি নিঙাইদনা
য়াতাসি মোংফম থক্তা।

# ইমাগী খোল্লাও
# ꯏꯃꯥꯒꯤ ꯈꯣꯜꯂꯥꯎ



নির্মলা সিংহ
ꯅꯤꯔ꯭ꯃꯂꯥ ꯁꯤꯡꯍ
*Khoiren, Silchar, Cachar, Assam*
*(Master of Arts 3rd Semester,*
*Assam University, Silchar)*

মীকপ থোক্লো ইচাশা
ꯃꯤꯀꯞ ꯊꯣꯛꯂꯣ ꯏꯆꯥꯁꯥ
মীকপ থোক্লো ইচাশা
ꯃꯤꯀꯞ ꯊꯣꯛꯂꯣ ꯏꯆꯥꯁꯥ

ইমাগী শিন্থুরিবা পিরাং
ꯏꯃꯥꯒꯤ ꯁꯤꯟꯊꯨꯔꯤꯕ ꯄꯤꯔꯥꯡ
পিরাংগী লমন শিংলরো,
ꯄꯤꯔꯥꯡꯒꯤ ꯂꯃꯟ ꯁꯤꯡꯂꯔꯣ,

শেৎতুনা চাগে থৌরাংলকলে
ꯁꯦꯠꯇꯨꯅ ꯆꯥꯒꯦ ꯊꯧꯔꯥꯡꯂꯀꯂꯦ
মীতোপ মীয়ানচানা ইমাবু,
ꯃꯤꯇꯣꯞ ꯃꯤꯌꯥꯟꯆꯥꯅ ꯏꯃꯥꯕꯨ,

ইমাগী ইরল ইথুম
ꯏꯃꯥꯒꯤ ꯏꯔꯜ ꯏꯊꯨꯝ
কল্লকলে পাল্লকলে য়েক্লবনা,
ꯀꯜꯂꯀꯂꯦ ꯄꯥꯜꯂꯀꯂꯦ ꯌꯦꯛꯂꯕꯅ,

য়েক্লবনা লানগোই চল্লকলে
ꯌꯦꯛꯂꯕꯅ ꯂꯥꯟꯒꯣꯢ ꯆꯜꯂꯀꯂꯦ
ইমাগী ফীজি শেৎলকলে,
ꯏꯃꯥꯒꯤ ꯐꯤꯖꯤ ꯁꯦꯠꯂꯀꯂꯦ,

ইমাগী পারি অথৌবশিং
ꯏꯃꯥꯒꯤ ꯄꯥꯔꯤ ꯑꯊꯧꯕꯁꯤꯡ
মীকপ থোক্লো ইচাশা,
ꯃꯤꯀꯞ ꯊꯣꯛꯂꯣ ꯏꯆꯥꯁꯥ,

চাওবা শারেপ ফারকলে
ꯆꯥꯎꯕ ꯁꯥꯔꯦꯞ ꯐꯥꯔꯀꯂꯦ
নপা নপুগী লমন শিংলরো
ꯅꯄꯥ ꯅꯄꯨꯒꯤ ꯂꯃꯟ ꯁꯤꯡꯂꯔꯣ

অশেংবা 'ঈ' নি নপা নপুগী
ꯑꯁꯦꯡꯕ 'ꯏ' ꯅꯤ ꯅꯄꯥ ꯅꯄꯨꯒꯤ
লানফমদা কীবা হৌনদে
ꯂꯥꯟꯐꯝꯗ ꯀꯤꯕ ꯍꯧꯅꯗꯦ

নোংমদা পোকপা মচানা
ꯅꯣꯡꯃꯗ ꯄꯣꯛꯄ ꯃꯆꯥꯅ
নিনি শিবা হৌনদে
ꯅꯤꯅꯤ ꯁꯤꯕ ꯍꯧꯅꯗꯦ

খুৎতা খুৎলায় য়াওদে
ꯈꯨꯠꯇ ꯈꯨꯠꯂꯥꯏ ꯌꯥꯎꯗꯦ
নীঙ হনগে খনফদে,
ꯅꯤꯡ ꯍꯅꯒꯦ ꯈꯅꯐꯗꯦ,

ৰাশকচেৎনা নপা নপুবু
ꯋꯥꯁꯀꯆꯦꯠꯅ ꯅꯄꯥ ꯅꯄꯨꯕꯨ
চিংশিল্লগা থম্মোয়নুংদা
ꯆꯤꯡꯁꯤꯜꯂꯒ ꯊꯝꯃꯣꯌꯅꯨꯡꯗ

অকীবা লৈত মায়োকনৌ
ꯑꯀꯤꯕ ꯂꯩꯇ ꯃꯥꯌꯣꯛꯅꯧ
থৌনা লীংজেল উৎলম্মু,
ꯊꯧꯅ ꯂꯤꯡꯖꯦꯜ ꯎꯠꯂꯝꯃꯨ,

তাকলম্মু নচা ঐখোয়না লৈরিবমখে
ꯇꯥꯛꯂꯝꯃꯨ ꯅꯆꯥ ꯑꯩꯈꯣꯌꯅ ꯂꯩꯔꯤꯕꯃꯈꯦ
ইমাগী শকতম কায়বা য়ারোই,
ꯏꯃꯥꯒꯤ ꯁꯛꯇꯝ ꯀꯥꯌꯕ ꯌꯥꯔꯣꯏ,

লাওরম্মু ইমাগী শকতম
ꯂꯥꯎꯔꯝꯃꯨ ꯏꯃꯥꯒꯤ ꯁꯛꯇꯝ
কায়বা য়ারোই, কায়বা য়ারোই
ꯀꯥꯌꯕ ꯌꯥꯔꯣꯏ, ꯀꯥꯌꯕ ꯌꯥꯔꯣꯏ

য়ুংলম্মু লানফমদা মচু তরেৎনা লৈতেংবা
ꯌꯨꯡꯂꯝꯃꯨ ꯂꯥꯟꯐꯝꯗ ꯃꯆꯨ ꯇꯔꯦꯠꯅ ꯂꯩꯇꯦꯡꯕ
শলাইচা ঐখোয়গী লানঙম ফীরাল,
ꯁꯂꯥꯏꯆꯥ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯂꯥꯟꯉꯝ ꯐꯤꯔꯥꯜ,

পিরবনি ইমানা থৌজাল
ꯄꯤꯔꯕꯅꯤ ꯏꯃꯥꯅ ꯊꯧꯖꯥꯜ
পিরবনি ইমানা থৌজাল।
ꯄꯤꯔꯕꯅꯤ ꯏꯃꯥꯅ ꯊꯧꯖꯥꯜ ॥




# হৌজিক্কী তাইবং

**মৈতানকৈশম ওংবী শ্যামলা সিংহ**
*লাবক, পোয়লাপুল*

হৌজিক্কী তাইবংদা হীংলীবা মীওইশিংনা
খনলীবা ৱাখল পুখলদী
ঐনা হেনলী তানরী তাইবংদা,
তাইবং মপুনা শেম্বদগী
মীওইবনা মহেনলে খনজৈ ৱাখলদা

মালেমবু মাং তাকহনবগী চাংদী ৱাংলকলে,
ঐনা হেনৱা নংনা ঙমবরা মুক্ৰী সংসারদা
অঙম অঙমবা লৈপাক হাৎনরী, কাপ্পরী।
পৃথিবীগী অনীশুবা লানজাউ লোয়খরে,
অহুমশুবা লানজাউবুনা তপ্পা নক্পা
খুবাং চাঙজৌ তরানা হৎতুনা কৌশিল্লী।
অকনবা অমদি শেল পায়বা শাদুনা
মালেমবু মাংহনগে হোৎনরী।

তাইবংদা হীংগদবা পুন্সিদী
অমুক হোন্দোক অমুক হোনজিন
শ্বোর অদুতনী। হোনলীবা শ্বোর
অসিসু অশেংবা নুংশিত্তী ফংদরে।
অসুন্না ঐনা হেনলি খনবনা মালেমসিদা
মাং তাকপগী শক্তম অদু ওইহল্লী।।



# লম্থুংফম্ য়ৌদ্রিফাও
# ꯂꯝꯊꯨꯡꯐꯝ ꯌꯧꯗ꯭ꯔꯤꯐꯥꯎ



**Oinam Malhotra Singh**
*Karang Island, Manipur*
*PhD Scholar,*
*Department of Manipuri*

চৎমিন্নবনি মাগা ঐগা
ꯆꯠꯃꯤꯟꯅꯕꯅꯤ ꯃꯥꯒꯥ ꯑꯩꯒꯥ
মহাকনা মাং ঐনা তুং
ꯃꯍꯥꯀꯅꯥ ꯃꯥꯡ ꯑꯩꯅꯥ ꯇꯨꯡ
চিংদুনা চৎলি মাং থাদুনা
ꯆꯤꯡꯗꯨꯅꯥ ꯆꯠꯂꯤ ꯃꯥꯡ ꯊꯥꯗꯨꯅꯥ
তুং ইন্নে ঐনা মা মাদুনা
ꯇꯨꯡ ꯏꯟꯅꯦ ꯑꯩꯅꯥ ꯃꯥ ꯃꯥꯗꯨꯅꯥ
মমি শান্মিবা লম্বীদুদা।
ꯃꯃꯤ ꯁꯥꯟꯃꯤꯕꯥ ꯂꯝꯕꯤꯗꯨꯗꯥ꯫
চীংদুনা চৎলী মহাক্না
ꯆꯤꯡꯗꯨꯅꯥ ꯆꯠꯂꯤ ꯃꯍꯥꯛꯅꯥ
হারাওনা য়াথোকচৈ ঐহাকসু
ꯍꯥꯔꯥꯎꯅꯥ ꯌꯥꯊꯣꯛꯆꯩ ꯑꯩꯍꯥꯛꯁꯨ
নুংঙাইবা লম্বী ওইবনিনা
ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯕꯥ ꯂꯝꯕꯤ ꯑꯣꯏꯕꯅꯤꯅꯥ
মখল্ য়াম্মী মথেল য়াম্মী নুংঙাইবা
ꯃꯈꯜ ꯌꯥꯝꯃꯤ ꯃꯊꯦꯜ ꯌꯥꯝꯃꯤ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯕꯥ
য়াম্না পাক্ চাওই লম্বীসু
ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯄꯥꯛ ꯆꯥꯎꯏ ꯂꯝꯕꯤꯁꯨ
মীনা ক্রিক্ ক্রিক্ ইন্নারিবা।
ꯃꯤꯅꯥ ꯀ꯭ꯔꯤꯛ ꯀ꯭ꯔꯤꯛ ꯏꯟꯅꯥꯔꯤꯕꯥ ॥
শরেপ ফারকলে চৎন-চৎন
ꯁꯔꯦꯞ ꯐꯥꯔꯀꯂꯦ ꯆꯠꯅ-ꯆꯠꯅ
নরা ওইখীদরে হৌজিক্তি
ꯅꯔꯥ ꯑꯣꯏꯈꯤꯗꯔꯦ ꯍꯧꯖꯤꯛꯇꯤ
থংলে লম্বী পুন্নমকসু
ꯊꯪꯂꯦ ꯂꯝꯕꯤ ꯄꯨꯟꯅꯃꯀꯁꯨ
নুংঙাইবা লম্বীদুগী মরুমদা
ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯕꯥ ꯂꯝꯕꯤꯗꯨꯒꯤ ꯃꯔꯨꯝꯗꯥ
লীশাং শিৎনা তিংখংগী লম্বী
ꯂꯤꯁꯥꯡ ꯁꯤꯠꯅꯥ ꯇꯤꯡꯈꯪꯒꯤ ꯂꯝꯕꯤ
তিংখংগী লম্বীদুগী মরুমদা
ꯇꯤꯡꯈꯪꯒꯤ ꯂꯝꯕꯤꯗꯨꯒꯤ ꯃꯔꯨꯝꯗꯥ
পুন্সিগী অচুম্বা ইপাক্।
ꯄꯨꯟꯁꯤꯒꯤ ꯑꯆꯨꯝꯕꯥ ꯏꯄꯥꯛ ॥
চীংদুনা চৎকে তৌই অমুকসু
ꯆꯤꯡꯗꯨꯅꯥ ꯆꯠꯀꯦ ꯇꯧꯏ ꯑꯃꯨꯀꯁꯨ
মায়াগী নুংঙাইবা লম্বীদুদা
ꯃꯥꯌꯥꯒꯤ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯕꯥ ꯂꯝꯕꯤꯗꯨꯗꯥ
কুম কয়ানো চৎলকলিবা
ꯀꯨꯝ ꯀꯌꯥꯅꯣ ꯆꯠꯂꯛꯂꯤꯕꯥ
তকশিনজে পুবিনবা
ꯇꯛꯁꯤꯅꯖꯦ ꯄꯨꯕꯤꯅꯕꯥ
মথৌ কল্লবা তিংখংগী লম্বীদুদা
ꯃꯊꯧ ꯀꯜꯂꯕꯥ ꯇꯤꯡꯈꯪꯒꯤ ꯂꯝꯕꯤꯗꯨꯗꯥ
তাবিখিদরে ঐগী খোল্লাও
ꯇꯥꯕꯤꯈꯤꯗꯔꯦ ꯑꯩꯒꯤ ꯈꯣꯜꯂꯥꯎ
উশিন্নখিদ্রে ঐগী ঈঙ্গিৎ
ꯎꯁꯤꯟꯅꯈꯤꯗ꯭ꯔꯦ ꯑꯩꯒꯤ ꯏꯉ꯭ꯒꯤꯠ
মমিৎ তাংবা মনা পংবা অমগুমখ্রে
ꯃꯃꯤꯠ ꯇꯥꯡꯕꯥ ꯃꯅꯥ ꯄꯪꯕꯥ ꯑꯃꯒꯨꯝꯈ꯭ꯔꯦ
শরেপ মতম লৈহৌরে
ꯁꯔꯦꯞ ꯃꯇꯝ ꯂꯩꯍꯧꯔꯦ

মপুং ফারে হৌজিক্তী
ꯃꯄꯨꯡ ꯐꯥꯔꯦ ꯍꯧꯖꯤꯛꯇꯤ
তারো নংসু মুন্না
ꯇꯥꯔꯣ ꯅꯪꯁꯨ ꯃꯨꯟꯅꯥ
নত্তে ঐহাক্তি
ꯅꯠꯇꯦ ꯑꯩꯍꯥꯛꯇꯤ
নহাক্না কোয়চিং চীংলগা
ꯅꯍꯥꯛꯅꯥ ꯀꯣꯌꯆꯤꯡ ꯆꯤꯡꯂꯒꯥ
চৎকদবা মীশক্তু
ꯆꯠꯀꯗꯕꯥ ꯃꯤꯁꯛꯇꯨ
চৎকনি চীংদুনা
ꯆꯠꯀꯅꯤ ꯆꯤꯡꯗꯨꯅꯥ
নহাক্পু ঐনা
ꯅꯍꯥꯛꯄꯨ ꯑꯩꯅꯥ
ঐগী লম্থুংফম য়ৌদ্রিফাও
ꯑꯩꯒꯤ ꯂꯝꯊꯨꯡꯐꯝ ꯌꯧꯗ꯭ꯔꯤꯐꯥꯎ
ৱাই হাইরকপদি য়ারোই
ꯋꯥꯏ ꯍꯥꯏꯔꯛꯄꯗꯤ ꯌꯥꯔꯣꯏ
ঈয়াং কংলবা ঐগী খূৎসিনা য়ান্‌বদা
ꯏꯌꯥꯡ ꯀꯪꯂꯕꯥ ꯑꯩꯒꯤ ꯈꯨꯠꯁꯤꯅꯥ ꯌꯥꯟꯕꯗꯥ
ঐগী মতম চুপ্পগী মরুপলোই
ꯑꯩꯒꯤ ꯃꯇꯝ ꯆꯨꯞꯄꯒꯤ ꯃꯔꯨꯞꯂꯣꯏ
হে পুন্সি !
ꯍꯦ ꯄꯨꯟꯁꯤ !




# মালেমদা মীতৈ

**নোংথোম্বম কমল**
*হোজাই, আসাম*

ইরসি ঐখোয় ৱারেং-শৈরেং
লৈরি মচাক ৱারেং-শৈরেংগী
লোনগৈ পুকৈ পুদিনগী
অৱাৎপা লৈত্রবা মালেম'সিদা
ইশাগী ওইজবতা থিরবা মতম'সিদা
মী অমনা মী অমবু
শা-ঙাগুম তুহৎনবা খুরৌ
মীতৈগী ঙসিগী শেল-থুমগী ফিবম
ঙসিগী ঙসিগী ঈশৈ তাম্বাদা
ঙৌবিরে মৈগী থাংদা
ভারত সংবিধানগী
নিপানসুবা তাংকক্তা চন্নবা
ইমালোনগী ঈহৌ
অমুক্কসু ঙৌবিরে মৈগী খাংথক্তা
আসামগী এসোসিয়েৎ
ওফিসিয়েল লেংগুয়েজ ওইনবা
ইমালোনগী ঈহৌ
মালেমগী শংবান্নরবা
উনা-ৱানাগী ফজবশিং
কংশিল্লক্তুনা মাংখিগদৌরে
ইস। লৌশিং তাদ্রগা লোয়রে
সোরারেনগী ফংঙমদ্রবা
লাইজা-ঈশিং
লাইরেনতোম্বীগী
শুমহৎপগী মশক ওইরিবী
মোমোন মীনোক্না
কনবা ঙমখিগদ্রা অসিবু?
মতিক চারবা চারবী

পলেমগী লৈকোলনুংগী পারী-ইমোম
হিজম ইরাবত, ডাঃ কমল, থম্বালনুগুম
মপোক লাংওল্লক্কদবা পুংজা ৰাৎলিব্রনে
অমনা হায় ঐ মীতৈনি
অমনা হায় ঐ মৈতৈনি
অমনামুক হায় ঐ মণিপুরীনি
অসুন্না খন্নরিঙৈ নৈনরিঙৈ শরকসিদা
চিল্লবদা শিংচেপ থাবিরে
বিষ্ণুপ্রিয়া ঈহৌ
অতৈ অমুকসু ঊৌবিরি
ওটোনোমাস তানবগী ঈহৌ
এস.টি. ওইনবগী ঈহৌ
নোংপোক থোং হাংখরে
নোংচুপ থোং থিংলগনি
পোক্লগনি নোংপোক্তা লাই
ওইহল্লসি মীতৈলৈপাক লাইরেপাক
ইশাগী সুমাং শিৎতুনা
ইশাগী চুখোং শেংদুনা
ইসা নাৎপু থিদুনা
ইমালোনবু য়োকখৎতুনা
শক্তাক্লসি মালেমদা মীতে।



# কপ্লি ঙসিসু

**কব্রবম ওংবী অনিতা দেবী**

কপ্লি ঙসিসু ঐগী পিক্লবা থৰায় মঙাসে
অমম্বা লৈমায়গী মচি মচিদা
কাওবা ঙম্লরোয়দবা ৰাহং কয়ানি
লীদুনা থল্লি ইতিহাস ওইনা।
অৰাবা মায়থোংদা তারক্লিবা মমিসে
সাহিত্যগী মরু ওইবা মচলনি।
তাংনা ফংলবা তাইবং মপোকসে
হিংলি তুরেলদা কাউশিং তাউবগুম
ঈচেল অদুগী চাংয়ৌদা,
থম্মোই অমসুং, ৰাখলনা তাউরুই
হৌখিবা, তথক তথকপা থৌদোক্তা
কাউবা লৈররোয় মপোকসিমগী
লাইরববু হস্থনা খনবীবা
ইনাক খুনবশিংনা শান্নবিবা
খোঙনেৎফম ওইরবা খোংদৈ ফিদাগুম
কপ্লি ঙসিসু, তাইবংদসু কপ্লি
মংলান্দসু কপ্লি, ঙসিসু কপ্লি
খোঞ্জেল থোক্তবা শৈরেংনা
পীরাংগী মহুৎ শিন্দুনা
লাংতক্লরবা চৈথেং অসিনা
শক্লোন কয়ানা থম্মোয়বু
চৈনা ফাওহল্লি।



# PATYAGI THAMBAL

**Moirangthem Ruhit**

Nongpok chinggi chingyadagi
Korouna chingkhei hullakpada, Patyagi
leirang thambalna
Maka finna satkaiduna.,
Pat pumbabu leitengbagum
Harauna jagoi sarak e.
Magi jagoida ngaujaba
Chirol heiba khoimuna,
Koipai paiduna yengli Thambal gi ningthira
jagoi,
Hairi thambalgi nappada Ngrang ngrang
ngangduna
Punna sanaminasi eiga.
Louron heiba khoimugil
Chirol waheida tauduna
Sanaminnari thambalna,
Yengli khoimugi mitna Thambalgi leiriktu
munna munna.
Ha thambal ningthibi
Pat pumbagi leiteng oiribi,
Korouna yachanglakpada
Mangkhigani nanggi
Mengla fajara saktam, Khuthek satheksu
nanggi Loikhigani yachangbada, Chirol
heiba khoimusu Hankhigani maranyaida,
Waruganu leinungshi Amuk pokpa,amuk
siba, Mahousagi khongchatni,
Patyagi thambal.

# চন্দোনচৈগী পুন্সি

**থৌনাওজম শ্যাম**
*গুৱাহাটী*

নৈর তোতলা, নৈর খোমজিল্লা
লৈতেংবীরি নঙনদি
ইমুংগী মীপূম খুদিংবু
লাইবক্তা,
নাখাঙদা,
খৌরীদা,
কদায়দা করি শোয়খিগদগে খন্না
নোংমতসু ৱারে হায়জবা ঙমদনা,
নোংমতসু মখোয়গা চৎমিন্নবা ফংদনা।

নঙবু লোয়বা মপুনদি
নোংমতসু পুবীগে খনখিদে
মখোয়গা লোয়ননা।
মদুগী মহুত্তা নঙবু
থোঙ চেজেৎ লোনশিনবীদুনা
থম্বীরম্মী অমম্বা কাখুদুদা
নঙবু শীজিন্নবা খুদিং লোইরগা
হামু হামু মহৌশাগুম।
মখোয়নদি চৎখি চৎনিংবা মফমদা।
মসিবু মীওইবগী করম্বা ধর্ম্মনো?

অদুনা হে চন্দনচৈ!
নঙ নচিন থোকউ
মখোয়গা লোয়ননা চৎমিন্ননীংলবদি।
অদুগা পাংথোকউ
নঙগী নথৌদাংসু
নঙবু লোইরিবা মপুগী থৌগায়দো।
মদুনা নঙগীদি তৌফদ্রবা ধর্ম্মনি।

# LIST OF THE EX-PRESIDENTS & EX-GENERAL SECRETARIES

## MANIPURI STUDENTS' UNION, SILCHAR

| Sl. No. | PRESIDENT | GENERAL SECRETARY | YEAR/TERM |
|---|---|---|---|
| 01 | **Lt. Kangabam Naba Kumar**<br>Digli, Cachar | **Nk. Santee Kumar**<br>Tolengram, Lakhipur | 8/02/1978-<br>24/09/1978 |
| 02 | **Ashangbam Biren**<br>Bakhal, Jirighat | **Ngangom Jayanta Kumar**<br>Krishnapur, Cachar | 24/09/1978-<br>21/09/1979 |

## ALL ASSAM MANIPURI STUDENTS' UNION, SILCHAR

| Sl. No. | PRESIDENT | GENERAL SECRETARY | YEAR/TERM |
|---|---|---|---|
| 03 | **Lt. Sorokhaibam Nandakishore**<br>Gossaipur, Udharbond | **Laishram Bir Kumar**<br>Seramkhul Rongpur, Silchar<br>**Dilip Mayengbam** (Acting)<br>Saraleikai, Sribar, Lakhipur | 21/09/1979-<br>July 1981<br>1981 July-Nov. 1981 |
| 04 | **Lt. Meitankeisam Niranjan**<br>Khoirelpar, Silchar | **Nitaichand Singha** | 1981-1982 |
| 05 | **Lt. Meitankeisam Niranjan** | **Brajalal Singha**<br>Ramnagar, Tuko | 1982-1983 |
| 06 | **Lt. Meitankeisam Niranjan** | **Lt. Naba Kumar Singha** | 1983-1984 |
| 07 | **M. Biswajit Singha** | **Y. Sunamani** (Acting) | 1984 |
| 08 | **Lt. Meitankeisam Niranjan** | **Y. Sunamani Singha**<br>Patharkandi | 1984-1985 |
| 09 | **S. Brajalal (Biralal)**<br>Saikhomleikai, Sonai | **Lt. Naba Kumar Singha** | 1985-1986 |
| 10 | **Lt. A. Joybidya Singha**<br>Patharkandi | **Y. Manidhan** (Acting)<br>Patharkandi | 1986-1987 |
| 11 | **Lt. Y. Dharmendra Singha** | **Y. Manidhan Singha** | 1987-1988 |
| 12 | **Saikhom Kamalakanta**<br>Bantarapur | **Konsam Biswajit Singha**<br>Ramnagar, Berakhal | 1988-1989 |
| 13 | **Ngariyambam Komoleshwar**<br>Ranipur | **Kh. Ramendra Singha**<br>Ramnagar Tuko | 1989-1990 |
| 14 | **L. Chingthang Khomba**<br>Jharagul, Sonai | **A. Brajahari Singha**<br>Lalang | 1990-1991 |
| 15 | **L. Chingthang Khomba** | **L. Bidya Basant Benerjee**<br>Patharkandi | 1991-1992 |
| 16 | **H. Khomba Singha**<br>Leihoupokpi, Hailakandi | **L. Amol Singha**<br>Hojai | 1992-1993 |
| 17 | **Ch. Bijando Singha**<br>Sildhubi | **Th. Haridas Singha**<br>Borakhal, Sonai | 1993-1994 |

| | | | |
|---|---|---|---|
| 18 | **Nongpoklakpam Nandamohan**<br>Binnakandi, Lakhipur | **Kh. Nipen Singha** | 1994-1996 |
| 19 | **Nongpoklakpam Nandamohan** | **H. Babu Singha**<br>Ramnagar, Khelma | 1996-1998 |
| 20 | **Nongpoklakpam Nandamohan** | **Ngangom Dipok**<br>Krishnapur<br>**Lt. Moirangthem Amusana** (acting)<br>Goalipar, Hailakandi | 1998-1999 |
| 21 | **Ashangbam Dorendra**<br>Bakhal Jiri, (Resign on 20th, Feb.2001)<br>**Laishram Biswajit (Acting)**<br>Bantarapur, Cachar | **Lt. Thoidingjam Binoy**<br>Gossaipur, Udharbond | 1999-2000 |
| 22 | **Keisam Kamdev**<br>Jalampur, Hailakandi | **R.K. Santoshjit**<br>Tarapur, Silchar | 2000-2002 |
| 23 | **Longjam Merachowba**<br>Rongpur, Silchar | **Sougaijam Ranbir**<br>Itkhola, Silchar | 02/03/2002-<br>02/02/2003 |
| 24 | **Lt. Moirangthem Amusana**<br>Goalipar, Hailakandi | **Kshiro Gopal Sarma**<br>Chandpur, Sonai | 02/02/2003-<br>19/02/2005 |
| 25 | **Sinam Pahari**<br>Kshetrikhul, Hailakandi | **Laishram Satyajit**<br>Moinarbond, Udharbond | 19/02/2005-<br>17/02/2007 |
| 26 | **Seram Herajit**<br>Seramkhul, Rongpur | **Th. Mrinal Singha**<br>Lala, Hailakandi<br>**Meisnam Bhagat** (Acting) | 19/02/2007-<br>24/04/2008 |
| 27 | **R.K. Santoshjit**<br>Tarapur, Silchar | **Meisnam Bhagat**<br>Leihoupokpi, Hailakandi | 2008-2010 |
| 28 | **Lourembam Surendra**<br>Kamranga, Cachar | **Lt. Mutum Ranjit**<br>Gossaipur, Cachar<br>**Pangabam Nilkanta (Acting)** | 2010-2013 |
| 29 | **Seram Herajit**<br>Seramkhul, Rongpur-II | **Pangambam Nilkanta**<br>Lawat, Hailakandi | 2013-2016 |
| 30 | **Pangabam Nilkanta**<br>Lawat, Hailakandi | **Wahengbam Madhusudon**<br>Joypur, Cachar<br>**Kh. Krishnamohan** (In-charge)<br>Chingdong Leikai, Sonai | 2016-2018 |
| 31 | **Pangabam Nilkanta**<br>Lawat, Hailakandi | **Ningombam Sangeet**<br>Vivekananda Road, Silchar<br>**Yengkhom Emoinu Leima** (In-charge)<br>Singerbond, Cachar | 2018-2021 |
| 32 | **Ngasepam Sanahal**<br>Lanka, Hojai | **Kabrabam Bikramjit**<br>Sribar, Lakhipur | 2021- 2023 |
| 33 | **Ngasepam Sanahal**<br>Lanka, Hojai | **Ashangbam Swapan**<br>Konjeng Leikai, Lakhipur | 2023- till date |

***

# List of the Executives of AAMSU, Central Committee (Session 2023-25)

President: Ngasepam Sanahal

| Vice President: | | |
|---|---|---|
| | (i) Kangabam Subhojit | (ii) Seram Pariton |
| | (iii) Kabrabam Bikramjit | (iv) Laishram Bir |

General Secretary: Ashangbam Swapan

| Asst General Secretary: | | |
|---|---|---|
| | (i) Fanjawbam Indrajit | (ii) Samurailatpam Omkar |
| | (iii) Laishram Anup | |

Finance Secretary: Ahongsangbam Rohan

Cultural Secretary: Yumnam Albina

Sports Secretary: Laitonjam Nirendra

Info & publicity secretary: Sinam Chingkheinganba

Debate Secretary: Moirangthem Ruhit

Office Secretary: Konsam Tomba

| Organising Secretary: | | |
|---|---|---|
| | (i) Abhishek Singha | (ii) Haorangbam Malemnganbi |
| | (iii) Laitonjam Sumit | (iv) Samurailatpam Gopichandra |
| | (v) Angom Prity | (vi) Laishram Rohit |

Literary Secretary: Moirangthem Gunindra

| Executive Members: | | |
|---|---|---|
| | (i) Meishnam Langlen | (ii) Mutum Krishna |
| | (iii) Meishnam Biranjeet | (iv) Laishram Monali |
| | (v) Thingujam Deepak | (vi) Kolom Prasanta |
| | (vii) Laitonjam Bijesh | (viii) Moirangthem Binita |
| | (ix) Pangabam Prasanta | (x) Thongam Rahul |
| | (xi) Ngangbam Robin | (xii) Ashem Abhijit |
| | (xiii) Mutum Misna | (xiv) Yumnam Sonia |
| | (xv) Khaidem Sanjana | (xvi) Mrinalini Sharma |
| | (xvii) Loitongbam Pritam | (xviii) Gourshyam Mukherjee |
| | (xix) Haorongbam Kishan | |

## List of the Advisors of AAMSU, Central Committee (Session 2023-25)

(1) **Kangabam Shantee Kumar Singha** (Ex-General Secretary, AAMSU C/C)
(2) **Saikhom Kamalakanta** (Ex-President, AAMSU C/C)
(3) **Phamdom Manibabu** (Ex-President, AAMSU, Nagaon District Committee)
(4) **Takhelchangbam Kshiro Gopal Sarma** (Ex-General Secretary, AAMSU C/C)
(5) **Laishram Satyajit** (Ex-General Secretary, AAMSU C/C)
(6) **Nongthombam Nobin** (Ex-Finance Secretary, AAMSU C/C)
(7) **Meishnam Bhagat** (Ex-General Secretary, AAMSU C/C)

## Reception Committee for the 46th Foundation Day of AAMSU

**Chairman:** Lamabam Chingthangkhomba

**Vice-Chairmen:** (i) Phandom Manibabu
(ii) Chirom Shanti Kumar

**Convener:** Leisungbam Ingangamba

**Co-Conveners:** (i) Th. Gaurav Sharma
(ii) Laishram Satyajit
(iii) Kshiro Gopal Sarma

**Treasurer:** N. Priyadarshini

**Co-Treasurers:** (i) Ashangbam Swapan
(ii) Ahongsangbam Rohan

**Editor "Ningtamba":** Meishnam Bhagat

**Members:** (i) Khoirom Mandakini Devi
(ii) Mutum Bijaya
(iii) Th. Hemlata
(iv) Phanjaubam Indrajit
(v) Nandeibam Bitika
(vi) Yengkhom Emoinu

**Advisory Members:**
Kangabam Shantee Kumar, Saikhom Kamalakanta, Usham Deepak, Laishram Champa Devi, S. Mala Devi, N. Radhamani and Dr. Phuritsabam Birmani.

# *Heartfelt congratulations to the successful candidates of the Assam Public Service Commission, Combined Competitive Exam–2022.*



**M. Bikramjit Khumancha**
Mangalpur, Sonai, Cachar
Present Address: Station Road, Tarapur Silchar
Father's Name: Maibam Manglemba Singha
Mother's Name: Jyotsna Rani Singha
Rank: 42 (A.C.S.)



**Mrinalini Devi**
Rupnagar, Ganesh Mandir Path, Guwahati.
Father's Name: Foni Singha
Mother's Name: Ibemtombi Devi
Rank: 48, Assistant Audit Officer.



**N. Ranabir Singha**
Singerband Part IV, Cachar
Father's Name: N Lokeswar Singha
Mother's Name: N Meraton Devi
Rank: 62 (A.C.S.)



**O. Anindita Singha**
Ramnagar Berakhal, Cachar
Father's Name: O.Amarendra Singha
Mother's Name: O Ebemlei Devi
Rank: 79, Assistant Accounts Officer



**Pangambam Santanu Singha**
Lawat, Jaribond, Hailakandi,
Father's Name: Pangabam Rabindra
Mother's Name: Tampha Devi
Rank: 168, Assistant Accounts Officer



**Bijoya Devi**
Patarkuchi, Basistha chariali, Guwahati.
Father's Name: Manoj Kumar Singh
Mother's Name: Anu Devi
Rank: 296, Assistant accounts officer.

# Heartfelt Tribute to Our Visionaries



**Kangabam Naba Kumar**
Founder President, AAMSU CC
DoB : 8th July 1956
DoD : 15 June 2019



**Binoy Thoidingjam**
Ex-General Secretary, AAMSU C/C
DoB: 31st May 1970
DoD: 30th September 2023



**Yumnam Ramkumar**
Former Advisor, AAMSU C/C
DoB: 3rd September 1948
DoD: 2nd April 2023



**Meitankeisham Niranjan**
Ex-President, AAMSU C/C
DoB : 30th June 1957
DoD : 28th September 2023



**Sorokhaibam Nandakishor**
Ex-President, AAMSU C/C
DoB : 31st December 1955
DoD : 25th March 2023



**Moirangthem Amusana**
Ex-President, AAMSU C/C
DoB : 10th January 1976
DoD : 31st August 2016

# Activity Pictures




Felicitation of Meritorious Students-2023, held at Gandhi Bhawan, Silchar




"8th Yaushang Kumhei 2023", multidisciplinary sports, cultural and literary meet held at Hojai organized by AAMSU Hojai District Committee.

# Activity Pictures




Donating blood by the President and General Secretary of AAMSU in Imphal to save the lives of individuals injured in incidents of violence in Manipur since May 3, 2023 at Manipur.




AAMSU Executives with the children/students after distributing relief material at a relief camp of Wangjing area on 17 May 2023

# Activity Pictures



After a meeting on various issues on Manipuri medium schools with Ranoj Pegu, Education Minister of Assam; Kaushik Rai, MLA; representatives of AAMSU and other Manipuri CSO leaders at Janata Bhaban, Dispur, Guwahati.



Executives and Advisors of AAMSU after a meeting on issues of Manipuri Medium School Amalgamation with Ranoj Pegu, Education Minister of Assam at Silchar.

# Activity Pictures



AAMSU activists after the released from the Lakhipur police station, Lakhipur, Cachar ($6^{th}$ January 2016)




AAMSU activists with local people during CAB 2016 at Lakhipur, Cachar

# Activity Pictures




Peace rally at Hojai for restore peace in Manipur



Candlelight vigil for Hijam Linthoingambi and Phijam Hemanjit, who were brutally killed by Kuki militants during the violence since May 3, 2023, in Manipur




Peace rally at Hojai with the various indigenous Communities/organizations of Assam for restore peace in Manipur (2023)



AAMSU felicitated SINAM JAIPHABI CHANU 4th Position holder HSLC examination 2023



AAMSU Presented a Memento of Honour to Yendrembam Bishal, a member of the thermal control team of CHANDRAYAAN-3 at ISRO



AAMSU volunteers distribution of foods items in various relief camps in Assam (2023).



AAMSU volunteers distribution of foods items in various relief camps in Assam (2023).

# Activity Pictures



AAMSU leaders felicitated Dr. K. N. Chand upon his selection as a Member of the Manipuri Language Advisory Board of Sahitya Akademi, New Delhi



A two days leadership camp in Chandpur, Sonai, Cachar



Team members including Meetei Pangal (Manipuri Muslim) and other CSO leaders after a Meeting with Education Minister of Assam (2023)




A public meeting at Sonai on the issue of Manipuri School Amalgamation



Relief camp managed by AAMSU at Sonai for Meetei people who arrived from Mizoram during the Manipur violence since May 3, 2023.



AAMSU participation to a One day open discussion on Manipur Merger Agreement Question of Nationality & Identity of the people of Manipur & Present & Future status of Manipur house, held at Shillong



Ninngol Chakouba, AAMSU gi Ningol singbu chakouba numit (Binnakandi South Barak)

Jyesthaa Life Care™
Essence For Life

I Way Life Care Pvt Ltd

Contact Us: House No - 68, First Floor, Bongoan Path, Near Lakhi Mandir Beltola, Guwahati, Assam- 781028
Customer Care: +91 361-3592077; WhatsApp Your Queries/Complaint: +91 6001601818
Email: support @ jyesthaalifecare.com




























Team Partners of

# Emoinu Real-Estate & Consultant Firm

Govt. of Assam Regd Number : RF/CA/182/A/01
Office Address : Silchar, Bhagatpur,
Dist : Cachar, Assam

Deals in : 1. Land Buy & Sell
2. Land Dispute Consultant
3. Township Projects
4. Flat Construction and Builders



**OKRAM LAKHI KANTA SINGHA**
*Managing Director*

1. Khaidem Brojomohan Singha
2. Anit Kumar Singha
3. Shyamakanta Singha
4. Robin sharma

Now ongoing Project of Meetei Township System at Silchar Ramnagar (near Don Bosco School)
Plotwise selling.. Booking open
Contact Numbers : 6002451906 / 7002538724